# শকলোন য়াম্বী আসাম



ময়ায় থাক মহৈ-মশিংগী মশঙ, আসাম সরকার

# শকলোন য়াম্বী আসাম

(রেপিড রিডার ঃ মাপন অমসুং তরাশুবা থাক্কী দমক)



পুথোকপা ঃ অসম মাধ্যমিক শিক্ষা পরিষদ
ফোঙবা ঃ অসম রাজ্যিক পাঠ্যপুথি প্রণয়ন অমসুং প্রকাশন নিগম লিমিটেড, গুৱাহাটী

ময়ায় থাক মহৈ-মশিংগী মশঙ, আসাম সরকার

# শকলোন য়াম্বী আসাম

## ( রেপিড রিডার ঃ মাপন অমসুং তরাশুবা থাক্কী দমক)

পুথোকপা ঃ অসম মাধ্যমিক শিক্ষা পরিষদ
ফোঙবা ঃ অসম রাজ্যিক পাঠ্যপুথি প্রণয়ন অমসুং প্রকাশন নিগম লিমিটেড,
গুৱাহাটী

**SHAKLON YAMBEE ASSAM :** A textbook in Manipuri Rapid Reader for Class IX & X, prepared and approved by the Board of Secondary Education, Assam and published by the Assam State Textbook Production and Publication Corporation Limited, Guwahati-1 on behalf of Govt. of Assam.

**FREE TEXTBOOK**

**All rights reserved :** No repooduction in any form of this book, in whole or in part (except for brief quotation in critical articles or reviews), may be made without written authorization from the publisher.

**© :** The Assam State Textbook Production and Publication Corporation Limited, Guwahati

অহান্বা ফোঙবা ঃ নভেম্বর, ২০১৮
অনিশুবা ফোঙবা ঃ নভেম্বর, ২০১৯
অহুমশুবা ফোঙবা ঃ ২০২০

ঃ 70 GSM চেদা নম্বা তম্নলাইরিক।

হন্দোকচবা ঃ ঙাথেম প্রেমবাবু সিংহ
লাইরেনলাকপম শ্রুতিকুমার সিংহ
মৈস্নাম ভগৎ সিংহ

হন্না-য়েংশিনবা ঃ ড০ হাউরোংবম রাজমনি
মুতুম বিরমনি

ফোঙবা ঃ অসম রাজ্যিক পাঠ্যপুথি প্রণয়ন অমসু প্রকাসন নিগম লিমিটেড, গুৱাহাটী

উনমফম ঃ মাতৃভূমি অফসেট
ধীরেনপারা, গুৱাহাটী

# মাঙৱাহৈ

আসামীয়া খুনাই অমসুং নাৎ অসি তোঙান-তোঙান্বা মীওই কাঙলূপকী নুংশি-চান্ন মতেংননি। আসাম অমসুং অৱাং-নোংপোক্তা খুন্দারিবা মীওই কাঙলূপশিংনা তোঙান-তোঙান্বা মতম অমসুং লম্বীদা মফম অসিদা লাকখি। পুল্লপ-পুল্লপ লাকখিবা মীওইশিংগী মরক্তা লোন, নাৎ ফিজোল, চীঞ্জাকনচিংবদা খেন্নবা খরা লৈরবসু মরূ ওইনা মসিনা তুংলমচৎতা পাকচাউবা অসমীয়া জাতি অমা শেমলকলিবনি। মদুতনা আসামীয়া জাতি শেম্বগী পুৱারীগী থৌওং অমত্তা ওইবগী শক্তম অমসুং অরিবা খুনাই ওইরিবনি। অদুতসু নত্তনা আসামদা চক্ চকতগী খুন্দাদুনা লাক্লিবা শোৎথা কাঙলূপ খুদিংমক্কী শরূাইরবা মীওই ময়াম অমগী খুদোল লৈরিবনি পাকচাউরবা আসামীয়া জাতি অসি শেম্বদা। আসামগী অরিবা শোৎথা কাঙলূপশিং অমসুং কাঙলূপশিং অসিগী শরূাইরবা মীওইশিংগা মহৈরোয়শিংগা খজিকতং ওইরবসু শকখঙহন্বা হায়বসি রেপিড রিডার অসিগী মরূ ওইবা পান্দমনি। শোৎথা কাঙলূপশিংগী মীহৌরোল নৈনবদা চৎতদুনা কাঙলূপশিং অসিগী নাৎ, খুন্নাইরোলগী ফীভমগী মথক্তা মিৎয়েং তাহনবগী থৌরাং রেপিড রিডার অসিদা হোৎনজবনি। মাধ্যমিক্কী থাক্তা মাপন অমসুং তরা শুবা থাক্কী মহৈরোয়শিংগীদমক মীওই কাঙলূপশিংবু শক্তাকপা অমসুং খুদোলগী মরমদা খঙহন্বা ঙম্নবা হোৎনজবনি। মসিগী মথক্তা অসামিয়া জাতিগী অপুনবা শক্তম অমসুং নুংশি-চান্ননা অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোনবু লেংদনা থন্নবগী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা দান তৌবীরম্বা লক্ষ্মীনাথ বেজবরুৱা, জ্যোতিপ্রসাদ আগরৱালা, পার্বতী প্রসাদ বরুৱা, ড° ভুপেন হাজরিকা অসিনচিংবা মশক নাইবা মীওইশিংগী পুন্সী ৱারীশিং পীক্লবা রেপিদ রিদর অসিদা য়াউদ্রি।

থাজবা থমজরি, 'শকলোন য়াম্বী আসাম' মিংথোন্দুনা অহান্বা ওইনা খোমজিনজদুনা পুথোকচবা লাইরিক অসিবু পান্দম ওইনা লৌদুনা থিজিন্বা পাম্ব মহৈরোয়শিংনা তুংলমচৎতা মীওই কাঙলূপশিং অসিগী কলা-কৃষ্টিগী পান্দম, মিহৌনঙাই ওইরবা রচনা-সম্ভারনচিংবা তমশিনবগী লম্বী য়াৎথোকপা ঙমগনি। লাইরিক অসিগী তোঙান-তোঙান্বা অইবা-অইবীশিংগী ৱারেং শিংদা মচাক পুম্বা য়াওরমদবসু য়াই, তৌইগুম্বদি ইরিবা অসিগী মনুংদা মহৈরোয়শিংনা কাঙলূপশিংগী মরমদা মরিকচুম্বা লৌশিং তানবগী মচাক ফংবা ঙম্নবা ৱারেংশিং অসি খোমজিন্নবা হোৎনজবনি।

অহান্বা পুথোকপগী উনমদা চিথহৌবা, অরাল-অশুই পুন্নমক মহৈরোয় অমসুং ওঝাগী খুন্নাইনা তাকপীরক্লগদি তুংলমচৎতা রেপিড রিডার অসিবু অমুক হেন্না পান্ননিঙাই ওইবা মওংদা ফোঙবা ঙমজবা হায়বদো ওইগনি।

অরোইবদা আসাম মাধ্যমিক শিক্ষা পরিষদকী ইকায়খুম্নজরবা থৌবুরেন আর সি জৈন ওঝাগী পায়খৎ থৌরাং অমসুং মিৎয়েং মখাদা পুথোকচবা লাইরিক অসি পুথোক্লবগী থৌরাংদা মরী থমখিবা অইবা-অইবীশিং, তোঙান-তোঙান্বা সাহিত্য সভাগী খঙ-হৈরবা মীওইশিং অমসুং মরী লৈনরিবা মহৈ লোয়শঙগী অঙম্বা খ্বাই-খিবিকপু থম্মোয় শেংনা থাগৎচরি।

**বামুণীমৈদাম, গুৱাহাটী**

**নরনারায়ণ নাথ,** এ. সি. এস.
**সচিব,**
**অসম মাধ্যমিক শিক্ষা পরিষদ**
গুৱাহাটী-২১

# ৱাহৌদোক

অৰাং-নোংপোক অসি মীওই কাঙলূপকী ওইবা, মীহৌরোল নৈনববগী লনগী পুকৈনি। মীহৌরোল অমসুং খুন্নাইরোল খঙবগী ওইনদি মীওই কাঙলূপকী ৱাহন্থোক অসি য়াম্না পাকচাওই। তৌইগুম্বদি লৈঙাকলোনগী মিৎয়েংদগীদি "মীওই কাঙলূপ" হায়বা ৱাহৈগী ৱাহন্দোক পীকই। তশেংনদি মীওই কাঙলূপ অমসুং জাতিগী মরূ ওইবা খেন্নবশিং অয়াম্ব তাংকক্তা লুনা থোকই। মদুনা অৰাং-নোংপোক্কী লমদমদা ঙমখৈ লৈতনা মীওই কাঙলূপ নৈন্নবগী খুদোংচাবগী থাজবা লৈজরবসু, মরূ ওইনা লৌননিঙাই ওইনা নৈন্নবদি হৌজিক ফাওবা ওইদ্রি। মীওই কাঙলূপ নৈন্নবগী লম্বী য়াৎথোকলম্বদি ইংরেজিশিংনি। ইংরেজিশিংনা অৰাং-নোংপোক লমদমগী মীওই কাঙলূপশিংগী মরমদা ইদুনা থমলম্বা লাইরিকশিংতনা মতুংগী মতমদা মফমগী ওইবা গৱেষকশিংগী মচাক হায়বদো ওইখি।

আসাম লৈপাক অসি, তোঙান-তোঙাম্বা মফমদা খুন্দারিবা, কার্বি, মিচিং, গারো, চাওঁতাল নগা টাই শাগৈগী ওইবা মীওই কাঙলূপকা লোয়ননা গরিয়া-মরিয়া মুসলমান ফাওবা তোঙান-তোঙাম্বা জাতি কয়ামুক্কী - মীওই কাঙলূপশিং পুল্লিবা মফমনি। তৌইগুম্বদি কেন্দ্র সরকার অমসুং রাজ্য সরকারগী তোঙান-তোঙাম্বা পায়খৎ থৌরাংগী মতেংনা মীওই কাঙলূপকী মরমদা নৈন্নবা অমসুং খঙজিন থিজিন্বগী লম্বী হাংলবসু, নৈনবগী মতেংনা মশেলনুংগী ওইবা নুংশি-চান্নবা অমসুং খঙমিন্নবগী মহয় ফংলে হায়বদুদি ঐখোয়না হায়বা ঙমদ্রি।

ভারতনা নীংতম্বা ফংবসি চহি তরাগী হিংদা তরেৎ শুরে। হৌজিক-হৌজিক্কী মতমদা ঐখোয়গা থংননা লৈমিন্নরিবা নত্রগা হকচাংগী মমি গুম্না পুন্না লৈরিবা মীওই কাঙলূপশিংবু য়াম্না লুনা খঙলে নত্রগা মখোয়গী মরমদা কা-হেন্না নৈনরে, থিজিন-খঙজিল্লে হায়না হায়ঙমদ্রি। অদুগা থেংনরিবদি হান্নগী লৈনরম্বা নুংশিনবগী মরী অদু হেন্নদুম কোমথোক্লক্লে। ঙসি আসামগী অয়াম্ব মীওই কাঙলূপ লৈঙাকলোনগী ওইবা অমসুং খুন্নাই-শেনমিৎলোনগী ওইবা মরমদা নীংতমজরে নত্রগা নীংতম্বা পামলকলি। তৌইগুম্বদি অসি য়ৌরবাফাওসিদা মীওই কাঙলূপশিংগী চাউখৎ-হেনগৎপগী শক্তম অদু উদ্রি। কাঙলূপ মশেন য়েংথিনবা, লোনগী নুঙাইনদবা অমসুং শক্তম ঙাকপগী ইহৌদা আসামীয়া খুন্নাই অসিগী চাওরবা স্বার্থদা অমাঙবা ওইরকপনা মীওই কাঙলূপশিংগী খুন্নাই অসিসু চাউনা নিংহন্নরি। আসামীয়া লোনবু লৌনি-লৌরোই হায়বগী চৈথেং অমসু মীওই কাঙলূপশিংগী থম্মোয়দা ফাওরকলি।

ইয়াগুবু য়ান-চেগী মতুংদা ইংরেজিশিংনা আসামগী জাতি অমসুং মীওই কাঙলূপশিংবু লৈঙাক নত্রগা

থিজিন-খঙজিন্নগী স্বার্থদনি খঙদে অমবু অমা ওইরবসু পুন্না নৈনবা হৌখি। নোর্থ-ইষ্ট ফ্রোন্টিয়ার এজেন্সী (NEFA)গী মনুংচম্বা, ঙসিগী অৰাং-নোংপোক মখোয়গী নৈনবগী হীরম ওইখি। মতমগী পুন্সি মুহিংগী মঙাল খজিক ফাওবা তাদ্রিবা মহৌশা লাইরেম্বীগী মচা ওইরিবশিং অসিগী পুন্সিবু মীৎয়েং চিংশিন্দুনা মখোয়না ইখিবা নত্রগা ফোঙখিবা লাইরিকশিংনা মতুংগী মতমদা শোৎথা কাঙলুপ নৈনবগী হৌফম লাইরিক ওইখি। পি.টি. গর্ডোন, এ.সি হাটসোন, সিডনী এণ্ডুলে, হেইমেন র্ডোফ, ডব্লিও রবিনসোন, জে.ভি. নিউভিল, ই.টি. ডেলটোন এ ডৰার্ড গেইটনচিংবা নৈনরোয়শিংগী খুদোলতনা মীওই কাঙলূপশিং অসিগী পুন্সি মহিং চৎনবী থাজবা, চৎন-পথাপ অমসুং খুন্নাইগী ওইবা পুন্সিবু ময়াম মাঙদা উৎচবা ঙমজখি। ঐখোয়না ইরিবা অসিদা নৈনরোয় মীওই খরগী মমিং খক্তা পঞ্জরি। ভারতপু নুংশিবীবা মীওই কাঙলূপকী নৈনরোয় ভেরিয়ার এলুইন, পুৰারী ইবা গেইট অমসুং ঙসিগী আসামগী মচাগুম ওইরবা ষ্টিফেনমুরেগী খুদোল মতাং অসিদা নিঙশিংনিঙাই ওইগনি। অষ্ট্রেলিয়াগী সিটিজেন ষ্টিফেনমুরগী কুন শুবা অমসুং কুনমাথোইশুবা চহিচাগী পুক্লিং চঙনা নৈন-থৌরম ঙসি ফাওবা ভারতকী ওইবা নৈনরোয়শিংনা নমহৎপা ঙমদ্রি। ডেসমণ্ড মরিস, পিটার মার্সগুম্না মফমগী ওইবা য়ুম্ফমদা নৈনবা নৈনরোয়শিংসু মতাং অসিদা লুন-লৌনিংঙাইনি। তিৰ্ব্বত অমসুং ব্রহ্মদেশকী ঙমখৈ য়াৎথোক্তুনা অৰাং-নোংপোক লমদমগী তোঙান-তোঙাম্বা মফমদা খুন্দারিবা মীওই কাঙলূপকী পুন্সিগী মথক্তা মৰূ ওইনা নৈনখিবা পিটার ভেন হাম, আগ্লাজ ষ্টিনগী খুদোলসু মৰূ ওই।

চাংদম্ননিঙাই ওইনা নৈনদুনা য়েংলগদি, মমাঙগী নৈনরোয়শিং অসিদগী ঐখোয় লৈপাক্কী ওইবা মীওই কাঙলূপ নৈনরোয়শিং থোইদোক্লা খুৎমাঙ চাউখৎলে হায়বসি হায়বা য়ারোই। অদুমনদি ওইরগা অসিমদি য়াদবা য়ারোই মদুদি মীওই কাঙলূপকী মরমদা ইবা লাইরিক্কী মশিঙদি হেনগৎলে। মতমগী ওইবা মালেমগা মরী থমলকপা অমসুং মহৈ পাক-শন্দোরকপা, খুদিংমক অসিনা মীওই কাঙলূপ খুদিংমক্কী মরক্তগী মহৈশঙগী ওইবা মহৈনা হৈ-শিংবগী মশিঙ মথং-মথং হেনগৎলকপদা মতেং পীরি। মশাগী ওইবা মীওই কাঙলূপকী মরমদা মহৈ-মশিঙ হৈরবা মীওইশিং অসিনা লাইরিক ফোঙদুনা থোইদোক হেন্দোক্ল মতেং পাংলি। নীংশিংবা য়াবদি জোনাকী যুগতা রত্নেশ্বর মহন্তনা ইহান হান্না আসামগী মীওই কাঙলূপ নৈনবগী লম্বী হাংখি। "গারো-ৰারী" কৌবা মহৈ তম্নবগী ওইবা ইবা লাইরিক অসিগী মতেংনা রত্নেশ্বর মহন্তনা শোৎথা কাঙলূপকী পুন্সি, খুন্নাই মহিংগী ৰাহম্থোক মপুং ফানা চেনবা মীৎয়েংবু য়াওহনখি। হেরম্বকান্ত বরপূজারী, এস. এন. বরকাকতী সত্যেন্দ্র নারায়ণ গোশ্বামী, ড° উপেন রাভা হাকাচাম, শরৎকুমার ফুকন, ড° ভূৰন মোহন দাস নচিংবা পূৰারী খঙ-হৈবশিং, নৈনরোয়না মীওই কাঙলূপকী ওইবা হীরমগী লাইরিক্লা মৰূ ওইবা খুদোংচাবা পীখি। ড° নগেন শইকীয়ানা "আসামীয়া মীওইগী ইতিহাস" কী মতেংনা তম্নবগী ওইবা মতাংদা ঙমখৈ শন্দোকখি। তৌইগুম্বদি

ঐখোয়না খঞ্জে মহৈশঙগী থাক্তা মহৈরোয়শিংনা আসামগী জাতি-মীওই কাঙলূপশিংগী মরমদা হকথেংননা লৌশিং ফংবা ঙমদ্রি ফাওবা, আসামীয়া খুন্নাইগী ওইবা পুন্সিদা জাতি অমসুং মীওই কাঙলূপশিংগী চাউরবা তৌবিমলগী মরমদা খঙলোয়, ঙসি ফাওবা ঐখোয়গী খঞ্জবা, তৌবিমল চীংনদনা মতেং পাংমিন্নবগী ৰাখল্লোন মতোন চোংলোই। জাতি অমসুং মীওই কাঙলূপশিংগী পুন্না ঙাকশেন্নবগী মথৌতাবা মহৈ থম্মোয়নুং ফাওনবগী ফীরেপ লৌবা হায়বসি মহৈশঙদতগী হৌবা তাবনি। ৰাফম অসি খন্নদুনা আসাম মাধ্যমিক শিক্ষা পরিষদনা, তোঙান-তোঙান্বা মীওই কাঙলূপশিংবু শেংনা নৈনবা অমসুং শাগৈ-মীওইলূপশিংগী লময়ান্বা শিংগী পুন্সি ৰারী য়াওহন্দুনা য়াংনা পাবা (Rapid Reader) অসি ফোঙবগী ৰারেপ লৌই। হোৎনজমন অসি মতমগা চুনবা অহেন্বা ৰারেপনি হায়না লৌজে। মহৈ-মশিঙগা শকখঙ্নবগী ৰাহন্থোকতি থম্মোয়গী ওইবা নুংশিং-চান্নবা অমগী থৌরাংনি।

লাইরিক অসিদা তশেংনা লময়ান্বা পুন্নামক্কী পুন্সি ৰারী য়াওহঞ্জবা হায়বদু থোকখিদ্রে। মতুংগী মতমদা শোয়দনা হোংদোক-হোংজিন লৈবা য়াই। অহান্ব ওইনা হোৎনদুনা হৌজিক রেপিড রিডার অসিনা মাপন অমসুং তরাশুবা থাক্কী মহৈরোয়শিংনা অনৌব কয়া থিবা ফংগনি হায়না ঐখোয়না থাজজে। পাক-চাউবা আসামীয়া জাতিবু খঙবগী দমক অসিগুম্বা লাইরিক অসি মথৌ তাই। রেপিড রিডার অসিগী দমক আসাম মাধ্যমিক পরিষদকী থৌবুরেন রমেশ চান্দ জৈন ওঝাবু হোৎনমনগী দমক থাগৎচরি। লৈবাক্কী লৈকোয়রোল অমসুং পুৰারীগী মচাকশিংসি চহী নৌরিবশিংদা লুনা মমী তাই, অসিগুম্বা মতাংদা রেপিড রিডার অসিনা লুন-লৌনিঙাই ওইবা মায়কৈ অমা য়াৎথোক্কনি।

অনুরাধা শৰ্মা পূজারী

## -ঃ য়াওফম্ চাক্প ঃ-


| শাগৈ/কাঙলূপ | খোমজিনবা | লমায় |
|---|---|---|
| | **মাপনশুবা থাক্কী** | |
| শকলোন য়াম্বী অসম (শৈহৌ পাড়া) | নবকুমার ডেকা বৰুৱা | ১-৭ |
| আহোম | পূর্বাঞ্চল টাই সাহিত্য সভা | ৮-১৭ |
| কাছাড়গী মীওই কাঙলূপ | ড০ অমলেন্দু ভট্টাচার্য্য | ১৮-২১ |
| কার্বি | কার্বি সাহিত্য সভা | ২২-২৬ |
| কোচ রাজবংশী | কোচ রাজবংশী সাহিত্য সভা | ২৭-৩৪ |
| গরিয়া, মরিয়া অমসুং | সদৌ অসম গরীয়া মরীয়া জাতীয় পরিষদ | ৩৫-৩৯ |
| গারো | গারো সাহিত্য সভা | ৪০-৪৫ |
| চাওতাল | চাওতালগী ভাষা অমসুং সাহিত্য গবেষণা কেন্দ্র | ৪৬-৪৯ |
| চাহ মীওই কাঙলূপ | সুশীল কুর্ম্মি, অসম সাহিত্য সভা | ৫০-৫৩ |
| চুতীয়া | ড০ মানিক শইকীয়া, মশাগী শেন্না লূপ জগন্নাথ বৰুৱা কলেজ, যোরহাট | ৫৪-৫৮ |
| ঠেঙ্গাল কছারী | সদৌ অসম ঠেঙ্গাল কছারী সংগঠন | ৫৯-৬৫ |
| ডিমাচা | “অসমীয়ার সংজ্ঞা বিচারি” নৱকুমার ডেকা বৰুৱা | ৬৬-৬৭ |
| কলিতা শাগৈ | কলিতা জনগোষ্ঠী সন্মিলন, অসম | ৬৮-৭৫ |
| | **তরাশুবা থাক্কী** | |
| তিৱা | তিৱা সাহিত্য সভা | ৭৬-৮০ |
| দেউরী | দেউরী সাহিত্য সভা | ৮১-৮৮ |
| নেপালী | অসম নেপালী সাহিত্য সভা | ৮৯-৯৩ |
| বড়ো | বড়ো সাহিত্য সভা | ৯৪-১০০ |
| মটক | সদৌ অসম মটক সন্মিলন | ১০১-১০৫ |
| মরাণ | মরাণ সাহিত্য সভা | ১০৬-১১৪ |
| মিচিং | মিচিং সাহিত্য সভা | ১১৫-১২১ |
| মণিপুরী | অসম মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ | ১২২-১২৮ |
| রাভা | নিখিল রাভা সাহিত্য সভা | ১২৯-১৩৫ |
| সোনোৱাল কছারী | সোনোৱাল কছারী সাহিত্য সভা | ১৩৬-১৪৭ |
| হাজং | হাজং সাহিত্য সভা | ১৪৮-১৫২ |
| অসমীয়া নাথ যোগীশিং | অসম প্ৰাদেশীক যোগী সন্মিলন | ১৫৩-১৫৫ |
| আদিবাসী শাগৈ | আদিবাসী সাহিত্য সভা | ১৫৬-১৫৯ |
| চিথাহৌবা | | ১৬০ |

# শকলোন য়াম্বী আসাম
# (শৈহৌ পাড়া)

হন্দোকপা লাইরেনলাকপম ঙৌবা

ব্রহ্মপুত্র অমসুং বরাককী পাকচাওরবা তোর্বান অনীগী মখল-মথেলগী লৈকোয়গী লমদমসিদা লৈরিবা চীংমাল, তুরেল, উমং-ৰামংগী অঙকপনা থল্লবা আসাম লৈপাকনি। অসিগী অঙকপনা থল্লবা লৈকোয়লমশিংসিদা মখল মথেলগী লোন, মখল-মথেলগী চৎনবী, মনাৎ, মখল-মথেলগী শাগৈ-নাতৈশিংগী লৈফমনি। হায়বিবা শাগৈ নাতৈশিংগী মখল মথেলগী লোন অমসুং মখল মথেলগী শকতাক্না মানদবাশিংগী মনুংদা অসমীয়া হায়না অপুনবা অমা শাগত্তুনা চহী কয়াগী মমাংদগী য়ূমলিংদুনা লাকই। অমসুং মীতোপ চেল্লত্তুনা লাকপা মীওইশিংসু মশাগী ওইনা কোনশিনজরি। অসিগুম্বা আসামগী মীওইশিংগী শাগৈ খরগী তেন্না শকতাকপা ওইনা লাম্থোকলি --

**কৈৰৰ্ত্ত ঃ** কৈৰৰ্ত্তশিংসে য়াম্না চীংলেম্বা অমদী মীনুংশি খংবা শাগৈনি। মখা আসামগী কৈবৰ্ত্তশিংনা মশাবু নমশূদ্রনি হায়না শকতাকই। মখোয়বু "জালিয়া শালৈ" হায়নসু খংনৈ।

**বণিয়া ঃ** বণিয়া হায়বা শাগৈ অসি ভারতকী রাজ্য পুম্নমক্তা শিনথুংনা লৈ। হায়রিবা বণিয়াশিংসে পিকখ্রবা শরূক খরা ইতিহাসকী মতম অমদা আসামদা লাকখিরম্মী অমসুং থৱায় হকচাং য়াওনা মফমসিদা অসমীয়া ওইনা লৈররে। বণিয়া শাগৈসে মরূ ওইনা বৈশ্যশিংগী শরূক অমা সোণারি বৈশ্যশিংগী শরূক অমনি। অমসুং অয়াম্বনা বণিক্য, দাস হায়না উপাধিসু ইবা থেংনৈ।

**হীরা ঃ** হীরা হায়রিবা শাগৈ অসিনা লৈপাক্কী পুন, থাউমৈ, যাতিমাইগুম্বা শাবা শাগৈনি। হীরাশিংসে অসমগী অসমীয়া লোন ঙাংবী অনুসূচীত জাতিনি। হীরাশিংসিনা লৈপাক্কী পাত্র শাবগীদমক কুমার চাক নত্রগা চক্রিগী মতেং লৌঈ। মথক আসামগী হীরা শাগৈগী মীওই খরনা সোনারী সানা শাবগী থবক শুই।

**সুত ঃ** তোকঙাগী মতুং ইন্না সুতশিংসে ক্ষত্রিয় নুপা অমসুং ব্রাহ্মণ নিঙোলগা লুহোংবগী মহৈ ওইনা শেমখিবা জাতি অমনি। লৈশেম্বগী অহাম্বা মীওই মনুগী মচানুপা অহল প্রিয়ব্রতনা শাস্ত্রগী মতুং ইন্না অহান্বা ক্ষত্রিয় মচানি। মহাক্কী বংশগী পিবা যযাতিনা শুক্রাচার্যগী মচানুপী ব্রাহ্মণ নিঙোল দেৱযানীগা লুহোংখি। মতম অদুগী সমাজগী চৎনবী পথাপ মতুং ইন্না অসিগুম্বা জাত তিন্নদবা লুহোংবগী মহৈ ওইনা পোকপা যযাতি অমসুং দেৱযানীগী মচা মশুশিংবু সুত জাতি হায়না খঙনৈ। শাথৌবা নত্রগা সুতশিংগী শরুক খরা লানঙম্বা অথৌবাশিংগী দোলাই থৌবা ওইনা থায়না মমাঙৈদা অসামদা চংলকখি অমসুং অসমীয়াগী

হৌরকফমদা তিনখিদুনা অশেংবা অসমীয়া ওইখি।

**হালৈ ঃ** হালৈ আসাম সরকারগী অতৈ অতৈ চাওখত্তবা কালুংপকী (OBC) জাতিশিংগী মিং য়াওবা লিষ্টতা হালৈ কৌবা জাতি অমা য়াওই। হালৈ শিংসে কেওট শিংগী শরুক অমনি অমসুং হালৈ, মালি অমসুং জালৈ কৌবা শকতাক অসুন্না শকখংন্নরম্মী। হালৈ ৰাহৈনা যণপোৎ খোয়বা নত্রগা লৌউববু খঙনৈ। হালৈশিংনা ইরাৎ থৌরম শ্রদ্ধ কমনাচিংবা বৈষ্ণৱ পরমপরা মতুং ইন্না পাংথোকই। অশিবা হকচাং মৈ থাদুনা লোয়শিল্লি। হালৈশিংসে অসমীয়াগী হৌরকফমদা য়াওরবা অসমীয়া লোন ঙাংবা অশেংবা অসমীয়ানি। মালি হালৈশিংসে মরু ওইনা মাল্লি নত্রগা লৈ উবা নত্রগা লৈকোল শেন্বা মীনি।

**বকলিয়াল ঃ** কছারী হায়না খংনবা পিকখ্রবা জনজাতি বকলিয়ালনি। বকলিয়ালশিংনা মশাবু সোণোৱালশিংগী শরূক অমনি হায়না শকতাক্লবসু, মখোয়শিংসে ঙসিগী মতমদা তোপতোপ্পা জনজাতি শাগৈনি হায়না খংনৈ। বকলিয়াল জনজাতি য়াম্না পিকখ্রবা অমসুং লিশিং অমা মখায়গী ওইবা অসমীয়া লোন ঙাংবী জনজাতিনি।

**মেচ কছারী ঃ** মেচ জনজাতি আসামগী পাক চাওরবা কছারীশিংগী পিক্‌লবা শরূক অমনি। ঙসিগী নাগালেণ্ড রাজ্যগী ডিমাপুর অমসুং মনাক নক্লবা মফমশিংদা খুন্দাফম মফম ওইনা লৈরম্মি। ঙসিদি মেচশিংসে অসমীয়াগী মরূ ওইবা য়ুম্‌ফম তিনরবা জনজাতি অমনি।

**শরনীয়া কসারী ঃ** শরনীয়া কসারী আসামগী শকনাইরবা মীওই কাংলুপ অমনি অমসুং মরু ওইনা ওদালগুরি, বাক্সা, কামরূপনচিংবা জিলাদা লৈ। শন্যা কসারীবু অসমীয়াগী অশেংবা লোন্দা শরনীয়া কসারী হায়না কৌই। অমসুং মিং অসিমকনা শরনীয়া কসারীশিংবু খঙনৈ। শংকরদেব অমসুং মাধবদেবনা শন্দোক্লম্বা অনৌবা বৈষ্ণৱবাদ অমসুং ইহৌগী মহৈনা শরনীয়া কসারী মীওইনা ধর্ম ওন্দুনা বৈষ্ণৱ ধর্ম অমদি সনাতন ধর্ম লৌখ্রবসু মখোয় মশাগী কৃষ্টি সংস্কৃতি কায়দনা লৈবা তোঙান্বা জনগোষ্ঠী অমনি।

**মদাহী শাগৈ ঃ** মীয়াম্না তানরকপগী মতুং ইন্না নেপালগী মদাই তুরেল মপান্দগী হৌরকপা কিরাট কছারীগী হৌদোকফম শাগৈ অমনি মদাহী শিংসে। মদাহীশিংনা মদাহী, রয়, ডেকোনাচিংবা উপাধি ইবা থেংনৈ। অদুগা মখোয় মশামক্লা মদাহী কছারীনি হায়নসু শকতাকই। শেংদ্রবা ৰাফম অমগী মতুং ইন্না মদাহীশিংগী মী মশিং চাওৰাক্লা লাখ মঙা অমসুং বি, টি, এ, ডি দা লৈবা অনীশুবা মী মশিং য়াম্বা জনজাতিনি।

**রিয়াং ঃ** আসামগী স্বায়ত্ব শাসিত কার্বি আংলং অমসুং ডিমা হাছাও জিলাদা লৈবা রিয়াংশিংসে, মীয়াম্না তানরকপগী মতুং ইন্না ডিমাছাশিংগা হৌমিন্নরকপা শাগৈনি হায়নৈ।

**রেংমা ঃ** কার্বি আংলং স্বায়িত্ব শাসিত জিলাগী চীংমী অনুসূচীত জনজাতিশিংগী মনুংদা রেংমাশিংসে তোপ তোপ্পা অমনি। ৰেংমাশিংসে পাকচাওরবা নাগা টিয়েনিয়েমাদগী হৌরকপা শাগৈ-নাতৈ আংগামী,

চাকচাং, জেমিয়ারোং, মাও, টিউমাইনচিংবা জনজাতিগী শাগৈ নাতৈ, মচীন-মনাও জনজাতিনি। চৎনরিবা নাগা ৱাহৈ সিনা অককনবু শাগৈ অমবু তাকপা নত্তে। হায়বদি নাগা হায়বা শাগৈ অমা লৈতে। অদুবু নাগা ৱাহৈসিনা সেমা, লোঠা, আও, জেমি, রেংমানাচিংবা চাওরাক্লা ১৬ খক মখল-মখলগী লোন, মখল মথেলগী জনজাতি শাগৈগী অপুনববু তাকই।

**জেমি নাগা ঃ** নাগারানী গাইডালু চীংমী জনজাতিগী জেমি নাগা শাগৈগী শিঙ্থনরিবী নুপী মীওই অমনি। জেমি ৱাহৈসিনা জেমি, লিয়াংমাই অমসুং রোংমাই কৌবা তোঙান তোঙানবা মচীন-মনাও অহুমগী শাগৈবু তাকই। ঙসিগী ডিমা হাছাও জিলাগী য়ান্না ৱাংব চীং, বরাইলগী য়ুমলিংদুনা লৈরিবাশিংদুনি জেমি নাগা।

**রোংমৈ ঃ** হানাগী অপুনবা কাছার জিলা অমসুং ঙসিগী ডিমা হাছাওগী য়ুমলিংদুনা লৈরিবা নাগাবু শকতাকপা জনজাতি অমবু রোংমৈশিংনি। রোংমৈশিং লৌউ-শিংউবা কাংবুনি। অদুগা অমা-অনী সরকারগী থবক তৌজরবসু কাছার, হাইলাকান্দি, করিমগঞ্জ, অমসুং ডিমা হাছাও জিলাগী, মরূ ওইনা, চামথোক-চামশিন তৌবা থবক শুবা মীওইনি হায়না খংনৈ।

**মিজু নত্রগা লুচাই ঃ** মিজুরাম রাজ্য শেম্লবগীতুংদা আসামদা লীকখ্রবা মিজু য়ূম খরা স্বায়ত্বশাসিত কার্বি আংলং অমসুং উত্তর কাছার পার্বত্য জিলাদা উবা ফংঙি।

পোয়ো ঃ মরূ ওইনা পোয়োশিংসে ঙসিগী মিজোরামগী পিকখ্রবা চীংমী শাগৈনি অমসুং মখোয়গী লোন পোয়োনি।

**লাখর ঃ** মরূ ওইনা লাখেরশিংসে মিজুরামগী বাংলাদেশ লমলোয়গী চিম পুই টুই কৌবা পাৎকী মপান্দা তাবা পিকখ্রবা চীংমীনি। মখোয়না মশানা মিজুনি হায়না শকতাকই। অদুবু মখোয়গী মমালোন মিজু নত্রগা লুচাই নত্তে, লাখেরনি। মিজুরাম সরকারনা লখেরশিংগী শেলথুম অমদী মনাৎ চাওখৎননবা হায়দুনা লাখের স্বায়ত্ব শাসিত পরিষদ শেম্লে।

**জয়ন্তীয়া অমসুং খাচিয়া ঃ** হানাগী আসামগী খাছিয়া, জয়ন্তীয়া অমসুং গারো পাহার জিলাবু খায়দোক্লগা মেঘালয় রাজ্য শেম্লবাফাওবদা বরাইল চীংগী মখল মখলগীদা লৈরিবা, ঙসিগী কার্বি আংলং, ডিমা হাছাও, কাছার, হাইলাকান্দি, অমসুং করিমগঞ্জ জিলাদা খরখজিক খাচিয়া জয়ন্তীয়া খুঙ্গং আসামগী মনুংদা লৈহৌরে। জয়ন্তীয়া অমসুং খাচিয়াশিংনা মশাবু অনীথোক্লা তোঙান তোঙানবা ওইনা শকতাকলবসু, চীংমী অনীমক্কি লোন অমসুং চৎনবী মনাৎতি চপ মানৈ।

**খামতি, ফাকিয়াল, মান (টাই লোন্মী), তুরুং অমসুং দুৱোনীয়াশিং ঃ** খামতি চীংমী আসামগী

স্বায়ত্ব শাসিত কার্বি আংলং অমসুং উত্তর কাছার পার্বত্য জিলা নত্তবিদা অতোপ অতোপ্পা জিলাশিংগী মনুং চল্লবা অনুসূচীত চীংমীনি। মান (টাই লোন্মী) শিং আসামগী স্বায়ত্বশাসিত কার্বি আংলং অমসুং উত্তর কাছার পার্বত্য জিলাগী অনুসূচীত শাগৈনি।

খামতি, ফাকিয়াল, মান (টাই লোন্মী) শিং অৱাশিংদগী হৌরকফমনি। মান (টাই লোন্মী) অমসুং আসামগী স্বায়ত্ব শাসিত জিলা কার্বি আংলং অমসুং ডিমা হাছাওবু থাদোক্লগা লৈহৌরিবা লমশিং য়ুমলিংদুনা লৈরিবা খামতিশিং, মৰূ ওইনা টাই লোন্মীশিং মান নত্রগা খামতি, টাই লোন্মীশিং মৰূ ওইনা লাইতোনিয়া খামিয়া নত্রগা নোরা নিংথৌগী চাদা নাদানি। মখোয়বু শ্যাম নত্রগা বাইলুং হায়না খংনৈ।

তুরুং অমসুং দুৱনীয়া কৌবা মখোয়গী অনীথোক্লা মশা লৈ। তুরুং অমসুং দুৱনীয়াশিংনা চিংফৌ লোন ঙাংই। নাকল অমদা আইতোনিয়া, খামিয়া অমসুং শ্যাম নত্রগা বাইলুংশিংনা টাই লোন ঙাংই। মান নত্রগা খামতিশিং হৌরকফম অমত্তা ওইবা শাগৈ অমদী ফাকিয়ালশিংনি । খামতি, ফাকিয়াল, মান (টাই লোন্মী)শিং হীনযান বৌদ্ধনি।

**চিংফৌ ঃ** চিংফৌশিং অৱাদগী হৌরকপা পিকখ্রবা শাগৈনি। চিংফৌশিংগী লোন চিংফৌনি। চিংফৌশিংসু হীনযান বৌদ্ধ নি।

**কুকি ঃ** কুকি হায়বা করিগুম্বা চীংমী শাগৈ অমা লৈতে। মীয়াম্না হায়নবদী নিংতম মমাং ইংরাজ-শিংগী মতমদা, ঙসিদি বাংলাদেশকী চিট্টাগোং, চীং লৈবাকশিংদা লৈবা চাকমাশিং লশিং থাবা মফমশিংদা থাদো, মার, বেইতে, রাখল, পাইতে, খেলমা, তাইফুইগুম্বা শাগৈশিংনা, মখোয়গী শাদানফমদা লশিং থাদুনা, জংগোল কোক্তুনা মাংহন তাকহন তৌঈ হায়দুনা মতম মতমদা হুরান চিঙ্থি তৌঈ। হায়রিবা মীওইশিংসিবু লান্না লৌদুনা মতমদুগী ইংৰাজশিংনা কুকি হায়না মীংগৌরম্বনি।

**চাকমা শাগৈ ঃ** চাকমাশিংসে আসামগী স্বায়ত্ব শাসিত জিলা কার্বি আংলং অমসুং ডিমা হাছাওগী পার্বত্য জিলাগী চীংমীনি। চাক্মাশিংসে হীনযান বৌদ্ধ ধর্মগী মীওইনি। চাকমাশিংসে ঙসিগী বাংলাদেশদগী হৌরকফম ওইবা চীংমীনি। ঙসিগী বাংলাদেশকী চিতাগোং মফমশিংদা চাকমাশিংনা পাল্লম্মী অমসুং ইংরাজশিংনা চাকমাশিংগী মতেংনা অফবা লশিং পুথোকহনলম্মী।

**কেওঁট ঃ** কেওঁটশিংসে হিন্দু ধর্মগী শাস্ত্রগী মতুং ইন্নাদি হিহোনবা অমদী ঙালোয়বা ওইরম্মী। ৰামায়ণদা কেওঁটশিংনা শ্রীরামচন্দ্রবু তুরেল লানবিরম্মী হায়না ৱারী শিংবুন লৈ অমসুং অদুগী মতমদুদগী শূদ্র হায়না খংনদুনা লাকই।

**বৈশ্য ঃ** ভারতকী হিন্দুগী চৎনবী মতুং ইন্না, হিন্দু সমাজদা বর্গ মরী ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য অমসুং শূদ্র

হায়না খায়দোকই। মরূ ওইনদী বৈশ্যশিংসে লৌমী ওইরবসু অসমীয়া বৈশ্যশিংসে মখল-মথেলমগী ললোন-ইতিক্কা মরি লৈনৈ। অসমীয়া বৈশ্যশিংসে সাউদ বৈশ্য, সোণারি বৈশ্য, অমসুং আর্য বৈশ্য হায়না অহুমথোক্লা খাইদোকই। মীয়াম্না ৰারী ওইনা তানরকপগী মতুং ইন্না সাউদ বৈশ্যশিংসে চান্দ সদাগরগী চাদানাদানি, সোণারি বৈশ্যসিংসিনা বণিয়া হায়বদী ললোন ইতিক তৌবা অমসুং আর্য বৈশ্যশিংসিনা আর্যগী ঈদগী হৌরকপনি হায়না হায়নৈ।

**অসমীয়া শিখ ঃ** ইং ১৮২০ সনগী মাননা ৩শুবা লান্দারকপগী মতমদা স্বর্গদেউ চন্দ্রকান্ত সিংহগী হায়জা ৰাদা পাঞ্জাৱ কেশরী রঞ্জিৎ সিংনা শিখ লান্মী ৫০০খন অসমদা থারকখিরম্মী। হায়রিবা লান্মী অয়াম্বদী ঙসিগী গোৱালপারা জিলাগী হাদিরাচকী কৌবা মফম অদুদা অকনবা লান তৌদুনা থৱায় থাদোকখি। অদুগা লৈহৌবাশিংদু লান্দা শোকপন তৌদুনা শৈনাইবা ওইখি। লান্দা সেনাপতি ওইরিবা চৈতন্যসু থৱায় থাখি। শৈনাইবা লান্মীশিংদুনা সেনাপতি চৈতন্যশিংগী তালোয়গা লোইননা চুবেদার রামসিংগী মখাদা আহোম নিংথৌগী খুদোনবীদা বর লুইত (ব্রহ্মপুত্র) রোমদগী কপিলী ওইনা ভেঁটাইমৰা তুরেলগী তোৰ্বান্দা লৈখিরম্মী। অমসুং অসমগী অনীশুবা থোংজিন অমা শেম্লম্লগা লান্মীশিংদুনা মফম অদুগী নুপী অঙাংগা ময়ূম পানমিন্নদুনা লেংদনা লৈবা হৌখি।

**নাপিত ঃ** ভারতকী অয়াম্বা অংগ রাজ্যদা থৌ ওইনা শম ককপা অমসুং হকচাং নোইবা শাগৈ অমা উবা ফংই। হিন্দুগী চৎনবী মতুং ইন্না নাপিত শাগৈবু অয়াম্বনা শূদ্র শাগৈদগী অৰাংবা শাগৈনি খন্নৈ। মথক আসামদা নাপিতনা শম ককপা চৎনবী অসি অনৌবনি। মমাংঙৈদা অয়াম্বনা অমনা অমবু শম কক্নবা চৎনরম্মী। মখা আসামদা অসমীয়া লোন ঙাংবা নাপিত শাগৈগুম্বা খংনবা ‘শীল’ উপাধি ফংলবা পিকলবা শাগৈ অমা লৈ।

**অসমীয়া কুমার ঃ** ফুলদানি, লৈবাক্কী পুন, চাকথোং চফু, লৈবাক্কী থাউমৈ অমসুং লৈবাক্কী পাত্র শাবা শাগৈশিংদুবু কুমার হায়না খংনৈ। মীয়াম্না তানরকপগী মতুং ইন্না উরিয্যাগী ভামোন য়ূম অমা কামাখ্যা খুরম্বা লাকলম্মী। য়ূমদুদা ভামোন মতৈ মনাও অমসুং মচা অনী য়াওরম্মী। খংদবা লৈনা অমনা ভামোন নিপা অদু ইখং খংহৌদনা শিখিবদা ভামোন নুপী অদুনা লুইত (ব্রহ্মপুত্র) মপানগী নপ্ নপ্ লাওবা লৈবাক মৈ থারগা পাত্র শাদুনা য়োন্দুনা য়ূম অদু হিংদুনা লৈরম্মি। মতুংদা ভামোন য়ূম অদুদগী মচামশুশিংনা কুমার শাগৈ হায়না খংনরকখি। কুমারশিংনা লৈবাক্কী পাত্র কুমার চাক্কী মহুত্তা খুৎনা শাখিরম্মী।

**ডোলী ঃ** ভারতকী মখল মখলগী রাজ্যদা, মরূ ওইনা নোংচুপ বংগ অমসুং ঙসিগী বাংলাদেশকা লোইননা অসমদসু চৎনাবিগী মতুং ইন্না নিংথৌরেনগী লুহোং থোংদোংবগুম ইনাৎকী থৌরমগুম্বদা চৎনবীগী

মতুং ইন্না দোলাইপুনা হিংবা শাগৈ অমা লৈরি। মখোয়শিংদুবু ডোলী শাগৈ হায়না খংনৈ।

**ঢুলী ঃ** ভারতকী মখল মথেলগী রাজ্যদা, মরূ ওইনা নোংচুপ বংগ অমসুং ঙসিগী বাংলাদেশকা লোইননা আসামদসু চৎনবীগী মতুং ইন্না ঢাক নত্রগা ঢোল য়ৈদুনা হিংবা শাগৈ অমসু লৈ। মখোয়বু ঢুলী নত্রগা ঢাকী শাগৈ হায়না খংনৈ।

**ত্রিপুরা ঃ** ত্রিপুরাবু শকতাকলিবা জনজাতিশিং ডিমাছাদগী হৌরকফম্নি।

**বরিয়া ঃ** আসাম সরকারগী অতৈ অতৈ শোৎথারবা শাগৈশিংগী মনুংদা বরিয়া কৌবা শাগৈ অমসু য়াওবা উই।

**শালাম ঃ** আসাম মেঘালয় লমলোয়শিংদা শালাম হায়বা জনজাতি অমসু লৈরি। মখোয়শিংসে কুকিশিংগী মশামউদগীনি।

**বানাই ঃ** বানাইশিংসে কোঁচশিংগী মশানি হায়না লৌই।

**বাংলালোনঙাংবা মুছলমান ঃ** ইংরাজশিংগী লৈঙাক মতমদা রেল কোম্পানী, চা বাগানগুম্বদা থবকশুবগী কেরাণী, মহুরি, বাবু, পিয়োন, চৌকিদারশিং চাক্রি থীদুনা বাংলা লোনঙাংবী হিন্দুশিং আসামদা লাকলম্মী। হিন্দুশিংনা মুড়িগী লাড্ডু, চেম্পাক্কী লাড্ডু, ক্বা পাননাচিংবা পিকখ্রা পিকখ্রবা ললোন ইতীক তৌবা হৌরম্মি। মতুংদা দেশ অসি খাইদোকপগী মতাংদা মখল মখলগী লৈঙাকলোন, মনাৎ অমসুং ধর্ম্মগী মরম ওইনা অয়াম্বা বাংলালোন ঙাংবী হিন্দু লানচেনবী ওইনা লাকলম্মী অমসুং বাংলালোনঙাংবী হিন্দু মখল মথেলগী থবক্কা লোয়ননা লৌউ-শিংউবদা চংশিনখি।

**ভারতকী মখল মথেলগী রাজ্যশিংদগী হৌরকপা আসামদা লৈররবশিং ঃ-** ভারতকী মখল মথেলগী রাজ্যশিংদগী হৌরকপা মীওইশিংগী ৰা হায়রূরবদী অহানবদা অসমদা য়ূমলিংরবা মৈতৈ অমসুং বিষ্ণুপ্রিয়া মণিপুরী, লোয়না লোয়ননা মণিপুরী মুছলমানশিংনি। আসাম সরকারনা আসামদা য়ূমলিংদুনা লৈরবা মণিপুরীশিংবু অতৈ অতৈ চাওখত্তবা থাক্‌তা থমদুনা মখল-মথেলগী তেংবাং পীদুনা লাকই। অসিগী মতুংদা মমিং পানবা যাই, বিহার অমদী উত্তর প্রদেশকী মফম মফমদগী লাকপা আসামদা ললোন ইতিক তৌরিবা ঐখোয় পুন্নমক্কী দেশোৱালী দুকান অমসুং লৌমীনি হায়না খংনরিবা দেশোৱালী দুকানি অমসুং লোমীশিং। অসমীয়াগী থম্মোয়দা পনবা যাবা মারোৱাদগী হৌরকপা, মীয়াম্না য়াম্না খংনরবা অমদী ইশাগীন হায়না খঞ্জরবা মারৱাড়ী নত্রগা কেএঙা দুকানিশিংগী মমিং।

ভারতকী অতোপ্পা রাজ্যদগী লাকপা অমসুং ইলায় লায়না মীত্তা উবা ফংলিবা শাগৈগী মমিং শিখনি। রেল লাইন, রিফাইনেরী, অচৌ অচৌবা অফিচ কছারী, ডাক-বাংলা অমসুং অতৈ অতৈ পোৎ শাবগীদমক

ইহান হানবদা পাঞ্জাৰীশিং লাকলম্মী। অদুমকপু মতুংদদি পাঞ্জাবীশিংসিনা দর্জীগী দুকান, ফিগী দুকান অমসুং অতৈ অতৈ ললোন ইতিক্বা মরি থমখি। শাগৈশিং অসিনা লাকপসিদা আসামগী মফম খুদিংদা ইশেং শেংনা উবা ফংবগা লোয়ননা মখল মথেলগী ললোন ইতীক্বাসু, য়াম্না হিন্দীলোন লোনবী মুছলমান, সংগোম ললোনবা গোৰালী অমসুং অয়াম্বা ললোন ইতিক্তা ভারতকী রাজ্য পুন্নমক্তগী হৌরকপা শাগৈশিংনা থুংলরবগী য়াম্বা খংদে, লীকপা খংদে খরা খজিক উবা ফংই। অমসুং মীওইশিংসিনা মখোয়গী মশাগী ৰাজ্যগী ওইবা শকতক, লোন, মনাৎ, তেক্তা কায়দনা থম্মী অমসুং খরনা অসমীয়াগী নাৎতা লুপখিরম্মি। পনবা য়াবা অমনা চাক্রি থীদুনা আসামদা মখল মথেলগী রাজ্যশিংদগী মখল-মথেলগী মীওইসু লাকই অমসুং অয়াম্বদী লেংদনা আসামদা লৈদুনা আসামগী মী হায়বদু ওইরে। মখোয়গী হানাগী শকতাক, লোন, মনাৎতি লেংদানা অদুম লৈরি। অসিগী মথক্তাসু আসাম অরুনাচল লমলোয় মফমশিংদা খরা আদি, তাংচা, চেমা নাগা য়ুম খরা মখোয়গী মশাগী লোন, মনাৎকা লোয়ননা অসমীয়াগী মনাৎ অসি সানাদা য়াই তোপ্পা হায়বদুনি।

**বাংলা ঙাংবা হিন্দুশিং ঃ** বাংলা ঙাংবা হিন্দুশিং ইংৰাজ শাসন মতমদা রেল কোম্পানী, চাহ বাগানচিংবগী কেরানী, মহরি, বাবু, পিয়ন, চৌকিদার অসিনচিংবা থবক তৌবা মতুং ইন্না বাংলা লোন ঙাংবা হিন্দুশিং অসামদা লাকখি। মতুংদা বাংলা লোন ঙাংবা হিন্দুশিং ললোন ইতিক মচা মচা তৌবা হৌই। মতমগী মতুং ইন্না লৈবাক খাইদোক্লবগী মতমদা রাজনীতিগী ওইবা, সমাজকী ওইবা অমসুং ধর্মগী ওইবা মরম কয়ামরোম্না বাংলা ঙাংবা হিন্দুগী অচৌবা শরুক অমা আসামদা লাকখি। শিংথাবা য়াবদি ইংশোক ১৯৭১ দা বাংলাদেশ লানগী মতমদা খ্বাইদগী হেন্না য়াম্বা বাংলালোন ঙাংবা হিন্দু শরনার্থী ওইনা লাকখি অমসুং মখল মখলগী শিনফমগা লোয়ননা লৌউ-শিংউবগী থবক তৌখি।

নীংতম্লবগীতুংদা, মখল-মথেলগী আর্থ-সামাজিক অমসুং লৈঙাকলোনগী মরম্না ঙসিগী বাংলাদেশ অমসুং হানাগী নোংপোক বংগদগী কাংলুপ কাংলুপ বাংলালোন ঙাংবী পাঙ্গল ঙসিগী বাংলাদেশকী ঢাকা, মোইমোনসিং, চিলেট, পাবোনায়া, কেগোরিয়া, রোংপুর মখল-মথেলগী জিলাদগী য়াংনা চংশিনলকই। নাকল অমদা ব্রহ্মপুত্রগী ময়ায় লৈহাওলম অমসুং মতম খরনিগী ওইনা লৈঙোয় শেক্তাইশিংদা য়ুমলিংদুনা লৈররে। লৈঙোয় শেক্তায়শিংদা মখোয়গী শকতাক মখোয়গী হানাগী মখোয়গী জিলা ঢাকাদগী লাকপাশিংদু ঢাকীয়া, চিলেটদগী লাকপাশিংদুনা চিলেটীয়া, পাবোনায়া জিলাদগী লাকপাশিংদুনা পাবোনীয়া, মোয়মোনসিংদগী লাকপাশিংদুনা মোইমোনসিঙীয়া, রোংপুর নত্রগা ভাঁটিদগী লাকপাশিংদুনা ভাটিয়া অমসুং মখোয়বু অসমীয়াগী নাৎতদি পমুৰা পাঙ্গন হায়না খংনরে।

অসিনি অঙকপনা থল্লবা আসাম। ঐখোয় পুন্নমক্লা অসমীয়া ওইরুবগীদমক চাওথোকচৈ।

অঙকপনা থল্লবা আসাম মানদবদা মানবা লাইফম্নি।

## আহোম শাগৈ

আহোম শাগৈসি মমাংচত্তা টাই ফুরূপকী কাংলুপনি। অসমদা লাক্লবগী তংদা মখোয়বু আহোম হায়না খংনখি। হৌরকফল মফমদি চীনগী খা-নোংচতুপথংবা লমদম হৌজিক্লা য়ুনান প্রদেশকী মুংমাও লৈবাকতনি। টাইশিংগী মনুংদা আহোম খ্বায়দগী অচৌবা ফুরূপচানি হায়না খংনৈ। ওরাহুমদৌইশুবা চহীচাদা চুকাফা নিংথোগী লুচিং মখাদা পাটকাইচীংলানদুনা অসমগী নোংপোক থংবদা লৈরম্বা সৌমায়দা লৈবাক শেমখি। মতুংদা তপ্না তপ্না নোংচুপকী মানাহ তুরেল ফাওবা লৈবাক শন্দোরক্তুনা  চহী ৬০০ হেন্না লৈঙাকলম্মী। মখোয়গী লোনসু টাই নত্রগা শ্যান হায়রগা খংনৈ। লৈবাক শন্দোকপগা লোয়ননা মী মশিং হেলকপনা মীয়ামগী খুদোংচাবা য়েংদুনা মশাগী লোন থাদোকলগা লমদম অদুগী লোন অসমীয়া শিজিন্নখি। অদুবু অৰিবা লাইনিং লিচৎ অমদি চৎনবীগা লোয়ননা ইরাৎ হৌনিবদা অরিবা লোনদা থৌলিজৈ। লৈঙাক□ী ওইবা থৌরম থৌগাইশিংদা চহীচা তরানিপাল ফাওবা টাই মরোলদা শিজিন্নরম্মী। হৌজিক টাইলোন ঙাংবা লৈবাকতি অৰাং নোংপোক ভারতগী হৌরগা স্যানমায়, খা চীন, থাইলেণ্ড, লাওস, কম্বোদিয়া, ভিয়েটনামদা ঙাংনৈ। আহোমগী মথক্তসু খা মতি, ফাকে, খাময়াং, াইতন, তুকং হায়রগা খংনবা টাই ফুরূপকী কাংলুপ মঙাসু লৈ।

**মীশিং ঃ** ইং ২০১২-১৪ দা টাই আহোম উন্নয়ন পরিষদনা শিন্দুনা  মীকোক থিবগী মতুংইন্না হৌজিক চাওরাক্লা মীওই লাখ মঙা (২৫)লৈ।

**লৈফম ঃ** চরাইদেউ, শিবসাগর, ডিব্রুগড়, যোরহাট,. গোলাঘাট, লক্ষীমপুর, ধেমাজী অমসুং তিনিচুকীয়া জিলাদা মরু ওইনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈ। অসিগীসু মথক্তা গুৱাহাটীনা চিংবা অতৈ সহরশিংদসু য়ুমলিংদুনা লৈ।

**শিনফম ঃ** চৎখিবা চহীচাগী অরোয়বা ফাওবা লৌউবনা মরু ওইনা হিংবা শিনফমনি। শিনফমসিগা মরীলৈননা যণ, ইরোই, ওক, হামেং, ঙানু, খুনু  অমদি য়েননা চিংবা য়ুমদা লোয়বা শা-উচেক লোয়নরম্মী। তপ্না-তপ্না শা-যণ লোয়বা থাদোকনরক্লে। লৌউবা লোয়বগী অহাংবা মতমদা লুপানা মুগা তিন চননবা উপাম্বী য়োকলম্মী। নুপীনা এরিমুগা, পাট পলু লোয়রম্মী। তিন মহুমদুগী লং নাইরগা য়োংখমদা ফিশাদুনা মথৌতাবা ফি পুথোকলম্মী। হিতদুং নাপী উননবা লবুক মচা অমা, লফোই, ক্বা থালনবা মফম অমা, উ-ৱা থাননবা লম অমা আহোম য়ুমঅমগী লৈফম থোকপা হংখোলনি। লৌয়াম চাবা কাংবুনা ময়ুমগী লম মচেৎ অমদা উপাল-ৱাপল  য়োক্লরম্মী। হৌজিক্তি লমশিংদু কোকথোকলগা চা বাগান ওইনা শেমদোকনরক্লে।

**যুমশারোল ঃ** মমাংঙৈদদি শগায় (চাংঘর) শারগা লৈরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি য়ুম্ফম ৰাংনা থোল্লগা মাইকৈ অনী শমদবা (দুচলীয়া ঘর) য়ুম শান্নরে। উ-ৰা অমদি ইনা শারম্বদু হৌজিক্তি অয়াম্বনা পকা য়ুম ওইনা শান্নরে। লৈননবা য়ুম মখল অনী থোক্না শাগে। (বরঘর) য়ুমজাও অমদি (চরাঘর) মমাং শঙ্গোইনি। য়ুমজাওদা চাকশং ই। চাকশঙগী থংনবা কাদু চান্ন থক্নবা অদুগা লেমহৌবা কাদু নিঙোলদা ওইনা শিজিন্নৈ। মমাং শঙ্গোইদা মীথুং কা অমদি পাখংগী তুন্নবা কা ওইনসু শিজিন্নৈ। য়ুমথোং খুদিংগী ফৌথন্ননবা ফৌকৈ, ষণ শংগোন অমা, য়েন থন্নবা য়েনগোন, ঙানু-হামেং থন্নবা শঙ অমসুং ওক শঙ থন্নরম্মী।

**অচা অথক ঃ** চাকনা মরু ওইবা চিঞ্জাকনি। মখল মথেলগী হিঞ্জাং মহাও লৈনা থোংলগা চাক□ চায়। অশিনবা মনা-মশিং থোংবা, হৰায় থোংবা, উত্তিথোংবা, ঙাথোংবা, শাথোংবা অমদি কাংহৌ অমদি মৈদা লৈরগা চায়।

**ঈশিং অঙাওবা ঃ** আহোমনা নোংমা কায়দনা শিজিন্নবা ঈশিং ঙাও বদি লাও নত্রগা সাজ হায়নৈ। লাহি নত্রগা চাহৌ চেং পুনশিল্লগা ঈশিংদা তিংলবগী তুংদা হুলা পিঠা (তল) নোয়শিল্লগা লাও শেম্মী। চা - মখোয়গী থাদোকপা য়াদ্রবা হৈনবী মহিনি।

**লাইনিং লিচৎ ঃ**

লৈখিদ্রবা মপা মপুশিংবু লৈরি হায়না থাজজবা মরমনা মপা মপুবু লাইনি খন্দুনা ইরাৎচবা শাগৈনি। লৈখিদ্রবা মমা-মপাদগী হৌরগা পুরন তারামরি ফাওবা ভাম হায়না তাংথক নাইনা মথং মথং থৌনিজৈ। পুরন তরামরীগী মথক পুরনশিংবু কী হায়বদি লাইনি খন্দুনা মে-ডাম, মে-ফী, ওমফা, চাইপা হায়না ইরাৎ থৌনিরকই। অসিগিসু মথক্তা রিকখন, জাচিংফা, লাইলুংখাম দা চিংবাসু ইরাৎনরকই। ইরাৎ থৌরম পূন্নমক্তা থৰায় পান্বা জীৱ ফংলি। টাইগী মরোলদা শক শোল্লি। বৈষ্ণৱ লাইনিং লৌরবগী মতুংদা মাইচৌ অহুমগী শালাই মহন-দেওধাই-বাইলুংশিং নত্তনা অতৈ অতোপ্পা শিংদি অসিগুম্বা ইরাৎ থৌনি থৌরমসে থাদোরক্লে।

**লুহোংবা ঃ** মশাগী শাগৈ ঙাকনবা লুহোংবা থৌরমসি য়াউফাবা থৌরম অমনি হায়না লৌনৈ। চকলং অমসুং দেওৰান হায়বা চৎন্নবিসিদা লুহোংবা পাংথোকই।

সাহিত্য ঃ লোনগী লোনগৈ (অভিধান) পুৰারী, লাইগী ৰারী, চৎন্নলোন, খেনচোং-লোন (জ্যেতিষ শাস্□) ইরাৎ থৌনিলোনগী লাইৰিক কয়া সাচি মনাদা (সাচি পাতত) ইরম্বা মরাং কায়না লৈ।

নাৎ অমসু চৎনবী ঃ

পুৰারী নৈনবসে আহোমগী চৎনরকপা লোনচৎনি। অসিগীসু মথক্তা লৌউবা, খুৎশাগী শিন, রেসমগী ফিশা

লোনশা, শেৎনবা ফিরোল, শিননবা লিক কোন, মখল মথেল চিজোক পুথোকপা, থাজবা থাজদবা কয়াসে অসমীয়াগী নাৎ অমসুং চৎনবীদা মখোয়গী মমি চাওনা তাই।

খুদম ওইনা কৌরেন ফৌ উবগী চৎনবী, লহোন হুল্লগা লিংবগী চৎন্নবী, ইরোইনা ষম্পোৎ খোইবা, নিঙৈ মচাদা কৌদি খুমজিনদুনা থম্বা অতৈ অতৈ। খুৎশাগী শিনদা য়ুমগী য়াংলেন ময়াইদা অৰাং শৰুক অমা তোপশিন্বা (টুপদিয়া) লৈরোং থেৎপা অমদি লৈরেক থোকপা য়ুম, লৈপন খাগৎপা, কোম্থোং পানবা, শম্বল খাবা আহোমগী চৎনবিনি। মুগা অমসুং পাটকী, তিনলোয়দুনা মহুমদগী লংনাইরগা কি শাদুনা শেৎনইন্নবা পুথোকই। মখল কয়াগী য়েঞ্জাং, শা, ঙা, থোংদুনা চাবা য়াবগী মওংদা চান্নে। অসিগীসু মথক্তা অতৈ অতোপ্পা নাৎ অমসুং চৎনবী কয়া লৈ।

**অরোয়বদা** ঃ লনথুম অমসুং মীয়ামগা পুল্লগা খুকন পাঙ্গনবা লৈবাক অমা শেমদুনা পুন্না লৈঙাক অমগী মখাদা অপূন্বা অসমীয়া শাগৈ অমা শেন্দুনা অতোপ্পা ফুৰূপচা কয়াগা অসমীয়া লোননা ফাওনবা লোন ওইদুনা লোন অসিগী য়ুস্ফম অমা শেমলমবদা আহোমগী অচৌবা খুদোল লৈ.

**লাচিত বরফুকন** ঃ অসমগী পুৰারীদা মমা লৈবাকপু নিংজবা অথৌবা মচা হায়রগদি লাচিত বরফুকনগী মমিং লৌগনি। ফাওরবা আহোম মোগলগী শরাইঘাট লানফমদা আহোমগী লুচিংবা ওইখিবা লাচিত বরফুকনি। মোগলগী মায়োক্তা শোক্লখিবা লানফমদা লালোংকয়া শিন্দুনা মরৈবাক□ী থৌগাই মশক খংবা, মতম খংবা, মদোম লেপচক থৌরমদা মায়পাকপৈ অসমগী পুৰারীদা অনীশুনা লৈতে। অসিগুম্বা অথৌবসি ইং ১৬২২ দা তাইবং ফাওখি। পোকপগী মফম অমদি মতম খংদ্রবসু গড়গাওগীমনাক নকপা মফম অমদনি হায়না লৌনৈ। অপোকপগী মীং মোমাই তামলি বরবরুৱানি। মচা অতোম্বা ওইরিবা লাচিতকী ময়াম্বা অহুম লৈরম্মী। মখোয়দি লালুক সোলা, মরংগী অমসুং ভারধরা। অঙাং ওইরিঙৈদগী মথৌনা মরিং লৈবা অচুম্বা পাম্বা অমদি পুকচেলশেংবা মাগী লমচৎনি। মাবু পোকপা পাবুংগা মচাশিংবু মতিকচাক মী অমামম ওইহলনবা লাইরিক লাইশু হৈনবা হোৎন্ন খি। অঙাং ওইরিঙৈদগী লাচিতনা মপাবুংগী থৌরম থৌদা খুদিংদা খংননবা  কুপ্না য়েংলম্মী। বরবরুৱা ফম পায়রুবগী মোমাই তামুলি নোংমগী কায়দনা কোনুং কাবা অমদি চৈরাপকী থবক থৌরম অতৈ অঙম অথৌশিংগাৱা খন্ন নৈনবাপূম্বা লাচিতনা মপাবুংগী মতুং ইনদুনা তাবা ফংলকই। শন্না হায়রবদা মপাবুংগী তুংইন্দুনা লৈবাক□ী লৈঙাক□ী মরমদা খংজিন তমশিনখি। মশাগী হৈশিংবনা য়াংনা নিংথৌগী থৌপূবা ফম অমা হাপখি। অহান্বদা নিংথৌগী মন□ী অচৌবনা হাঁচতি ধরা তামুলী ওইনা লাচিতপু ফম পীখি। নুমিৎ খরনিগী মতুংদা ঘোঁরা বরুৱা ফম কাখি।  ফমসিদা লৈরিঙৈ শগোল শঙগী অয়াম্বা শগোল তাকপী তিকপীরম্মী। মসিগী মখা তারকপদা দোলীয়া বরুৱা অমসুং শিমলুগুরীয়া ফুকন, ফম কাখি।মতম অদুদা মিরজুমলানা অসমদা লান্দারকপদা লাচিতনা য়েক্লববু দিখৌ মুখতা লম্বা তৌদুনা মশাগী হৈ শিংবা উৎখি। লাচিতকী হৈ-শিংবা অমদি

মথৌনা উবদা আহোমগী নিংথৌ চক্র□বজ সিংহনা লাচিতপু বর সেনাপতি হাপতুনা বরফুকন হায়রিবা ফম অদু পীখি

মতম খরনিগী মতুংদা আহোম মোগল অনীগী মরক্তা লান শোক্লবা হৌখি। লান অসি ইং ১৬৬৭ গী আগষ্ট ২০ দা হৌখি। অসমীয়াগী লাখী তেঙ্গোল অনীথোক্লা খায়দোকলগা ব্রহ্মপুত্রদা খোংশানখি। ব্রহ্মপুত্রগী অৱাংথংবা বাঁহবাৰীদা মোগলনা অহান্বা লান্দারকখি। মফম অদুদা লানবন শাদুনা লৈববা মোগল লান্মীগী মথক্তা অহোমলান্মীনা লান্দাবা হৌখি। মতুংদা খা-মাইকৈদগী কাজলীদ লৈবা মোগলগী লানবন অদু আহোমনা তানখায়দুনা লৌশিনখি। মোগলনা ইটাখুলিদা লানবন শেমদুনা মখোয়গী থৌনা হেনগৎনবা হেৎন্নরম্মী। অদুবু আহোম লান্মীনা মোগল লান্মীবু মনাহ তুরেল লান্না তানথোকখি। মোগলগী মায়োক্তা মায়পাকপা অসমীয়া লান্মীশিংগী মসাবু হেন্না থাজবা ঙম্লকখি। সেনাপতি অমা ওইনা লাচিত বরফুকনবু থাগৎনখি।

অসমীয়া লান্মীগী মখুত্তা মোগল মায়থিরে হায়বা পাউসে ঔরংজেবগী মনাকোং য়ৌয়ম্মী। পাউখি ফংবগা ইকায়বনা থুমহৎখিদুনা লমন মন্নবা রামসিংহগী লুচিং মখাদা অচৌবা লান্মী তেঙ্গোলঅমা অসমদা লান্দারনবা থারকখি। লাচিতনা অসিমদি খুংলম্মী মদুদি য়েক্লবনা মপাঙ্গল হেল্লবসু করিগুম্বা অসমীয়া লান্মীনা লোয়না সেনাপতিনা মশা মশাগী থৌগাইবু মশকখংনা পাংথোকলবদি য়েক্লবা মোগলবু মায়থিবা পীবা ঙমগনি। মরমদম মমালৈবাক□ীদমক মসা মশাগী থৌদাং অতনবা য়াওদনা পাং থোক্লবা রাথং তারম্মী। থৌশদবা মওংদা থেংনরবদি মঙক□া মশাগা তোঙানগনি হায়না অকন্বা কথংসু তারম্মী। লাচিতনা মাগী লান্মীশিং কনানা কদায়দা লৈগনি, করম্বা মফমদা লৈগনি মসানা তাক্লম্মী। লান ওইবা য়াবগী নুমিৎ নকশিলকপদালাচিতনা মাগী লান্মী মকোকশিংগা তোয়না তোয়না ৱা তান্নরম্মী। লানগী লালজং অমদি অতৈ থৌৰাং কয়া মাগী মীৎয়েংখাদা থমলম্মী। লোয়না লোয়ননা মাগী লান্মীশিং অমদি লান্মী মকোকশিংগী থৱায় থৌগৎপীরম্মী। আমিনগাঁও মনাক□ী লানবন চেকপল (গড়) অমা খাগৎনবগী থৌদাং লাচিতনা মাগী মামদা শিনরম্মী। মামগী থৌশাদবা অমদি ৱাখল লৈতবনা লানবন চেকপল খাগৎপগী থবক অদু শোথনা শুরম্বা লাচিতনা থেংনরুবদা শাউমনখিদুনা ইরমদম ইমা লৈবাকতগী মায়না হেনবা নত্তে হায়রমলগা মাগী হেংদাংনা খুকক অমদা মামগী মকোক ককক্তুনা থাদাখি। লাচিতকী অশাউ খান্বী শক্তম উবদা চেকপল খারম্বা থৌমীশিং, নুমিদাং অদুগী মনুংদা চেকপল ফবা লোয়খি। মমালৈবাক মরমদমবু নুংশিজক মাগী ৱাহৈ ইরমদম ইমা লৈবাকতগী মাননা হেনবা নত্তে হায়বা ৱাহৈসে ঙসিফাওবগী মনুংদা অহেন্বা অথোয়ব ৱাহৈ পরেংনি হায়না লৌনরি।

“শরাইঘাটক” লাননা অসম অমসুং মোগলগী অরোয়বালাননি ইং ১৬৭১ গী মার্চ থাগী থখায়দগী লানসি হৌখিবনি। মতম অদুদা লাচিত মসা কন্না ঙমলমদে। মোগলনা লান্দারক্লে হায়বা পাউ তাবদা লাচিত লৈবা ঙমলমদে। অশোমদা রামসিংহনা ব্রহ্মপুত্রগী ঈশিং লন্বীদা আন্ধারুবলি লানবন তন্না লাক্লগা গুৱাহাটী চংবগী লালোং শিলম্মী।

লালোং মতুং ইন্না মোগলগী হিলাম্মীনা তেনা (হিলৈ) কামান না অসমীয়াগী লান্মী মথক্তা মশিং লৈতনা কাপশিলকখি। মোগলগা লান্থেং নবা ঙমদনা অসমীয়াগী লান্মী নিংহলকতুনা মথক মাইকৈদা হোনগৎলকখি। অসমীয়া সেনাপতিগী লুচিংদা অসমীয়াগী হিরোয়শিংনা মোগলগী হৈ তান্নরকতুনা শ্রক্লান্ত য়ৌরকখি। মফমদুদা মোগল লান্মীনা কোয়শিলকখি। লোয়ননা লোয়ননা অতে লানগী হি ময়াম হোনজি লকখি। আহোমগী সেনাপতি লাচিত মশা কন্না ঙমদে তাবদা অসমীয়া লান্মীশিংগী মায়পাকপা ঙল্লরোয় নীংদুনা  নীংহননা লাকপা লাচিতনা উরম্মী। লাইহৌ হৌদুনা মশা থক থক নিক তুনা লেপ্পা ৰারবা লাচিত মোগলগী লান্মীনা লাকশিলকপা উন্দা মীকুপ অমা পন্ঞবা তৌদনা মাগী লান্মীশিংগা লোয়ননা সেনাপতিশিংবু তাননবা খোঞ্জেল হৌনা লাওরকখি — "করিনো নখোয়না তৌরিবসি? ইনিং থৌনা ঐবু গুৱাহাটী ঙাকতুনা য়েক্নবা লন্থা তৌরুচো হায়না য়াথংলকপনি।" লান তোক্তুনা নুপী ঙাং নাক্তা হল্লদরা? ঐঙোন্দা হংদনা হৈ হোনগৎ লকলিবা করিগীনো? অসউবনা অনাবা হকচাংদু কনখৎলকখি।

লাচিতনা মাগী হেংদাং মকোকনা থাদুনা মোগলগী লান্মী মরি তুরেলগী ীশিংদা থাদখি। শিনিংচিতা লোয়নবা কাংবুনা ঈশিংদগী চিংখৎলগা হিদা থাঙ্গৎখি। মখোয় নত্রবদি কনানা হি হোনগনি  ? নাকোং অমদগী নাকোং অমদা অসুন্না তান্নরম্মী অদুদি লানফমদগী মাই নৈদুনা  চেন্বাশিং বরফুকননা ফারগা তুরেলদা ককথাদুনা থাদরি। পাউসি তাবগা  শিবা কিবা লান্মীখরগী থম্মোয়দা য়েক্নবগা লান্থংনবগী থৌনা লাকখি। অসুন্না অসমীয়া লান্মীনা মোগল লান্মীশিংবু কোয়শিন্নবা হিতরেৎনা মাইকৈ মরীদগী য়াংনা হোনজিলকলম্মী। হিথক্তগী অসমীয়া লান্মীনা  (হিলৈ) কামান কাপশিলম্মী। তুরেল তোবান ৰাংমদগীসু য়েক্নবা তন্না অসমীয়া লান্মীনা কমান কাপশিলকখি। মাং থাংদুনা খেৎলন্থা মোগল লান্মী অঙকপা ফংখি। খুদক্তা লাচিত বরফুকননা লানগী ফিভম ফিরেপ অমা খুতকতা, হোংলকপা ঙম্বসে য়েক্নক কাওবুনা খনবা ফাওবা ঙমখিদে।

অচং থৌনাগা লোয়ননা অসমীয়া লান্মীনা মশা মশাগী হি, মোরাল লান্মীগী মরক্তা হোনজিনখিদুনা মফম অহুমদা তাকননমা লান্থেংনখি। মফমশিংদুদি অশ্বক্লান্ত, ইটাখুলি অমসুং কামাখ্যা চীংয়ানি। লনগী খুদোংচানবা হি অমগা হি অমগা শমজিনদুনা ব্রহ্মপুত্রগী মথক্তা থোং অমাগুম শেমখি। মদুগী মহয় ওইনা লান্নীনা য়ান্না রাংনা কামান মচা, কামান অচৌবা অমদি লানগী অতে অতোপ্পা খুৎলাই কয়া পুথোক পুশিন তৌবা ঙল্লম্মী। লাচিতনা মাগী সেনাপতি অমদি লান্মীশিংদা লান মায়পাক্নদি ঐখোয়গী লম, নিওতম্বা অমদি থৱায় কন্বা ঙমগদৌরি বিন। অহান্বদা লাচিত মশাঙমদে খংবদা মোগল লান ঙমগনি হায়না য়েক্নবনা খলম্মী লোয়ননা মথোয় লান্মীশিংবু ইচং থৌনা হাপলম্মী অদুবু লাচিতনা মায়োক্নবা লানফমদা হাকথেংননা শরুক য়ারকপদগী লানগী ফিভম খুদক্তা ওনখি। লানফম অহুমদা মোগললান্মী মায়ন্বিবগী ফিভমদা লাকখি। মোগলগী হি হন্দোকপা হৌরকখি। অসমীয়া লান্মীনা পাণ্ডু ফৌনা তানখায়রকখি। চিংনবা লৈতনা লানদা অসমীয়া লান্মীনা মায়পাকখি। লান অসিবু শরাইঘাট লান হায়না ফাওরিবনি।

ইং ১৯৭১গী এপ্রিল ৫দা রামসিংহ পাণ্ডুদগী হনবা হৌখি। হাজো থাদোকত্রিঙৈ হয়গ্রীব মাধব মন্দিরদা চৎত্তুনা ইরাৎ থৌনিরম্মী। কায়নরমদাই মতমদা লাইশংদুগী ব্রাহ্মনশিংদা অহুমন্না হায়রম্মী হায় – "লাচিত খুকন পাঙ্গনবতা (বীর) নত্তে, সেনাপতি মকোক ওইনা মাগী অহোবা শিদ্রামফম অমত্তা ঐ উবা ফংদে।"

শরাইঘাট লানফমদা অসমীয়া লান্মীনা মায়পাকখিবগী মরু ওইবা  মরমদি — অশমীয়া লান্মী খুদিংমক মখল কয়াগী থবক মায় পুননা পাংথোকপা ঙম্মী। মথৌ তারকপদা হি-হোনবা, কামান মচা কাপ্পা, অচৌবা কাপ্পা, তেন কাপ্প, লানগী লানবন খাবা ঙমলম্মী। অমনা তরাগী থবক পূরম্মী। য়েকুবা  ওইরবসু রামসিংহনা অসমীয়া লান্মীগী হৈ শিংবা, থৌনা, মরিং জেল অমদি লানগী লালোং খংবসে থাগৎনিঙাইনি হায়না  হায়রম্মী। অসিগুম্বা মগুন কয়া চেন্বা হৈ শিংবা লাখী ভারতকী অতৈ মফম কদায়দসু ঐ থেংনরকখিদ্রি। মহাক্না অসিমসু পলম্মী – অসমবু লানদা মায়থিবা পীগদবী নিংথৌ লৈতে।

শরাইঘাট লান লোয়খ্রবগী খরনি মতুংদা লাচিত বরফুকন গুৱাহাটীদা অরোয়বা য়াহিপ তানখি। মশা কন্না ঙমদনা লান য়াওঁ রুবনী রুবনা অসুম থোকখিবরা? মহাক লৈখিদবনা লান মায় পাকপগী নুঙাইরম্বা ৱাখলশিংদু অৱাবগী মমিনা কুপখিরম্মী। মা-গুম্বা মমা লৈবাক নিংজবা মীওই চাংদমনিঙাই লৈতে। মরৈবাক লুংশিবা অমদি মতিক চাবা লুচিংবা ওইবগী মরম খংনিংলবদি আহোমগা মোগলগী মরক্তা ওইখিবা লানফমদা লাচিত বরফুকনগী লুচিংৱারী মনীংশিংবা তাগনি।

সতী জয়মতী ঃ—

সতী-জয়মতী কুঁৱরী মতমদা আহোম লৈঙাক□ী ফিভম য়াম্না অরুবা তাংকক অমদা লৈরম্মী। মতম অদুগী মন□ী লালুক-সোলা অসমগী নিংথৌঙন্না অঙন্বা গুম পালম্মী। মতিক চাবা নিংথেম লৈরবসু লালুক সোলানা চহী তরামরিতা শুরিবা চামগুরিয়া শাগৈগী সরু গোহাঁঠিবু লৌরুরগা ইং ১৬৭৯ গী মেরাথাদা নিংথৌ তুপখি। চহীদা ঙাং ওইবনা প্রজা মীয়াম্না  নিংথৌবু লরা রজা হায়না খংনখি। আহোমগী মত মতুংইন্না ছ্যু-লিক-ফা অদুগা হিন্দুগী ওইনা রত্নধবজা সিংহ কৌরম্মী। দক্ষিণপাট সত্র (লাইফম) দা লৈবা মনমালী কৌবা গুরুগী মফমদা লাইনীং লৌখি।

লালুক সোলা সু-লিক-ফাক পুং নিংথৌ ফমদা ফমহনবগা ছ্যু-দেয়-ফা স্বর্গদেৱবু হু পীজদুনা হাৎখি। আতন বুঢ়াগোঁহাইগী শাগৈবু ইং ১৬৭৯ দা তুন্নবা হাৎখি। মহাক□ী মফমদা দিলিহিয়ালগী দীঘলা লঙ্গিবু বুঢ়াগোঁহাই ফম হাপখি। জকদবু থুগায়রগা মাদুরীগী লাই থেপেনাদা বরগোহাঁই হাপখি।

লালুকনা মাগী কান্নবা য়েংদুনা লরা রজাগা নক্নবা মরী অমা শাগৎখি। মাগী চহী মঙাদা শুরিবী মচা নিঙোলবু

চহী তরামরী শুরবা লরা রজাদা থাজদুনা লৈমরেম্বী (মহারাণী) ওইহনখি। বংগ লৈবাক□ী নবাবকী থাজবা ফংবদগী লালুক মশামক আহোম লৈবাক□ী নিংথৌ ওইনিংলকখি। অসোমদনা লৈবাক নিংথৌ ওইবা য়াবা নিংথেম মচা কয়া লৈরম্মী। অদুম ওইনমক লালুক সোলাগী মংজরম্বা মং অদু মংফাওগদ্রা খন্দুনা চীংনরম্মী। করম্বা নিংথেমমচানা করি লালহৌ হৌরকতুনা নিংথৌফম মুনগবা মশানা হায়বা ঙমলমদে।

লালুকনা নিংথৌ লরা রজাদা হায়রম্মী — চহী মতাংচাবা মতিক থোকপা নিংথৌমচা কয়াগী মরক্তা ঐনা নংবু নিংথৌ হাপ্পনি। থৌদোক অদু অতৈ অতোপ্পা নিংথৌমচাশিংগী থম্মোয়দা ৱারৌখিবনি। করম্বা মতমদা কনানা য়াইবী থৱায় লৌগবা হায়বা ঙমদে। মরম অদুনা মতম লৈরিঙৈ লম্বী শেংদোকহৌনবা নিংথেমচাশিংগী অঙ্গক্ষৎ হায়বদি হকচাংগী শরুক খরা ককথৎত্তুনা নিংথৌ ওইবা য়াদনবা শিনবা তাই। মদু পাংথোকনবা অহান্বদা লৈবাক ফন্নাইবা খরা মফম লৌথোকপা তাগনি। লালুককী ৱাফমদু লরারজাগী কোকতা চংখিদুনা নিংথেম মচা হাৎপা নত্রগা হকচাং শরুক অমা কক্কবা অরোনবা মীওইগা লোয়ননা মীহাৎপদা য়াথং তৌখি। তুংখুঙ্গীয়া শাগৈগী নিংথৌমচাশিং গদাপানী নত্তনা লালুক□ী মখোংদা চংজখি। খরামখৈ হাত্তোকখি অদুগা খরামখৈগীনা হকচাং কয়াৎ ককথ্যখি। লাঙ্গি গদাপানী সোবর নিংথৌগী মচানি। মহাক খুকন পাঙ্গনবা নহা পাখংনি। লালুক্না লোন্না থাদোরকপা মীওই গদাপানীগী নাক্তা চংবা ঙমখিদে।

গদাপানীবু ফাদুনা পুরকপা ঙমদবনা লালুক সোলা তুম্বা চাবা য়ারমদে। মন□ী ওইরম্বা লাই থেপেনা বুঢ়াগোহাঁই গদাপানীগী মকুবোক ওইরম্মী অসমগী মখা থংবা (নামনি) মাইকৈগী মন□ী ওইরিবা বদন বরফুকন গদাপানীগী মনাই ওইরম্মী। মাবু ফাবদি লাইরদনা মফম কদায়দা লৈরিবা খংবা ঙমলমদে। জয়মতী কুৱরী গদাপানীগী তালোয়নি। লাই অমসুং লেচা কেঠা মচা নুপা অনীগা লোয়ননা গদাপানী মাগী নুপী জয়মতীগী মখোয়না লৈরিবা তুংখুঙ্গংদা লৈরম্মী। লালুক সোলানা শিন্দুনা নিংথৌ মচা হাৎপগী পাউ তাবগা মচা নুপা অনী নগা লৈবাক্তা পুদুনা অরোম্বা মফম অমদা থমখি। সতীজয়মতীনা মপুরোয়বসু মচা অনীগা লোয়ননা লৈরুনবা হায়জখি। গদাপানীনা মী মিথি ওইবা পামদে হায়খি অদুবু লৈবাক অমসুং লৈবাকপ্রজা মীয়ামবু খন্দুনা চৎখিনবা জয়মতীনা হায়জবদগী ফিজোল শেৎলগা নগা পাহার পাংখি।

নিংথৌগা য়াথং মতুংইন্না জয়মতীবু নিংথৌগী রাজদরবারদা কৌখৎলগা গদাপানীগী মরমদা হংখি। পাউখুম পীদনা তুমিন লৈরম্মী। জয়মতীবু জেরেঙাগী মী তাদ্রবা চিকখ্রবা মফম অদুদা পূরগা গদাপানীগী লৈফম খংননবা চাউদাংদা লালুক সোলানা য়াথং তৌরম্মী। চাওদাংনা জয়মতীবু জেরেঙাগী লবুক তন্না পুরগা ওৎ-নৈদুনা গদাপানীগী লৈফম তাকউ তকলম্মী। চাউদাংনা অমুকসু খেমদুনা য়েংঙি, ফু-চৈদুনা য়েংঙি অমদি অকিবা উৎত্তুনা য়েংলবা ফাওবা

জয়মতীনা গদাপানীগী লৈফম তাকখিদে। অসুন্না নুমিৎ তরামরীনি জেরেঙা লবুক্তা চৈরাক কয়া পীবদগী ইং ১৬৭৯ গী এপ্রিল ১৩ শগোলশেল নুমিৎকী তরানি পান্না থাজনা তাগে তৌরকপা পুংজদা জয়মতী থৱায়না পোন্থা পীখি। মতমগী লৈরায়দা নুপীগী ঙমগে তানখিবা মগুন, মপুরোয়বা অমদি মচাগী লোয়ননা মরু ওইনা লৈবাক□ী খন্দুনা কখোকখিবা মাগী তমজনিঙাই ফিদম মালেমদা অতাংবা খুদমনি।

সতী জয়মতীগী মচা অহল রুদ্র সিংহনা মমাগী নীংশিং খুদম তুংকোইনা লৈহৌনবা জেরেঙা লবুক্তা ইয়েনবুংগী (সাগর) পাংখক পুখ্রী অমা জয়সাগর মীংথোলদুনা তৌখি। মসিগী চহী মঙা মতুংদা রুদ্র সিংহনা মমাগী ঈখেংনা শেংদোকলমলবা জেরেঙা লবুক্তা রংপুর মীংথোলদুনা গড়গাওঁদগী কোনুং হোংদোরকলম্মী। লম্বী অনীগী লমলোং ওইৰিবা মফম অমদা মমাগী নীংশিং ফুরা অমা শাদুনা ঙসি ফাওবা নীংশিং খুদম ওইনা লৈরি।

টেঙাই মহন ঃ

অসমগী অহান্বা লোনগৈ ইখিবা )অভিধান) টেঙাই মহন ইং ১৭১৫ দা চরাইদেউগী মহুং-মাইচেউ শাগৈগী তকন্বরীগী য়ুমদা তাইবং ফাওখি। মচিন মনাও অহুমগী অতোম্বনি মহন। ময়াম্বা অহল লক্ষি, য়াইমনা মাজু কালিয়া কৌই। দিহিং তুরেলগী হালধীবারীদা য়ুম নিংদুনা লৈরম্মী। হৈ-শিংনা খুকন পাঙ্গননা পালম্বা আহোমগী লৈঙাকতা খুদোং থিনিঙাইগী মরম কয়া লাকতুনা নুমিৎ তারমদাই ফিভম ওইরকখি। মরমশিংগী মনুংদা মহৌশা আহোম লোনগী মফমদা অসমীয়া লোননা মফম কনশিলকখি। মমালোনবু তপ্না তপ্না থৌশানরকতবদগী নোংমা নোংমগী লোনসি মাংলকখি। মতম অদু আহোমগী লৈরিবা অখং অহৈশিং হিরম অসিদা খন্ননিঙাই। ওইরমখি। মতম অমদা আহোম লোনসি মুৎখিবা তরাবদি অসমগী চাওখৎলম্বা সভ্যতা মুৎখিগদানি। আহোমনা অসমদা মশাগী লোন, সাহিত্য, পূৰারী, লাইনিং, লিচৎ, চৎনবী, খেনচোংলোন অমদি ৰাঙুলোন কোন্নদুনা লাকখিবনি। অহোম লৈঙাক□ী মতমদসু লাইরিক কয়া আহোম লোন্দা ইদুনা ফোংলম্মী। লাইরিক কয়াসিদা মসাগী নাৎ, চৎনবী অমদি খনায়গী (সভ্যতাবু) চাওখৎ লোনবু মাংখিগদ্রা চিংনবগা লোয়ননা লোনসসি লোনথৈ ওইনা মওং তাদবা লোন ওইখিগদ্রা হায়দুনা তুংগী মীরোলনা খংন ঙমনবগী পান্দমদা লোনগী মাইচৌ ওইরিবা টেঙাই মহননা লোনসিবু তন্থা য়াননবা লোনগী লোনগৈ অমা ইদুনা থন্ননবা হৌৎন্নরম্মী। লোন হিংননবা অহান্বদা লোনদুগী শিজিনরিবা ৰাহৈশিং লিদুনা থন্থা তাবনি। শাগৈ কাংলুপ খায়দনা লোনসি তন্থা য়াননবা থবকসি মহাক্লা পায়খৎখিবনি। ইং ১৯৭৫ গৌরিনাথ সিংহগী অরোয়বা লৈঙাক মতমদা মহননা “বর কাকত” হু-মুং কৌবা লোনগৈ লাইরিক অমা ইরম্মী। ভূজ পত্র (সাঁচি পাত) মনা নিফু নিথোইদা ইরম্মী। মনা অসিগী ময়ুং মফেন ৪০-১০ সেণ্টিমিটার অদুগা লমায় খুদিংদা পরেং ৮-৯ য়াওরম্মী। আহোমগী শিজিন্নরিবা ৰাহৈ খুদিংমক□ী অসমীয়ালোনদা হন্দোকলম্মী। ৰাহৈ খুদিংমক্তা “চান”বা ৰাহৈ তপলম্বী। মসিগী ৰাহন্থোক্তি বোলে হায়বদি

খংলে হায়বনি। খুদম ওইনা "কা চান বা কাউরীক (ক্বাক), খা-চাম বা খেরক (ইয়ুম কুপ্পবা) কা হায়নৈ।" অসুন্না অসমীয়া লোনদসু ৱাহৈগী মতোল তারকপদা ক নত্রগা র শিজিন্নৈ। ক ৱাহৈনা (বিশেষ্য) মীংখৈ অদুগা র ৱাহৈনা (ক্রিয়া) থৌতাক তাকই।

ইং ১৯১২ দা কোচবিহারগী কৈলাশচন্দ্র সেন কৌবা মীওই অমদগী টেঙাই মহননা ইবা "ধর কাকত হু মুং", লাইরিকসি হেমচন্দ্র গোস্বামীনা পুরকখি। মতুংদা "বুরঞ্জী আরু পুরাতত্ব" লোয়শঙদা শিন্নখি। লাইরিক অসি হন্না ফোংনবা ইং ১৯৩২ দা চন্দ্র ফুকননা খোমজিনবগী থবক পায়খৎখি। মহননা ইদুনা থম্বীরম্বা "বর কাকত হু মুং" গী মথক্তা লাইরিক নিফুগী মথক্তা ফংবা ঙমলে। টেঙাই মহননা অসমগী অহান্বা লোনগৈ লাইরিক ইখিবা অইবনি। আহোম লোনবু ইংরাজীদা হন্দোকনবা বিলাততা পুদুনা চৎলুই হায়না হায়নৈ। লোনগী লোনগৈ পুথোক পীরম্বা অথোইবসি ইং ১৯২৩ দা ডিব্রুগড়গী খুৱাংদা তাইবং থাদোকখি।

**ডম্বরুধর দেওধাই ফুকন ঃ**

ইং ১৯২২ গী য়াইফরবা থাচৎ অমগী য়াইফ পুংফমদা চরাইদেউগী আখৈয়া দেওধাই কৌবা খুঙ্গংদা পোকখি। মপাবুং গঙ্গারাম লাইরিক লাইশুদা থৱায় য়াওবা মীশক্কি। লাকুৱাগী নাহর হাবি চা বাগানদা কেরানি ওইরম্মী মথংদা খুঙ্গংদুগী (গাঁওবুঢ়া) খুল্লাকপা ওইখি। গঙ্গারামগী মচা ডম্বরুধর এম. ভি. পাস তৌরগা মখা তমথাদনা তোকখি। অদুবু টাই লোন অমদি নাৎ-চৎনবীগী লমদা কন্না থি হুম্বগী লম্বীদা চংলম্মী। ময়াম্বা সরুনাথ দেওধাই অমদি নন্দনাথ দেওধাই অনীগী মফমদগী য়ুমদা টাই লোন তমলম্মী। নুমিৎ খরনিগী মনুংদা লোনসিগী মরমদা মহাকপু টাই লোনগী মাইচৌনি হায়না খংনরকখি। লৌ শুবা অমদি টাইলোন নৈন্নজরিবা ডম্বরুবু অসম বুরঞ্জী আৰু পুরাতত্ব বিভাগকী মকোক ওইরিবা ড. সূর্য্য কুমার ভূঞানা ইং ১৯৩১ দা টাই আহোমগী পুৱারী হন্দোকনবা ডম্বরুধর দেওধাই ফুকনবু গুৱাহাটীদা কৌদুনা পুখি। চহী মরি হায়রিবা লোয়শঙসিদা আহোম মাইচৌ ওইনা থবক তৌরমলবগী তুংদা ইং ১৯৩৫ দা মশানা থবকতগী পোথারগা মহাক্ল□ী লুচিং মখাদা ইং ১৯৩৬ দা পাঠ সাকোঁগী ভেচেলী পাৎকী মপান্দা অসমগী ওইনা "ফুৱালং" মীফম পাংথোকখি। ইং ১৯৬৩ দা থানুরামগগৈগী লুচিং মখাদা "বৌদ্ধ সংস্□ৃতিত ফ্রালুং সংস্□ৃতির অন্যতম অবদান" হিরমসি নৈন্নবগীদমক বুদ্ধ গয়াদা বিশ্ব বৌদ্ধ সংস্□ৃতি আলোচনা চক্র দা শরুক য়ারম্মী। ইং ১৯৬৪ দা টাই লোন অমদি নাৎ হিংগৎহন্নবগীদমক উ-ৱানা মহৈ শঙ অমা শারম্মী। মহৈ শঙ অদুবু "টাই একাডেমী পাট সাঁকো" হায়না খংনৈ। ইং ১৯৭৫ দা সদৌ অসম বৌদ্ধ ফ্রালুং সংঘ শেমখি। চহী অদুদা লুপ অসিগী লোইশঙ জেউতি ফ্রা-চাও-ছেং রেনগীদমক লম বিঘা অমা ক্যখি। ইং ১৯৮১ দা দিল্লীদা পাংথোকখিবা আন্তর্জাতিক টাই শিক্ষা সন্মিলনদা শরুক য়াদুনা লৈবাক ১৯গী মাইচৌশিংগা আহোম লোনগী মথক্তা খন্ন নৈনবা য়াওখি। মীফমলেন অসিদগী

হলকলগা ধেমাজীগী প্রমোদ-ভৰনদা ইং ১৯৮১গী এপ্রিল ৮ দা পূর্বাঞ্চল টাই সাহিত্য সভা শেমদুনা অহন্বা প্রেসিডেণ্ট ওইখি। ইং ১৯৮৪ দা বেঙ্কতা অনীশুবা আন্তর্জাতিক টাই শিক্ষা সম্মিলনগী মীফমদা শরুক য়াখি। থাইলেণ্ডগী সিয়াংমাই সহরদা লৈদুনা টাইলোন অমসুং নাৎ-চৎনবী মরমদা থিজিন হুমজিলকখি। থাইলেণ্ড, ফ্রান্স , অষ্ট্রেলিয়া, জর্মানগী থি হুমজিনবা নৈন্নরোয় কয়া মসাগী য়ুমদা লাক্কুনা নৈনখি। টাই লোন অমসুং নাৎ-চৎনবীবু তমদুনা নৈন্নরিবা মাইচৌ ডা. বাঞ্চাপ-বন্ধুমেধা, খুন কাই শ্রী লিন্নান হেমিন্দা, ড. প্রমাহা মালিনা, ড. বেনজন তারুৱেল, ড. জাঁ বার্লি, প্রোঃ রাণু রিছাচিম, আচিফা পূণ্য মেধা অমদি ভিক্ষু মহাথেরশিংসু য়াওরি।

অসমগী মফম অমদগী মফম অমদা কোইনা চত্তুনা টাইগী লোন অমসুং চৎনবী চাওখৎনবগীদমক হোৎন্নরম্বা ডম্বরুধর দেওধাই ফুকন ডিব্রুগড় জিলাগী লেঙৈরীদা পাংথোকখিবা পূর্বাঞ্চল টাই সাহিত্য সভাগী তরাশুবা মীফমলেন লোয়রবগী মথং নুমিত্তা ইং ১৫/০২/১৯৯৩ গী নুংথিলদা হার্ট এতেক ওইদুনা ডিব্রুগড় মেডিকেল কলেজতা অরোয়বা য়াহিপ তানখি।

**ৱাহং পরেং ঃ**

১। আহোম করম্বা ফুরূপকী কাংলুপ ওইরম্মী ?

২। আহোমগী হৌরকফম কদায়দা লৈরম্মী ?

৩। চহী কয়া আহোমনা অসম পালম্বগে ?

৪। আহোমগী অরিবালোন দু করিনো ?

৫। আহোমগী উৎসৱ খরগী মমিং পল্লু।

৬। শমলপ্পা ইয়ু — ক) লাচিত বরফুকন খ) সতী জয়মতী গ) তেঙাই মোহন
ঘ) দেওধাই ফুকন ঙ) কৃষ্ণকান্ত হন্দিকৈ চ) পদ্মনাথ গোহাইত্রি বরুৱা

*************

# কাছাড়গী মীওই কাঙলূপ

আসাম লৈবাক্কী খা হারম পাংবগী জিলা অহুমগী মীং - কাছার, হাইলাকান্দি অমসুং করিমগঞ্জ। জিলা অসিগী মরক্তা চেনলিবা তুরেল অদুগী মীং বরাক তুরেলনি। তুরেল অসিগী মীংগা মরি লৈননা জিলা অহুমসি পুন্না বরাক তম্পাক হায়না হায়নৈ।

বরাক তম্পাক্তা কাংলূপ মখল, কাংলূপ মচা অমসুং মখল মখল কাংলূপকী মীওই খুন্দা লৈতাদুনা লৈরি। খুনাইগী শেন্দানলমগী অমদি লৈঙাক লোনগী মতম মতমদা থোকখিবা থৌদোক ৰাথোক কয়াগী মহৈ ওইনা ভারতবর্ষগী মফম কয়াদগী মীলাকতুনা বরাক তম্পাক্তা খুন্দারখি. মীওই কাংলূপ খুদিংনা মশা মশাগী লোন ঈনাৎ ঙাকতুনা চৎচরি। লোন ইনাৎ মখল মখলগী মীওইশিংপুন্না লৈমিন্নবা মরমনা নৃতত্ববিদ শিংনা বরাক তম্পাক অসিবু Anthropological garden হায়বদি “নৃতত্বগী লৈকোন” হায়না মীংগৌনরি।

বরাক তম্পাক্তা খুন্দাদুনা লৈবা কাংলূপ শিং কাংলূপ মচাশিং অমদি মীওই লূপশিংগী মরু ওইবা হরাও কুমৈ, হরাও কুমৈ পাংথোকপা মতম মখাদা পীরি।

| মীওই কাংলূপকী মীং | মরু ওইবা হরাও কুমৈ | পাংথোকপা মতম |
|---|---|---|
| বাংগালী খুনাই | দূর্গা পূজা শারদীয় (হিন্দু) | — |
| | ঈদ (মুসলমান) | — |
| মণিপুরী (মীতৈ) | লাই হরাওবা | কালেন থা |
| মণিপুরী (বিষ্ণুপ্রিয়া) | রাস যাত্রা | নভেম্বর |
| ভোজপুরী | ছট পূজা | নভেম্বর |
| অসমীয়া | বিহু | এপ্রিল |
| রাজবংশী | বিহু | এপ্রিল |
| রাজস্থানী | মহাবীর জয়ন্তী | মার্চ |
| বর্মন (ডিমাছা) | বুসু | জানুৰারী |
| রং মাই নাগা | গাণ্ড নাঈ | নভেম্বর/ডিচেম্বর |
| মার | চিকপুই রুঐ | ৫ ডিচেম্বর |
| কার্বি | কার্বি রেসো নিমচো আরং গাজে | ফেব্রুৰারী |
| রিয়াং | হোজা গিরি | নবেম্বর |
| খাচিয়া | চেনখাচি চেনগ্রিতে | ফেব্রুৰারী |

| | | |
|---|---|---|
| ভেই কেই | চাওয়াং কুট | অক্টোবর |
| কুকি, পৈতে | মিমকুট | জানুৱারী |
| মিজো | চাপচার কুট | মার্চ |
| সিমতে, গাংতে | কুট | নবেম্বর |
| চাকমা | বুদ্ধ পূর্ণিমা | এপ্রিল |
| চিরু | চাকথার কম | অক্টোবর |
| চরৈ, রাখল শাকচপ | খোদয় | ফেব্রুৱারী |
| নেপালী | দশেই তিহার | সেপ্তেম্বর/অক্টোবর |

থাগী খোংচৎ মতুং ইন্না ইছলাম লাইনিংগী চহীরোল কুম্বাবা হৌই। মরম অদুনা ঈদ-উল-ফিটর হরাও কুমৈগী মতম চহী খুদিংগী ওনলি। খ্রীষ্টান লাইনিংগী মরুওইবা হরাও কুমৈ ডিচেম্বর তারিখ ২৫দা বরদিন পাংথোকই।

বরাক তম্পাক্কী মীওইশিং চন্না পুন্সি মহিং অহুম থোক্লা হিংলি- লৌউবা, ললোন ইতিক অমসুং চরকারগী থৌমী।

১৯৪৬ ইং চহীদা অসম ফুটবল সংস্থা লিংখৎলি। বরাক তম্পাক্কী বাঙ্গালী খুনাইগী সুনীল মোহন সংস্থাদুগী হৌদোকপা শেলুংবনি। মহাক অসম হকী সংস্থাগীসু লূচীংবা খনগৎলম্মী। ১৯৫১ ইং চহীদা মুম্বাইদা, অদুগা ১৯৫৭ ইং চহীদা হায়দরাবাদতা পাংথোকখিবা সন্তোষ ড্রফি ট্রফি ফুটবল হেন্দানবদসু মহাক অসম রাজ্যিক ফুটবল দলগী মেনেজর ওইরম্মী।

নুপী খুনাইগী চাওখৎ লমদাংগীদমক পুন্সি চুপ্পা শেমগৎ শাগৎপা থবকতা মাংজিংলম্বী মালতী শ্যামনি। মহাক্কী লীচিং মখাদা ১৯৩৮ ইং চহীদা "নারী কল্যান সমিতি" শেমগৎলম্মী নূপীশিংগী লোৎনা লৈবা ইথিলবু ফোংদোক্লবগীদমক সমিতি অসিনা মখল মখলগী থৌরম থৌরাং কয়া পাইখৎলম্মী। মালতী শ্যামগী কননা হোৎনজমল মহৈনা বরাক তম্পাক্তা নূপী খুনাইনা খুনাইগী অথিংবা কয়া তুংওইনদুনা ১৯৩৫ ইং চহীদা অহান্বা হরাও কুমৈদা শরুক য়াবা ঙমখি।

অৱাং নোংপোক ভারতকী কাংলূপ খুদিংমক্কী মশাগী জগোই শাথেক অসিনা মখোয়গী মাংলমচৎকী ৱারী শিংবুল ওইরি। জগোই ঈসৈ হায়বসে হরাও কুমৈ থৌদোক কয়াগী য়াম্না মরু ওইবা শরুক অমনি। মুকুন্দ দাস ভট্টাচার্য্যনা লোকনৃত্য য়োকপা, শন্দোকপা অমদি ঙাকপগী লমদা য়াম্না মরু ওইবা খুদোল কয়া লানথোকপিরম্মী। পুন্সি চুপ্পা হোৎনজমলগী তৌবীমল ওইনা মঙোন্দা ১৯৯৭ ইং চহীদা 'বিষুওরাভা' লানথোকপিখি।

আসামগী বুরঞ্জী অমবু পুৰাতত্ব থিজিনবগী লমদা রাজমোহন নাথকী খুদোল অপিকপা নত্তে। মহাক ইঞ্জিনিয়ার অমনি। অদুবু মহাক্কী হৈনবীগী মফমসি বুরঞ্জী থিজিনবনি. অসিগী মরমদা মহাক্কী শিংথানিঙাই ওইবা লাইরিক অদুগী মীং -"The Background of Assamese Culture"নি। লাইরিক অসি ১৯৪৮ ইং

চহীদা অহান্বা ফোংখি। শ্রীমন্ত শংকরদেব সাহিত্য অমসুং দর্শনগী মরমদসু রাজ মোহন নাথনা নৈনরম্মী। ১৯৫৮ ইং চহীদা তিনিচুকীয়া চহরদা পাংথোকখিবা অসম সাহিত্য সভাগী তরাহুন্দোইশুবা মীফমদসু মহাক বুরঞ্জী মশাগী লুচীংবা ওইরম্মী।

বুরঞ্জীবিদ কামালুদ্দীন আহমেদ করিমগঞ্জ কলেজকী বুরঞ্জী হীরমগী ওঝা মকোকনি। মতুংদা মহাক প্রিন্সিপাল ওইরম্মী। কামালুদ্দীন আহমেদ সাহিত্যসু নৈনরম্মী। মহাকনা পুথোকলম্বা সাহিত্যগী চেফোং অদুগী মীং ‘দিগবলয়’ কৌই। আসামগী শিল্প অমসুং স্থাপত্যগী হীরমদা ইবা মহাক্কী লাইরিক অদুগী মীং The art and Architecture of Assam নৈনচেরোল চাম হেন্না লোইননা মহাক্না ৱারী লীশাং (উপন্যাস) সু ইরম্মী।

বরাক তম্পাক্কী বর্মন খুনাইগী অখন্নবা মীওইশিং - নন্দন বর্মন, মণিচরণ বর্মন, নলিনীন্দ্র কুমার বর্মন অমসুং অনিল কুমার বর্মনগী মীং পনবা য়ায়।

রাজমন্ত্রী শাগৈগী নন্দলাল বর্মন সমাজসেৱক অমনি। মঙান থোকপা ললোনবা অমা ওইনা খুনাইদা মীংচৎ ফংলম্মী, ইকাইখুন্নরম্মী। বর্মন খুনাইগী মীওইশিংবুনা মহাকপু ইকাইখুন্নবা ‘মিলাউ’ অমসুং অতৈ খুনাইনা মহাকপু ‘মহাজন’ হায়না কৌনরম্মী। মহৈমশিংদা থৱাই য়াওবা নন্দলাল বর্মননা খুনজাগী অঙাংশিংগী মহৈমশিং তন্নবগী কাছার জিলাগী বরখলাদা ১৯০১ ইং চহীদা স্কুল অমা লিংখৎলম্মী। স্কুল অদুগী হৌজিক্কী মীং “রাজা গোবিন্দ চন্দ্র মেমোরিয়েল স্কুল” কৌই।

ডিমাছা লোনগী ওইবা অহান্বা লাইরিক মনিচরণ বর্মন না ইরম্মী। কুনশুবা চহীচাগী অহান্বা শরুক্তা ফোংবা অহান্বা লাইরিক অদুগী মীং “হৈড়িম্বা ভাষা প্রবেশ” হায়না কৌই।

নলিনীন্দ্র কুমার বর্মন ওঝা অমনি। ১৯৩০ চহীগী জুন থাদা হৌজিক্কী ডিমাহাছাও জিলাগী সদর হাফলং গী মিশন স্কুলদা মহাক ওঝা ওইনা থবক চঙি। ডিমাছা জাতিগী মাংলমচৎ অমসুং শাগোন্নরকপা চৎনবীগী মরমদা মহাক্না পাকশন্না থিজিনলম্মী। অসিগী মরমদা মহাক্না ইবা লাইরিক্কী মীং The Queen of Cachar বা Herambo and the History of Cacharis কৌই। ডিমাছা খুনাইদা চুকশাবা (শরাধ) থৌরমগী মরু ওইবা থৌরমদি কীর্ত্তন নি। ননীন্দ্র কুমার মর্বননা চুক শাবা (শরাধ) কী কীর্ত্তন শৈরেং খোমজিনবা অমা ফোংলম্মী। লাইরিক অদুগী মীং “হৈড়িম্বরাজ গোবিন্দ চন্দ্রকৃত হিন্দু শাস্ত্রীয় শ্রাদ্ধাদির কীর্ত্তন গীতিকা” কৌই।

মহৈরোই ওইরিঙৈগী মতমদগী অনিল কুমার মর্বননা সমাজ সেৱা থৌরম কয়াদা মাংথানা চৎলম্মী। ১৯৪২ ইং চহীদা মহাক্না “ডিমাছা ছাত্র সমিতি” মীংগৌবা লূপ অমা লিংখৎ লম্মী। পুন্সিগী থবক ওইনা আইন ললোনবদা লৈজরবসু মহাক খুনাইরোলগী, ঈনাৎকী অমদি মহৈ মশিং লোমদা য়ান্না মরী লৈনরম্মী। মতম কুইনা মহাক “নিখিল কাছাড় হৈড়িম্ব বর্মন সমিতি”গী লূচীংবা ওইরম্মী।

রংমাই নাগা মীওই লূপ অসিগী গাইনগামলঙ কামেই অসম রাজ্যিক ফুটবল দলগী শান্নরোই অমা ওইরম্মী। লনাই খুনাইদা মহাক শান্নবা নাৎ অসিগী পাকশন্নবা হোৎনরম্মী।

সমাজ সেৱক রিয়াঙলুয়াং রিপোও রংমাই নাগা খুনাইগী কলা কৃষ্টি শন্দোকপগী দমক পুন্সি চুপ্পা থবক তৌরম্মী।

ইরুংবম চন্দ্র সিংহ মণিপুরী মীতৈ খুনাইগী অহান্বা অর্থনীতি বিজ্ঞানগী বি.এ. ওইরম্মী। খুনজাগী অঙাংশিংগী মহৈমশিং তন্নবগীদমক মখল কয়াগী য়াইফ থৌরম কয়া তৌরম্মী। লাইরবা মহৈরোইশিংগী তেংবাংনবগীদমক লূপ শেমলম্বালোইননা মহাক্না মহৈ শং অমসু লিংখৎলম্মী। মহৈ শং অদুগী মীং "খেলম হাই স্কুল" কৌই।

সৌগাইজম বসন্ত কুমার সিংহ সন্তোষ ট্রফী ফুটবল হেন্দানবগী অসম রাজ্যিক দলগী শান্নরোই অমা ওইরম্মী। মতুং তাবদা মহাক অসম রাজ্যিক থাক্কী ফুটবল রেফারীসু ওইরম্মী।

মণিপুরী বিষ্ণুপ্রিয়া খুনাইগী রাজকুমার চেনারিক সিংহ অমসুং গুরু বিপীন সিংহ জগোইনাৎকী লমদা কাউঙম লোইদবা মীওই অনিন। মহৈরোইশিংদা মণিপুরী নৃত্যকলা তাকপিনবা রাজকুমার চেনরিক সিংহবু রবীন্দ্র নাথ ঠাকুরনা শান্তিনিকেতনদা কৌদুনা পুখিরম্মী। নৃত্য কলা হৈহন্নবগীদমক হোৎনজমল ওইনা গুরু বিপীন সিংহবু ১৯৬৬ ইং চহীদা "সঙ্গীত নাটক একাডেমী" মনা পীবিরম্মী। মতুং তাবদা মহাকপু মধ্যপ্রদেশ চরকারনা "কালিদাস সন্মান" পীবিখি। কলকাতাদা "মণিপুরী নর্ত্তনালয়" মীংথোনদুনা জগোই নাৎতন্নশং অমা মহাক্না লিংখৎলম্মী।

**জগত মোহন সিং ঃ** জগত মোহন সিংহ শকনাইরবা ওজা অমসুং সাহিত্যিক অমনি। মহাক্না বিষ্ণুপ্রিয়া মনিপুরী লোনদা কাব্য, নাটক, প্রৱন্ধনচিংবা ইরম্মী। মহাক্না নিখিল বিষ্ণুপ্রিয়া মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ লিংখৎপা, সভাপতিনি।

**ৱাহং পরেং ঃ-**

১। নৃতত্ববিদ শিংনা বরাক তম্পাকপু করি হায়না মীংথোনবীরম্বগে?

২। বরাক তম্পাকতা খুন্দাদুনা লৈরিবা মীওই কাংলূপ শিংগী মীং করি করি কৌই।

৩। বরাক তম্পাক্কী মীওইশিংগী পুন্সি মহিং কৰি করিনো?

৪। The Background of Assamese Culture লাইরিক অদো কনানা ইরম্বনো?

৫। হায়দরাবাদতা পাংথোকখিবা সন্তোষ ট্রফী ফুটবল হেন্দানবাদা অসম রাজ্যিক ফুটবল দলগী মেনেজর কনা ওইরম্মী?

৬। তেনতক্ন হীরম ইয়ু ঃ-

(ক) রাজমোহন নাথ (খ) কামালুদ্দীন আহমদ

(গ) নন্দলাল বর্মন (ঘ) নলিনীন্দ্র কুমার বর্মন

(ঙ) ইরংবম চন্দ্র সিংহ (চ) বিপীন সিংহ

:::::::::::::::::

# কার্বি

কার্বিশিং অসি আসামগী মরূ ওইবা শোৎথা মীওইনি। বিষ্ণুপ্রসাদ রাভানা কারবিশিংবু আমেরিকা পুথোকলম্বা কলম্বাস চাংদম্নদুনা কার্বিশিংবু আসামগী কলম্বাসনি হায়না মিংথোল্লি। হায়রিবা ৰাফম অসি কলিকতাগী মিংচৎ লৈরবা পুৰারী খঙলবা সুনিতী কুমার চট্টোপধ্যায়না মরম চায় হায়খি।

**লৈফম** ঃ— আসামগী ওই থংবগী ময়ায়দা লৈবা কার্বি আংলং অমসুং নোংচূপ কার্বি আংলং অসি কার্বিশিংগী মরূ ওইবা লৈফমনি। মফম অনিমক অসি কোল্লগা কার্বি স্বায়ত্ব পরিষদ শেম্বনি। মসিদা মীওই ২৬তি মীখলদা খল্লবা মীহুৎর্সি অমসুং মীয়াম্না য়ানদুনা হাপ্পা মীহুৎসু য়াওরি। শুপ্নগী ফম ৩০ খক্তনি। মফম অসিগী লৈপককিঙি লৌথোক্তি বর্গ কিঃ মিঃ ১০, ৩৪ত নি।

অসিগীসু মথক্তা শোনিতপুর, বিশ্বনাথ লক্ষিমপুর, কামৰূপ, সোনাপুর-নচিংবা মফমশিংদসু কার্বিশিং খুন্দাদুনা লৈবা থেংনৈ। মণিপুর, নাগাল্যাণ্ড, মেঘালয়, অরুনাচলনচিংবা রাজ্যদসু অরিক অহেনগী চাংদা চায়দুনা লৈরি।

**ফীজেৎ-লৈতেং** ঃ—নীপা অমসুং নুপীগী ফিজোল, মান্নদে নুপাগীনা খুয়ৌবা। খুয়ৌবা পে ছেলেং, চোই হোংথোর, চোই ইক চোই লোক (কার্বি জেকেট) পোৎ নচিংবনা মরূনি। পোহ কার্বি মাফ্লার ইঞ্চি অমসুং ৫ পাকই অমসুং শাংবনা ফুট ফঙদগী না তরুক ফাওবা শাংই। মত্তোল থংবা মায়কৈ অনিমক্তা মচু মচুগী লৈ থোকই।

**চেপান আবু** ঃ— চাওরাক্ল মারক্তি ইঞ্চি ৩ পাকপা অমসুং ময়ুংদা ফুট ৬ শাংই। অনিমক্তা কড়ি চেনবা মশুকমুবা ফিনি। ফুজোল অসি পাখং মচা শিংনা শীজিন্নবা থেংনৈ।

**নুপীগী ফিজেৎ লৈতেং** ঃ— পিনি, পেকোক অমসুং ৰানকোকনি অনিগীসু মথক্তা পে ছেলেং পে খনজরি, পে ছারপিন-নচিংবা মরূনি।

**পিবা** ঃ— মৰাক্ত ফুট ১.৫ দগী ফুট ২ পাকপা অমসুং ময়ুংদা ফুট ৬ শাংই। ফিজিন অনিমক্তা মচু মচুগী লৈ থোক্কুনা লিংকোল য়াওবা মশুকমুক পিনি। ফুজোল অসি নুপীশিংনা মশা মশাগী মচাবু মথাদা কোনবদা

শীজিন্নৈ।

**সনা-লিকোন** ঃ— লেক হিকি, নথেংপী, নোলাংপোং, নোজাংসাই, লেকরূৰে, লেক পাংখারা লাং আৰ, রোই পাংখারা, রোই পাহু-নচিংবনা মরূনি।

**থৌনি-থৌরম** ঃ— পেং হেমফু, রোংকের চোজুন্নচিংবনা মরূনি। পেং হেমফু হায়বসি য়ুমগী ওইবা থৌনি থৌরমনি। থৌনি থৌরম অসিদা মহৌশাগী ওইনা মখল অহুম থোক্না লৈ। রিৎ আংলং, বুইচোম অমসুং পেংনি। থৌরম অহুম অসি অনৌবা চহি চঙকপদা পাংথোকই। চহি অদুগী অফ-ফত্তা থোক্তনবাগীদমক থৌনিজৈ। মসিবু য়ুমগী ওইবা থৌনি থৌরম (House Hold Festival) নি হায়নৈ।

**চজুন থৌরম (Family Festival)** ঃ— থৌরম অসি চহিগী ওইনা পাংথোক্তে। চহি ৪, ৫ নত্রগা চহি ৯গী মতুংমতুংদা পাথোক্নৈ।

**রোংকের থৌরম (Community Festival)** ঃ— থৌরম অসি খুনগী ওইবা থৌরমনি হায়না হায়নৈ। থৌরম অসি অনৌবা চহি চঙকপদা পাংথোক্নৈ ইরাৎফমদা উচেক, হামেং য়েরুন্নচিংবা কৎতুনা চহিদুদা ফতা-ফৌদি থোক্তনবা নিংজবা মপুনা চানবীনবা থৌনি থৌরমনি।

কাঙলূপ ঃ— কার্বিশিংগী কাঙলূপ মঙা থোক্না লৈ। মদুদি — (১) টিমুং (২) টেরোন (৩) তেরাং (৪) ইংহি (৫) ইংতিনি। হায়রিবা কাঙলূপ খুদিংমক্তা অমাদগী অহেনবা শাগৈ ফরূপসু লৈ।

কারবি যুব মহোৎসব (Karbi Youth Festival) চহি খুদিংগী ফেব্রুৱারীগী ১৫-১৯ ফাওবা থৌরম অসি ডিফু-শহরগী তারালাংসদা পাংথোকই।

**সেমছনসিং ইংতি** ঃ— মহাক অসি কার্বি আংলংগী মঙলান শক্তম লাংখিবা মীওইনি।ইংকুমজা ১৯১০গী ফেব্রুৱারীগী নোংশিং ৮ দা নোংচুপ কার্বি আংলংগী টিকা পাহারদা পোকখি। পম্বৌগী মিংনা থেংকুরসিং ইংতি অমসুং পলেমগী মিংনা রুথ মাধৱী (কাজির তিমুংপী)নি। ইংকুমজা ১৯১৬ দা গোলাঘাট মিশন স্□ুলদা মহৈ তম্বা হৌই অমসুং ইংকুমজা ১৯১৮ দা গোলাঘাট বেজবরুৱা হাইস্□ুলদগী অহান্বা থাক্ত মেট্রিক লানখি। গুৱাহাটী কটন কলেজদা অৰাংবা থাক্□ী মহৈ তম্ব হৌজরবসু মতম অদুগী নীংতম ঈহৌগী শরূক্না মহৈ মপুং ফাখিদে। তুংদা ইংকুমজা ১৯৩৩ দা শিলেটকী চাঁন্দ কলেজদগী অরোইবা চাংয়েংদা মায়পাক্তুনা কার্বি জাতিগী

অহান্থ গ্রেজুৱেট ওইনা মিংচৎ তানজখি। গ্রেজুৱেট ডিগ্রী ফাংলবগী মতুংদা গোলাঘাট বেজবরুৱা হাইস্□ুলদা ওঝাগী থবক তৌবা হৌখি। ইংকুমজা ১৯৩৩ দা মিকির হিলম ট্রেক শেমকখিবনা ইংরাজ সরকারনা কৌদুনা নগাও জিলা ইডুকেশ্বন ডিপার্টমেণ্টগী এস, আই গী ফমদা থবক হাপখি।

মহাক্ক থবক শুরিঙৈ পুন্সিদা কারবি চীংগী মফম মফম কোয়দুনা থম্মোয়দা ফাওজখি মদুদি, কারবি জাতি অসি চাওখৎহনবা তারবদি মখোয়বু ইহান-হান্ন মহৈ হৈহন্নবা হোৎনবা তাবনি। মহাক মশামক্ক কারবি লোনগী লাইরিক কয়া ইদুনা আসামীয়া মেডিয়ামগী মহৈশঙশিংদা অহেনবা লাইরিক ওইনা তমহনখি। মহাক্কা ইখিবা লাইরিকশিংদুদি বিতুছ, আকিতাপ, কালাখা আকিতাপ, তেমপুরু অমসুং ৰপীনি।

## সামসিং হাঞ্চে ঃ–

সামসিং হাঞ্চে চাওরাক্ক অইবা, কবি, ঈশৈলাংবা উপন্যাসকার, ফিল্ম ডাইরেক্টর, রাজনৈতিক অমসুং লোয়নাশিল্লোন বু নুংশিজবা মীওইনি। নগাওঁ জিলাগী সরুবাট মৌজাগী মনুংচন্না লৈবা পণ্ডিতঘাট নত্রগা আর্হিকেলোক কৌবা খুঙ্গংদা ইংকুমজা ১৯৪৮গী এপ্রিলগী নোংশিং ১৮ দা পোকখি। পম্বৌগী মিংনা জয়সিং হাঞ্চে অমসুং পলেমগী মিংনা কাত্রৎ টেরনপী নি।

অঙাং ওইরিঙৈদা ইমুংমনুংগী মীওইশিনা অরিবা মফম থাদোক্তুনা হংক্রাম কৌবা মফম অমদা হোংখি। মফম অদুদা তংদু লৈতনা লৈরকখি। হংক্রাম এল. পি. স্□ুলদা মহৈ তম্বা হৌখি। মথংদা টীকা এম. ই. স্□ুলদা অমসুং কামপুর এম. ই. স্□ুলদা মহৈ তমখি। ডিফু গী বোয়স স্□ুলদা মিং চলবসু মেট্রিক চাংয়েংদা মায়পাকপা ঙমদদুনা লাম্মীগী থবক তৌখি। চহি অহুমগী মতুংদা থবক থাদোক্তুনা ইংকুমজা ১৯৬৭ দা বৈঠালাংছ হাইস্□ুলদগী হাইস্□ুলগী অরোইবা চাংয়েংদা মায়পাকখি। ইংশোক ১৯৭৩ দা বি. এ. ডিগ্রী লৌখি।

লোন-লোয়নশিনলোন হেনগৎ-টাউখৎহনবগীদমক মহাক্ক কারবি লাইরিক খর আসামীয়া লোন্দা ইদুনা ফোংখি। মদুশিংদুগী মনুংদা তাই হাইমু কারবি প্রনয়ী গীত, এই কারবি আংলঙর, ছাবিন আলুন (কারবিগী রামায়ন) কুমলীন, রোমীর এ মুঠি কারবি কবিতা (অনুবাদ) অমসুং ছের হানজেং কৌবা লাইরিক্কা মরূ ওই। ইংকুমজা ১৯৮৩-৮৪ দা কারবি লালমতে আমইর (কারবি সাহিত্য সভা) গী জেনেরেল সেক্রেটারী অমসুং

ইংকুমজা ১৯৮৪-৮৫ দা সভাপতিগী ফমদা লৈতেংখি।

ইংকুমজা ১৯৮৫ দা বিধান সভাগী মীচম মীখলদা ডিফু সমষ্টিতগী খল্লদুনা আসাম মন্□ীসভাগী কেবিনেট থাক্□ী মন্□ী ফম ফংবা ঙমখি। ইংকুমজা ১৯৯৮ গী জানুৱারী থাগী নোংশিং ১৩ দা খুদিংমকপু নুঙাইতবগী ঈপাক থাদোক্লম্লগা নোঙ্গাখি। কারবি লোন অমসুং লোয়নশিল্লোনবু নিংজবা অমসুং লময়ানবা অমা ওইনা মহাক্□ী মমিং ঐখোয়গী মরক্তা শিদায়াই ওইনা লৈরগনি।

**বংলং তেরাং ঃ–**

বংলং তেরাং কারবি লোয়নাশিল্লোন (সাহিত্য)গী লময়াম্ব মীওই অমনি। কারবি লোয়নাশিল্লোনগী অহান্ব অইবা শক্তম লাংখিবসি মহাক্নি। ইংকুমজা ১৯০৯গী অক্টোবর থাগী নোংশিং ১০দা তেরাং ডিলাই তুরেনগী মানক্ত লবৈ নিহাংলাংস কৌবা মফমদা পোকখি। মাপাবুংগী মমিংনা সার তেরাং অমসুং পলেমগী মমিংনা কারেং তিচ্ছপীনি।মহক্না খিঁবা লাইরিকশিংদি Word Book আদাম আসার (লুহোং-পথাপ) রূকাসেন, ইঈমু, সের হংথম, কারবি কপুসন কারবি স রংজে, মহাকচহি ১৩ দগী লোয়নশিল্লোন ইবা হৌখি। ইংকুমজা ১৯৩৬ দা আদাম আছার (লুহোং পথাপ) লাইরিক অসি ইবা লোয়দুনা ইংকুমজা ১৯৩৭ দা ফোংখি। ইংকুমজা ১৯৩৮ দা ককছেন ইখি লোয়ন-লোয়ননা ইংকুমজা ১৯৪০ দা হাঈমু, ১৯৬৪ দা ছের হংথম, ১৯৬৭ দা কারবি কারবি কপুছন, ১৯৭৭ দা কারবি চরংজে, ১৯৮০ দা আরন আতেং, ১৯৮৬ দা রংলিন, ১৯৯০ দা ছার আলুন অমসুং ১৯৯৬ দা ছার লামছাম ফোংখি।

চহিচা ১৯৭৩ দা কারবি সাহিত্য সভাগী মায়কৈদগী কারবি সাহিত্যগী লময়াম্ব মীওই মানা পীখি। আসাম সরকারগী মায়গৈদগী শেনফম লুপা ১০০ খক মতম অমত্তগী ওইনা ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা সাহিত্য পেঞ্চনসু পীখি। লময়াম্ব মহাক অসি চহিচা ২০০১ গী জুলাই থাগী নোংশিং ১৭তা মীয়ামবু থাদোক্লম্লগা মপুগী খুয়া তানখি।

**লংকাম তেরন ঃ–**

লোয়নাশিল্লোনদা মমিং লৈরবা লংকাম তেরন ইংকুমজা ১৯৩২ দা পোকখি। মহাক্□ী মপাবুংগী মমিং ডিপ্ল

তেরণ অমসুং  পলেম মমাগী মমিংনা কাচাই হাঞ্চেপী নি। ইংকুমজা ১৯৫৭ দা কাচে রংহাংপীগা লুহোংখি। ইংকুমজা ১৯৬৪ দা মিকির পাহার জিলা পরিষদকী Public Relation Officer গী ফম পীখি। মহাক কারবি আদরবারগী জেনেরেল সেক্রেটরী অমসুং সভাপতিগী মফমদসু লৈতেংখি। কারবি সাহিত্য সভাবু লিংখৎলম্বা সভাপতিনি অমসুং ইংকুমজা ১৯৮৬ গী কামপুরগী মীফমলেনদসু আসাম সাহিত্য সভাগী মথং সভাপতিগী ফমসু পুখি। মহাক্ন ইখিবা, খোমজিনবা অমসুং ফোংলমদবা লাইরিক ৪১খক ফোংখি। মহাক মশানা ইরম্বা লাইরিকশিং — রং কেসেং, টামাহিদি, কিতাপ কিমি, কারবি লামকুরু কারবি জনগোষ্ঠী, কারবি লামকুরু-লামসেং কারবি ভাষা পরিচয়, কারবি লামতাসামনচিংবনি।

## ৱাহং পরেং ঃ–

১। কারবি শিংবু অসমগী কলম্বাসনি হায়না কান্নবা হায়রম্মী। ?

২। কারবিশিংগী চৎনবী ফিজোলগী মরমদা ইয়ু।

৩। কারবিশিংগী থৌনি-থৌরমগী মরমদা ইয়ু।

৪। কারবিশিংগী মরূ ওইবা শাগৈ কঙলূপশিং অদু করি করিনো ?

৫। কারবি খুন্নাইগী নুপীশিংনা শেৎপা ফিজোল অমসুং লৈতেংশিং খরগী মমিং ইয়ু।

৬। শমলপ্না ইয়ু ।

ক) সেমসনসিং ইংতি খ) খরসিং ইংতি গ) সামসিং হাঞ্চে ঘ) বংলং তেরাং

ঙ) লংকাম তেরণ।

*************

# কোস রাজবংশী

তরমাপন শুবা শতাব্দীগী অহান্ব তরাগী হিংদগী অরোইবা তরাগী হিং ফাওবা মীহোরোল খঙহৈবা (anthropologist) নৈনরোয়, সরকারগী মীকোকথিবগী থবক তৌবা কমিশ্যনার ডাক্তর, খুন্নায় পোমিৎলোন খঙ-হৈবনচিংবনা কোস রাজবংশী শিংগী মরমদা নৈনদুনা মখোয় অয়াম্বনা অমত্তা ওইখি মদুদি আসাম, অৰাং বংগ, নেপাল, ভূটান, বিহার মেঘালয় অমসুং বাংলাদেশতা লৈরিবা রাজবংশীশিং অসিগী মরূদি কোসনি। মরম অদুনা আসামদা লৈরিবা মখোয়বু কোস রাজবংশীনি হায়না কৌনৈ। মখোয় অসি হিন্দু লাইনিং চৎপা মীওইনি। অয়াম্বনা কোস অমসুং রাজবংশীশিংবু  তোঙান-তোঙান্ন শক্তাকপা পাম্মী। মতম অমদা অসুন্না হোৎনরমবদুসু চুম্মী হায়বা য়াদে। মফম অয়াম্বদা কোস অমসুং রাজবংশী খক্তা ইরবসু রাজবংশীগী মরূদি কোসনি হায়বদু লৌদবা য়ারোই। মেঘালয় অমসুং মেঘালয়গী আসাম ঙমখৈগী মফমদা খুন্দাবা কোস মীওই খরনা থায়নগী কোস-লোন অমসুং নাৎ ঙাক্তুনা লৈরি। মখোয়গী ঈচেল অসি আর্য্য নওবা ঈচেলনি। অমরোমদনা নোংচুপ আসাম, অৰাং-বংগ, নেপাল, বিহারনচিংবা মফমগী রাজবংশী মীওইশিংগী লোন-নাৎতি আর্য লোন-নাৎনি মখোয়বু রাজবংশীতা হায়না কৌনৈ। মখোয়না হিন্দু লাইনিং-লাইশোন লৌদুনা রাজবংশীনি হায়না শক্তাকচৈ। অয়াম্বনা কোস ওইনতা  আর্য লোন-নাৎ ঙাক্ক চৎলি। খেন্নবা মওংগী লোন-নাৎ অনি ঙাক্ক চৎলবসু মীহৌরোলশিংগী ওইনা কোস রাজবংশীশিংগী হৌফম হায়বাদুদি কোসনি। মফমগী খেন্নবনা মখোয়বু কোস, কোস রাজবংশী, ক্ষেত্রিয় রাজবংশী নত্রগা রাজবংশীনি, করি করিগুম্বা মফমদা ক্ষত্রিয় খক্তা হায়নাসু খঙনৈ। মখোয়বু ক্ষত্রিয় হায়না খঙনরবসু আর্য ক্ষত্রিয়দি নত্তে। নাৎখুদিংমক্তা মীওই ফরূপকী মমি শেংনা তায়। সরকারগী ওইনা মখোয়বু মীওই কাঙলূপনি হায়না শক্তাক পীদ্রবসু মখোয়বু কোস রাজবংশী ওইবা মীওই কাঙলূপনি হায়বনা মরম চায়। আসাম, বংগ, বিহার, নেপাল অমসুং বাংলাদেশচিংবা মফমদা মখোয়বু রাজবংশী হায়না শকখঙই। তুংগী মতমদা মদাসী, হাজং জলধা, ধিমাল ঝলো, মালো, বৰুৰা, মগনচিংবা পীক্ল-পীক্লবা মীওই কাঙলূপ ময়াম অসিনা রাজবংশীনি হায়না শক্তাকদুনা পেঙ্গরবসু মখোয় মরক্কী অয়াম্বগী মরূদি কোসনি। মসিগী মরমদা অখন্নবা মাইচৌশিংনা হায়রম্বা ৰাফম পনবা য়াই। বুকানন হেমিলটন্না হায় -- "কোস মীওই ফুরূপ ময়াম অসিগী হৌরকফমদি অমত্তনি অমসুং রাজবংশীদি কোসনি হায়বসিদা ঐগী চিংনবা  করিমত্তা লৈতে" (B. Hamilton : 1809)।

ইং কুমজা ১৮৮৯ গী আদম সুমারি চেরোলদা হান্টারনা অসুন্না পল্লি মদুদি হিন্দু খাইবোক্কী মীওই

ফৰূপ অমা ওইনা পল্লিবা কোস, পালিয়া অমসুং রাজবংশী মীওই কাঙলূপকী মীওইশিং হায়বদি কোসবিহার অমসুং তায়নফমগী মীওই কাঙলূপ অসি মৰূ ওইনা শাগৈ অমত্তগী ফুৰূপচানি। (W. W. Hunter : 1877) গ্রিয়ারসনগী মতুং ইন্নসু হুজিকসু হিন্দু লাইনিং চৎলিবা কোসশিং অসি মখোয়না মৰূ ওইনা রাজবংশীনি হায়না শক্তাকই (Grierson : 1903)।

রিজলীনসু কোস, পালিয়া অমসুং রাজবংশীশিংবু মীহৌরোলগী ওইনসু শাগৈহৌফম অমত্তনি হায়না পল্লি (Risely : 1981)। অসুম্না জে.এ. গী ৱারোলনসু অয়াবা পীরি মদুদি রংপুরগী (ঙসিগী বাংলাদেশ) রাজবংশীশিংসু কোস শাগৈদগী হৌখিবা অমসুং মংগোলয়ড কাঙলূপকী মনুং চল্লি। মখোয়গা দ্রাবিড়ী ঈগা ঈতিননৈ হায়না মহাক্লা খঞ্জে। তৌইগুম্বদি আর্যগী ঈদি মখোয়গী শিংলিদা চাওরাক্লা য়াওদে হায়বা য়াই। (J. A. Vass : 1911) থক্তা পঞ্জরিবা মাইচৌশিংগী মীহৌরোলগী ওইবা মশা-মশাগী মোত মতুং ইন্না কোসতগী রাজবংশীশিং অসি হৌখিবনি হায়বসিদা চিংন্নঙায় করিমত্তা লৈতে। অমরোমদনা মখোয়শিং অসি মংগোলয়ড কাঙলূপকী মীওইনি হায়বা অসি মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি।

লোন কাঙলোন থিজিন্ব ইরৈবাক-মীরৈবাক্কী অরিবা মাইচৌশিংগী ৱাফমদগী হৌজিক মতমগী মাইচৌশিংনা ৱারেপচৈ মদুদি কোসশিং অসি পাকশন্বা তিৰ্ব্বতবর্মী লোন কাঙলূপকী মীওইনি। মতুংগী মতমদা মখোয় অসিনা মশাগী অরিবা লোন-নাৎ থাদোক্তুনা আৰ্য লোন-নাৎতবু লৌখি। পুৱারী খঙহৈরবা মাইচৌশিংনা ইরম্বা ইতিহাসতগীসু মখোয় অসি তরাতরুকশুবা চহিচাগী ময়ায়গী শৰূক্তা কোস নিংথৌ বিশ্বসিংহগী লূচিংদা কোসশিংনা মখোয়গী য়াম্ন লিরবা লোন অমসুং লাইনিং-লাইশোনবু মপুংফানা থাদোক্তুনা রাজবংশী ওইখি অমসুং মপুং ওইনা য়ানশিন্নবা হিন্দুগুম লোন শীজিন্নবা হৌই (A. Biswas : 2005)।

থোকখ্রিবা থৌদোক অসি মৰূ ওইনা নোংচুপ অসম অমসুং অৱাং বংগদা থোকখিবনি। মদুগী মরম্না হৌজিক মতমগী নোংচুপ অসমদা হায়বদি ধুবুরী, বঙাইগাওঁ, গোৱালপারা, কোকরাঝার, চিরাংনচিংবা জিলাদা লোয়ননা অৱাং-বংগ, বিহারগী উত্তরাঞ্চলদা, নেপালগী ঝাপা, মুরোংনচিংবা মফমদা, অমসুং বাংলাদেশকী অরিবা রংপুর জিলাদা রাজবংশীনি হায়না শক্তাকচবা কোসশিংগী মশীংনা হেল্লি। মখোয়গী লোন-নাৎ শাগৈ শক্তাক্লচিংবা রাজবংশীনি হায়না পীরি।

লোন অমসুং নাৎ ঃ-

কোস রাজবংশীশিংগী লোনগী মরমদা ইরৈবাক অমসুং মীরৈবাক্কী মাইচৌ ময়াম্মনা নৈনরি। মখোয়গী মনুংদা মিংচৎ লৈরবা এব্রাহাম গ্রিয়ারসননি। মহাকপু ভারতকী লোনশিংগী অপোকপনি হায়না কৌই। ভারতকী

লোন মশীং থিবা লাইরিক (Lingnistic Survey of India) দা মহাক্না রাজবংশী লোনগী ৰাফম পল্লি। কোস রাজবংশীশিংগী মমারোল রাজবংশী লোনগী মশাগী লোনগী পুকৈ মীংহুৎ, মশাগী ওইজবা থৌতাক্কীশক্তম, ৰাহৈগী লৈতেং চিনবুং অমসুং অইবা লোয়নশিল্লোন খোম্থোকলোন, মশাগী ওইজবা ৰাহৈ পরেং শেম্নওংনচিংবা লৈজে। মরম অদুনা লোন অসি অতোপ-অতোপ্পা ভারতকী ওইবা আর্য লোনশিংদগী তোঙাল্লি অমসুং নীংতম শক্তম চেনবা লোননি।

কোস রাজবংশীশিংগী য়াম্না অরিবা তোপ-তোপ্পা মওংগী ঙক্ন ফজরবা নাৎ উবা ফংই। ভারতবর্ষদা আর্যশিংনা শেমখিবা বর্ণদা য়ুম্ফম ওইদুনা শেমখিবা খুন্নায় থৌরাংদগী কোস রাজবংশী শিং অসি শুপ্নগী তোঙাল্লি। মতমগী খোঙলৈদা মখোয় অসি থৌরাং অসিগী পরিংদা লাক্লবসু আর্য-ক্ষেত্রিয় হিন্দুশিংগী নাৎকা মখোয়গীগা করিমত্তা মান্নদে। বর্ণ হিন্দুগী চৎনবী লৌজরবসু কোস রাজবংশীগী মশাগী ওইজবা চৎনরোল, ঈরাৎ-থৌরম লাইনিং-লাইশোনদা থাজবা চীঞ্জাক ফিজেৎ-লৈতেং, ঈশৈ-নোংমায়নচিংবা লৈজে অমসুং পূন্নমক অসি মশাগী ওইবা মতীকত্ন শাফোংজে।

কোস রাজবংশীশিংগী পোকপা-শিবা, লূহোং-খোঙদোংবগী চৎন-পথাপ, শিরবগী তুংদা থৰায় মীরেন্না লৈবগী থাজবা, অশিবগীদমক শ্রার্দ্ধ-কর্ম, মখল-মখলগী ইন্দ্রজালগী ওইবা থৌরম, লাইশোন-তিনশোন থাজবা থৰায় পানববু শেম্বী শাবিরীবি লাইরেম্বী ইমাবু ঈরাৎপা, সনাখোংনাঙবু ইরাৎপা ইকাইখুন্নবা, শা-ষণবু ইরাৎনবা, মীওইবগী অনা-অয়েৎ, ফত্ত-ফৌদি থোক্লিবা থৌদোক পুম্বা ভূত-প্রেতনা থোকহল্লিবনি হায়বসি থাজনৈ, মখল-মখাগী অথিংবা-অরাক্তা নত্তনা চিঞ্জাক, চিক-শাবা পুযুণা (থৌনি-থৌরম) কাতিগজা হোলি, সড়ক পূজা, গাজন, মনসা, বিষহরি, শীতলা, মাসান কালিনচিংবা ইরাৎ-থৌরমনা হিন্দু খাইবোক নত্রগা মীওই ফুৰূপকী শক্তাক চেল্লি। মীয়ামগী ওইবা থৌরমদা লফোই, লফু-পাম্বী য়ুবি, ক্বা-পানা, অয়াম্বনচিংবা শীজিন্নবা থেংনৈ। লাইনিং-লাইশোনগী মায়কৈদা বর্ণ হিন্দুগী লাইরেম্বা অমসুং লাইরেম্বীবু ঈরাৎ-থৌনিবা, পুক্লিং শেংনা খুরমজবগা লোয়ননা মখোয়গী মশাগী ওইবা চৎন-পথাপ্ন বুঢ়া-বুঢ়ী, তিস্তাবুঢ়ী, হুদুম পূজা, গ্রাম পূজা, ধাম-পূজা মাশান, যখা, সোনারায়, কাতি ষ্টাইলনচিংবা ঈরাৎলি। লাইনিংগী ওইবা শেংদোকপগী মনুংদা আমাতি, যাত্রাপূজা, সড়ক পূজা, সত্য নারায়ণ ত্রিনাথনচিংবসি লৈ।

চিঞ্জাক্ ঃ- মখোয়না ছেকা, পেল্কা, ভেল্কা সিদল সুটকা টোপলাভাত-চিংবদা মশাগী ওইবা শক্তাক লৈজে। ফিজোলগী মনুংদা -- নুপীশিংগী পাটানী বুকুনী, ফোতা, ছেউতানি; লৈতেংগী মনুংদা খুৎকী - মুঠাসুর শাখা, বাজুখুজিনি; ঙক্তা শিনবগী মনুংদা - সূর্যহার, চন্দ্রহার, সিক্কাহার; নাদা - মাকিরি, অন্তি; নাতোন্দা -

নোলোক ফুল; খোঙদা - তোলা খোংজি অমসুং ফেলা খোঙজিনচিংবা মিচৎলৈ।

ঈশৈ-নোংমায়রোমদা কোস রাজবংশগী ভাওয়াইয়া ঈশৈ, তোঙান-তোঙান্ব, লাইশোন ঈশৈ, রাবান ঈশৈ, কুশান ঈশৈ, দোতোরা ঈশৈ বিষহরি থৌনি ঈশৈ, মারৈ থৌনি ঈশৈ, তুক্‌খা ঈশৈ, লাহাংকারী ঈশৈ, নটুয়া শাঙী ঢাক্কী ঈশৈ ডাক মীংখৈ, জ্যাগ ঈশৈনচিংবদা মসাগী ওইবা শক্তাক লৈনা শকই। অসুন্ন শুপ্না নৈনরগা য়েংলবদি মখোয়গী খুন্নায় অমসুং নাৎকী ওইবা পুন্সি লমদাংদা বৌদ্ধ, শৈৱ শাক্তগী ইথিলগী মথক্তা বর্ণ হিন্দুলোমদা পুক্নিং চিংশিল্লবগী মহয় ওইনা থায়নগী ওইবা ইথিল লোয়ননা শঙ্করী বৈষ্ণৱ অমসুং গৌড়গী ওইবা ইথিল তাবা উবা ফংই। অদুবু মখোয়গী নাৎতা অরিবা মীওই ফুরূপকী শক্তাক শেংনা ঙাল্লি হায়বসে উবা থেংনৈ।

মীয়ামগী লুচিংবা শরৎচন্দ্র সিংহ ঃ

ইং কুমজা ১৯১৪ গী জানুৱারীগী চৈচৎ ১ দা শরৎচন্দ্র সিংহ পোকখি। অপোকপগী মিংনা লালসিং সিংহ অমসুং অপোকপীগী মিংনা আয়াসিনিনি। শরৎচন্দ্র সিংহ অসমগী নীংতম মতুংগী লৈঙাকলোনদা থোয়দোক হেন্থোয়বা মীওই অমা ওইরম্মী। মহাক অশেংবা মীয়ামগী লুচিংবনি। মরম অদুনা মহাকপু মীয়ামগী লুচিংবা মীংথোন্ন ইকায়খুম্নখি। মহাক গান্ধীগী ফীদমবু থৱায় হকচাং য়াওনা চৎখিবা মীশক্নি। মহাক মতীক য়াম্ন লৈবা মীওই অমা ওইরম্মী। মীয়ামগী য়াইফা থৌরম পাঙথোকপতনা পুন্সিগী ৰাশক ওইরম্মী। শেঞ্জা-থুমচা লৈতবা অসম অমা শেম্বগী মঙখিবা মঙলান অদুগী অংশেবা শক্তম অমা পীন্নবা অরোই মিকুপ ফাওবা হোৎনজখি। মহাক্না ইং কুমজা ১৯৭২ দগী ১৯৭৮ ফাওবা অসমগী মুখ্যমন্ত্রীগী থৌ পুখি। ইং কুমজা ১৯৪৬ দগী ১৯৫২ ফাওবা, ইং কুমজা ১৯৬২ দগী ১৯৬৭ ফাওবা, ইং কুমজা ১৯৭২ দগী ১৯৭৮ ফাওভা অমসুং ইং কুমজা ১৯৭৮ দগী ১৯৮২ ফাওবা অসম বিধান সভাগী এম.এল.এ. ওইনা খনখি। মহাক্না অসমগী মুখ্যমন্ত্রী ওইরিঙৈগী মতমদা চাউখৎলমদাংগী থবক কয়ামরোম পায়খৎখি। মহাক্না লৌউ-শিংউগী পোৎথোক হেনগৎহন্ব, লৌমী চাউখৎ থৌরম, লাইরবা কোকহন্ব অমসুং শেঞ্জা-থুমজা লৈতবা খুঙ্গংগী শেনমিৎলোন চাউখৎ থৌরম অমসুং পাকশনদোকহনবগী ফিদম মাঙদা থমদুনা মরূ ওইবা পায়খৎ-থৌরাং পায়খৎখি। মহাক্কী মরূ ওইবা পায়খৎ থৌরাং অদুশিংদি -- ১) অয়াং মতমগী খোঙ্গংথাগী লৌউ-শিংউ, ২) গাওঁ পঞ্চায়ত সমবায় সমিতি ৩) কৃষি নিগম ৪) আকলন পত্র পায়খৎ-থৌরাং ৫) তদারক কোষ পায়খৎ থৌরাং ৬) পঞ্চায়তী রাজ ৭) শিলংদগী দিশপুরদা মতম খরগীদমক কোনুং হোংহলকপা ৮) চান্ন-চীঞ্জাক্ত সরকারগী ওইবা লল্লোন-ইতিক

অমসুং ৯) মহৈ-শঙগী ওইবা অহোংবা পুরকপগী পায়খৎ থৌরাংনি।

লূচিংবা অসিনা ইং কুমজা ২০০৫ গী ডিসেম্বরগী চৈচৎ ২৪ দা মশাগী চহি মতাং ৯৩ শুবদা নোঙ্গাখী।

অম্বিকাচরণ চৌধুরী ঃ-

অম্বিকাচরণ চৌধুরী ইং কুমজা ১৯৩০ গী আগষ্টকী নোংশিং ১৬ তা বঙাইগাওঁ জিলাগী মনুংচন্ন লৈবা বরপারা কৌবা খুঙ্গংদা অম্বিকাচরণ চৌধুরী পোকখি। মহাক্কী মপাবুংগী মমিংনা নরেশ্বর চৌধুরী অমসুং অপোকপী মমাগী মমিংনা কাশীশ্বরী চৌধুরী কৌরম্মী। মরৌশিং লৈবা চৌধুরীনা পীক্লিঙৈদগ শেনগী অৰা-অনাগী মরক্তা বঙাইগাওঁ এল.পি. স্কুলদগী অহান্ব থাক্কী হাইস্কুলগী মহৈ লোইদুনা গুৱাহাটী কটন কোলেজদগী ইং কুমজা ১৯৫৫ দা দর্শনদা বি.এ. পাশ তৌখি। মতুংগী মতমদা শিলংদা থবক তৌদুনা লৈরিঙৈগী মতমদা বি.টি. পাশ তৌই। এম. এ. অমসুং বি.এল. (ঙসিগী এল.এল.বি) তন্নবগীদমক গুৱাহাটী ইউনিভারসিটিদা মিং চন্নগসু শেনগী খুদোং চাদবনা মরম ওইদুনা থবক তৌবা তাখিবনা থক্কী ডিগ্ৰী অসি মপুং ফাবা ঙমখিদে।

অম্বিকাচরণ চৌধুরীনা শিরমদাই মমাঙ ফাওবা অপিকপা অমসুং অচৌবা চাওরাক্ল পুৰারীগী লাইরিক ৩২ খক নাৎ অমসুং নৈনরোলগী ওইবা হীরমগী লাইরিকসু ইখি। ইংরাজী, অসমীয়া অমসুং রাজবংশী লোন অহুমক্তা মহাক্কী খুৎ চপ-মান্নরা লৈরম্মী। ইংরাজী অমসং অসমীয়া লোন্দা তোঙান-তোঙান্ব হীরমগী চাওরাক্ল চান্মদগীসু হেন্না ৱারেং লাইরিকসু ইখিরম্মী।

ইং কুমজা ১৯৬১ দা অসম সাহিত্য সভাগী গোৱালপারা মীফমলেন্দা অম্বিকাচরণ চৌধুরীনা “রত্নপীঠকী রত্ন” মিংথোন্ন লৈতেংখি।

ইং কুমজা ১৯৯২ দা অৰাং-বঙ্গগী সাংস্কৃতিক সংস্থাগী মায়কৈদগী “কমতারত্ন” মিংথোন পীখি। ইং কুমজা ১৯৯৪ দা মহাক্ল সাহিত্যিক পেন্সন ফংখি। ইং কুমজা ২০০৩ দা মহাক্ল নিউ দিল্লী পেন্দ্রি সংঘগী মায়গৈদগী মহেন্দ্র নাথ বরা মানা ফংখি। প্ৰাথমিক শিক্ষক সংস্থাগী মায়কৈদগী মহাক্লা “শিক্ষকবান্ধৱ” মিংথোনসু ফংখি। অসিতসু নত্তনা হিংলিঙৈদা বঙাইগাওঁ জিলা সাহিত্য সভা, বরপেটা সাহিত্য সভা, তোঙান-তোঙান্ব মশা সাহিত্য, অসম প্রকাশন পরিষদ, ভারত বিকাশ পরিষদ, জিলা প্ৰশাসন, বঙাইগাওঁ নৰ্মাল স্কুলগা মরী লৈনবা লোয়শঙনচিংবা লূপকী মতেংনা থোয়দোক হেন্দোকপা ইকায় খুন্নবা উৎখি।

অরুন কুমার রয় ঃ-

অরুণ কুমার ইং কুমজা ১৯২৫ গী অক্টোবরগী চৈচৎ ৮ দা পোকখি। মহাক্কী অপোকপগী মমিং প্রকাশ চন্দ্র রয় অমসুং অপোকপীগী মমিংনা অভয়েশ্বরী রয়নি। চিরাং জিলাগী বেংতল এল.পি. স্কুলদা অহান্ব থাক্কী মহৈ তম্ব লোইদুনা বহলপুর হাইস্কুলদা মিং চল্লি। মদুদগী অমুক বঙাইগাওঁ বীরঝরা হাইস্কুলদা এন্ট্রেস ফাওবা তমদুনা মতুংদা কলাগুরু বিষ্ণু প্রসাদ রাভাগী নাক্ত লাক্তুনা আর.চি.পি.আই দা শরূক য়াখি। লেফট্ ফোর্ন্ট ফীদম শন্দোকপগীদমক ফাদোক তাখি। ইং কুমজা ১৯৬৪ দা মহাক্না লৌমীগী ইহৌদা হকথেংননা মরী থমখি। হোমগার্ড ডিপার্টমেন্টদা খরনি থবক তৌরগা বেংতল এম.ভি. স্কুলদা ওঝাগী থবক তৌখি। ইং কুমজা ১৯৭৪-৭৫ দা মহাক্ল কোকরাঝার মহকুমা পরিষদকী সভাপতিগী থৌদাং লৌখি। ইং কুমজা ১৯৮৩ দা মহাক্ল অৰাং শালমারা মহকুমা পরিষদকী সভাপতিসু ওইখি। খরনি ঙাকশেন-লূপকী ল'ৰার আসামগী মরী থম্ন থবক্কী-থৌদাং পুদুনা ইং কুমজা ১৯৯৩ দা কোস রাজবংশী সাহিত্য সভা শেম্বদা মাংজিন থাবা থৌদাং লৌখি। ইং কুমজা ১৯৯৯ দগী ২০১৫ ফাওবা কোস রাজবংশী শাগৈ ফুরূপকী লোন-লোয়নশিল্লোন নাৎ চাউখৎনবগীদমক অরেপ্পা নাইদনা হোৎনখি। মহাক্ল রাজবংশী লোন্দা নাৎকী ওইবা লাইরিক কয়া ইবতা নত্তনা নাটক, শৈরেং অমসুং লোনগৈ ইখি। মহাক শুপ্পগী লাইরিক ১০ খক ইরম্মী। ইং কুমজা ২০০৪ দা অসম সরকারদগী মতম অমগী ওইবা সাহিত্যিক শেনফম ফংখি। ইং কুমজা ২০১৩ দা অসম সরকারগী সাংস্কৃতিক সঞ্চালয়না শিল্লাংবা গুরু-শিষ্য পরম্পরা থৌরাংগী মখাদা 'লোক-সংস্কৃতিগী গুরু' ওইনা শক্তাকখি অমসুং ইকায়খুম্নবা উৎপা ফংবা ঙমজখি। ইং কুমজা ২০১৩ দা জিলা ছাত্র সন্থাগী মায়কৈদগী কমতা রত্ন অম্বিকাচরণ চৌধুরী থাগৎ-চে মনা ফংখি। কোস রাজবংশী মীওই ফুরূপ অমদি মখোয়গী লোন-লোয়নশিল্লোনগীদমক পীবা খুদোল শক্তাক ওইনা কোস রাজবংশী সাহিত্য সভানা শির মতুংগী ওইবা "সাহিত্য রত্ন" সন্মান ইং কুমজা ২০১৬ দা পীখি।

রুক্মিণী কান্ত রায় ঃ-

কোস রাজবংশী সম্প্রদায়গী নোংচুপ আসামগী মীচৎ লৈরবা বুদ্ধিজীবি, শিক্ষাবিদ, রাজনীতিবিদ, সমাজসেৱী অসমুং হাস্যরসিক মীওই অমা ওইনা রুক্মিণী কান্ত রায়গী মিংচৎ লৈনা খঙনৈ। মহাক অনেম্বা থাক্কী ইমুং অমদা পোকখি। ইউনিভারসিটিগী অৰাংবা থাক্কী মহৈ লৌদুনা পুন্সি মহয় য়ানহন্বা ঙমজখি। মহাক্কী মহৈগী ওইবা, খুন্নায় অমসুং নাৎকী ওইবা, লৈঙাকলোন অমসুং ধর্মগী ওইবনচিংবা পুন্সিগী মায়কৈ খুদিংমক্তা খুন্নায়গীদমক ফিদম্নঙাইনি।

চমজবা ছাত্র অমগুন্না খুঙ্গংগী মহৈ-শঙ অমদা পুন্সি হৌজদুনা মশাগী হেনথোয়রবা লৌশিংগী মতেংতনা মহাক্না গুৱাহাটী ইউনিভারসিটিদগী অর্থনীতিদা অহান্ব থাক্কী অনিশুবা ফম লৌদুনা এম দা মায়পাক্কুনা আসামগী হেনথোইবা লৌশিং চেন্বা মহৈরোয় অমনি হায়না মীয়ামগী মীৎয়েং তাফম ওইখি। মশাগী সম্প্রদায় অমসুং নোংচুপ আসামগী হেনথোয়বা লৌশিং চাউবা মীওই অমা ওইনা রুক্মিণী কান্ত রায় অফাওবা হায়বদো ওইখি। খুন্নায় অমসুং নাৎকী ওইবা পুন্সিদা মহাক্ন মমালোন রাজবংশী লোনবু শীজিন্নবা অসি য়াম্ন পামজখি। মহাক্ন মমালোন্দা অয়াম্ব ৰাফোং পীদুনা মীয়ামগী থম্মোয়বু শুমহৎচবা ঙমজখি।

মহাক্ন খুন্নায় চাউখৎনবগীদমক অয়াম্ব মশীংগী মহৈ-শঙ, কোলেজ, লাইশংনচিংবা লিংখৎপদা মাংজিন থানা লৌখি। লৈঙাকলোনগী ওইবা পুন্সিগী মতাংদা মহাক্ন জিলা থাক্তগী রাজ্যগী ওইবা থাক ফাওবা চৎখৎতুনা কেন্দ্রগী ওইবা থাক ফাওবদা লূচিংবা অমগী মীৎয়েং তাহনবা ঙমখি। চন্নবা কেরাণীগী থবক্তগী কোলেজগী প্রোফেসার, প্রিন্সিপাল অমদি এম.এল.এ. থাক ফাওবা কাখি। অফবা ফুটবল শান্নরোয় অমা ওইনা মিংচৎ তানবগী মথক্তসু পুন্সিগী অরোয়বা চহি মতাংদা হৈ-শিংবা ধর্মগী ৰাফোংলোয় অমা ওইনা মিংচৎ থমজবা ঙমখি। কৃষ্ণানন্দ ব্রহ্মচারীগা মতম শাংনা লেনমিন্নদুনা ধর্মগী ওইবা ৰাঙুলোন চেন্বা ৰারেংসু ইখি।

নীংতম লান্মী "থৌনা লৈবা" পানীরাম দাস ঃ-

পুন্সি চুপ্পা খদ্দরগী ঙোরোক-ঙৌবা পুময়াৎ-ফৈজোম শেৎপা মতমগী ঈচেলদা খোঙ্গুল মুৎপা লৈরোইরদ্রবা মরমদম নুংশিবগী ফীদমদা অরেপ্পা লৈতনা লাম্হেংনখিবা সমাজ কর্মী, নীংতম লান্মী পানীরাম দাস ইং কুমজা ১৯১৭ গী এপ্রিলগী চৈচৎ ৭ তা মঙ্গলদৈ সার্কোলগী মনুং চন্ন লৈবা জলজলী খুঙ্গগী চন্নবা লৌমী ইমুং অমদা পোকখি। ইং কুমজা ১৯৩৪ দা পাথরিঘাট এম. ই. স্কুলদগী মিংচৎ লৈনা তরেৎশুবা থাক্কী চাংয়েং মায়পাক্কুনা মঙ্গলদৈ হাইস্কুলদা মিং চনখি। মতুংদা ইং কুমজা ১৯৩৭ তা কলিকতাদগী মিংচৎ লৈনা অহান্ব থাক্ত মায়পাক্কুনা মহাত্ম গান্ধীগী লুচিং মখাদা লৈপাক শিন্থুংনা চৎথরিবা নীংতম ইহৌদা শরূক য়াখি। ইং কুমজা ১৯৩৮ দা কোংগ্রেসতা শরূক য়াদুনা ইং কুমজা ১৯৪১ দা মহাক্না গান্ধীগী সত্যাগ্রহ শরূক য়ারুবনা ফাদোক তাখি। মহাক্ন মরৈবাক চাউখৎনবগীদমক হোৎনবা য়াবা হোৎনখি। ইং কুমজা ২০০৫ দা ভারতকী হেন্দোক থোয়দোক্ন ইকায় খুম্নঙায় ওইরবা রাষ্ট্রপতি ড° এ.পি.জে. আব্দুল কালামনা হায়রিবা নীংতম লান্মী অসিবু রাষ্ট্রগী ওইবা সন্মান পীদুনা ইকায়খুম্নখি। চহিচা অসিদা ভারতকী ওইবা লান্মী তেঙ্গোলদা পুৱারীগী ওইবা পথরউঘাটতা পাংথোকখিবা "কৃষক শ্বহীদ দিৱস"তা মহাকপু "খাদী শেৎপা লাঞ্জিং পুরেন" (খাদী

পরিহিত সেন্যধক্ষ্য) মিংথোন্ন মীংথোনখি।

শেংনা লৌশিং চাউবা লাক্লঙমদ্রবা থৌনা লৈবা নীংতম লাম্মী অসি ইং কুমজা ২০১০ গী নভেম্বরগী চৈচৎ ৩০ দা নোংগাখী। মরমদমগীদমক কৎথোক্লম্বা য়াইফা থৌরমগী শক্তাক্কী খুদম ওইনা ইণ্ডিয়ান আর্মিগী নং ৬৫ ফিল্ড রেজিমেন্টনা লাম্মীগী ওইবা চৎনবী মতুং ইন্না অরোইবা ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা অসম পুলিশনসু নোংমৈ টোপ কাপ্পুনা অরোইবা ইকায়খুম্নখি।

ৱাহং পরেং ঃ-

১। কোস রাজবংশী করম্বা ধর্মগী মীওইনো?

২। কোস রাজবংশীগী লোন অমসুং নাৎকী মরমদা ইয়ু।

৩। কোস রাজবংশীগি চীঞ্জাক অমসুং ফিজোলগী মরমদা ইয়ু।

৪। কোস রাজবংশীগী ঈশৈ-নোংমায়শিংদু করি করিনো?

৫। শন্না ইয়ু ঃ-

ক) মীয়ামগী লুচিংবা শরৎচন্দ্র সিংহ

খ) অম্বিকাচরণ চৌধুরী

গ) অরুন কুমার রায়

ঘ) রুক্মিণী কান্ত রায়

ঙ) তরুণ পানীরাম দাস

*************

# গরিয়া, মরিয়া অমসুং দেশী

আসাম তোঙান-তোহান্ব শাগৈফুরূপকী লৈফমনি মীওই । তোঙান্ব-তোঙান্ব জাতি কাঙলূপ পুন্দুনা পাকচাওরবা আসামীয়া জাতি অসি ওইরিবনি। অতোপ-অতোপ্পা য়েলহৌ মীওই কাঙলূপকুন্না অপুন্বা আসামীয়া জাতি শেম্বগী থৌওংদা শরূক য়ারিবা গরিয়া, মরিয়া দেশীনি হায়না পুৰারীনা শকখঙনরিব ইছলাম ধৰ্ম্মগী য়েলহৌমীশিংসু আসামগী অরিবা মীওই কাঙলূপশিংগী মনুং চল্লিবনি। আসামদা মীওই মীওকাঙলূপ অসিগী মীহৌরোল মরূ ওইরবা থৌদোক অমনি। ইংকুমজা ১২০৫-০৬ দা তি□বত-চীন মায়থীবা পীগে হায়বগী পুক্লিং ৰাখলদা বংগগী তুর্কী লানজিংপুরেন বখতিয়ার খিলিজীগী লুচিং মখাদা কামরূপতা চংলকখিবা মুসলমান লান্মীশিং কামরূপকী নিংথৌ পৃথুগী মখুৎতা থীনা মায়থিরবদা লাকখিবা লান্মী খরদি আসামদা লৈহোই হায়না হায়নৈ। পনবয়াবদি বখতিয়ার খিলিজবু লমজিংদুনা লাকমিন্নখিবা "আলি মেচ" কৌবা মীওই অসি ইসলাম ধৰ্মদা লাইমিং ওন্থোকপীরবা শোৎথা মীওই কাঙলূপকী নিংথৌ অমনি। পুৰারীদা মহাকপু ইহান-হানবা ইসলাম ধৰ্ম্মদা লাইমীং ওন্থোকখিবা শোৎথা মীওই কাঙলুপকী নিংথৌনি হায়না খঙনৈ। অদুনা নিংথৌগা লোয়ননা মীচম প্রজা অয়াম্বসু ইসলাম ধৰ্ম্ম ওনবা হায়বসে মহৌশানি। কন-কনাগুম্বা ইতিহাস খঙহৈবশিংগী মতুংইন্না অমুকসু তরেৎশুবা শতিকাদনা আসামদা ইসলাম ধৰ্ম লাকখিবসি তুরস্□গী নিংথৌ সৌষ্টৰ হাসান্ন চীন মায়থীবা পীদুনা হল্লকপগী লম্বেলদা চিথহৌবা মহাৰ□ী লান্মী খরদগী ওইখিবনি। (মরি-মখোঙ "ইসলামীয় ঐতিহ্য আরু অসম" — রফিউল হুছেইন বৰুৱা। ৰাফম অসি অমবু অমা ওইরবসু ৭ শুবা শতিকা নত্রগা ১৩ শুবা শতিকাদা ওইরবসু আসামদা অসুন্না তোঙান-তোহান্ব মতমদা লাক্কুনা লৈহৌবা লানফশিংগা লুহোং নবা মরীদগী হৌদুনা তোৎন-তিন্নবা অমসুং তৌঙান-তোঙান্ব মতমদা ধৰ্ম শন্দোকপা লাকখিবা পীর-লাইনিংবশিংগী অথোইবা ৰাখল্লোনগী চৈথেংদা মহৌশাবু লাইনিং লাইশোনজবা অমসুং হিন্দু লাইনিং চৎপা য়েলহৌ মীওইশিংগী থম্মোয়দা ইসলাম ধৰ্ম্মগী মমি য়াম্না লুনা তাখিবনা মরা শন্দোকপা হৌখি। মরম অদুনা মশানা থাজবা নত্রগা করিগুম্বা ফীভম চাদবা অমনা ওইরবসু য়েলহৌ মীশিং অসিনা ইসলাম ধৰ্ম লৌবা হৌখি। তৌইগুম্বদি ইসলাম ধৰ্ম লৌজরবসু মীওইশিং অসিনা মশাগী ওইজবা অরিবা চৎন-নাৎতি থাদোকখিদে। মহয় ওইনা মতুং তারকপদা ধৰ্ম ওন্থোক্লবা মীওইশিং অসিগী মরক্তা লানফানি হায়না খঙনরবা মশীং আরিকপা মীওইশিং অসি মশাগী শক্তাক পুন্বা থাদোক্কুনা আসামগী য়েলহৌ লোন চৎনবী নাৎতা পুন্সি চুপ্পগী

ওইনা কৎথোকখি। অদুদগী হেল্লদুনা ধর্ম শন্দোকপা লাকখিবা মুসলমান পীর লাইনিংবা ফাওবা য়েলহৌ মীশিংগী ৱাখল্লোন খঙলদুনা ধর্ম্মগী ওইবা লাইৱা-পাওতাক ফাওবা য়েলহৌ লোন-নাৎ অমসুং হিন্দু ধর্ম্মগী ওইবা ৱাহৈশিংগা মরী থমদুনা শন্দোকচখি। আসামীয়া লোন-লোনশিংল্লোনগী পুকৈদা চাওনা খুদোল পীরম্বা মীংচৎ লৈরকবা পীর হজরত আজান ফকীরনা ইরম্বা জিকিরশিং মদুগী অহিংবা খুদমনি। পনবা য়াবদি অসুম্না লাইমীং ওনখিবা য়েলহৌ মীওইশিং অসি অহৌবদা মরূ ওইবা খুন্নাইদগী চিথহৌরবা খুন্নাইদুগী মনুংচন্দুনা ইসলাম ধর্ম লৌখি। মীওইশিং অসিবু গরীয়া নত্রগা রগিয়ানি হায়না খঙনখি। তৌবগিদি গরিয়া ৱাহৈগী ৱাহন্থোক□ী হৌফমগী মরীদা অতৈ  হায়নবা কয়া লৈজরবসু গরিয়শিংগী শকওং, লোক-সংস্□ৃতি, চৎনবী অমসুং মীহৌরোলনচিংবগী মায়কৈরোমদগী থক্তা পনখিরিবা মতবাদসিদা চান্নবা লৈ হায়বসি চাওরাক্ল খন্নবা যাই। অমরোমদা আহোমনা পাল্লিডৈগী মতমদা পিথ্রাই-শেংজেংগা মরী লৈনবা ইসলাম ধর্মগী মীওইশিংবু মরিয়ানি হায়না খঙনৈ।

থক থোংবা অসমগী মফম খর, নগাওঁ জিলা, মখা থংবা মরিয়াশিংগী লৈফম থকথোংবা আসামগী মফম খরা, নগাওঁ জিলা, অমসুং মখা আসামগী গুৱাহাটীগী উজান বজার অমসুং হাজোদা লৈবা থেংনৈ। দেশীশিংদি মরূ ওইনা খাইদোক্তরীবা গোৱালপারা জিলাগী খুন্দারোয়নি। খাইদোক্তরীবা গোৱালপারা কোচ-রাজবংশী লোন-নাৎচেনবা ইসলাম লাইনিং চৎপা য়েলহৌমীবু দেশী মুসলমাননি হায়না খঙনৈ। দেশীশিং অসি মরূ ওইনা কোচ রাজবংশী, মেছ কছারীনচিংবা য়েলহৌমীশিং দগী ওনখিবনি।

**আসামগী জাতিগী ওইবা স্বার্থদা গরিয়া-মরিয়াশিংগী খুদোল ঃ** আসামদা ইসলাম ধর্ম হৌদোকরকখিবসি ইংকুমজা ১২০৬ দা অমসুং আহোম লৈঙাক□ী মতমনা হৌদোকরকখিবসিনা  ইংকুমজা ১২২৮ দানি। হায়রিবা আহোম লৈঙাক□ী মতমসিদা মোমাই তামুলী বরবরুৱাদেৱনা কোচকী য়ুম ২, ব্রাহ্মনগী য়ুম ২, কলিতাগী য়ুম ২ গা লোয়ননা গরিয়াগী য়ুম ২, মরিয়াগী য়ুম ২ পুনশিন্দুনা পাক চাওবা আসামীয়া খুন্নাই অমা শেম্বগী খুদম অমা শেমগৎখি। (মরী-মখোঙ ঃ ড. সূর্যকুমার ভূঞানা সম্পাদনা তৌবা দেওধেই অসম বুরঞ্জী পৃঃ ৯৫) । মরম অদুনা ৱাফম অসি লায়না  খঙদোকপা যাই মদুদি পাথাং-পুথাং তরেৎগী ওইবা ধর্মদা মীচং নাইদবা সমাজ অমসুং সংস্□ৃতিনা মপুং ফারবা আসামীয়া জাতি অমা শেম্বগী থৌরাংদা গরিয়া, মরিয়া দেশীশিং হায়রিবা মীওইশিং অসি মরমদমগী স্বার্থদা থৱায় হকচাং কৎথোকচবগী মথক্তা আসামগী শিনশালোন কলা, সাহিত্য সংস্□ৃতি নচিংবা মায়কৈ খুদিংমক্তা আহোন্না পল্লিডৈদগী ঙসি ফাওবা খুদোল তমদুনা লাক্লি। মখোয় মরুক্তগী

শক্লাইবা মীওই খরগী ওইনা ।

**বাঘ হাজরিকা ঃ** অশেংবা মীংদি ইসমাইল সিদ্দিক্□ীনি। কৈগা লান্থেংনদুনা মায়থীবা পীবাঙম্বা মপাঙ্গলগী দমক কৈ (বাঘ) হায়বা মিং অসি ফংজবা ঙমকি। নিংহন্বা লৈত্রবা থৌনা অমসুং থৌরম খুদিংমক্তা হৈনশিংবগীদমক আহোম নিংথৌনা পাল্লিঙৈ মতমদা হাজরীকা হায়রিবা ফম অসি ফংখি। শরাইঘাটকী লানফমদা লাচিত বরফুকনগী ঙাকলোয় লাঞ্জিংপুরেন ওইনা অকন্ব-থৌনাগা লোয়ননা মোগলগী মায়োক্তা লান্থেংনখি ।

**আজান ফকীর সাহাব ঃ** শেংলবা ইসলাম ধর্মগী লাইনিং পাওতাক পাওজেলবু অচম্ব অরাইবা লোন্দা মীয়ামদা শন্দোক্লম্বা ধর্ম গুরুশিংগীমনুংদা আজান ফকীরসু অমনি। আজান ফকীরগী অতোপ্পা মমিং অমনা শ্বাহ মিলননি। আজান ফকীর সাহাব লাপ্লবা বাগদাদতগী ইসলাম ধর্ম শন্দোক্লবা কোয়না লাকপদা আসামদা লৈবা হৌখিবনি হায়না হায়নৈ। তৌইগুম্বদি মহাক্লাইবা জিকির অম-অনিদা আজান্না অসুন্না হায়বা থেংনৈ। লম্বোইবা আজান্না হায়রি পরদেশ লাকখিবনি, মখারোমদগী লাকখিবনি মকোয় পোকঙৌবা সাহাব" (লাংচুপ) দগী লাকপনি মকোয় পোকহৌবা সাহাবনি, ৰাহৈ পরেং অসিদা পরদেশ অমসুং মখা হায়বা ৰাহৈসিনা মহাক আসামগী নোংচুপ কামরূপতগনি গোৱালপারানিচংবা মফমদগী লাকপনিসু হায়না খঙনবসু য়াই। আজান পীর নত্রগা শ্বাহ মিলনগী মিংদা চৎনরা জিকির ১৬০ আসাম লোনগী মমল য়াম্লবা লননি। জিকিরশিং অসি ইখিবগী মরম কন-কনাগুম্বগী মতুংইন্না খৃঃগী ১৬৩৪ দনি অমসুং কনা-কনাগুম্বগী মতুংইন্নামুক খৃঃগী ১৭৩৪ দনি। ইনিংথৌ গদাধর সিংহগী মতমদা রূপাই গরীয়া দা-ধরা কৌবা (ইসলাম ধর্ম্মগী) অঙম্বা অমগী খুজিন-থৌরাংদা তাদুনা নিংথৌনা মহাক্□ী মমিৎ লৌথোক্লবসু মতুংতাবদা নিংথৌনা মশাগী মরাল খঙলদুনা মহাকপু সরাগুরি চাপরিদা লম অমসুং হিংনবগী পাম্বৈ পীদুনা লেংদনা লৈহনখি। মফমদুদা মহাক নোংগাখী। মহাক্ন নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক অমসুং নুমিদাং মছজিদতা আজোন লাওবগীদমক মীয়াম্ন মহাকপু আজান ফকীর হায়না কৌখি।

**বাহাদুর গাওবুঢ়া ঃ** বাহাদুর গাওঁবুঢ়াবু নীংতম লান্মী অমনি হায়না খঙনৈ। মহাক বকতারদগী হোংখিদুনা যোরহাটতা খুনলিংখি।

ইংকুমজা ১৮৫৭গী সিপাই লালহৌগী মতেংনা হৌবা ভারতকী নীংতম ইহৌদা মনিরাম দিৱান, পিয়লি বরুৱা নচিংবগ লোয়নদুনা বাহাদুর (বাহদিল) গী থৌদাং লুনা লৌবা য়াই। ইংৰাজকী মায়োক্তা লালহৌবগী মরালদা কমিশ্বোনার সি হলরোইডরগী ৰায়েল মতুংইন্না বাহাদুর গাওবুঢ়াবু কালাপানিদা পুন্সিচুপ্পগী ওইনা থাখি।

সৈয়দ আব্দুল মালিক ঃ গোলাঘাট জিলাগী নাহরনি খুঙ্গংদা সৈয়দ শাগৈদা ইংকুমজা ১৯১৯ কী মেগী চৈচৎ ১৬ তা আব্দুল মালিক পোকখি। মপাবুংগী মিংনা সৈয়দ রহম্মদ আলিনি। মহাক মিংচৎ লৈরবা সাহিত্যিক অমনি। ইংকুমজা ১৯৩৫ দা “বন্ধ কৌঠা” কৌবা ৱারী লাইৰিক অমা ফোংলবা মতুংদগী শিব ফাওবা ইরম্বা ৱারী উপন্যাস, নাটক, শৈরেং লাইরিকশিংনা আসামগী সাহিত্য লৈকোনবু চাওখৎ হনখি। মহাক্ন ইংকুমজা ১৯৫৪ দগী ইংকুমজা ১৯৫৬ ফাওবা গুৱাহাটী ইউনিভারসিটিগী লোক-সংস্□ৃতি বিভাগকী রিসার্স পায়খৎথৌরাংগী মখাদা আসামগী জিকির অমসুং জারিগী হীরমবু নৈনৈ।

ইংকুমজা ১৯৫৬-৫৭ দা এসিয়ান রাইটার্স কোনফারেন্সতা মহাক ভারতকী মীহুৎ ওইন শরূক থাখি। ইং কুমজা ১৯৭৭ দা আসাম সাহিত্য সভাগী অভয়াপুরী অধিবেশনদা মীফম মপু ওইনা লৈতেংখি। ইংকুমজা ১৯৫২-৫৫ দা মহাক ভারতীয় গণনাট্য সংঘগী ভাইস প্রেসিডেন্টগী ফম পুদুনা থৌ পাংথোকখি। “অঘরী আত্মার কাহিনী” (য়ুমলিংদবা থম্মোয়গী ৱারী) কৌবা উপন্যাস অদুগীদমক মহাক সাহিত্য একাডেমী এৱার্ড ফংখি। ইংকুমজা ১৯৯৭ দা আসাম সাহিত্য সভানা মহাকপু সাহিত্যচার্য মিংথোন পীখি। ইংকুমজা ১৯৯২ দা অসম উপত্যকা বঁটা (Assam Vally Award) ইংকুমজা ১৯৯৩ দা আজান ফকীর বঁটা (Aajan Fakir Award) ইংকুমজা ১৯৮৮ দা হামনী বটাঁ ইংকুমজা ১৯৯৫ দা মহাপুৰুষ শঙ্করদেৱকী মথক্তা ইবা “ধন্য নর তনু ভাল” কৌবা উপন্যাসগীদমক সঙ্কর দেব এৱার্ড ফংখি। ইংকুমজা ১৯৯৯ সাহিত্য একাডেমী ফেলশ্বিপ মনা ফংগি ভারত সরকারনা ইংকুমজা ১৯৮৪ দা পদ্মশ্রী অমসুং ১৯৯২ দা পদ্মশ্রী অমসুং ১৯৯২ দা পদ্মভূষন মিংথোন্ন লৈতেংখি। মতীক ময়ায়তনা মথোইরবা সাহিত্যিক অসি ইংকুমজা ২০০২ গী ডিসেম্বরগী চৈচৎ ১৯ দা পুন্সি খমখি।

**নৱাব সেহিদুর রহমান** ঃ সুভাষ চন্দ্র বসুগী লুচিংমখদা শেমখিবা আজাদ হিন্দ ফৌজকী লুচিংবা অমনি। ভারতকী নীংতম লান্দা আসামগী মীওই অসিনা আজাদ হিন্দ ফৌজকী অহানবা আসামীয়া শ্বহীদনি। অনিশুবা মালেম লাঞ্জাওগী মতমদা মিত্র বাহিনীনা থাদবা বোমদা ইংকুমজা ১৯৪৫ গী মার্চকী চৈচৎ ৩১ দা থৱায় থাখি।

ফখরুদ্দিন আলি আহমেদ, ফখরুদ্দিন আলি আহমেদনা ইংকুমজা ১৯০৫ গী মেগী চৈচৎ ১৩ দা দিল্লীদা পোকখি। মহাক্ন ইংকুমজা ১৯২৭ দা কেমব্রিজ সেণ্ট কেথলিক কোলেজগী বুরঞ্জীদা বি. এ. পাশ তৌরগা অমসুং লণ্ডনগী ইনার টেম্পলদগী বার-এট্-ল মিংথোন লৌদুনা ইংকুমজা ১৯৩১ দা আসামদা লাক্কুনা

উকিলগী থবক তৌবগা লোয়ননা রাজনীতিদসু শরূক য়াখি। ইংকুমজা ১৯৬৬ দা লোকসভাগী মীখলদা মীহুৎ অমা ওইনা খন্নদুনা কেন্দ্রগী মন্□ী ফংখি। ইংকুমজা ১৯৭৪ দা মহাকপু ভারতকী রাষ্ট্রপতি ওইনা খন্নখি। ইংকুমজা ১৯৭৭গী ফেব্রুৱারীগী চৈচৎ ১৯দা হার্টকী অনবনা মরম ওইদুনা মহাক তাইবং থাদোকখি।

## ৱাহং পরেং ঃ

১। অসমীয়া জাতি হায়রগা করিবু খঙই ? শন্দোক্ল ইয়ু।

২। বখতিয়ার খিলিজিনা করিগীদমক আসামদা চংলকখি ?

৩। বখতিয়াৰ খিলিজিনা করিগীদমক আসামদা চংলকখিবনো ?

৪। বখতিয়াৰ খিলিজি কনাগী মখুৎতা মায়থিখি ?

৫। ইসলাম ধর্ম্মদা ধর্ম হোংলকখিবা অহান্ব শোৎথা মীওইকাঙলুপকী নিংথৌ অদুগী মমিং করিনো ?

৬। গরিয়া ৱাহৈগী ৱাহন্থোক নৈনৌ। আসামদা কনাবু গরিয়া হায়না হায়নবগে ?

৭। আহোম নিংথৌগী লৈঙাক মতম ফাওবদা আসামদা য়েলহৌ মীওই খরনা ইসলাম ধর্ম্ম লৌখিবগী মরম অনিদো নৈনৌ।

৮। মরিয়া অমসুং দেশী মীওই কাঙলূপশিংগী মরমদা শন্দোকউ।

৯। মারৈ অমসুং মনসা পূজা কনানা হৌদোকখিবনি হায়নৈ ?

১০। অচৌবা আসামী খুন্নাই অমা শেম্বগী খুদম কনানা কনাগী লৈঙাক মতমদা শেম্বা হৌখি ?

১১। শন্না ইয়ু ঃ

বাঘ হাজরিকা, আজান ফকীর সাহাব, সৈয়দ আব্দুল মালিক, নবাব সেহিদুর রহমান।

*************

# গারো

গারোশিং আসামদা মমাঙঙৈদগী খুন্দাদুনা লাকপা মীওই কাঙলূপ অমনি। মখোয়গী মীওই খরনা মঙ্গোলয়ড কাঙলূপকী মীওইনি হায়না হায়রবসু লোনগী ওইবা মায়কৈদগী ঈন্দো-চীনগী মনুংচন্বা তি□বত-বর্মীগী ওইবা লোন কাঙলুপকী মীওইনি।

হৌজিক হায়রিবা মীওই কাঙলূপকী মীওইশিং অসি নোংচুপ বঙ্গদগী হৌনা অৰাং নোংপোক লমদগী অয়াম্বা রাজ্য খুদিংমক্তা চাইদুনা লৈবগী মথক্তসু বাংলাদেশকী অয়াম্ব মফমদা হায়রিবা মীওই কাঙলূপ অসি চাইদুনা লৈরি। মখোয়গী লৈফম অমসুং লোনগী মায়কৈরোমদগী গারোশিংবু আমাবং, মাতসি, মাতাবেং, গারাগানসি, দুৱাল ৰুগা অমসুং মেগাম হায়না মচা মচা শাগৈদা খাইদোকই।

হায়নরকপা মতুংইন্না গারোশিংগী মপা-মপুশিং অসি তি□বর্তকী থরুৱা কৌবা মফমদা লৈরম্মী। মতম অমদা অৰা-অনং তাবদগী জাপফা জালিমফা, চুকফা বঙ্গিফা অমসুং বিঞ্জিকা নচিংবা মীওইশিং অসিগী লুচিং মখাদা মফম অসি থাদোক্তুনা হিমালয় চীং লাম্থোক্তুনা ইহান-হান্ন কোচবিহারদা খুংলখি অমসুং মফম অদুদা চহি কয়া মরোম লেনখি। তৌইগুম্বসুং মদুদগী আসামদা লাকপদা লৈপাক মচা মচাগী নিংথৌ শিং খুদম ওইনা ধুবুরী অমসুং বিজনীগী নিংথৌ শিংগা লাম্থোংনদুনা অরোইবদা নিংথৌ হাত্রাসেন্ন হাব্রাঘাট কৌবা মফমদা লানবন শেমখি অমসুং মনাক্ত লৈবা মফমশিং অদু লৌশিনখি। নরকত মখোয়গী মনুংদা নুঙাইবনা মরম ওইদুনা তোঙান-তোঙানবা ফমফলোমদা চৎখিদুনা গারো পাহারদা অমসুং খর অমনা বাংলাদেশদা খুন্দাবা হৌখি।

লাইনিং লাইশোনগী মায়কৈরোমদগী য়েংলগদি গারোশিংগী মপা-মপুশিং অসি ইরাৎ থৌরম পাংথোকলম্মী। অসুন্না ইরাৎ-থৌরম পাংথোকপা মীওইশিংবু গারোশিংনা সংসারেক হায়না কৌরম্মী। মখোয়গী ইরাৎ থৌরম পাংথোকলম্বা লাই অমসুং লাইরেম্বীশিংদি চালজোং, গাবেরা, খালখামে, আসিমা, ডিংসিমা সুমিমেনচিংবনি। লাই অমসুং লাইরেম্বীশিংবু ইরাৎ থৌরম পাংথোকপদা থৰাই পানবা য়ুমশশিংবু কৎলম্মী। তৌইগুম্বসুং চহিচা তরমাপন হৌবদগীদি গারোশিং অসি খ্রীষ্টান লাইনিং লাইশোনদা হোংবা হৌই অমসুং ইরাৎ-থৌরম মাংথরকখি। তপ্ন তপ্না মখোয়গী জাতিগী ওইবা ওৱানগালাও হায়বা থৌরম পুংমাং মাংখি।

গারোশিংনা ঈশৈ-নোংমাইদা শীজন্নবা যন্□শিংদি তামাখ্রাম (ঢোল) গগনা ইরোই মচিনা শেন্না ৱাগী উতোং হাপ্পা বাংসী-বাঁশি নচিংবনি। অসিগীসু মথক্তা মচু-মচুগী ফিজোল শীজন্নৈ। তৌইগুম্বদি খুগী মথক

ফাওবদা ফি শেৎলম্মী।

হৌজিক হৌজিক গারো নুপীশিং শীজিন্নবা ফিজোলদি দাগবান্দা, দাগশারী, চুনীনচিংবনি।

খুন্নাইগী ওইবা মায়কৈরোমদগী গারোশিংগী ইমুংমনুং হৌবসি মমারোমদগী ওইনা হৌরকই। অমদগী অহেন্বা ইমুং মনুং নত্রগা মীওইশিংগী মরক্তা পুন্সিন্দুনা মহারী অমা শেম্মী। মমামঙৈদগী চৎনবী ওইনা পোকপদগী মাহারী  লৈবগী মথক্তসু অতোপ-অতোপা অহেন্বা মিংথোন লৈজে। খুদম ওইনা আগিতক মাহারীগী মীওই অমনা লোয়ননা সাংমা ইবা তাই নত্রগা খর অমনা ইদদুনা সাংমা খকতা শীজিন্নে। গারো সমাজদা মহারীবু অসুক্□ী মতীক মরূ ওইনা লৌই মদুদী তোঙান তোঙান্বা মফম অসি নত্রগা রাষ্ট্র অনিগী ওইরবসু মাহারী অমত্তগী ওইবা নত্রগা মহারী মিংথোনগী মরক্তা লুহোংনবদা অথিংবা লৈ, মরমদি মসি গোত্র অমত্তগীনি হায়না লৌনৈ।

মমাওঙঙৈদা চীংগী গারোশিং পাখং ওইরিঙৈ মতমদা মহৈগী ময়োলফম  ওইরল্লিবদি নকপান্থে নত্রগা পাখং পান্ননি। মসিদা খুঙ্গগী পাখং পুন্নমক পুন্দুনা ৰা নত্রগা  লীনচিংবা তোঙান-তোঙান্ব খুৎকী থবক, য়ৈনবা যন্□, শান্ন খোৎনবশিংচিংবা ময়াম্ব অহনগী মতেংনা শিল্লাংলম্মী।

মহৌশাগী ওইনা গারোশিং অসি শাউগন্ব অমসুং শাথিগল্লি। মদুগী মহয় ওইনা থংনবা লৈবাপশিংনা মখা পোলহন্বা ঙমলমদে। মরম অদুনা নম লৈঙাক পাম্বা বৃটিশ মিশন্যারীশিংনগী লাইনিং শন্দোকপা হৌখি মতেংনা। লাইনিংফম, মহৈশঙ নচিংবা লিংখৎতুনা মফম মফমদা মিশন্যারীশিংনা মিশন থৌশিন-থৌরাং হৌখি। অশুন্না তরমাপন শুবা হৌরকদগীশতিকা গারোশিংগী খুন্নাইগী ওইবা অহোংবা লাকখি হায়-য়াই।

অচ-অথক্তা শা-ঙা চাবশিংনা য়েন, ওক অমসুং যনশা-নচিংবা চাই। গারোশিংগী খ্বাইদগী অপাম্ব চীঞ্জক্তি ঙারি অমসুং উটিনি। তোঙান-তোঙান্বা মহাও চেন্বা এঞ্জাং লৈন-লৈনা গারোশিংগী চীঞ্জাক্ত ঙারি অমসুং উটি থোংবা অসি য়ান্না মথৌতাই।

**রামথে ওৰাথ্রে মোমিন** ঃ—মেঘালয়গী হৌজিক্□ী অৰাং গারো পাহারদা লৈবা মাটশক গ্রে কৌবা পিক্লবা চীংগী ওইবা খুন অমদা ইং কুমজা ১৮৩৪ দা রামথে ওৰাথ্রে মোমিন পোকখি।

ইংকুমজা ১৮৬৩ গী ফেব্রুৰারীগী চৈচৎ ৮ দা রামথেনা রেভারেণ্ট ড. মাইলস্ ব্রন্সনগী মতেংনা গুৰাহাটীগী শুক্লেশ্বৰ ঘাটতা খ্রীষ্ট ধর্ম্মদা বাপ্তিস লৌখি। নুমিৎ খরনিগী মতুংদা দামরাকাদা লাক্তুনা  রামথেনা মহৈশঙ অমা লিংখৎখি অমসুং  ওরাচৌ ওইনা থৌ পুখি। রামথে ওৰাথ্রে মোমিন্না খ্রীষ্টান মিশ্যনশিংগী ইনর্চাচ লোয়ননা মিশন্যারী ওইনসু থৌ পাংথোকখি। মিশ্যনশিংগী মনুংদা হৌজিক্□ী অৰাং গারো পাহারদা লৈবা রাজা

শিমলা কৌবা গারোনা খুন্দাবা খুনদা মিহুৎ নিফুনা ইহান-হান্ন খ্রীষ্টান মিশ্যন অমা ওইনা গীর্জা অমা লিংখৎখি। অসিগী মতুংদা দামরাদা মিশ্যন লিংখৎখি অমসুং মহৈ শঙ অমসু লিংখি। মতুংদা দামরাগী মহৈশঙ অদু ওঝাগী ট্রেইনিং সেণ্টার ওইনা চাওখৎহনখি। তৌইগুম্বদি লাইরকথিবদি মায়কৈ পুল্লামকরোমদগী খুদোংচাদবনা মরম ওইদুনা গোৱালপারাদা হোংদুনা পুখি। রামথে ওৱাগ্রে মোমিন মিশ্যন অমসুং মহৈশঙ লিংখৎখিবতা নত্তে, মহাক্ন গোৱালপারা অমসুং তুরা নোর্মাল স্□ুলগী ওঝাচৌ ওইনসু থৌ পুরম্মী। রামথে মহৈ-মশিন হৈবা , অইবা, শৈরাংবা অমা ওইনা গারো খুন্নাইদা অহানবা মিংচৎ লৈবা মীশক অমনি। মরম অদুনা মহাকপু গারো খুন্নাইগী লাময়ানংনি হায়না শকখঙনখি। মহাক্ন মশাগী খুৎনা ইবা "কলা অমসুং সংস্□ৃতি" হীরমগী ওইবা লাইরিক অসি মেঘালয় সরকারনা ইংকুমজা ১৯৯০ দা ফোংখি। মহাক্না ৰাহৈ লীশিং নিফু মঙান ইবা বঙালী-গারো লোনগী অভিধান অসি মতম খুদিংমক্ত নিংশিংদুনতা লৈরগনি। রামথে ওাগ্রে মোমিন্না ইবা শৈরেং লাইরিক শিং অদুদি — (১) ইংকুমজা ১৮৮১ দা বিচিকখিতা (২) ১৮৮২ দা চিমানো আটছিয়ানি (৩) ১৮৮৩ দা রিপেংতাংখো নিকগ্রিকানি (৪) ১৮৮৪ দা আ আকো দাকানি অমসুং (৫) ড. অরাংনি।

রামথে ওৱান্দ্রে মোমিন্না ঈশৈ ২১ খন ইদুনা থল্লম্মী। ঈশৈশিং অদু খ্রীষ্টান কাংবুগী মীওই শিংনা গীর্জাদা লাইনিংবা মতমদা শক্লবা ঈশৈনি। ঈশৈগী মমিং "আসিকনি রিঙানিরাং নি হায়না মীংথোলম্মী।"

গোৱালপারা জিলাগী মনুংচন্বা দুধনৈ তুরেলগী খা মায়কৈদা লৈবা নিচানগ্রাম কৌবা খুন অসি গারোনা খুন্দাবা খুন ওইনা লৈরম্মী অমসুং রামখে ডব্লিউ মোমিন্না খুন অসি ফিদম্লঙাই ওইবা খুন নত্রগা মোর্ডান ভিলেজনি হায়না শকতাকপীরম্মী।

ভারতকী অৱাং নোংপোক লমদা শোৎথা মীওই কাঙলূপকী অইবশিংগী মনুংদা রামথেসু অমনি । অসিগীসু মথক্তা রামথে খুন্নাইগী য়াইফ থৌগল তৌবা অমসুং শেনমিৎলোন চাওখৎহন্ব পাম্বা মীওই অমা ওইরম্মী। মরম অদুনা মিশ্যন্যারী খরনা "Fathre of Modern Garo Community" হায়না মিংথোনখি।

**রেভা গিলবার্থ কে. মারাক ঃ—**

ইংকুমজা ১৯২৫ দা গিলবার্থ কে মারাক নোংচুপ খাছীয়া পাহার খা কামরূপ জিলাগী ঙমখৈদা লৈবা রাংশাপারা হায়বা খুঙ্গং দা পোকখি। মহাক রেভা রামখে অমসুং সাংমাগী অমত্তা ঙাইরবা মচানুপানি। মহাক ইং কুমজা ১৯৩৩ দা এল. পি. থাৰ□ী মহৈ তম্বা লৌইশিনখি। ইংকুমজা ১৯৪১ দা হাইস্□ুলগী চাংয়েং মায়পাকপগা ড. ভিক্টোর হিউগস্র্ভড মতেংনা চেরাপুঞ্জি থিয়োলজিকেল কোলেজদা তম্বগী খুদোংচাবা ফংখি অমসুং ইং কুমজা ১৯৪৯ দা এল. টি. এইস. চাংয়েংদা মায়পাকখি। গিলবার্থ কে মারাক ইংকুমজা ১৯৬০

দা লির্নাড থিওলোজিকেল কোলেজদগী ডিগ্রী অফ বেচলর অফ রেলিজিয়াছ ইডুকেশ্বন লৌখি।

গিলবার্থ কে. মারাক কামরূপ জিলাগী গুহালকুনা হাইস্□ুলদা ওঝাগী থবক তৌখি। মহাক্ন ওঝা ওইরিঙৈগী মতমদুদা যোরহাট সেমিনারীগী প্রিন্সিপাল ড. ডুফিছানা মহাকপু চিরস্তদার (Registar) গী থবক হাপখি। গিলবার্থ কে মারাক অমসুং ড. ডুফিছা অনিমক মান্নদুনা লিউ অফ দা সেমিনারী স্□ুলগী মহুৎতা ইষ্টার্ন ফিওলজিকেল কোলেজ মিংথোন্দুনা অনৌবা মিং থোনখি।

গিলবার্থ কে মারাক চুইজার লেণ্ড জেনেভাগী বের্ল্ড কাউন্সিল অফ খ্রীষ্টিয়ান ইডুকেশ্বনগী মরূ লোয়শঙদা ভারতকী পাওতাকলোয় অমা ওইনা (Advisor) থবক্তা হাপখি।

অসুন্না খরনিগী মতুংদা বের্ল্ড কাউন্সিল অফ চার্জগী মীহুৎ অমা ওইনসু মহাকপু থবক্তা হাপখি। মদুগী মীহুৎ অমা ওইনা মহাক মালেমগী অয়াম্বা লৈপাক কোয়খি। মরমদুনা মহাক থাইলেণ্ডগী গীর্জাশিং, হৌজিক□ী ম্যানমার হংকং জাপান, পাকিস্থান ইজিপ্ত, লেবানন, এ ডেন. থিওপিয়া, কেনিয়া, তাঞ্জানিয়া, কঙ্গো, ইটালি, চুইজারলেণ্ড, ফ্রান্স অমসুং জার্মানিচিংবা মফমসু কোইখি।

গিলবার্থ কে মারাক□ী থবক থৌরমদা হৈশিংবগীদমক খ্রীষ্টিয়ান লূপনা মহাকপু ইকাইখুম্নবা "রে-ভারেণ্ড" মিংথোন পীখি অমসুং মতম অদুদগী মহাকপু রেভা, গিলবার্থ কে মারাক হায়না খঙনখি। ইংকুমজা ১৯৭২ দা খ্রীষ্টিয়ান লিটারেচার সোসাইটি অফ ইণ্ডিয়ানগী হায়জা মতুংইন্না ইংরাজী লোনগী শেংলবা বাইবেল অসি অমুক হন্ন গারো লোন্দা হন্দোকখি।

রেভা গিলবার্থ কে. মারাক মপুবু নিংজবা মীওই অমত্ত নত্তনা মহাক মীয়ামগী ওইবা মহৈ-মশিনগী খঞ্জবা, লোয়নশিল্লোন (সাহিত্য) কাব্য নচিংবা খন্ন-নৈনজবগী মরমদা চাওরাকপা খুন্দোল তমখি। মহাক্ন ইবা শৈরেং লাইরিকশিংবু অসুন্না মিংথোনখি — (১) আং গিমিক খু আনিং বিদল (২) বিদৱ অমসুং মহাক্ন ইবা ৰারেং লাইরিক শিংগী মনুংদা "গারো হিলগী দ্যা আদার ডের্জাট" অসি অমনি। ইংকুমজা ২০০৭ তা মেঘালয়গী নোংচুপ গারো পাহার জিলাগী মরূ ওইবা শহর তুরাদা রেভা, গিলবার্থ কে. মারাক অরোইবা য়াইগা তানখি। সোনারাম রংরকগ্রে সাংমা অৱাং-নোংপোক গারো পাহার অমসুং গোৱালপারা জিলাগী ঙমখৈদা লৈবা নাসিরংদিক কৌবা খুঙ্গাংদা ইং কুমজা ১৮৬৭ দা পোকখি। মহাক□ী মপাবুংগী মিংনা খ্নাং গাবিন মোমিন অমসুং মমালগী মিনা সামরে রংরকগ্রে সাংমনি। নিশানগ্রামদা প্রাইমেরীগী মহৈ লোইদুনা মহাক তুরা মিশন স্□ুলদা থাক তরুক ফাওবা তমখি। মতম অদুদা গারো পাহারদা থাক তরুক্তগী হেন্না লৈবা মহৈশঙ হায়বদি হাইস্□ুল অমা কদাইফাওবদা লৈরমদে। মরম অদুনা থাক তরুক শুবা ফাওবদা মহৈ তমলগা মহৈ

তম্বা লৌইশিনখি। থৌনা লৈবা মশাবু থাজজবা, অতোপ্পগী মতেং তৌবা পাম্ব অমসুং নুংশি চেনবগী মথক্ত মহাক□ী পুন্নমক্তগী অহেন্ব মতীকতি অতোপ্পগী তাথি তায়াইবা ৰাহে লাইনা খন্দোকপা ৰাহৈশিংবু লায়না খান্দাকপা তোঙান-তোহান্ব মীহুৎ-মীনৈ শিংবু খাংবা ঙম্বনচিংবা মগুন সোনাৰামদা চেল্লম্মী। সোনারামনা মতম খুদিংমক্তা মীৎ-মীনৈগী মায়োক্তা লেপন্মী অমসুং মদুশিংদু মরূ ফুকনা মাংহন্নবা ঙমজমখৈ হোৎনরম্মী।

মতম অদুদা বৃটিশ সরকারনা মীচম প্রজাগী মতেংনা থৌশুমল য়াওদনা থবক তৌহনখি। অসিতসু নওনা চীংগী উ-ৰা য়োক্তুনা থন্নবগীদমক গারো চীংদা লৈবা গারোশিংগী ঝুম লৌউবগী থবকসু থিংখি। বৃটিশ সরকারগী অসিগুল্লবা অকন্বা পথাপশিং মহাক খাংবা ঙমখিদে অমসুং সরকারগী মায়োক্তা ৰা ঙাংখি। মহাক্ক বৃটিশ সরকারগী থবক□ী মহৎতা খুঙ্গংগী মীওইশিংদা থৌশুমল পীবা অমসুং য়োকতুনা থম্বা উমংশিং লৌথোকবা ৰাকৎখি। ইংকুমজা ১৯১৬গী আগষ্টগী চৈচৎ ২৭ তা নোংগাখী।

হাৱার্ড ডেনিসন মোমিন ঃ—

হার্বাড ডেনিসন মোমিনবু আধুনিক গারো সাহিত্যগী আপোকপনি হায়না মিংথোল্লি। মহাক্ক ইহান হান্ন "Achik Ku-rang" (আচিক করাং) হায়বদি "গারো মীওশিংগী খোল্লাও" কৌবা গারো লোনগী চেফোং অমা ফোংখি।

অহানবদা ওঝাগী থবক্কা মহাক□ী পুন্সি খুহিংগী মরূ ওইবা লম্বেল ওইরম্মী। তৌইগুম্বদি তুংদা খুন্নাইগী থবক-থৌরম পাংথোক্তুনা পুন্সি লেনখি।

ইং কুমজা ১৯১৩গী শহর মচা তুরাদা হার্বাড ডেনিসন পোকখি। মহাক□ী মপাবং জবাং ডি. মারাক আমেরিকাদা মহৈ তম্বা চৎপা গারো শাগৈগী মনুংদা অহান্ব মীওইনি। ইংকুমজা ১৯০৫ দগী ১৯১১ ফাওবা জবাং ডি মরাক্ক আমেরিকাগী হার্বাড বিশ্ববিদ্যালয়গী "ডেনিসন স্□ুলদা" মহৈ তমখি। মদুগী নীংশিং খুদম ওইনা মহাক্ক মচানুপা অহনগী মিং হাৱার্ড ডেনিসন ডব্লিও মোমিন হায়না থমখি। হাৱার্ড ডেনিসন ডব্লিও মোমিন্না কলিকতাদা লাইরিক তল্লিঙৈ মতমদা মহাক□ী মমিং হাৱার্ড ডেনিসন ডব্লিও মোমিন হায়না হোংখি। মসিগী ৰাহন্দোকতি মহৈ অমসুং ধর্মগী হৌনফমনি। হাৱার্ড ডেনিসন ডব্লিও মোমিন্না কলিকতাদা লাইরিক তমদুনা লৈরিঙৈদা মহাক□ী মমিং হাৱার্ড ডেনিসন মোমিনা হায়না মমিং হোংদোকখি।

মহাক□ী চহি ৯ শুবদা কলিকতাগী সেণ্ট জেমস ইংলিশ স্□ুলদা মিং চনখি। স্□ুল অসিদা তমদুনা লৈরিঙৈগী মতমদা ডেনিসন্না য়েকপা লাইয়েক অদু লণ্ডনদা পাংথোকপা কমনৱেল্থ এক্সিবিশ্বনদা থাখি অমসুং হাৱার্ড ডেনিসন্না ইকায় খম্নঙাই ওইরবা মনা ফংখি। হাইস্□ুলগী চাংয়েং মায়পাক্লবগী মতুংদা কলকতাগী

প্রেসিডেন্সি কোলেজদা ইংকুমজা ১৯৩৪ দা বি. এ. ডিগ্রী পাশ তৌখি অমসুং ইং কুমজা ১৯৩৬ দা ইংরাজী লিটারেচার সারজেক্টতা এম. এ. ডিগ্রী লৌখি। গারো সম্প্রদায়গী মনুংদা ইংরাজীদা এম. এ. ডিগ্রী ফংবা অহান্ব মীওই হায়বদো হাৰাৰ্ড ডেনিসন মোমিন্নী।

হাৰাৰ্ড ডেনিসন মোমিনবু তুরা লৈঙাক বিভাগতা ৱায়েল মপু ওইনা ইংকুমজা ১৯৪০ দা থৌ হাপখি। গুৱাহাটী কটন কোলেজদা ইংরাজী সাবজেক্টকী প্রফেসরগী থবক তৌখি কটন কোলেজদা থবক শুদুনা লৈরিঙৈদ তৌখি। গারো মহৈরোয় খরগী মতেংদা "অসিক খুরাং কৌবা চেফোং অদু ফোখি।"

মহাক্ন ইবা কবিতা লাইরিকশিংগী মনুংদা ইংকুমজা ১৯৪১ দা (গারোগী ৱাহৈ-ৱাতা) NANGKO GISIK RAGEN (নংবু নিংশিঙকই), DO MA SKINI GIT (নোংগৌবিগী ঈসৈ), SENGWAT (তন্দন), ME, CHIK ARO TA-MAKU (নুপী অমসুং হিদাক) অমসুং ইংকুমজা ১৯৪২ দা BILSI GITAL (অনৌবা চহী) নচিংবসি হাৰাৰ্ড ডেনিসন্না শৈরং লাইৰিকশিংগী মনুংদা মৱ্দনি।

অনিশুবা বৰ্ল্ডৱার চৎথরিঙৈগী মতমদা মহাক্ন লানচেল্লকা মীওইশিংবু কনবিনবা মণিপুরদা চৎখি। পারাগ্রাফ - ইংকুমজা ১৯৯০ ফেব্রুৱারীগী চৈচৎ ২২ দা মীওশিংনা তুরা শহরদা মপোক কুমওন ৭৭ শুবগী থৌরমদা হাৰাৰ্ড ডেনিসন মোমিদা ইকায় খুন্ননা KA CHAL ANG (খা-খলাং) পীখি।

**ৱাহং পরেং ঃ–**

১। গারোশিংগী মশা শাগৈ মশা কাঙলূপশিং অদু করি করিনো ?

২। গারোনা মৱ্দ ওইনা খুন্দবা মফমশিং অদু করি করিনো ?

৩। গারোশিংগী ঈরাৎ-থৌরম পাংথোকপা মীওইবু করি হায়না কৌই ?

৪। গারোশিং অসি অহান্বদা করম্বা লাইনিংগী অমসুং মতুংদা করম্বা লাইনিং লৌখি।

৫। গারোশিং মৱ্দ ওইনা ঈসৈ-নোংমায়দা শীজিন্নবা যন্□শিং অদু করি করিনো ?

**শন্না ইয়ু ঃ**

(ক) থাংখান খোকসি সাংমা। (খ) রামথে ওৱাথ্রে মোমিন

(গ) রেভা গিলবার্থ কে মারাক (গ) সোনারাম রংরকগ্রে সাংমা

(গ) হাৰাৰ্ড ডেনিসন মোমিন।

*********

# চাওতাল শাগৈ

চাওতাল শাগৈবু মখোয়গী মমালোন চান্থালীদা হোড় হপন হায়না হায়নৈ। সুনীতি কুমার চট্টোপধ্যায়গী মতম মতুং ইন্না চাওতাল ৱাহৈসি সংস্□ৃতকী সামন্তরাল ৱাহৈদগী থোরকপনি।

অসমদা চা শিনফম হৌদ্রিঙৈ মমাংদগী কামরূপতা চাওতাল শাগৈ সি লৈরম্মী হায়বসে ড. বানীকান্ত কাকতীনা মাগী " The Mother Goddess Kamakhya" লোয়ননা প্রতাপ চন্দ্র চৌধুরিনা খোমজিন্বা "The History of Civilization of the people of Assam" দা পলম্মী।

**খুনায়গী পুন্সি** ঃ চাওতাল শাগৈগী খুনায় পুন্সি খুহিংসে তোপ তোপ্পী। খুন লিংদুনা মওংতানা লৈঙাকনবগী মীওই মঙাবু খল্লগা থৌদাং, শিন্নৈ। মীওই মঙাদু, মোড়ে-হোড় কৌই। মঙাগী লুচিংবদু খুনগী মাঝহি (খুন্নাকপা) নাক্তা হায়নিংবা, থাংগৎনিংবা ৱাফম থাংগৎলি। থাঙ্গৎলকপা তমুংইন্না মঙাগী মনুংদা অমবু গডেত তা খুঙ্গংগী মীয়ামবু পুন্নবা পাউজেল পীবগী থৌদাং পূরম্মী। অসুন্না খন্নদুনা খুনায়গী ওইবা ৱাথোক তাইশিনলম্মী।

লুপানা খুন্নিংবা খুন্নায়নি চাওতাল। লৌউবনা মরু ওইবা শিনফমনি। মহৌশাবু পামজবা, অমম্বা থাজদবা শাগৈনি।

চাওতালগী মীংথোল ১২খকলৈ। মুর্ম্মু, হেম্ব্রম, কিস্□ু, বেসরা, টুডু, চরেণ, বাস্কে□, হাসদাঃ, মার্ডি, চৌড়ে, পাউরীয়া অমসুং, বেদেয়ানি। মখোয়গীসু গোত্রলৈ। গোত্রখুদিংমক□ী গোত্রমচা (উপগোত্র) লৈ। খুদম ওইনা মুর্ম্মুগী গোত্রমচাদি ঠাকুর, কিস্□ুরগীনা রাপাজ।

লুংগী পাঞ্চি নুপীগী মরুওইবা ফুজোলনি। মখোয়গী লোনদা ফিজেৎপু হোরঃবান্দেকৌঠ। নুপীনা হকচাংগী থক্তা শেৎনা ফুজোলবু পাঞ্চি অদুগা খা ফিজোলবুনা পাড়হাও, হায়নৈ। নুপাগী মরু ওইবা ফিজোলদি পাঞ্চিনি।

লুহোং থৌরমদা লুপানা ফৈজোম অদুগা মৌ ওইগদবীনা য়াইঙং শংবা সিন্দুর খাণ্ডি কৌবা ফিজোল শেৎলি। লুহোংগদবা পীবারেন (বর) না য়াইঙং শংবা সনামচুগী ফিদুপ অমসুং অঙৌবা মচুগী টটড়বা (টুপী) উপ্পী।

মরু ওইবা কুম্মৈদি হল বাহা অমসুং চহরাইনি। সাগৈসিগী জগোয় ঈসৈ মৰাং কায়না লৈ। দংজগোয় দংঈশৈ, লাংগঁড়ে জগোয় লাংগঁড়ে ঈশৈ, চহরাই, বাহাঈশৈ পন্বা য়াই। জগোয় ঈসৈদা শিজিন্নরিবা যন্□শিংদি টামাক, তুমদা ঃ , করতাল, ঢোল না চিংবনি। লোহোংবদা শেংজেংগ পুখম, তেঙ্গোৎ, খুজায় শিজিন্নৈ। নুপীনা লুপানা শাবা লিক শিনবা পোৎলম শিজিন্নৈ। চাওজলশিংগী মরূ ওইবা মীওই খরগী মরিদা মখাদা

পনজরি।

বেনেডিক্ট হেম্রম ঃ মতমগী খয়াত্তা তাদুনা হকচাং মাংখ্রবসু চান্তালী সাহিত্যদা তন্বীরম্বা খুদোকলগীদমক বেনেডিক্ট হেম্ব্র মতমপূম্বদা নীংশিংদুনা লৈরগনি। অপোকপা ডাটুলক্ষন হেম্ব্রম (পোথারবা ওঝা) অপোকপীনা রানী চরেণ কৌই। অমত্তা পোকচবা বেনেডিক্ট ইং ১৯৬৭গী ওক্টোবর ১৮ দা কোকরাঝার জিলা গোসাঁইগাওঁ মহকুমাগী মনুংচন্বা পলাশগুরি (ডিয়াডাঙ্গা) কৌবা খুঙ্গং অমনা পোকই।

খুঙ্গংগী স্□ুলদগী মহৈ তম্বা হৌখিবা মহাক্না ইং ১৯৯৩ দা কটন কলেজগী মায়পাক্না এম. এস. সি পাস তৌখি। মহাক্না শাগৈসিগী অহান্বা এম. এস. সিনি।

গোসাইগাঁও বি. এড কলেজতগী বি. এড লাল্লগা গ্রাহামপুর হায়ার সেকেণ্ডরীদা সাবজেক্ট টিচার ওইনা থবক চংখি। ওজা ওইরিঙৈ চন্থালী লোন অমসুং সাহিত্য গবেষমা কেন্দ্রগী সবাপতি ওইরম্মী। মহাক□ী লুচিং মকাদা লুবীন্দ্রনাথ চরেন অমসুং সুবোধ বাস্□গী অকন্বা হোৎন্নজ মননা চান্থালী লোনদা তন্না লাইরিক ইদুনা অসম (সরকার) লৈঙাক্না নমলগা মমল লৌদনা য়েন্থোকপা হৌখি। বেনেডিষ্ট হেম্ব্রমনা খুনায়গী থবক□া লোয়ননা অইবা অমা ওইনা ৰারেং, শৈরেং অমসুং ৰাপুরোল ইদুনা লোন চাওখৎহলম্মী।

সাহিত্যদা খুৎথরম্বতা নত্তনা ৰাফোংহৈবা, অফবা শান্নরোয় অমসুনি। মাগী শোথরবা খুনায়বু চাউখৎনবা চহীগী মফম কয়াদা য়াফাই ঈহৌ মীখল পাংথোকতুনা মাগী মগুননি। শিবগী নোংমা মমাং ফাওবা মাগী শিনফমদা থবক পাংথোকতুনা লৈরম্মী। চহী কয়া ডাইবেটিস লাইনা নারমবদগী ইং ৫/১০/২০১৩ দা অরোরবা থাহিপ তানখি।

কোকরাঝাৰ জিলাগী খাগর গাঁও কৌবা পীকখ্রবা খুঙ্গং অমনা ইং ১৯৫৭ দা বদন হাসদা পোকখি। অপোকপগী মীং মাঝি হাসমা অমসুং অপোক পীসীনা চলমা বেছ্রা কৌই। কোকরাঝার কলেজদগী আই. এ. ফাওবা তমলগা শোথরবা শাগৈসিগী মহৈমশিং, শেন্নিৎলোন অমদি খুনায় চাওখৎনবাই ১৯৮০ দা মহাক□ী লুচিংখাদা সদৌ অসম চান্থাল ছাত্র-সন্থা শেমখি। পান্দম অসিমক্তদা ইং ১৯৮৬ দা আদিবাসি সেৰা সমিতি কৌবা লুপ অমসুং শেমকি। লুপঅদুগী সবাপতি ওইনা চহী ১৫ পুরম্মী। অসম চান্থালী সাহিত্য সবাগীসু পাউতাকলুপকী মীহুৎ ওইরম্মীয়। ইং ১৯৯৬ দা থোকখিবা কুরূপ মশেন খুৎ থোক্লবদা অশোক অপন অমদি অমাং অতা থোকখিবা মফমদা চৎতুনা তংদু লৈতানবা কন্না হোৎনরম্মী। মহাক□ী হোৎন্নমলদু ইকায় খুন্নবা উৎতুনা কোকরাঝারগী দি. সিনা "শান্তি আরু ঐক্য" মনা পীদুনা ইকায় খুন্নখি। ইং ২০০৩ দা বি.টি.সি. য়ান্ন চেরোল তৌনখিবগা চান্থাল শাগৈগী ওইনা কোকরাঝারদগী অহান্বা পরিষদকী থৌপূবা মীহুৎ ওইখি।

মহাক নোংসিং ০১/০৫/০৭ দা মীনুংশি চেন্দ্রবা ফওবা মীওই অমগী মখুত্তা থৰায় থাখি। মহাক□ী খুদোল

বি.টি.সি.গী পুৰারীদা মুৎনায়দনা সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈহোরগনি।

**মিথিয়াজ টুডু ঃ**

চাওতালগী শাগৈ মনুংদা থৰান মিচাক হৈনা ঙালম্বদি মিথিয়াছ টুডুনি। গোসাইগাঁও চাম্থাল কলনীগী পীকখ্রবা খুহ্‌গং মাচিয়া জুরিদা মপোক তানখি ইং ১৫/১/১৯৩০ দা। রেভারেণ্ড কানহু টুডু অমসুং মারথা মুর্ম্মু অপোকপা অপোকপীনি। খুহ্‌গংগী স্□ুলদগী মহৈ তম্বা লোয়রগা কটন কলেজদগী বি. এ. পাস তৌখি। মথংদা বেহ্‌গলগী বেরহাম পুরদগী বি.টি. পাস তৌখি।

শিনফম ওইনা ইং ১৯৫৪ দা গ্রাহামপুর হাইস্□ুলদা ওজা মকোক ওইনা থবক চংখি। রাহেল চরেনগা য়াম্থাল লম্বীদা কুমখি। ইং ১৯৫৭ দা গোসাই গাওঁ কেন্দ্রদগী অসম বিধান সভাগী মীহুৎ ওইনা কারকখি। ইং ১৯৫৭ দগী ১৯৯১ ফাওবা ৭রক মীহুৎ ওইনা কারকখি। ং ১৯৭২ দগী ১৯৭৮ ফাওবা অসম সরকারগী Labour & Welfare মন্□ী ওইরম্মী। ইং ২০০১ দগী ২০০৫ ফাওবা Revenue মন্□ী ওইরম্মী। ইং ২০০৫ দগী ২০১০ ফাওবা Twenty Points programme গী ভাইস প্রেসিডেণ্ট ওইরম্মী।

চহী ৪০ অসম বিধান সবাগী মীহুৎ ওইরম্বসি মহাকতনি। অসম চাম্থালী সাহিত্য সবাগী প্রেসিডেণ্ট চাম্থালী ভাষা আরু সাহিত্য গবেষমা কেন্দ্রগী অহান্বা প্রেসিডেণ্ট, চাম্থাল কলনী পারাগানা বাইছিগী সভাপতি, গ্রাহামপুর সমবায় সমিতি হৌদোকপীরম্বা, মরনাই চা বাগান মেনেজমেণ্ট কমিটিগী সবাপতি, সেৰাপুর মিসন হস্পিটালগী সুপারিনটেনডেণ্টনা চিংবা পদবী কযা পূরম্মী।

ফুটবল, ভলিবল, বেটমিণ্টন, কেরোমনা চিংবা পামজনা শান্নরম্বা শান্নরোয়নি। লাইরিক পাবা, বাগানদা থবক শুবা, লৌশুবা অমদি থবক য়েংথোক য়েংশিন তৌবা, শাদান্বা হৈনবিনি।

ধর্ম লৈবা মীশক অমা ওইনা কনাবুসু তাথিনা চৈ-ঙাংখিবা লৈতে। নোংমাইজীং গীর্জা চৎলি। থাংবা খাংবা কন্বা মাগী শিংথানিঙাই মগুননি।

অসিগুমলবা মগুন কয়ানা লৈত্রেংলবা মীপোকসে চৎখিবা ইং ১০/৭/২০১৭দা তাইবং থাদোকখি।

**রাহেল কিস্□ু ঃ**

কোকরাঝার জিলাগী গোসাইগাঁও থানাগী মনুং চন্বা বরচনপুর খুঙ্গং দা ইং ১৯২৫ দা রাহেল কিস্□ু পোকই। অঙাং ওইরিঙৈদগী লাইরিকতা থৰায় য়াওরকই। অপোকপগী মীং জহন কিস্□ু অমসুং অপোকপীগীনা লুক্ষী মুর্ম্মু কৌই। ঙারাফুটা মিছন স্□ুলদগী মহৈ তম্বা হৌখি। লক্ষ্ণৌগী কলেজ অমদগী ইং ১৯৫১ দা বি. এ. পাস তৌখি। রাহেল চাওতাল শাগৈগী অহান্বা বি. এ. পাস তৌখিবি নিঙোলনি।

ইং ১৯৫২ দা গ্রাহামপুর হাইস্□ুলদা ওঝাগী শিনফমদা চংখি। ইং ১৯৮০ দা ওজা মকোক ওইখি।

লোয়ননা স্□ুল অদুদগী থবকতগী পোথাখি। ওজা ওইনা লৈরিঙৈ লায়ররবা খুনায়সিগী নুপীগী শেন্মিৎলোন ফগৎনবা মশাগী শেনফম থাদদুনা রাহেলনা ফি তুবা, লোনবা, শাবগী ট্রেইনিং সেণ্টার অমা হাংদুনা শেল লৌদনা তাকপী তিকপীখি। খুনায়দা অমাংবা পুরকইবা য়ু থকপগী চৎনবী থিংলম্মী। অমম্থা থাজবা অমদি হিংচাবী হাৎপগী (ডাইনী) মায়োক্তা লেপম্মী। নুপীবু মহৈ হৈননবা অমদি মহৈ হৈবী নুপী মশিং হেনলৎনবা হোৎনরম্মী।

থবক্তগী পোথারবা মতুং খুনায়গী ওইবা থবক থৌরম, ইরাৎ থৌনিং মহৈ মশিং হেন্না ফগৎনবা থবক তৌরম্মী। মসামক চান্থলি লোনগী কবি, অইবীনি। মহাক□ী খুৎইদগী লেপ্পা লৈতনা নুপীগী য়াংগী য়াইফনবা ঈথিল পীরম্মী। সাহিত্যগী লমদা থম্বীরম্বা মহাক□ী খুদোল মমল নাইদে। ইং ২০০১ এপ্রিলগী ৬ দা অরোয়বা য়াহিপ তানখি।

ৱাহং পরেং ঃ

১। সুনীতি কুমার চট্টোপাধ্যায়গী মতুংইন্না “চাওতাল থায়বা” ৱাহৈসি কদাইদগী হৌরকপনো ?

২। চাওতালশিংগী মরূ ওই চীঞ্জাক করিনো ?

৩। “মোড়ে হোড়” গী (মীওই মঙাগী) লুচিংবা অদু করি হায়না কৌই ?

৪। চাওতাল শিংগী মীংথোল কয়ানো অমসুং করি করিনো ?

৫। চাওতাল শিংগী হরাও কুমৈগী মরমদা শন্না ইয়ু ?

৬। চাওশিংগী খুন্নায় পুন্সিগী মরমদা নৈনৌ।

৭। ৱাহন্দোক ইয়ু

| | |
|---|---|
| ৱাহন্দোক ইয়ু | য়াইঙং তৈবা ফিজোল |
| সিন্দুর খান্তি | টুপী |
| টটড়বা | ফিজোল |
| হোরং বান্ধে | খুনগী অহল |
| মাঝহি | লংগী |
| পাড়হান্তু | |

৮। পন্না ইয়ু ।

ক) বেনেডিক্ট হেম্ব্রম খ) বদন থাসদা গ) মিথিয়াস টুডু ঘ) ৱাহেল কিস্□ু।

*************

# চাহ মীওই লূপ

আসামদা মতম মতমদা তোঙান তোঙান্বা মফম কয়াদগী অনৌবা মীওই লূপ কয়া লাকখিরম্মী। ভারতবর্ষগী লৈবাক কয়াদগী চাহ মীইও লূপশিং আসামদা লাকখিরম্মী অদুবু মীওই লূপশিংসি লাকপগী মরম অচম্বা নত্তে। ইষ্ট ইণ্ডিয়া কোম্পানীগী চাহ শিনমীশিংগী মথৌতাবা মেনশিননবা ভারতবর্ষগী মফম কয়াদগী খোমদুনা পুরকখিবনি। কোম্পানী অসিনা ১৮৩৫ ইং চহীদগী নোংপোক আসামগী চাবুৱাদা অহান্বা ওইনা চাহগী থৌওং মতুং ইন্না থাবা হৌরম্মী। অসিগী চহী মরি মতুংদা অসম চাহ কোম্পানী The Assam Tea Company শেমগৎলি। অসম চাহ কোম্পানীগী মখাদা চাহথাবা তপনা তপনা শন্দোকপা হৌরকই। অদুবু মথৌতাবা মতুং ইন্না শিনমীগী অৱাৎপা লৈরম্মী। মরম অদুনা চীনলৈবাক অমদি ভারতবর্ষগী তোঙান তোঙান্বা মফম কয়াদগী শিনমী খোমনবগী ৱাফম খন্নরম্মী। মরম অদুনা কোম্পানীনা ময়াই লেপ্পা মীওই খরা শিজিন্নরম্মী। অসিগুম্বা ময়াই লেপ্পা মীওইশিং অসিনা পশ্চিমবঙ্গ বিহার, ঝাড়খণ্ড, ছত্তিশগড়, মধ্যপ্রদেশ, উত্তর প্রদেশ, অন্ধ্র প্রদেশ মাদ্রাজ নচিংবা লৈবাক কয়াদগী শিনমী খোমদুনা পুরকলম্মী। মতৌসুন্না আসামদা শিনমী খোমদুনা পুরকপা থবক অদুবু মজদুর চালান হায়নসু হায়নৈ। মজদুর চালান মখল অনি শুরম্মী। অমনা গিরমিটিয়া চালান অমনা আড় কাটিয়া চালান। ইন্নখিবা য়ানাচে (Agreement) মতুং ইন্না অককনবা মতমগী শিনমী পুরকপদুবু গিরমিটিয়া চালান অমসুং করিগুম্বা য়ানা চে অমত্তা য়াওদনা পাঙ্গলনা লৌশিংনা খোম্বা দুবু আড়কাটিয়া চালান হায়না কৌই।

অসম চাহ কোম্পানীনা ১৯শুবা চহীচাগী ময়াই তাংককতা হাজারিকা জিলাদগী অহানবা ওইনা শিনমী ৬৫২ খক খোমদুনা পুরকলম্মী। অদুবু মখোইদো আসাম য়ৌনা লাকপা ঙমখিদ্রে। অনায়েক য়াওদুনা শিনমী খাইবোকতি লম্বীদা শিখরে অদুগা লৈহৌবা খরদো হনখরে। অসিগী মতুংদা ছোটনাগপুর লমদমদগী কোম্পানীনা ময়াইলেপ্পা কাংবুনা শিনমী খোম্মী। শিনমীশিংদুগী শরুক খরতং আসাম লৈবাক্তা খোং থাবা ঙমখি। অতৈ শরুক খরদি লম্বীদা শিখিরম্মী। অদুবু তপ্না তপ্না শিনমীগী মশিংদি হেনগৎলম্মী। ১৮৭৭ ইং চহীদা য়ানা চেগী শিনমী গী মশিং ৪৬,৭৬৫ খক ওইরম্মী। অমবু ওইরবসু ভারতবর্ষগী মফম কয়াদগী শিনমী শিং লাকখিরম্মী অদুনা মখোয়গী কাংলূপ লাইনিং ঈনাৎ লোন য়েক শাগৈ লোইনা তোঙান-তোঙানলম্মী। অদুবু আসামদা লাকলগা চাহ বাগিচাগী অকোইবগী ফীভম অমত্তদা লৈদুনা থবকতৌবা তাই।

অহানবা মতাংদা খুদোংখরা চারমদে অদুবু মতম চৎখিবগা লোইননা অমনা অমগা নকশিন্নরকপা অমসুং নুংশিনরকপদগী খুদোংচাদবা কয়া লৈরকতে। য়ানা চেগী মতুং ইন্না শিনমী খরা মশাগী মফমদা হনখি অদুবু লৈহৌবা শিংদুনা আসাম অসিবু মরৈবাকনিখনদুনা লৈখরে। আসামসিদা তংতানা লৈরিবা শিনমী শিংগী মরকতা ফাওনবা লোন অমা শেমগৎলে অদুবু বাগানীয়া লোন হায়না ময়াম্না মীংথোনবিরে। অওইবদি বাগানীয়া লোন অসে ঙাংনবা লোন (দোৱান) অমনি মসিনা হৌজিক ফাওবা লোন অমগী থাক কাবা ঙমদ্রি।

চাহ মীওই লূপশিং হৌজিক আসামগী খুনাই পুন্সিদা অহেন্বা অচৌবা শরুক অমনি। চাহ শিনমী অমসুং মমাঙৈগী চাহ শিনমী ময়াম পুনলগা চাহ মীওই লূপকী মশিং চাওরাক্লা লাখ হুমফু ওইরে। মখোয়গী মনুংদা হিন্দু অমসুং খ্রীষ্টান লাইনিং চৎপা মীওই শিংনা মশিং য়াম্মী। হিন্দু লাইনিংগী অয়াম্বা শাক্ত ধর্মী অসমুং উজাও উরেন ঈরাৎচবনি। দুর্গা, কালী, মনষানাচিংবা লাইরেম্বী কয়া ঈরাৎচৈ। অনুকুল ঠাকুরগী তুংইনবগী মশিংসু অলিকপা নত্তে।

ঙসি চাহ মীওইলূপশিংগী মনাৎকী মনুংদা আসামগী মথক্তাসু মখল মথেলগী রাজজ্যগী আদিবাসী হাওনাই অমসুং মখল মথেলগী শাগৈ লৈরি।

আসামগী ব্রহ্মপুত্র তম্পাক অমসুং বরাক তম্পাক্তা লৈরিবা চাহ বাগিচা শিংদা মতম শাংনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা চাহ মীইও লূপশিংগী মীশিংসে আসামগী খুনাই লোনগী থাদোকপা য়াদ্রবা শরুক অমা ওইনা লৈরে। আসামগী লোনলী ইনাৎ কয়াবু তরাম্না লৌশনলগসু চাহ মীওইলূপশিংগী মশাগী শক্তাক তোঙাননা লৈজরি। মখোয় মশাগী ঈনাৎ চৎনবী হৌনবী থৌগল্লোন পূন্নমক মাংখিদ্রি। করম, উতু অমসুং সঁহরাই চাহ মীওই লূপ শিংগী খুনাইগী য়াম্না পামজবা হরাও কুমৈনি। করম পরবগী ঝুমুর জগোই ঈশৈ কয়ানা চাহ মীওই লূপশিংগী খুনাইগী মশাগী শক্তাক উৎচরি।

আসামগী খুনাই লোনগী মরু ওইবা শরুক অমা ওইজরবসু চাহ মীওইলূপ শিংগী খুনাই অসি য়াম্না হন্থনা লৈরি। লৈবাক্কী ওইবা শেম্মীৎলোনদা শিংথানিঙাই ওইবা অমা ওইজরবসু চাহ মীওই লূপ শিংগী শেম্মীৎলোন য়াম্না শোৎথরি। পুন্সি মহিংসু য়াম্না অনেম্বা থাকতা লৈরি। চাহ শিনমীশিংগী নোংমগী অশুমন চাংদম্নবাদা য়াম্না লিকই। লাইরিক হৈতবগী চাং লৈবাক্কী চাংদগী য়াম্না হৈন্না লৈরি। মহৈগী মঙাল ফজনা ফংদবা চাহ মীওই লূপশিংগী খুনাইদা অপংবা থাজবা, ফত্তবা চৎনবী কয়ানা কুপশিনদুনা লৈরি। ভুত-প্রেত, ডাইনী, বেজ মন্ত্র পূজা চাকথা কয়ানা লূপশিনদুনা থমলি। অওইবদা চহী শেনথোককী অৱাবা কয়াগী মরক্তা পুন্সি লেনলকপা মরমনা মপান নাথৈদুনা লৈরি। অদুবু তপ্পা তপ্পা থৌওং মওং খরদা অওনবা লাকএ। চাহ

বাগিচাগী থৌবু শিংগা চরকারগা

খুৎশন্নরগা চাওখৎ থৌরাং কয়া পাইখৎলবদি চাহ মীওই লূপশিংগী খুনাই অসি মতমগী খোংথাংগা মান্নদুনা চখৎপা য়াগনি। চাহ মীওই লূপশিংগী অখন্নবা মীওই কয়াগী মনুংদা পনবা য়াবা মীওই খরগী অশন্বা শক্তাক মখাদা থমজরি।

মেঘরাজ কর্মকার ঃ- চাহ মীওই লূপশিংগী মনুংদা অসমীয়া লোন সাহিত্য নৈনবা কয়ানা মীংফাওমীংচৎ ওইখিবা শিংগী মনুংদা নোংপোক আসামগী জামিতা চাহ বাগিচাগী মেঘরাজ কর্মকারনা অহানবা সাহিত্যিক পেঞ্চনারনি। মহাক্না 'চালুকবচন'নচিংবা লাইরিক কয়া ফোংখরে। অসম প্রকাশন পরিষদনা 'মেঘরাজ কর্মকার রচনাৱলী' ফোংদোকখরে। মহাক বরবরুৱা হাইস্কুলদা ওঝা ওইরম্মী।

মরানগী সন্তোষ কুমার তপ্পনা ইবা "মুণ্ডা চমু পরিচয়" লাইরিক অসি চাহ মীওই লূপশিংগী অহানবা ফোংবা লাইরিকনি। অসম চাহ জনগোষ্ঠী ছাত্রসন্থাগী মহাক্না হৌদোকপা থৌবুরেন নি। ১৯২৪ ইং চহীদা পোকপা তপ্পগী মপাগী মীং দয়াল তপ্প অমসুং মমাগী মীং মারথা তপ্প কৌই। যোরহাট জে.বি. কলেজগী বি.এ. পাছ তৌবা তপ্পনা সমাজ সেবাগা লোইননা সাহিত্যসু নৈনরম্মী। আসামগী চেফোং কয়াদা মহাক্কী য়াম্না মমল অইবা কয়া ফোংখ্রে য়াম্না চন্না হিংবা পামজবা অসিগুম্বা অথোইবা অসে ১৯৯৪ ইং ২১ নবেম্বর তারিখতা লৈখিদে।

চাইমন সিং হর ঃ-

টিয়ককী চাইমন সিং হর হৌদোকপা লূচীংবা ওইরম্মী। মহাক ১৯২৯ ইং চহীদা পোকই। অপোকপা মাছিরাম হর অমসুং অপোকপী ছাড়া হর কৌই। শিৱসাগর মিছন স্কুলদা মহৈতম্বা পুন্সি হৌরগা যোরহাট জে.বি. কলেজতগী বি.এ.ডিগ্রী ফংজখি। চরকারগী থবক তুং ওইনরগা মীয়ামগী থবকতা মশাবু কৎথোকপা হর য়াম্না থম্মোয় চাওবা মীওই অমনি। মশামক খৃষ্টান লাইনিং চৎচরবসু হিন্দু লাইনিংগী নামঘর শানবা মশাগী লম কথোকতুনা মাংজিন থানহোৎনরম্মী। মহৈ মশিং তম্বগী ৰাখল খনবদা মনুং লমশিংদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈবা মশিং তম্বগী ৰাখল খনবদা মনুং লমশিংদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈবা মফম শিংদা মহৈশং লিংদুনা মহৈগী মঙান পাকশন্নবা হোৎনরম্মী। অসিগুম্বা শোন্নরিবা মীওইসিনা ১৯৭৯ ইং ২৬ জুন তারিখতা তাইবং পানবা থাদোকলমদুনা লাইমলেন তিনখি।

কলেজকী মহৈশংগী লাইরিক লাইশু হৈজরবসু মীওই অনি অসিনা চাহ মীওই লূপশিংগী খুনাই

পুনশিন্নদুনা হিংমিনবা য়ানবা থবক থৌরম কয়া তৌরম্মী। মরম অদুনা মখোয় অনি অসি চাহ বাগিচা মীওই লূপশিংগী খুনাইরোল শেম শাব মীনি হায়না শিংথানরি। দেশ অসিগী নিংতম লানদা আসামগী চাহ মীওই লূপশিংগী খুনাইগী খুদোল য়াম্না চাওনা লৈ। লালোংগী থৌরম থৌদাং মখল কয়াদা শরুক য়াদুনা মীওই কয়া চরকারগী তমথিরবা অৱাবা কয়া মায়োকনখ্রবনি। অদুতা নত্তনা মীওই কয়াসু থৱাই থাখ্রবনি।

১৯২১ ইং চহীগী “তিন্নবা য়াদবা ইহৌদা” (অসহযোগ আন্দোল) শরুক য়াদুনা হৌজিক্কী শোণিতপুর জিলাগী তেজপুর এণ্ড ঘগরা টিইষ্টেতকী মাংরি ওৱাং কৌবা মীওই অমনা থৱাই থাখি। মহাক্না নিংতম লানগী থৱাই ইহৌদসু চাহ মীওই লূপশিংনা থৱাই য়াওনা শরুক য়াখি। চরকারগী নমথবা তুহৎপীদুনা মীওই খরসু থৱাই মাংখি। ১৯৮০ ইং চহীদা শিখিবা দরংজিলাগী কৌপাতি চাহ বাগিচাগী বাধনা ওরাওঁ অসম আন্দোলনগীতমক থৱাই থাখিবা চাহ মীওইলূপশিংগী অহান্বা শ্বহীদনি।

**ৱাহং পরেং ঃ-**

১। আসামগী অহান্বা চাহ বাগিচা করম্বনো অমসুং করম্বা মতমদা লিংখৎখিবনো?

২। আসামগী অহান্বা চাহ কোম্পানীগী মীং করিনো অমসুং করম্বা মতমদা লিংখৎখিবনো?

৩। গিরমিটিয়া অমসুং আড়কাঠিয়া চালান হায়রগা করিবু খংনবগে? অমসুং করি খংবগে তেনতক্না ইয়ু।

৪। চাহ মীওই লূপ তরাগী মীং ইয়ু।

৫। চাহ মীওই লূপশিং মনুংদা করি করি লাইনিং চৎপগে?

৬। নিংতম লানগী অহান্বা নুপী শ্বহীদ অদো কনানো?

৭। আসাম আন্দোলনগী দমক্তা থৱাই কৎখিবা চাহ বাগিচাগী অহান্বা শ্বহীদ অদো কনানো?

৮। তেনতক ইয়ু ঃ-

(ক) মেঘরাজ কর্মকার (খ) সন্তোষ কুমার তপ্ন

(গ) চাইমন সিং হর

*************

# চুতীয়া

চুতীয়াশিং আসামগী অরিবা  য়েলহৌমীওইশিংগী মনুংগী মীওই লূপ অমনি। চাওরাক্ল তরুকশুবা শতাব্দীগী মমাঙঙৈগী চুতীয়া লৈপাক্□ী পূৰারীগী ওইবা মচাক ফংই। মতম অদুদগী অহোম নিংথৌ স্বৰ্গদেউ চুহুংমুং দিহিঙীয়াগী লৈঙাক মতমদা ৯খ্রীঃগী ১৫২৩) আহোম লৈপাক্□ী মনুংচন্ন ফাওবা মতম শাংলবা মতম অসি মখোয়না মরূ ওইনা ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী অৰাংফংবদা লৈঙাকলম্মী। পনবা য়াবদি আহোমগা লান্থেনবদা চুতীয়াশিংগী রানী কনথৌরবী সতী সাধনীনা থৌনা লৈনা লান্থেংনখি অমসুং আহোমগী মখা পোন্না লৈগদশুরূকপুদী শিখিবন হেন্ন ফৈ খঞ্জদুনা কুবের দত্ত লনবু মথাদা কোঞ্জদুনা চন্দনগিরি চীংথক্তগী মখাগী কুন্থদা চংথদুনা থৰায় থাখি।

হিমালয়গী অৰাংগী মানস সরোবরগী নোংপোক্ত লৈবা স্বাত সরোবর মনাক্□ী মফম অসি চুতীয়াশিংগী লৈফম ওইরম্মী। মফম অদুদগী মখোয়না আৰনশিরি তুলেরগী ৰাংম-ৰাহমদা নোংচূপ লোমদা লাক্তুনা ঙসিগী লক্ষীমপুরসিদা থুংলখি। স্বাত সরোবরগী মনাক্তগী লাকপা ক্মরন্ন মখোয়বু স্বাত্তীয়া  হায়না কৌনখি। মতম খোংলৈ তুঁইন্না হায়রিবা স্বাতীয়া ৰাহে অসিদগী চুতীয়া হায়বসি ওইখিবনি।

অমরোমদা অসিমসু থেংনৈ মদুদি “জি বা ডি বা টি হায়বদি ঈশিং নত্রগা তুরেলনি, ছু হায়বদি তুরেল ছু টি হায়বদি অশেংবা তুরেল হায়বনি,” তুরেল অদুগী ৰাংমদা লৈবা মীওইশিংনা অদু চুতীয়ানি।

চুতীয়াশিংনা পাল্লম্বা শদিয়া লৈপাক্□ী অরিবা মিংদি বিদর্ভ অমসুং মাগী কোনুংনা কুণ্ডিল নগরনি। চুতীয়াশিংনা মশাবু বিদর্ভ লৈপাক্□ী নিংথৌ ভীস্মক কী চাদ-নাওদানি হায়না শক্তাকচৈ। মখোয়না দেৰীবু খুরুমজৈ অমসুং শদিয়াগী কেঁচাইখাতী নত্রগা তাম্রেশ্বরী ইমাবু মী কৎতুনা ঈৰাৎ-থৌনিজৈ। চুতীয়া লৈপাক আহোম লৈপাক্□ী নুংচল্লবা মতুংদা আহোমশিংনসু কেঁচাখাইতী ইমাগী ইরাৎ-থৌরম পাংথোকখি। ইনিংথৌ স্বৰ্গদেউ গৌরীনাথ সিংহগী মতমদগী মী কৎপগী চৎনবী লৌথোকখি।

চুতীয়া শিংগী চাওখৎপা সংস্□ৃতিগী চৎনবী অমা লৈরম্মী, মখোয় অসি মঙ্গোলয়ড মীওই কাঙলূপকী

পাকশল্লবা বড়ো মীওই কাঙলূপকী মনুংচল্লি।

মখোয়না নগর শেমদুনা খুন্দারম্মী হায়না চাওরাক্ল খনবা য়াই। কুণ্ডিল নগর লখিমীনগর, রত্নপুর নত্রগা রতনপুরচিংবা কৌবা অমসুং মফমন অদুগী অকায়-অতোয় নগর খরনা হায়রিবা মীওইশিং অসিগী চাউখৎ সভ্যতা অমসুং সংস্□ৃতিগী মশক তাকই। সাতসরী অসম বুরঞ্জীদা আহোম নিংথৌনা চুতীয়া লৈপাক লান্দ ঙমদুনা ফংবা তোঙান-তোঙানবা পোৎ-চৈ অমসুং থৌমীশিংগী মরমদা উৎপা থেংনৈ। মদুগী মনুংদা “শামু ৩০, শগোল ৬০, মাস্পে□ট গুলি ৭৯, ইকায়খুম্নবগী শেঙ্গা পেনারেকপা, দোলাই থাংশাং, তিনশিৎপোৎ, যন ইরোইনচিংবা ময়াম্ব ফংঙে। গনক ফিশামী, সোনারী য়োৎ-থাং শাবা মী থাউয়োন শাগৈ লৈখোং শেংবা ফি শাগৈ ফিশুমী, শউন খোম্পা মী অতে থৌশু মী অতে অতোপ্পা শাগৈসু চুতীয়া লান্দা ফংই ...।” ৰাফম অসিদা পল্লিবা পে-শোরেকপা, দলাই থাংশাং তিনশিৎপোৎ নচিংবা অমসুং ফিশা মী সোনারী থবক তৌবা থাব□ী মীওইশিং অসিনা চুতীয়া লৈপাক অসি চাউখৎপা সভ্যতা অমসুং মীওইশিংগী মনুং থবক খাইদোকপগী থৌরাং লৈবা খুন্নাই অমা ওরিম্মী হায়বগী খুদম অদু তাকই।

মখোয়শিং অসি বাস্□র্য শিল্পদসু চাউখৎলম্মী। ৰাহোংগা লৌয়ননা বিষ্ণুগী মূর্ত্তি, শিৱ-পার্বতীগী মূর্ত্তি, নুমিৎকী মূর্ত্তি তাম্রেশ্বরী মন্দির, কেচাইখাতী লাইবুং, মালিনি লাইবুং নচিংবসি মখোয়গী স্থাপত্য-ভাস্□র্যগী শক্তাক উৎলি। মসিগী মথক্ততসু সনানা শাবা লাংদেং (দম্বরু) সনামচুগী লিক, সনাগী নাচোম সনা অমসুং লুপাগী গামখারু (খুজি) জোনবিরি (থা-মচেৎ মানব লীক) সনাগী হৌদাং থাকখল অহুম নাইবা ফম্বাল (সিংহাসন) দবা (ঈশৈদা শীজিন্নবা যন্□) কালি (চিন্ন-খোংবা যন্□ অমা), চরা-নাও (তোংলগা শান্নবা হী) নচিংবা শীজিন্নরম্বগী খুদম ফংই। মাসিনা মখোয়গী চাউখৎপা সংস্□ৃতিগী ৰাখল্লোল চেনবগী খুদম পীরি।

বুরঞ্জীবিদ বেনুধর শর্মানা পল্লি মদুদি — চুতীয়াশিংদগী পুরকখি নৌংমৈশিংদুগী মনুংদা মিঠাহালোং কৌবা অচৌবা টোপ অদুনা পুন্নমক্তগী ফরম্মী। টোপ অদুগী মথকথংবা শরূক অদু শেঞ্জেং মচু লুপ্পগা অমুক মদুদা সনাগী লৈরোং। থোকহল্লমী। চুতীয়া মীওই অমনা ৰাগী পায়ানা থাকখল অনিংথোক্ল শাবা পোৎশক অমদা হাপ্তুনা য়ান্না শোকশিন্ন হাপ্তুনা পুরকখি। মতম অদু ফাওবা লুইত তুরেলগী খা-ৰাংদা থাকখল অনি থোক্ল শাবা য়ুম অমা ফাওবা লৈরমদে। ইনিংথৌ স্বর্গদেউনা পোৎশক অদুগী ফজবা মক্ত, উবদা হরাওজখি অমসুং খুদম অদুগী মওংদা নিংথৌগী য়ুমসুং থাখল অনি থোক্ল। সাবগী য়াথং পীখি।

হন্না লালহৌরব□নি হায়বগী চিংনবনা আহোম নিংথৌনা খুজিং মচ-মচা খরদা খাইদোক্তুনা আসামগী

তোঙান-তৌঙান মফমদা লৈহনখিবনা চুতীয়াশিংগী মমাংগী কৃষ্টি-সংস্কৃতি, সভ্যতা মতীক চানা ঙাক্তুনা থম্বা ঙমখিদে।

চুতীয়া মীওই কাঙলূপকী অয়াম্ব মীওইনা অসমীয়া জাতিগী ওইবা পুন্সিদা তোংঙান-তোংঙান্ব মতাংদা খুদোল তমদুনা ঙসি ফাওবা নিংশিংনঙাই ওইনা লৈরি। মকাদা মখোয় খরগী মরমদা শন্নপ্পা পঞ্জরি।

**বৈষ্ণৱ পণ্ডিত সোনারাম চুতীয়া**

ঙসিগী যোরহাট জিলাগী কাকজান লমদমগী বাম কুকুরাছোৱা খুঙ্গংদা ইংকুমজা ১৯১৫ দা তাইবং ফাওরকখি। মহাক্ন ইংকুমজা ১৯৩৫ দা হীরম মঙাদা লেটার য়াওনা মেট্রিক পাশ তৌদুনা কটন কলেজদগী বিজ্ঞানগী শাখাদা মিংচৎ লৈনা বেচলার ডিগ্রী পাশ তৌদুনা ব্লোক ডেভেলপমেণ্ট অফিসার ওইনা থৌ পুখি। ভারতকী নীংতম লান্দা শরূক য়াদুনা মীওই অসিনা পাদোক তাবা তাখিরম্মী। মতুংগী মতমদা শেংদোকপা পাম্ব ৰাখল অমগা লোয়ননা শ্রীমন্ত শংকরদেৱ সংঘদা শরূক য়াখি অমসুং টার্ম ৯ থৌবুবা ওইনা থৌ পুখি। মহাক্না মরূ ওইবা লাইরিকশিংদি — বৈষ্ণৱ ধর্মর রূপ রেখা, (বৈষ্ণৱ ধর্মগী রূপ রেখা) নামধর্ম প্রকাশ (নাম ধর্ম অফোংবা), মহাপুরুষ শ্রীশ্রী হরিদেৱ চরিত (শ্রীশ্রী হরিদেৱকী পুন্সিবারী) ভাগৱত মহাত্ম্য (ভাগৱতকী মতীক ময়ায়) মহাপুরুষীয়া জিজ্ঞাস (মহাপুরুষ অনিগী হংনবা) বেদ আৰু মহাপুরুষীয়া ধর্ম (বেদ অমসুং মহাপুরুষ অনিগী লাইনিং) নচিংবনি। ভারতবর্ষগী কেন্দ্রগী সরকারনা ধর্ম প্রান ওইরবা মীওই অসিবু নীংতম লান্মী হায়না শকতাকপীখি। আসাম সরকারনা মহাকপু শ্রীমন্তশংকর দেব মানা অমসুং কেবিনেটকী থাক্তা ঈকাই খুম্নবা উৎখি। অমরোমদা শ্রীমন্ত শংকরদেৱ সংঘনা “শ্রীমন্ত শংকরৰ মাধৱদেৱ মানা” অমসুং “বৈষ্ণৱ পণ্ডিত” মিংথোন পীদুনা মহাকপু পুন্সিচুপ্পগী খুদোলবু মতীক চানা শরতাক পীখি।

**বুরঞ্জীবিদ ড. স্বর্ণলতা বরুৱা ঃ**

ডিব্রুগড় বিশ্ববিদ্যালয়গী ইতিহাস ডিপার্টমেণ্টগী হেড অমদি শ্রীশ্রী অনিরুদ্ধদেৱ ফমগী নুপী প্রোফেসর ওইনা থৌ পুদুনা থবক্তগী পোৎখরবী ড. স্বর্ণলতা বরুৱানা অৰাং-নোংপোক রাজ্যগী নুপীগী বুরঞ্জীবিদ অমা ওইনা শকতাক ফংজেখি। চুতীয়া জাতিগী ইতিহাসকী চিফ সেক্রেটারী নুপী অসিনা A Comprehensive History of Assam, Last Day of Ahom Monanchy. A history of Assam From 1769-1826 নচিংবা য়াম্ন মরূ ওইরবা পুৱারীগী মচাক্ন থল্লবা লাইরিকশিংগী মথক্তসু পুৱারীগী ওইবা প্রবন্ধ ময়াম অমনা আসামগী পুৱারী নৈনবগী মতাংদব মরাৎ কায়না থমমখি। পনবায়াই মদুদি পুৱারী খঙলবী নুপি

অসিগী Status of Women in Non-Tribal socities of Assam কৌবা কৌবা নৈনচোরোল অসিনা পাকশন্না সন্মান ফংবা ঙমজখি।

**থবক্ল-থৱায় ওইজবা হরিপ্রসাদ নেওগ ঃ**

যোরহাট নগরদগী চাওরাক্ল কিঃ মিঃ ৫ রোমগী নোংপোক কেন্দুগুরিগী নম্বর ২ বামুন খুঙ্গংদা পোকখিবা হরিপ্রসাদ নেওগনা মরিয়নি কলেজগী প্রিন্সিপাল ওইদুনা থৌ পুখিবগী মথক্তা ডিব্রুগড় বিশ্ববিধ্যালয়গী তন্ন লাইরিক লেংবা সমিতিগী অহান্ব সেক্রেটারী ওইনা হৈশিংনা থৌ-পুখি। থৌকঙহৈবগীদমক মহাক্ল অসম সাহিত্য সভাগী মথং সম্পাদক ৱৈনা চহি তরুক অমসুং চহি মরি প্রধান সম্পাদক ওইনা থৌ পুখি । মহাক্ল শেমগৎ শৌগৎপী ওইবা হৈশিংবা অমদি মথৌদাং মশক খঙবগী খুদম উৎখি। সাহিত্য সভাগী প্রধান সম্পাদক অমা ওইনা সাহিত্যরথী লক্ষ্মীনাথ বেজবরুৱাগী চহি চাম্ম শুবগী মপোক কুমওনদা মীয়াম মপুংথানা তিলহন্দুনা পাংথোকখিবা থৌরম্ন মহাক শিল্লাংহৈবা মীওইনি হায়বগী খুদম্নি। মহাক্ল রাধাকান্ত সন্দিকৈ, বিশ্বনাথ রাজবংশী, চন্দ্র কুমার আগরৱালা নচিংবা লাইরিক ফোংবগী মথক্তা আসামীয়া সংস্□ৃতি (লীলা গগৈগা পুন্দুনা) ডিম্বেশ্বর নেওগ, রঘুনাথ চৌধারী, নকুল চন্দ্র ভূঞা নচিংবা লাইরিক অমসুং জোৱার, সাহিত্যদূত, গতিপথ নচিংবা সম্পাদন তৌদুনা আসামগী জাতিগী ৱৈবা পুন্সিদা মরূ ওইবা খুদোল তমখি।

**মায়ামগী থৱায় ওইরিবা চিদানন্দ শইকীয়া ঃ–**

ছয় দুৱার লিংখৎপা প্রিন্সিপাল, বুরঞ্জীবিদ কুশেশ্বর বরুৱা ইংকুমজা ১৯৩৬গী মতমদুগী লক্ষীমপুর জিলাগী ঢলপুর মৌজাগী বরথেকেরাবারী খুঙ্গংদা পোকখি। আসাম সরকারগী সাহিত্য পেন্সন ফংলবা মীওই অসিনা তোঙান-তোঙান্ব হীরমশিংগী লাঁরিক কয়ামরোম লেংদুনা অসমীয়া সাহিত্য জগৎ অসি লিংহনখি। মদুগী মনুংদা মরূ ওইনা লৌনিংঙাই ওইবা লাইরিক্তি কলেজ দুবরি বন, অনুভৱ, প্রসন্মর উমানত লগন, আগন্তুক নচিংবা শৈরেং সংকলননি ধন্য জন্ম ভারত বরিষে, জননেতা ভীমবর দেউরী লুইতর আগারির অসমীয়া সভ্যতা ছোট কোৱরর বুরঞ্জী ইতিহাসকী ওইবা হোংলকপদা আসামগী মীওই কাঙলূপ, চুতীয়া নিংথৌ রত্ন□বজ পাল Sati Sadhini Deuri Chutia Language অমসুং An outline Grammar of the Deuri Chutia Language Spoken in Upper Assam by W.D. না মরূনি। মসিগীসু মথক্তা ঈশৈ লাইরিক অনি অমসুং পাওক-চেফোং নচিংবদা ৫০০ দগীসু মথক্ত ৱারেং ইখি। পনয়াবদি ইংকুমজা ১৯৯২ দা গহপুর বিধান সভা সমষ্টিদগী আসাম বিধানসভাদা মীখল ওইনা কাখিবা বরুৱাদেৱনা ডও

আম্বেদকার ফেলশ্বিপ অমসুং  আসাম সরকারগী চুতীয়া জনজাতি চাউখৎ লূপ্ন পীখিবা সাতী সাধনী মনাসু ফংখি।

1. Nath Rajmohan, "The Background of Assam Culture, P.68"
2. Devi Lakshi, "Ahom Tribal Relation, 1968 P.59

## ৱাহং পরেং ঃ

১। চুতীয়াশিংগী অহান্নদা কদাইদা খুন্দারম্মী ?

২। চুতীয়া ৱাহৈগী ৱাহন্দোক করম্না ৱাহৈদগীনো ?

৩। চুতীয়াশিংগী থৌনালৈবী অমগী মিৎ ইয়ু।

৪। মখাদা পীরিবাশিং অসিগী মরমদা শন্না ইয়ু।

ক) সোনারাম চুতীয়া  খ) ড০ স্বর্ণলতা বরুৱা  গ) সিদানন্দ শইকীয়া  ঘ) কোযেশ্বর বরুৱা

৫। চুতীয়াশিংগী মরমদা শন্না শক্তাক পীয়ু।

*************

# ঠেঙ্গাল কসারী

য়েলহৌমী অমা ওইনা য়েলহৌঙৈদগী অসমদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরকপা ফরূপচাশিংগী মনুংদা ঠেঙ্গাল কসারীসু অমনি। এন্থোরপোলোজিষ্ট শিংনা কিরাট ফূরূপকী মঙ্গোলয়ড কাংলুপকী মীনি হায়রম্মী। মতম অমদা  অসমগা লোয়ননা ভারতকী অৱাং থংবা লমসে কিৰাতনা খুকন পাঙ্গননা পালম্মী।

মঙ্গোলীয় (কিরাত) ফূরূপকী শকলৈ কুচিদি কৃষ্ণ কুচু, (পীত) অমুবা শম, কৌই লিক্লা হৌবা, হকচাং তুহাও য়াম্না চেন্দবা, মায়থোং পাকপা অমসুং নাতোন লম্বানি। লায়বক তরু তরুবা, মীৎখুবা মঙ্গোলীয় ফুরূপকী শুওংনি। মহৌশানা তুরেল অচৌবা নত্রগা চীংগী  নাউপোমদা খুন্দা লৈতাদুনা লাকই। মরম অদুনা সংস্□ৃত লোনদা শাগৈ সি কক্ষৰাট হায়রম্মী। কক্ষৰাট হায়রম্মী। কক্ষৰাট ৰাহৈদগী কক্ষত-কচ্ছ ৰাহৈদা অরি তপশিল্লগা কচ্ছা অরি-কসারী মীংথোল ওইখি। ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্তা  খুন্দাদুনা লৈরিবা মঙ্গোলীয় ফূরূপকী কিরাত নত্রগা কসারীশিংনা  মশাবু বড়ো নত্রগা বড়োফিসা হায়না শাক্তাক নিংই। বড়োশিংবু ভারতকী হিন্দু লাইনিংচৎপা কাংলুপনা কিরাত, ম্লেচ্ছ, কসারী হায়না  কৌনরম্মী। তশেংনদি মখোয় কসারীনি। ড. ভূবন মোহন দাসনা অৱাং নোংপোক ভারতকী মঙ্গোলোয়শিংবু খাসি, বড়ো, লুচাই কুকী, নগা,  অরুণাচলগী চীংবুরোয় অমদি অতোপ্পা ফূরূপশিংগী মনুংদা মিছিং, দেউরী, হাজং পন্না যাই। বড়ো কাংলুপকী মনুংদা গারো, রাভা, মেচ,  তিৰা-ডিমাছা, ঠেঙ্গাল, সোনোৱাল, বরুৱা, মঙ্গোলোয়দা চিংই। অদুনদি ঠেঙ্গাল কসারীবু মঙ্গোলীয় কাংলুপকী বড়ো ফূরূপকী নোংপোকতা লৈবা শাগৈনি হায়না লৌবা য়াই।

ঠেঙ্গাল শাগৈসে মরত ওইনা পাণ্ডৱকী পাঙ্গনবা ভীমগী মচা ঘটোৎকচগী বংশনি হায়না শক্তাকই। হিরিম্বাগা পান্নদুনা ভীমনা ঘটোৎকচ পোকই। হিরিম্বগী মমিং থৌদুনা লৈবাক অসিবু হিরিম্বা লৈবাক অদুগা কোনুংনা হিরিম্বা পুর কৌনরম্মী। নিংথৌশিংদসু মসাবু হিরিম্বা পতি হায়না শক্তাকলম্মী।

ঠেঙ্গাল কসারী হৌরক ৰারী ঃ লান, মায়োকননা মুক্নরম্বা অতৈ অতৈ লম্বা তৌবদা মায়পাকপা মায়থিবগী মরক্তা হেড়েম্বিয়াল কাংলুপকি তেন কাপ্পদা হৈ শিংবা জঙ বাহাদুর অমসুং চক্রধবজ-কৌবা পাখংমচা  অনীনা কসারী ইমুং মনুংগী মীওইশিং খরা লোয়নাদুনা দৈয়াং তম্পাক□ী কাছমারী লমলেনদা লৈবাক অমা লিংদুনা জঙ বাহাদুরনা নিংথৌ ওইনা  পালম্মী। মাগী লান্মীশিংবু ঠেঙা (Part Loos) অকোম্বা খোংগ্রাউ শেৎলগা লান থেংনবা থারম্মী। লানদা শেৎপা ঠেঙাসে তংদু  লৈতাবা মতমদসু কোয়বা চৎপদসু শিজিন্নৈ হায়বগী জংবাহাদুর

অমদি মাগী মীওইশিংবু ঠেঙাল কসারী হায়খি। ড়

**ঠেঙাল কসারীগী লৈফম** ঃ নীংশিংনিঙাই ওইবা লিখুনদগী খংবাঙম্মী মদুদি অসমগী মথক মাইকৈ শদিয়াদগী দৈয়াং, ধনশিরি তম্পাক অমসুং নগাওঁ য়ৌনা ঠেঙ্গাল কসারীগী মফম ওইরম্মী। শেম্মিৎলোন অমদি অতৈ মরম কয়াদগী অসমগী মফম কয়াদা মরু ওইনা ব্রহ্মপুত্রগী তম্পাক□ী অৰাং-খা অনীমক্তা খায়দোকননা খুন্দা লৈতাখি। খা-মাইকৈদা যোরহাটকী নেশনেল হাইৱে ৩৭দগী নগা পাহার য়ৌনা তিতাবরনা মরু ওইবা মফম ওইরগা পাক চাওরবা লমদমসিদা মীশিং য়াম্না ঠেঙ্গাল কসারী খুন্দা লৈতাদুনা লৈরি। গোলাঘাট জিলাগী ধনশিরি তুরেল মপান্দা ঠেঙ্গাল মথংশিৎনা-পঙ্কা মরঙি, বুঢ়াগোহাঁই খাট, সরু পথার, বর পথার, চাউদাং পথার, গমারি, চিচু পানী, মেরাপানী, কাছমারী, দৈয়াং খুঙ্গং কয়দা খুন্দা লৈতারি। কার্বি আঙলং জিলাদনা কালিয়নী, শিৱসাগরদা সোনারি, নাজিরা, ডিব্রুগড় জিলাদনা নাহরনী, ঠেঙ্গাল গাঁও, চাচনী, উত্তর লক্ষীমপুরদনা বিহ্‌পুরীয়া, কাৱৈমারী বাগান, বঙালমারা, নাহরনী, পকাদৌল, খোলাগুরি, বরাইখনা, নাওবৈছাগী সোনাপুর, লোকামপুর, ঢেকীয়াজুলি, দলপা পথার, বালিগাঁও, দক্ষিন লালুক, হারমোতী, বান্দরদেৱা, উত্তর লালুক, ফুলবারী, কদম, ধেমাজী, গোগামুখ, কৃষ্ণপুর, গঢ়পারা, নাহরবারী, পানীগাওঁ, দঙ্গিবিল, জকাই পেলোৱা, জোনাইনা চিংবা মফমশিংদা মীশিং য়াম্বা ঠেঙ্গাল কসারী খুঙ্গংশিংনি।

ঠেঙ্গাল হায়না খংনরকপদগী মখোয়গী মমিংদা ঠেঙ্গাল মীংথোল নপ্পা ইন্নরকই। অদুবু কনা কনাগুম্বদি ঠেঙ্গাল ৱাহৈদো কসারী ৱাহৈসু হাপ্পরকখি। নিংথৌগী অচৌবা ফন্নাইবা ওইরকই হায়না খুদমসে মখোয়না শিজিন্নরিবা নীংথোলনা তাকই। শইকীয়া , হাজরিকা, বরা, নেওগ, বরুৱা, রাজখোৱা, দাস, বর শইকীয়া, বরুৱা, বরবরুৱা, হাতী বরুৱা, ঘোরা বরুৱা, ভরালী, চাংমাই পন্বা য়াই।

**নাৎ অমসুং চৎনবী** ঃ ঠেঙ্গাল কসারী খুনায়সু নাৎকী মচাক কয়াসে থাগোলগা লাকখি। মতুংদা অসমীয়া খুনায় পুন্সিগা তোৎশিন্নখি। নুপানা খুল্লিংবা অমদি অপুন্বা ইমুং খুদিংদা চৎনবী কয়াগী মমি তাই। অপোকপন ইমুং মনুংগী মরু ওইবা মীওইনি।

**খুনায় শেমগৎপগী মওং** ঃ থায়নদা ঠেঙ্গাল খুনায়সে “কৈরাতজ” লাইনিংনা পুন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু ১৫ শুবা চহীচাদা মহাপুরুষ শংকর দেবগী নব বৈষ্ণৱ লাইনিংদা লুপখি। মহয় ওইনা খুহ্‌গং খুদিংদা খুনায় শেমগৎপগী মওংদা নামঘৰ লিংখৎখি। নামঘৰনা শাগৈ অসিগী লাইনিং অমদি খুনায় পুন্সিরোলদা অচৌবা মফম অমা কল্লকখি। সত্রগী চৎনবী মতুং ইন্না মথোয়না তারিক অকোয়বা মফম কয়াগী মরক্তগী বরমেধি,

কুরিয়া মেধি, চুক মেধি, বরটেকেলা, টেকেলা হায়না থৌ পুননব থৌনাইবা হাপতুনা খুঙ্গং খুদিংদা, শিংলুপ (খেল) অমমদা নামঘর থম্বাগা লোয়ননা নামঘরীয়া, ভড়ালী, পাঠক, ৰায়ন, দেউরী, ঠুলীয়া ওজা হায়না খায়দোক্না থমলম্মী। সত্রগী মপু সত্রাধিকারনা রাজমেধি, পাচনি, অমদি বরমেধিগী মতেংনা মখোয়গী খুন্নলগা মরি থমদুনা লাইনিং, লিচৎকী থৌরম পাংথোকই। ঠেঙ্গাল কসারীগী খুনয়দা নুপীগী মফম নুপাগা মাননা লৈ।

**শেনমিৎলোন ঃ** খুঙ্গাংদা লৈবনা লৌউ শিংবগী মথক্তা হিংঙি। শন্নাহায়রবদা লৌশুবনা মরু ওইবা শিনফমনি। ষণ, ইরোয় ঙানু খুকু, হামেং নচিংবা লোয়দুনা মদু য়োঞ্জরগী হিংনা মচাক পুথোকই। য়ুমশা কয়া আলু, পান।

**খুন্নায় পুন্সি ঃ** মঙ্গোলীয় ফুরুপকী ফজবা চৎনরোলদি অপূন্বা অমা শাগৎতুনা পূন্না হিংমিনবা পুন্সি খুহিংদুনি। খুনলিংদুনা, লৌউবা, য়ুমশাবা, ঙা-পাবা, হরাও কুম্মৈ, অৰা-নুঙাই পূন্বদা অমত্তা ওইনা পূন্মা শরুক য়ামিন্নৈ। "হারিয়া মতা" হুজিক্না "হুহুরি" ঙসিসু চৎনবীসে চৎলি। লুহোংবদা মাগুব খনবা, য়ুম শাবা, কৌ লোকপা অমদি ঙাপাবনা চিংবা থৌরমদা পূন্না পাংথোকমীলৈ।

**হরাওঁ কুম্মৈ ঃ** চৎনবী মতুং ইন্না মখোয়গীসু হরাও কুম্মৈ অমদি ইরাৎ থৌনীনী থৌরম পাংথোকই। অসমগী শাগৈগী হরাও কুম্মৈ ওইরিবা বিহু পাক শন্না চৎনবী মতুংইন্না হরাওনা পাংথোকই। লমদা থা চংলকপগা মখোয়গী হকচাংদা বিহুগী শাফু ফুবা হৌরকই। থা অসিনা চংলকপগা নিঙোলশিংনা রাতি ববিহুগী জগোয় শায়। খোংনাং নত্রগা সনাখোংনাং মখোংদা বিহু পাংথোক্লবা মফম শেম শায়। রাতি বিহু লমদমগী সংক্রান্তি, হায়বদি শজিবুগী (বহাগ) বিহু নোংমা মমাং (উরুকা) ফাওবা পাংথোকই। তরাছিরা, বিহু নত্রগা বালি-হুচরি, বোকা বিহু অমসুং নরাছিঙা বিহু, পাংথোকই। অসমীয়া চৎনবী মতুংইন্না কাতি বিহু অমসুং মাঘ-বিহু চৎন-পথাপ মতুংইন্ন পাংথোক্তুনা লাকই।

**চান্ন-থকনবা চিঞ্জাক ঃ** চাকনা মরু ওইবা চিঞ্জাকনি। মখল মখা য়েনসাং মথেল গা চাক□া চায়। মনা মশিংগা লোয়ননা শা, ঙাসু, চায়। থেঙ্গু, ঙাপ্রম, ৰাঠখু, মগাতিন, এরিতিন, চফুখোই মচানা চিংবসু থৰায়তানা চায়। ঙা অকংবাশুগা ইরগা কুমশুগুম্বা হেনতাক ৰাউতোং নত্রগা লৈবাক□ী চকুদা নমদুনা থন্নী। মদুবু শুকতি মাছ হায়নৈ। ঙারি, হেনতাক, ফাওবৌহা, শোইবুম (কাহুদিঃ হঙ্গাম মরু অঙাংবনা ঙেঠবা, (খায়নি) উতি থাকপা (পানীটেঙা) অশিন বা-মহিং (শোকোতা) অনাম পাম্বীগী মনা ফৌদোকলগা কংথবা মখোয়গী লিদুনা থমলগা চাবা চিঞ্জাকনি।

**ফিজেৎ ঃ** ঠেঙ্গাল কসারী নুপানা অসমীয়াশিংনা মহৌশা শেৎপা ফিজোল শ্যেলি। অসমগী অতৈ শোথরবা

চীংবুরোয়শিংগী নুপীনা শেৎপা ফিজোলগুম, ঠেঙ্গাল কসারী নুপীনা থবাক মথক্তা চিংখৎলগা (মেখেলা) ফনেক শেৎলি। নুপীশিংনা ব্লাউজ ফুরিৎ লিৎ। ইয়োংদা ফি ফজনা শাবা ঙম্মী। মৌ ওইবীনা রিহা-মেখেলা অমসুং চাদর সিজিন্নৈ। য়ুংনা শম পুল্লী। য়াদা অমবা মচা শংবা চৎনরম্মী। মায়না মমাংচত্তগী সনা-লপা শিজিন্নরকবা ঠেঙ্গাল কসারীশিংগী মমাঙঙৈদগী সনা-লুপাগী লৈজ্রেং শিজিন্নরকই। লৈত্রেংগী ময়ুংদা জোন-বিরি, দুগ-দুগী, মাদলি, বিরি, বেনা, পোৱালমনি, থুরীয়া, কেরু কানফুল, খারু, উকা, বাখরুৱা, খুদোপ (নাকফুলিনা নাসিকা চিংবা মখল কয়া শাদুনা শিজিন্নরম্মী। মমাঙঙৈদা কসারী খুন্নায়দা নুপানসু তোঙান-তোঙান্ন লৈত্রেং খুৎ-না অমসুং উক্তা শিরম্মী। মতমগী চাউখৎলকপগী মহয় ওইনা ঠেঙ্গালশিংগী খুন্নায়গী পুন্সি খুহিংগী পরিংদা অহোংবা কয়া লাকলে।

**লোন অমসুং সাহিত্য** ঃ অসমগী মথক মাইকৈদা খুন্দাদুনা লৈরিবা ঠেঙ্গাল কসারীশিংগী মমা মরোলদি অসমীয়ানি । চীনবুং সাহিত্য, মহৌশা থাজনরকপা (লোক বিশ্বাস), লাইগী ৱারী, থায়নগী ৱারীশিংবুন মরাং কায়না লৈজবা শৈগিন। তেজিমলা, পানেশৈ, কাঞ্চনমতি, ফুলরা-চতলা, লিতিকাই, লখাই তরানা চিংবা ৱারীকয়া ঙসিসু পামজনা তান্নরি। অসিগীসু মথক্তা পাউরৌ-পাউতাক, ৱাহৈচেবুল, মহৌশাদগী ঙাংনা শঙ্করকপা ৱাহৈশিং, চীনবুং ৱাহৈ, চীনবুং ঈশৈ, বিহু ঈশৈ, হুচরি, ঈসৈ, নাওশুম ঈশৈ, (ধাইনাম) চাবোক ঈশৈ, অইনাম, লখিমী ৱারী, হঙোই লুহোংবগী ৱারী, পুন্সি নুংশাং ঈশৈ, গোপীশিংগী ঈশৈ, উরিৎতানবা ঈশৈ ঙসিসু পাক শন্ন তান্নরি। মখোয়গী মথক্তা পল্লিবা সাহিত্যগী মখলশিংসিনা অসমীয়াগী খুনায় চৎন্নরোলদা অচৌবা খুদোল অমা পীদুনা লাকই। মসিমক চীনবুং সাহিত্যগী লননি।

**লাইনিং লিচৎ অমসুং ইরাৎ থৌনি** ঃ শিৱ মহাদেব মপুং ওইনা নিংজবা কৈরাতজ ধর্মনি। বৈষ্ণৱ ধর্ম লৌরবগী মতুং বাসুদেৱ গোসাঁই মতমদগী বৈষ্ণৱ ভক্ত ওইনা আউনটি সত্রগী (শিষ্য) মচা মনাই ওইরকই। মাইকৈশিদগী শাগৈসে ব্রহ্ম সংহতিগী কাংলুপনি। অরিবা বেদগী চৎন-পথাপতা চৎনি। দুর্গা পূজা, বাইথ পূজা, দেওপূজা, ফত্তাহৌদি তুরেলদা থাদোকপনী পূজা, শঞ্জেন নাহাগী চাক-ীশিং চানবা, চেং চাবা (ছাউখখোৱা) না চিংবা মখল কয়া ঈরাৎ থৌনি। য়ুমগী ফত্তানুংদা থোকতনবা বিহুদা সংক্রান্তিনা লৈখিদ্রবশিংদা ঈরাৎ থৌনি। শনি, রাহু, কেতু গ্রহবসু খুরুম্মী। লাইরেম্বী লৌখৎপা, পুন্সি নুংশাংনবা নিজবা অমদি মহাদেবগী শওংগী পাংখল্পী খন্না সিজু উপাল থাদুনা লাইরেম্বা-লাইরেম্বী অমসুং ভুত -প্রেততা চৎনবী মতুং ইন্না ইরাৎনৈ। লুহোংবা ঃ মীওইবগী থৱায় হকচাং য়াওনা হরাওবা থৌরমদি লুহোংবনি।

কসারীগীসু লুহোংবা মখল মরীশুই –

১। মসা মসা য়ান্নদুনা চেন্বা ।

২। মীয়ামগী য়াইপা থৌনি লৌরগা য়ান্না চন্না লুহোংবা।

৩। য়ান্না চুন্না ধুপ থাউমৈ কৎলগা মীয়ামদগী য়াইফ মঙ্গল লৌদুনা কৈনা কৎপা।

৪। হোম তৌরগা লুহোংবা।

নুপা ময়ুম নুপী ময়ুম হায়না শরুদুনা য়ানবা অদু “বাওরা” হায়নৈ। ক্বাপানা পূরগী নুপী ময়ুমদা মৌ হায়বা মাংগোল কায়। মদুবু ঠেঙ্গালশিংনা য়ুমগী পুন্সি খুহিংদা মথৌ তাবা পোৎলম খুদিংমক উ-ৰা অমসুং পোঙনচিংবানা শেমই।

ফিসা ইয়োংনচিংবগী পোৎলমশিং অমসুং লৌ-উ-শিংউগী পোৎলমশিং - নাঙোল, পোৎপু, উকায়, ক্যেচি, ফৌকোৎনচিংবা শেন্বা য়াম্ন হৈরম্মী।

**শিনফম** ঃ ঠেঙ্গাল কসারী সনাশুবা, লুপাশুবা, শেংশেং, য়োৎনা শাবা শিনফমগা মরি লৈনয়কঠ। লুপা খোজিলি হায়বগী রূপোৰাল কসারী হায়নৈ। খুৎকী ওইবা শিনফমদসু হৈ শিংই। ....... নাগেশ্বর পাম্বীগী ঠেকী ৰাংনত্রগা মনাহী পাম্বীগী খাবৈ, লাইথন্নবা মফম (আসন) টেবল, চেয়ার, ফক অমদি বিছুদা শিজিননবা ইরোয় মচিনা শাবা পেপা (বাশি),. গগনা (লাংনা শাবা), ৰাগী কশি, ৰা-কবোক, তারানা খোংবা বিন মশাগী ওইনা শিজিননবা শাবা ঙম্মী। রেসমগী শিনফমসু মপা মপুগী মতমদগী শিজিন্নরকই। মঙ্গোলীয় কিরাতনা অমসদা পাট, মুগা অমদি রেশমনা শাবা ফিজোল চৎন্নরকই। উমংগী মুগাতিল য়ুমদা লোয়বা হৌখি। এরি, মুগা তিল মহুমদগী লংনাইদুনা কি শারকই।

**অশি থৌরম** ঃ অসিবা হকচাং মৈ থাবা অমদি লৈরোনচন্না অনীমক চৎনৈ। চৎনবী মতুংইনা অসি থৌরম পাংতোকই। লাইনীং লৌদবা য়াদ্রবা থৌরমনি। হিন্দুগী মতুংইন্না শিবগী থৌরম পাংথোকই।

**অরোয়বদা** ঃ শাগৈসিগী থৌরকলোন, চৎনবীগী মচাকশিং, লাইনিং লিচৎ ঙাক্ক চৎপা অসমগী য়েলহৌমীনি। মসাগী চৎনবী, লাইনিং-লিচৎ, ইরাৎ-থৌনি ঙাক্ক লাকচরবসু অসমীয়া শাগৈ অমা শেল্লকপদা অচৌবা থৌদাং য়াদুনা লাকই। অতোপ্পা ফুরূপগুম্না অসমীয়াগী খুনায়রোল শেমগৎলক পদা করিসু তাদনা য়াওরকই। অসমীয়া খুনায়গী থাদোকপা য়াদ্রবা হকচাং কয়াৎ অমগুম য়াওরকলবা লৈহৌচানি। ঠেঙ্গাল কসারীগী অয়াম্ব মীওইনা অসমীয়া খুন্নায়রোল শেম্বদা খুদোল তল্লম্বা মীওই খরগী মরমদা মখাদা পঞ্জরি।

গিরিধর ঠেঙ্গাল ঃ লৈঙাকলোন, শেন্মিৎলোন, খুনাইলোন অমদি মহৈ মশিংদা শোথাদুনা লৈরবা অসমগী চাংবুরোয় কাংলুপকী মনুংদা য়েলহৌমী ওইরিবা ঠেঙ্গাল কসারীসু অমনি। কাংলুপ অসিবু থোইদোক্না মশক নাইনা পুখ্যনবা হোৎনরম্বশিংগী মনুংদা গিরিধর ঠেঙ্গালসু অমনি।

যোরহাট জিলা ঠেঙ্গাল মৌজা মনুং চন্বা উলুতলী খুঙ্গংদা লাইকরা লৌমী অমগী য়ুমদা ইং ১৯২১ গী জানুৱারী ১২ দা পোকই। অপোকপগী মীং জিলিরাম অমসুং অপোকপগীনা কান্দরী ঠেঙাল কৌই। অহাংওইনা মমা কায়নখ্রবা গিরিধরবু মমাচৌবীনা নাওকোলকখি। মহৈ মশিং তন্নরকপা মতম ওইরকপনা অপোকপা মপানা ইং ১৯২৯ দা বজালকরী এল. পি. স্□ুলদা মীং চনৰিখি। ইং ১৯৩৪ দা বৃত্তি ফংদুনা যোরহাটকী মনুংদা অহুমশুবা ওইনা পাস তৌখি। মথংদা তিতাবর এম. ই. স্□ুলদা ইং ১৯৩৬ দা অপোকপা মপা লৈখিদে। এম. ই. গী অরোয়বা পরীক্ষাদসু বৃত্তিফং দুনা ইং ১৯৩৮ দা যোরহাটকী Govt. High School দা তমখি। ইং ১৯৪২ দা মেট্রিক পাস তৌই। ইং ১৯৪৪ দা যোরহাটকী জে. বি. কলেজদগী আই. এস. সি. অদুগা ইং ১৯৮৬ দা বি. বরুৱা কলেজ গুৱাহাটীদগী বি. এস. সি. পাস তৌখি। তমনিংবগী ঈখৌ লাংবনা অৱাবগী মরক্তা গুৱাহাটী আর্ল ল. কলেজদগী ইং ১৯৫২ দা বি. এল. পাস তৌখি।

ওঝাগী শিনফমদা অহন্বা খোং থাংজিনখি। ইং ১৯৫২ দগী ৫৩ ফাত্তবা যোরহাটকী ন-আলি তিতারাম বরদলৈ হাইস্□ুলদা ওজা ওইরম্মী। ইং ১৯৫৩ দা ওঝাদগী পোত্থারগা রাজনিতীদা খোংদাখি। যোরহাট কৌর্টতা ওকালতি তৌরিঙৈ খুনায়গী থৌরম থৌদাদা পুক্নিং চংখি। ওকালতদগী রাজনীতিদা হেন্না পুক্নিং চংবা হেনকখি। জালুকনিবারি হাইস্□ুল, তিতাবর নন্দনাথ শইকীয়া কলেজ লিংখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্মী। খুঙ্গংশিংদা লাইরিক লাইশু হেন্না তমহলনবগী ৠবা থাক্তা শৌগৎলম্মী। শেংনা হায়বদা মহাক অচুম্বা মীৎয়েং থম্বা ঙম্বা মীশক্নী। মরম অদুনা খুনায়দা চৎলিবা ফত্তবা লিচৎ, অমম্বা থাজবা হিরম কয়াসিগী মরমদা ৱাফোংদুনা মসিগী কোক্নবা পাম্বৈ পীরম্মী। মহাক্□ী লুচিং মখাদা কমিনিউনিষ্ট পার্টিগী শাফুদা সরকারনা থৌমি অমসুং লোমীশিং খরগী ওইনা ইন শেমদুনা লৌ-লৈত্তবা লৌমীশিংগী মরক্তা লম ফীরগী থৌরাং শিনখি। ইং ১৯৭৮ দা মহাক তিতাবর কেন্দ্রদগী বিধান সভাগী মীহুৎ ওইনা খনখি। যোরহাটতগী বরহোলা ফাওবদা অহান্ব পুন্নমক্তগী শাংবা লম্বী মহাক্□ী হোৎনা মখাদা শেমখি।

**কমল কসারী** ঃ লাইয়েকপা, শৈশকপী, শৈরাংবা কমল কসারীবু ইস্তা হার কবি হায়না শকখংনৈ। ইং

১৯৩৯গী য়াইপা নুমিৎ অমদা যোরহাটকী মরধলি কসারী খুঙ্গংদা তাইবং ফাওখি। অপোকপগী মীং ঙনিরাম কসারী অমসুং অপোকপীগীনা সরু অইতী কসারী কৌই। শিৱসাগর নাজিরাগী মাদুরী খুঙ্গংদা লৈদুনা ফার্মেসিষ্ট অমা ওইনা থবক তৌরম্মী। খুৎকী শিন, লাইয়েকপা, রেডিওগী শৈশকপা কমল কসারীগী খুৎই অসমগী মমিং লৈরবা প্রতি□বনি, অসমবাণি, নীলাচল, অগ্রদূত, সাদিন, প্রতিদিন, চেদোং, কয়াদা পোংখি। মহাক শিৱসাগর জিলা সাহিত্যগী সভাপতি ওইকি। কমল কসারীনা ঈশৈ, শৈরেং অমদি লিনা ইবচা নত্তনা-বেনার, ফেষ্টুন, লাইরিক□ী মউকম য়েকপদসু মশাগী হৈ সিংবা উৎলম্মী। কসারী সাহিত্য সভানা কমল কসারীবু বিষ্ণুপ্রসাদ রাভা মানা পীখি অমসুং শিৱসাগর সাহিত্য সভানা কবি অসিগী মিংলেন্দা কবি শিল্পী কমল কসারী সাহিত্য বঁটা পীদুনা লাক্লি। অসম সরকারনা মাঙোন্দা সাহিত্য পেন্সন লাম্থোকখি। নুংশিহৈবা কবি কমল কসারী মসাগী চহি ৭৫ ওবদা তাইবং থাদোকখি।

**ৱাহং পরেং ঃ**

১। মঙ্গোলীয় কিরাট ফুরূপক□ী শোকলৈ কুচুগী লমচৎ করিনো?

২। মঙ্গোলীয় কিরাত শিংগী নাৎ-লোনবু করি হায়না হায়নৈ।

৩। কসারী মিংথোন করম্বা ? ওইখিবনো?

৪। ড০ ভূবন মোহন দাসনা মঙ্গোলীয়শিংবু মখল কয়া থোক্ল খাইদোকই?

৫। ঠেঙ্গাল কসারীশিং অরিবা করম্বা শাগৈ ফূরূপতগী লাকপনো?

৬। ঠেঙ্গাল কসারীশিংগী ঙসিগী লৈফমগী মরমদা পল্লু।

৭। শন্না ইয়ু ঃ

ক) গিরিধর ঠেঙ্গাল।

খ) কমল কছারী।

*************

# ডিমাচা

ডিমাচাশিং অসি মরূ ওইনা ঙসিগী ডিমা হাসাও জিলাদা লৈজরগসু নগাঁওগী হোজাই অমসুং কার্বি আংলংগী মফম মফমদা লোয়ননা হৌজিক্কী নগালেণ্ডগী ডিমাপুর লমদমগী অরিবা খুন্দারোয় ওইনা খঙনৈ।

সোনোৱাল গুম্না পা-রোনগী য়েক-শলাই লৈবাগুম্না ডিমাচাগীসু পা-রোনগী শাগৈ-য়েক ৪০ থোক্লা খাইদোকই। ফুরূপ খুদিংমক্তা "চা" ৱাহৈনা লোমই। খুদম ওইনা -- লাংথাচা, ডিফুচা, গার্লোচা, হোজাইচা, মাইবংচানচিংবনি। ডিমাচানা থাজবা মতুংইন্না ডিমাচা নুপীশিংগীসু মমারোমগী ওইনা শাগৈ-য়েক ৪২ থোক্লা লৈ।

ডিমাচাগী মমালোনদি ডিমাচানি। ডিমাচা লোন অসি চাওরাক্লে বড়ো লোনগা মান্নে। ডিমাচাশিংগী য়ুম্নাক অমা ফাওবদা সাব্-গোত্র চৎনবী লৈতে। তৌইগুম্বদি মশা-মশাগী য়েক শলাইগী মরক্তা লুহোং খোঙদোংনরমদে। মখোয়না মমারোমগী হায়বদি মামগী য়ুম্নাক লোমগী নুপী-নুপা মচাশিংগী মরক্তা লুহোংনবগী অথিংবা লৈতে। তৌইগুম্বদি নুপা-নুপী অনিমক মমাগী শাগৈগী গোত্র অমত্তা ওইরবদি লুহোংনদে।

ডিমাচাশিংনা ব্রায়-শিব্রায় অমসুং-গামাংডি নত্রগা শিৱ-পার্বতী খুরুম্বা মমাঙৈগী চৎনবীবু থাজরবসু হিন্দু বৈষ্ণৱ অমসুং বলি-বিধানসু থাজবগা লোয়ননা চৎনবী ঙাক্লে চৎনৈ।

পুৱারী মতুংইন্না অসমগী মফম পুম্নমক, ত্রিপুরা অমসুং বাংলাদেশকী মফম খর ফাওবদা মতম অমদা ডিমাচানা নিংথৌ পাল্লম্মী। ডিমাচানা জানুৱারী থাগী অরোইবা শরূক্তা লৌউ-শিংউ লোইরা মতুং বিসু ডিমা কৌবা কুমৈ অমা পাংথোকই। বিসু ডিমা থৌরম অসিদা য়েন, য়ু ওক্ল চিংবা থোংদুনা মীয়াম পুন্না চাক চামিন্নৈ। বিসু ডিমা থৌরম অসিদা লাইশা-পাখং নুপা-নুপীশিংনা চাওরাক্ল ফুট ৪ রোম শাংবা তোপ-তোপ্প মওংগী খুৎনা শাবা ঢোল অমসুং অশাংবা চিন্ন খোংবা (পেঁপা) যন্ত্রগী তান্থ-তান্থদা কোইনা-কোইনা জগোই শাদুনা থৌরম অসি পাংথোকই।

ডিমাচা নুপী ফিশা-লোনশাদা য়ান্ন হৈ-শিংই। অমসুং শাগৈগী ফিজোল মচু-মচুগী অরং-অরাক ওই। লুহোংবগী মতাংদা থোইদোকপা অকরুবা পথাপ লৈত্রগসু য়ু অমসুং য়েন কক্তুনা ঈরাৎ থৌনিবগা লোয়ননা

ওক নত্রগা ইরোইগী শানা উৎসৱ কৎতুনা লুহোং-থৌরম পাংথোক্লে। অশিবা হকচাং মৈ থাদুনা য়ু অমসুং ওক্ল অশিবগী থৱায় মীরেনগী শ্রার্দ্ধ থৌরম পাংথোক্লে।

ৱাহং পরেং ঃ-

১। ডিমাচাশিং মরু ওইনা ফুরূপ কয়া থোক্ল খাইদোকপগে?

২। ডিমাচা লোন অসমগী করম্ব লোনগা মান্নবা থেংনৈ?

৩। ডিমাচানা লৌউ-শিংউগী অরোইবদা পাংথোকপা কুম্মৈ অদুগী মমিং করি কৌই।

৪। ডিমাচাগী ফরূপশিংগী মমিংগী অরোইবা ৱাহৈ অদু চন্ন করি ওই।

৫। ডিমাচাশিংগী ফরূপ খরগী মমিং ইয়ু।

*************

# কলিতা শাগৈ

হন্দোকপা লাইরেনলাকপম ঙৌবা

## (কলিতা জনগোষ্ঠী সন্মিলন, আসামগী ওইনা ডাঃ রমেন কুমার কাকতি)

কলিতা শাগৈসি ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্কী লৈতেম মানবা মফমগী খ্বাইদগী অরিবা অমসুং ঙসিগী আসাম রাজ্যগী, মশীং ওইনা হায়রবদা খ্বাইদগী চাওরবা শাগৈনি। নোংপোক্তা, তিনিচুকীয়া জিলাদগী নোংচুপ্তা ধুবুরী জিলাফাওবা ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্কী জিলা অপুম্বদা কলিতা শাগৈ য়ুম লীংদুনা লৈরি। নীংতম ভারতকী মীকোক থীবদা যাওহন্দবগীদমক ঙসি কলিতা শাগৈগী মীকোক অচুম্বা ওইনা থীবা ঙমদ্রে। ইং কুমজা ১৮৭১-৭২ দা বৃটিছনা ভারতদা তৌবা অহানবা মীকোক থীবগী মতুং ইন্না থীবদা তশেং তশেংনা উৎলিবা বৃত্তিয়াল কাংলুপশিংবু লৌরগা কলিতাশিংগী মী মশীং ৩, ৩৯, ৯৭১ নি। মতম অদুগী বর আসামগী লৈকোয়গী মওং, মীগী মওং, মথংগী মতমদা মী মশিং হেনলকপগী মরম পাক চাওনা তানাদুনা ঙসিগী আসামদা কলিতা শাগৈগী অপুনবা মী মশিং ৬০,০০,০০০ (লাখ য়াংখৈ) দগী তারোই হায়না পনবা য়াই।

আসাম অমদী অৰাং নোংপোকশিংদা করিগুম্বা অরিবা মীগী অরোয়বা হকচাং ফংদবগী মরম্না তাইবং মীগী মরমদা থীজিনবাসিগী মফমসিদা অরিবা মীগী য়ুম্ফম লৈরমদে হায়বসি খংবা ঙমলে। অদুনা হায়রিবা মফমসিদা ঙসি লৈরিবা শাগৈ পুন্নমক মফম অমদগী নত্তে অমদগী লাক্লিবনি। নোংচুপলোমগী হিমালয়গী খাদা লৈতেম মানবা মফম ওইনা কলিতা শাগৈগী অরিবা পারিপুরি আলপাইনশিং মরম কয়াগীদমক লাক্কুনা ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্তা চংশিনলকই। নোংচুপ্তা চখৎলগা পাটকাই চীংশাং ফংলবগী তুংদা আলপাইনশিং চৎখৎপা লেপ্লি। মরমদী লৈতেম মানবা লমদা লৈবা শাগৈশিংগী মতুং ইন্না খুৎকন পাঙ্গলবগা লোইননা চীং কাদুনা পাটকাই ৰাংমা লান্দুনা চৎপদু মখোয়গীদমক অরায়বা নৎখিদে। মরম অদুনা পাটকাইগী নোংচুপ্তা কলিতা নত্রগা অতোপ অতোপ্পা আলপাইনদগী হৌরকপা শাগৈগী লৈফম লৈখিদে। আলপাইনশিংগী অহানবা কাংলুপ ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্তা চংলকপা মতমদা মফম অসি মী লৈরমদে। অদুনা কলিতা শাগৈ ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্কী লৈতেম মানবা মফমগী অহানবা য়ুমলিংবশিংনি। অসিগী ৰাহম্হোক্তা হায়রব্রগদী কলিতা শাগৈ ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্কী য়েম্হৌবশিংনি।

ঙসিদগী চহী লিশিং ৭ (তরেৎ)কী মমাংদা খ্রীষ্টপূর্ব ৫,০০০ (লিশিং মঙা) দগীনা খ্রীষ্টপূর্ব ৪,৫০০

লিশিং মরী মখায়) ফাওবগী মনুংদা কলিতাগী পারিপুরিশিংগী অহানবা কাংলুপ ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্তা খোংদারম্মি হায়দুনা অমসুং খ্রীষ্টপূর্ব ৪,০০০ (লিশিং মরী) দগীনা খ্রীষ্টপূর্ব ৩,৫০০ (লিশিং অহুম মখায়)গী মনুংদা য়াম্না শন্দোক্লা ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্কী লৈতেম মানবা মফমদা লৈরখি হায়না হায়বা য়াই। নোংচুপলোমদগী অসুন্না মী চংশিনলকপসি চহীচা তরামরী শতিকাফাওবা লাকলম্মী। কলিতা শাগৈগী পারি পুরিশিং ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্তা চংশিনলকপা মতমদা (চাওরাক্লা চহী লিশিং ৭ (তরেৎ) দগীনা চহী লিশিং মরী মখায় মমাং), মতম অদুদা অসিগী লৈতেম মানবা লমশিংসে মনাক মনাক্তা লৈবা চীংমালশিংসিদা মংগোলীয় কাংলূপদগী হৌরকপা শাগৈখরা য়াওরম্লগসু লৈতেম মানবা লমদা মখোয়শিংদু লৈনিংদবগী কলিতাশিং, করিগুম্বা মীওইবগী অপনবা লাম্বা তৌবা য়াবা নত্রগা লানগা ময়োক্নবা অমা থেংনদুনা ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্কী মফমসিংদা অহানবা ওইনা খোংদারম্মি। তুরেলগী মপান মপান লৈহাও লৈবা মফমদা পিক্ল পিক্লবা লৈফম শেমদুনা নোংপোক মাইকৈরোমদা চৎখৎলগা হেক নোংপোক থংবদা মখোয়না অনীশুবা লৈফম শেমখি । হায়রিবা লৈফম অনীসিগী ময়ায়দগী চাওরাক্লা থাপ্নবসি কিমিঃ ৬০০ লোমনি।

ঙসি আসামগী মী মশিংলোমদগীদি খ্বাইদগী য়াম্লবা য়েলহৌমি কলিতাশিংসিগী চাওরাক্লা ২০ (কুন) মুক মখল মখলগী শাগৈ লৈরি। অসিগী মনুংদা অয়াম্বা শরূকতি ভারতকী সংবিধানগী মতুং ইন্না থাক খাইদোক্লবা (বর কলিতা, সরু কলিতা, কায়স্থ হালৈ, কেওঁট, সাউদ, আর্য্য, বৈশ্য অসিনাচিংবা) ওইরবসু শাগৈ খরদি নত্রগা অতৈ অতৈ চাওখত্রবা থাক (শালৈ, নাপিত, নটমালী, কুমার, কমার, কঁহারনা চিংবা) অমসুং অতোপ্পা অনুসূচীত শাগৈ খরা (ধুবী, হীরা, জালৈনচিংবা)। হৌজিক হৌজিক সম্প্রদায় অমমমদা ওনলবা কাংলূপশিংসে মমাংচত্তাদি “বৃত্তিয়াল গোট” অমা ওইনা লৈরম্মি। সংবিধাননা মতম শাংনা খাইদোক্নুনা থম্লবগী তুংদা অয়াম্বনা হৌজিক শাগৈ ওইবা শকতাক অদু কাওদুনা নত্রগা থাদোক্নুনা শাগৈগী ওইবা শকতাক অদু পুক্লিংদদি থম্লি। নাথ-যোগী, গণক অমসুং য়েম্থৌবা ইছলাম ধর্ম্মগী মীওইশিংসু হৌরকফমদি কলিতা শাগৈনি। জিনী বিশ্লেষণ (Genetic Analysis) থাজদবা ওইরবসু মসিগী অচুম-অরাল থীজিনবদু য়াই। কলিতাশিংনা চাওরাক্লা ৯২ (মর্ফু তরানিথোই) খক মখল মখলগী উপাধি শিজিন্নদুনা লাকই। খুদম ওইনা কলিতা, বর্মণ, বর্মা, কাকতি, বরুৱা, বরা চৌধুরী, চৌধারী তালুকদার, ডেকা, হালৈ, দাস, তহবিলদার, খাটনিয়ার, দত্ত, সেনাপতি, পাগবন্ধা, ডিহিদার, সরকার, শালৈ, হুজুরী, দেউরী, উজীর, পালদাস, সাধনিকার, নেওগ, মরল, ভরালী, মেধি, শইকীয়া, হাজরিকা, ভুএঞা, হীরা, মালী, মালাকার, বেজবরুৱা, বৈশ্য, সাউদ, বরবরুৱা, রায়বরুৱা, রায়চৌধুরী, ঠাকুরিয়া, পাটগিরী, পাটোৱারী, নায়ক, সূত্রধর, লহকর, হিলৈদারী, খারম্মরীয়া,

লেখারু, ফুকন, মজুমদার, পাঠক, চহরীয়া, খাউণ্ড, দৱরানচিংবনি। কলিতাগী মথক্তসু অতোপ অতোপ্পা শাগৈ খরসু অসিগী অয়াম্বা উপাধি শিজিন্নদুনা লাকই।

হৌজিক 'অসমীয়া' হায়না খংনরিবা লোনসি মরূ ওইনা কলিতাশিংগী শাগৈগী লোননি। অদুবু মসিদা ককেচীয় অমসুং মংগোলীয়, অতোপ্পা কয়া য়েন্থৌ শাগৈগী মচাক লৌদুনা ঙসিগী অসমীয়ালোন অসি ওইরিবনি।

কলিতাশিংগী চৎনবী ওইনা লশিং, কব্রং তীল, মনা কব্রং তীল অমসুং মুগা তীলদগী শাবা লংনা, লশিং, কব্রং মনাগী অমদী মুগা ফী শাদুনা শিজিন্নৈ। অহানবা মখল অনীসিনা নুমিৎ খুদিংগী শিজিন্নবা ফী অমসুং মথং মখল অনীসিনা থবক থৌরম (Ceremonial) ফী শাবদা শিজিন্নৈ। কব্রং লংগী মচু অঙৌবা অমসুং মসিদগী ইন্থম থাদা ইন্নবা এণ্ডি ঙভোং শাই। পাত লংগী মচু লুপা মচুনি অমসুং মুগা লংগীনা সানা মচুনি। অসিনা লুহোং-খোংদোংবা থবক থৌরমশিংদা শিজিন্ননবা ইন্না ফী, ফনেক, ফৈজোম, ফুরিৎন চিংবা শাই। কলিতা মনাত্তা হায়রিবা ফী-অনীসি অচৌ-অশাংগী খংনবীনি হায়না খংনদুনা লাকই। মশাগী মথৌ-তাবা ফিরোল কলিতাশিংনা ফিশালোনশা য়োঙ্খন্না তৌদুনা মশানা পুথোকই। লৈশাবী নুপীশিংনা ফিশা ইয়োংগী থবক খংবা তৌফদ্রবা শিন অমনি অমসুং চহী খরগী মমাংফাওবা ফিরোল শাবা ঙমদবা কলিতা লৈশাবী লুহোং-থোংদোংফাওবা শিৎলম্মী। লুহোংলবা নুপীনা (মরূ ওইনা অহল লমন মমাংদা) মকোক্তা ফী খুন্মী। কলিতা শাগৈগী ফিরোলদা অঙৌবা অমসুং অঙাংবা মচুনা অলেম্বা ওই।

চৎনবীগীদমক অহেনবা ওইনা মথৌ তাবা ফিরোল মমাংচত্তা শালৈ (মশাগী ইয়োং লৈবা) অমসুং তাঁতী (ফিরোল শাবা হৈবা মী, মশাগী ইয়োং লৈবসু যায়, লৈতবসু যায়) কৌবা থবকশুবা কাংলুপ অনীসিনা পুথোকই। ফনেক, ইন্নফী কলিতা নুপীশিংগী শাগৈগী ওইবা ফিজোননি, লোয়ননা আগুরণ, টেলচ্, রিহা ইনলী। নিপাশিংনা গামোচা (ফী মতেক) ইয়োংদা শাবা চুরিয়া (খুদৈ), ফুরিৎ লিংলি। অঙাংবা মচুগী লৈ লাংবা গামোচা, অহলশিংদা ইকায়খুম্নজৈ অমসুং অঙাংদা থোনলি।

সনা, লুপা অমসুং পিত্রাই শাবা মখল মথেলগী অলংকারগী পোৎ কলিতাশিংনা (মরূ ওইনা নুপীশিংনা) শিজিন্নৈ। নুপীশিংনা লাইবক অদু ইহাং হাংনা থমদে অমসুং লাইবক্তা ফুটা নম্মী। লুহোংলবগীতুংদসু সিন্দুরগী ফুটা নম্মী।

অমসুং মৱা মপুরোইবনা হিংলিবা মতমদা শিন্দুরগী ফুটা লাইবক্তা নমদনা মপান্দা থোকপা তারবদী লাইগী ফত্তাবা মীৎয়েং তাদুনা যূমদা অকায়-অতোয় থোকহল্লি হায়দুনা মীয়াম্না থাজদুনা লাকই। নাদা অলংকার

চিনবগীদমক নুপী মচা ওইরিঙৈদা নাহুৎপী থৌরম পাংথোক্নুনা না হুত্তোকই। হায়রিবা না হুৎপা থৌরম অসি মেরাগী পূর্ণিমা নুমিৎ (লক্ষ্মী পূর্ণিমা) নত্রগা খরনা কালনেগী পূর্ণিমা (বুদ্ধ পূর্ণিমা) নত্রগা লাংবন পানখৎ লকপগী দশমী (বিজয়া দশমী) নুমিত্তাসু পাংথোকই।

কলিতাশিং মরূ ওইনা লৌমীনি। মতম্না ওনলকপগী মতুং ইন্না মখল-মথেলগী থবক লৌশিন-লবসু ঙসিসু চাওরাক্না ৯০১ কলিতানা লৌ-শিং অমসুং শন-ঈরোই লোইদুনা মপুন্সি লেননি। কলিতাশিংনা শন অনী নত্রগা ঈরোইনা 'লাঙ্গোল' হায়বা খুৎলাই অমনা লম খোইদুনা লৌ-শিং শুই। 'শন' অমসুং 'লাঙ্গোল'গী মপুবু 'হালৈ' হায়না কৌঈ।

কলিতা হায়বা শাগৈ অসি মরূ ওইনা মনুং মনুংদা (Endogomous) ময়ুম পান্নে। মসি চীংমী অমগী চৎনবী শাজৎ অদুনি (Tribal Character) মালেমগী মখল-মথেলগী চীংমীগুম্না মশাগী ওইবা ঈ (Gene Pool) ঙাক্লনবগীদমক চৎনবী, শাজৎ লীচৎ ঙাক্লনবগীদমক কলিতাশিংনা লুহোং খোংদোংবা শিংসে অনৌবা মরী মশাগী শাগৈগী মনুংদা লৈননবা হোৎনৈ। মনুং মনুং ময়ুম পানবসি কলিতাশিংগী মনাৎতা য়াম্না নক্নবা ঈ নুপা নুপীশিংগী মনুংদা লৈবসিদি য়াদে। নক্নবা মরী ওইবা মচীল-মনাও, মমাগা মমাকনুপীগা, মখুরাগা মচানুপী থোকপীগা ঈ তিনবগী মনুংদা লুহোং-খোংদোংবা য়ানদবা লৈ। অদুবু ঈ মরী লৈনদবা নত্রগা মরি-মতাই থোক্নদবগদী লুহোংখোংদোংবা অদুদী তরাম তরাম্না লৌশিনলি। খুদম ওইনা মপুরোইবগী মনাওনিপানা মনাও নুপীগা নত্রগা মনাওনিপাগা মনাও নুপীগা লুহোংবা য়াই। কলিতাগী মনাৎখরা য়োক্না থম্বগুন্নি। মনাত্তা লুহোং-থোংদোংবা তৌদ্রবদী নুপী অমদী নুপাবু পুন্না লৈহনবদু মনাৎ অদুনা অয়াবা পীদে। চেনলক্নুনা পুরকলগা লহোংবদু মখোয়গী মনাৎনা য়ানিংদে। অসিগী মরম অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিংদু মনাৎকী মীফমগী মায়োক য়াবা তাবনি অমসুং মীফমদা লৌবা ৰারেপ অদুগী মতুং ইন্না মতীকচাবা ৰাকোং শেল পীবা, লাইফমদা খুরূ কুন্দুনা, মীয়ামগী য়াথং ফংলবগী তুংদা পুন্সি হৌবা যাগনি।

চাক থোংলগা ওইবা 'চাক' কলিতাশিংগী মরূ ওইবা চিঞ্জাকনি। চাক্কা লোয়ননা মখল মথেলগী য়েঙ্গাং-নাপিনা য়েঙ্গাং ওই। থুম লাকপগী মমাংদা লফুগী উতিনা (লফু পাম্বী) কংহল্লগা মৈ থাদুনা শেম্বা উৎ) য়েঙ্গাং থোংলম্মী। কলিতা শাগৈগী খরা চৎনবী চিঞ্জাক নত্রগা য়েঙ্গাং নাপি অসুম্ননি, অনৌবা আলু, আলু অমেৎপা, খামেন অমেৎপা, অথৌবা থৈবোং মরূ, অলৌবা ঙা, হৈগ্রীনা ঙা থোংবা, লফু, অফুৎপা পান, কুমরানা ঙানুগা থোংবা, অৰাথবীগা শাগা থোংবা, য়ুমখুনু থোংবা, মখল-মথেলগী অশুবা, খুদম ওইনা নুংশি হিদাক, হৰায়নাশুবা নাপি-শিংবীগী মখল-মথেলগী য়েঙ্গাং। চুদগী চুহিং পুথোক্নুনা, চু শুংদুনা চিনি

অঙাংবা শেম্মী। অয়ুক্কী জলপানদা চেং অথোৎপানা থোংবা, চেম্পাক নত্রগা চেং অশুবগা, লফোইগা, চিনি অঙাংবা অমসুং শংগোমগা চায়।

ফৌ ফুত্তোক্তুনা নুংশাদা ফৌরগা মওং অমগী চেং অথোৎপা শেম্মী। নাকল অমদা চে তিংশিনল্লগা শুকতা শুদুনা নত্রগা দেংগীদা শুদুনা চেম্পাক পুথোকই। থাও যাওদবিদা চেং অঙৌবনা শুকতা শুদুনা নত্রগা দেংগীদা শুদুনা চেং মকুপ শেম্মী। চাকতা ঈশিং হাপ্লগা নোংমা নত্রগা নুমিদাং অমা হাল্লগা চজিক (পন্তা) চাক শেম্মী অমসুং লৌউ-শিংউ মতমদা নুমিৎ যুংবগী মতুং লৌবুক্তাগী লাক্লবা মতুংদা অরৌবা আলু, অরৌবা ঙাগা তৌরগা পন্তা (চজিক) চাক চায়। কৌইরাকপা মীওইশিং লাক্লগা মওং মওংগী খোইদুম (থোইদিংনা শেম্বা লড্ডু, যূবীগী লড্ডুনচিংবা), তন (তিল পিঠা, ঘিলা পিঠা, চুঙা পিঠা, কল পিঠা, খোলা চাপ্রিনচিংবা) চিংবা পিজ পিথক তৌঈ। হাংগাম শুম্লগা থোকপা থাওনা, মওং মওংগী য়েঞ্জাং থোংই। শংগোম অমসুং শংগোম্না শাবা শংগোম অফম্বাগুম্বসি কলিতাশিংগী পুন্সিদা থাদোকপা য়াদ্রবা চিঞ্জাক অমনি। করিগুম্বদা যূগুম্বা পোৎশকতি কলিতাশিংনা শিজিন্নদে। অদুনা কলিতাশিংগী পুন্সিদা যূগুম্বা মহাউগী য়ুম্‌ফম কদায়দসু লৈতে। চাকলেন চারবা মতুংদা ক্বা পানা চাবা চৎনবীনি। কলিতাশিংগী পুন্সিদা ক্বা পানা চাবগী তোপ তোপ্পা তাংবল অমা লৈ।

কলিতা শাগৈনা পাংথোকচবা থৌরমশিংগী মনুংদা গরু বিহু, শকতি নত্রগা শাকেতি, ৰা পূজা, ভথেলি, শজিবুগী বিহু তরেৎ, মহোহো নত্রগা কাং তানবা, ঢুল য়ৈবা, লৌতাবা নত্রগা চুকখুল তাবা থৌরম, ফৌগী ফৌদোন পুরকপা (লক্ষ্মী পুশিনলকপা) পাচতি কাতি বিহু নত্রগা কঙালী বিহু, লৌ খাও থৌরম, চাকনৌ চাবগী থৌরম, ভোগালী বিহু, লৈশারকপা থৌরম (পুষ্পিতা নত্রগা ধুরেনী), ওজাপালি, নাগারা নামচিংবনি। 'অসমীয়া' হায়না ইনাৎ অমা থৌরকইবসিগী মরূ ওইবা য়ুম্বীরেনদি কলিতা শাগৈগী চৎনবীসিনি। অসমীয়া কৌবা ইনাৎকী ওইবা ৰাখল অমা থোরক্লিবসিদা কলিতাসিগী অমুক য়াম্না তৌবিমল লৈ হায়না হায়বদা "অসমীয়া লোক সংস্কৃতি" গা "কলিতা লোক সংস্কৃতি" করি অমত্তা খেৎনদনা অমত্তা ওইনা পুনখরে। অদুনা আসামগী সভ্যতা অসি মরূ ওইনা "কলিতা সভ্যতা" নি হায়না হায়নরে।(Assam is the homeland of the Kolitas and its Civilization is Predominantly Kalita Civilizations. The other subcastes follow the Kalita's social laws and customs in their entirety. (Dr. Kaliram Medhi)) হেন্দোক থোইদোক্লা পাক চাওরবা 'অসমীয়া শাগৈ' শেম্বদা মতম শাংনা পুক্লিং লৈতাদুনা লৈবগা কলিতাশিংনা মশাগী শাগৈগী চৎনবীশিংবু মশাগী

শাগৈগীনি হায়না খংহন্দদুনা মীয়ামগীনি হায়না শক তাকতুনা লাকই।

কলিতাশিংসে লৈতেম মানবা লমগী লৌউশিংউ অমদী তুরেলবু ইমাগুন্না খনজবী শাগৈনি অদুনা কলিতাশিংগী মীয়ান্না চৎনবীসে অয়াম্বা লৌউশিংউবা অমসুং তুরেলগা মরি লৈনৈ।

শোন্নবা য়াবা কলিতা মীওই খরা --

**১। কুমার ভাস্কর বর্ম্মা ঃ**

অরিবা কামরূপ লৈপাক্কী খ্বাইদগী অথোয়বা নিংথৌনি। নিংথৌ সুপ্রতি বর্ম্মানা লৈখিদ্রবগী তুংদা ইং কুমজা ৫৯৩ দা কামরূপকী নিংথৌ ওইখি। কুমার ভাস্কর বর্ম্মানা নিংথৌ ফম্বাল ফমখ্রবগী নুমিৎ অদুমক্তাদা অসমীয়া শাগৈ অসিগী আব্দ (কুমজা) ভাস্করাব্দ থীবা হৌখি। অৰাং ভারতকী নিংথৌ হর্ষবর্দ্ধনগা মরূপ শানখি। ভাস্কর বর্ম্মানা হর্ষবর্দ্ধনগা চুংশিন্নদুনা গৌড়গী নিংথৌ শশাংকবু লান্দা মায় থীবা পীখি। অমসুং গৌড় অমসুং কর্ণসুবর্ণ কামরূপকী মখাদা থমখিরম্মি। কামরূপকী ঙমখৈনা নোংচুপ বিহার অমসুং খা উরিষ্যা রাজ্য ফাওবা যৌখিরম্মী। মসি লৈকোয়গী ওইনা হায়রুরবদী খ্বাইদগী হেন্না চাওবা কামরূপ রাজ্যনি। চীনাগী লামকোয়বা হিউৱেনচাংগী থল্লম্বা খুৎয়েক্কী মতুং ইন্না কুমার ভাস্কর বর্ম্মাগী মতমদা কামরূপ রাজ্যগী ঙমখৈ মাইল ১৬৭৫ অমসুং নিংথৌকোনুং প্রাগজ্যোতিষপুরগী ঙমখৈ মাইল ৬ ওইরম্মী। ভাস্কর বর্ম্মাগী ডুবি তাম্রলিপি, নিধানপুর তাম্রলিপি, নালন্দাগী মোহরনা কলিতা শাগৈ হায়বদী অসমগী মখল লৈত্রবা ঐতিহাসিক সম্বল ওই। ইং কুমজা ৬৫০ গুম্বদা কুমার ভাস্কর বর্ম্মানা তাইবং থাদোকখি।

**২। গুরু অনী শ্রীমন্ত শংকরদেৱ অমদী শ্রী মাধৱদেৱ ঃ**

মহাপুরুষ শ্রীমন্ত শংকরদেৱনা তাইবং ফাওরকখিবসি ইং কুমজা ১৪৪৯ দনি, নগাঁওগী বরদোৱাদা। মপাবুং কুসুম্বর ভূঞা অমসুং মমা সত্যসন্ধ্যানি। “একশরণ নামধর্ম” পুথোকপা মীওই, মনাৎপু অওনবা পুরকপা অমসুং শিল্পী অমা ওইরম্মী। ইং কুমজা ১৫২২ দা পুন্সি য়াহিপ তানখি, কোচবিহারগী মধুপুর সত্রদা। মহাপুরুষ মাধৱদেৱনা তাইবং ফাওখি, ইং কুমজা ১৪৮৯ দা লক্ষীমপুর জিলাগী নারায়ণপুরদা। মপাবুং গোবিন্দগিরি অমসুং মামা মনোরমানি। শ্রীমন্ত শংকরদেৱকী মরূ ওইবা শিষ্য অমসুং ধর্মগী মথংথোংবনি। ইং কুমজা ১৫৯৫ দা কোচবিহারদা তাইবং থাদোকখি। গুরু অসিনা ঙসি ‘অসমীয়া’ হায়না কৌবা ইনাৎকি অমা খংনবা ওইরিবসি মহাক্না শেম্বনি। ইং কুমজা ১৫২২ দা গুরু অনীসিগী অহানবা উনবসি “মণি কাঞ্চন সংযোগ” হায়না খংনৈ।

৩। **আনন্দরাম বরুৱা ঃ**

অহানবা অসমীয়া বি, এ, অদুগী মথক্তা অহানবা (ভারতকী ওইনা ৫ শুবা) আই. চি. এস্ নি। পোকপনা ইং কুমজা ১৮৫০ গী ২১ মে উত্তর গুৱাহাটীদনি। মপাবুং গর্গরাম বরুৱা অমসুং মামা দুর্লভেশ্বরী বরুৱানি। ডেপুটী কমিচনারগী ফমদা ফমখিবা অহানবা অসমীয়া অমসুং ভারতকী ওইনা অনীশুবনি। সংস্কৃত লোনগী মগুন লৈরবা পণ্ডিত অমনি। লৈখিদবা ইং কুমজা ১৮৮৯ গী ১৯ জানুৱারীদনি। অসম সরকারনা ইং কুমজা ২০05 দগী মেট্রিক পরীক্ষাদা ফজনা পাছ তৌনা লাকপা মহৈরোয়শিংগী "আমন্দরাম বরুৱা বঁটা" পীদুনা লাকই।

৪। **ছহীদ মণিরাম দেৱান ঃ**

অশেংবা মমিংদি মণিরাম দত্তবরুৱা 'কলিতা রজা' হায়না খংনরম্মি পোকপনা ১৭ এপ্রিল, ইংকুমজা ১৮৫৬ গী শিৱসাগর জিলাগী চারিংদা। মহৈ তন্নবগী তুংদা মতম অদুগী ইংরাজ লৈঙাকলোনগী মখাদা থাগী সিধা কাদুনা লৈরম্বা পুরন্দর সিংহগী "বরভাণ্ডার বরুৱা" গী ফম লৌরম্মী। পুরন্দর সিংহনা নিংথৌনা ফমদগী তাম্থোকলবা মতুংদা ইং কুমজা ১৮৩৭-১৮৩৯ গী মনুংসিফাওবা ইংরাজ লৈঙাককী হেক মখাদা চেরেকাপার, কোঁৱরপুর অমসুং মেটেকা মৌজাগী মৌজাদারী ওইনা মশাগী থৌদাং লৌরবা তুংদা, ইং কুমজা ১৮৩৯ দা ইংরাজকী "আচাম টি কোম্পানী" গী 'দেৱান' হায়বা ফমদা লৈখিরম্মী। ইং কুমজা ১৮৪৫ দা চেনীমরা (যোরহাট) চিংলৌ (শিৱসাগর) দা মশাগী ওইনা চা বাগান অনী হাংদুনা অহানবা অসমীয়া, লোইনা লোইননা অহানবা ভারতকী চা থাবা মীওইনি হায়না শিন্থনখি। আসামদা ইংরাজগী ময়োক্তা নীংতম ঈহৌগী লময়ানবা মণিরাম দেৱাননি। লৈঙাকলোনবু নীংতম পীবা, লোইনা লোইননা শেনথুমগী হীরমদা নীংতম থম্বগীদমক য়োৎ শৌদোকপা অমদী সনাগী ইণ্ডাষ্ট্রি, য়ুম ললোনবা, হি শাবা, চেক শাবা কাক লীংদুনা অমসুং তাকমন চৎনহন্দুনা ঙসিগী শেনমীৎকী য়ুম্বীরেন লীংখিরম্মী। পোৎথোকশিংদু য়োনবগীদমক ব্রহ্মপুত্র তম্পাক মফম মঙাদা কৈথেল মঙা লীংলম্মি ডিব্রুগড় জিলাদা বরহাট, শিৱসাগর জিলাদা নগাহাট, কামৰূপ জিলাদা গারোহাট, লখিমপুর জিলাদা চিচিহাট অমসুং দরং জিলাদা দুরঙীয়া হাট। "বুরঞ্জী বিবেক রত্ন" হায়না মীংথোল্লগা লাইরিক অমা লেংলম্মি। আসামদা ইং কুমজা ১৮৫৭ দা লান্মীগী ঈহৌ (চিপাহী বিদ্রোহ) হৌরকপগীদমক মহাকপু অরালবা শিদুনা ইং কুমজা ১৮৫৮ গী ২৬ ফেব্রুৱারীদা ইংরাজ লৈঙাকপুবনা মণিরাম দেৱানবু মীয়াম মাংদ ফাঁসী তৌখি।

৫। ডঃ বাণীকান্ত কাকতি ঃ পোকপা ১৫ নবেম্বর ইং ১৮৯৪ কুমজাগী, ঙসিগী বরপেটা জিলাগী কটিকুরিহা হায়বা খুঙ্গংদা। মপাবুং ললিতরাম কাকতি অমসুং মামা লহোৰাল কাকতি। ইং কুমজা ১৯১১ দা অসম তম্পাক্কী মনুং বরপেটা হাইস্কুলদগী খ্বাইদগী হেন্না মকোক ওইদুনা মেট্রিক অমসুং ইং কুমজা ১৯১৩ দা কলিকতা বিশ্ববিদ্যালয়গী মনুংদা মকোক থংদুনা আই, এ পরীক্ষা পাস তৌখি। কলিকতা বিশ্ববিদ্যালয়দগী বি, এ, অমসুং এম, এ, পাস তৌরবগীতুংদা ইং কুমজা ১৯১৮ দা কটন কলেজ, গুৱাহাটীদা প্রফেছর ওইনা থবক হৌদুনা ইং কুমজা ১৯৪৭ দা প্রিন্সিপাল ওইখি। ইং কুমজা ১৯৪৭ দা গুৱাহাটী বিশ্ববিদ্যালয়দা প্রফেসর ওইখি। ইং কুমজা ১৯১৬ দা বরপেটাগী কনকলতা (দাস) কাকতিগা লুহোংখি। “কলিতা জাতির ইতিবৃত্ত” মহাক্না ইখিরম্মী। মরূ ওইনা কলিতা শাগৈগী লোনগী অমসুং অতৈ অতৈ লোনগী মতেংনা অসমীয়া লোন অসি মতোম মতোমতগী ওইবা ঙসিগী লোননি হায়না ডঃ কাকতিনা লোন অসি লীংদুনা থম্বীরম্লবনি। Assamese It's Formation and Development কৌবা লাইরিক অদুগীদমক কলিকতা বিশ্ববিদ্যালয়না মঙোন্দা ডক্টরেট মীংথোনসু পীখ্রবনি। ১৫ নবেম্বর ইং কুমজা ১৯৫২ দা মহাক তাইবং থাদোক্তুনা লাইরমলেনদা তীনখি।

ৱাহং ঃ-

১। কলিতা শাগৈগী য়েলহৌঙেগী ওইবা চিঙ্গাক্কী মতাংদা শন্নপ্পা ইয়ু।

২। কলিতা শাগৈগী অরং-অরাক-অমদি ফিজেৎকী মতাংদা শন্নপ্পা ইয়ু।

৩। কলিতা শাগৈগী উৎসবকী মতাংদা শন্নপ্পা ইয়ু।

৪। শন্নপ্পা ইয়ু ঃ

(ক) আনন্দরাম বরুৱা (খ) কুমার ভাস্কর বর্মা (গ) মনিরাম দেৱান

(ঘ) ডঃ বানীকান্ত কাকতি

# তিৰা

য়েলহৌঙেদগী অসমদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা তিৰা শাগৈসি লৈহৌচা ফুরূপনি। লোনগী মাইকৈদা য়েংলুরবদি ইন্দুচীনগী মনুং চঙ্বা তির্বতবন্মী কাংলুপকী বডো ফুরুপকিনি। সাগৈসি অসমগী নগাওঁ, মরিগাঁও, কামরূপ, কার্বি আংলং, যোরহাট, ধেমাজী, লক্ষীমপুর, শদিয়া আমদি মেঘালয়গী মফম খরদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈ। দাঁতি অলীয়া, পাহারীয়া অমদি থলোৰালী হায়না শাগৈসি খায়দোকলবসু হৌজিক্তি চীংগী চীংবুরোয় অমসুং তমগীনা তম্বুরোয় হায়না অনীথোক্লা খায়দোকই।

পুৰারীগী লমায়দা তিৰা শাগৈগী মফম চাওনা কল্লি। জোঙাল বলহু তিৰাগী খুকন পাঙ্গনবা নিংথৌনি। ময়ায় চকতা কপিলী তম্পাক্তা গোভা, নেলী, খলা, চহরীয়ানাচিংবা লৈবাক অচৌ মচা কয়া মখোয়গী মখাদা লৈরন্মী। আহোমগী রহা অমসুং জাগীচকীগী মখাদা "পাঁচো রাজ্য" অমসুং "সাতো রাজ্য" হায়না লৈবাক মচা তরানিথোইগী কোননা দমাল-দন্দুৰা কৌবা লৈবাক অমসু লৈরন্মী। গোভাগী নিংথৌনা ১৮৩৫ দা বৃটিস মচা অহুম ফারকলগা কালি ইমাগী মমাংদা (বলিপীবা) মঙক ককতুনা কৎখিবদুগী লমন উইনা লৈবাকমাংবা তাখি। ভারত নিংতম লানফমদা তিৰাগী অচৌবা খুদোল লৈ। অসমগী অহান্বা লৌমী ঈহৌ (কৃষক বিদ্রোহ) ফুলগুরি ধেৰা তিৰাশিংগী লুচিং মখাদা হৌখি। ঈহৌশিগী মরাল ওইনা বৃটিসনা চোৱাবর লালুঙনা চিংবা মীওই কযা থৰায় থাখি। মীওই তরামাথোইনা কলাপানী থাখি। ৪২ কী মীয়াম ঈহৌদসু তিৰাগী হেমরাম পাটর লৈশি (শ্বহিদ) ওইখি।

মরু ওইনা ইমা মরীদগী হৌরকপা তিৰা খুনারগী চকুতি ইমুং মনুংগীতা ওইবা মীওইদগী হৌরকই। ইমুং অমা নত্রগা অনীদগী হেন্না ইমুং পুন্নগা মাহারী অমা ওই, মাহারী কয়া পুল্লগা (কুল) শাগৈ অমা ওই, শাগৈ কয়া পুল্লগা শিংলুপ (খেল) ওঝা ওই, শিংলুপ অমা নত্রগা অহেন্বা শিংলুপ পুল্লগা খুঙ্গং অমা শেমলন্মী। শিংলুপ খুন্নায়গী মরু মকোক ওইরিবা মহাকদু তমদনা জেলা অদুগা চীংদনা পিনুঙর অমগী (শিংলুপ) লুচিংবসু লর হায়না খংনরন্মী। হারী কুৰরী ইকায় খুন্ননিঙাই ওইরবা খুনায়গী ফমথোল অমনি। তমদা লৈবাক য়ুন্নাক শাগৈ (কুল) মশাগী ওইনা লাই খুরুমনবা মফম বর ঘর নত্রগা ন বারদা চৎন্নৈ। চীংদা য়ুমগী য়ুম্বুরেনবু জেলা অদুগা লৈননবা য়ুম অদুবুনা নবার হায়না খংনৈ। ইমুংমনুংগী ইরাৎ থৌনিবগী থৌরম মফম অসিদা পাংথোকই। চামাদি নত্রগা ডেকাচাং চীংদা লৈবা তিৰাগী অচৌবা ইনাৎ পাংথোকপগী মফমনি। লাইনিংগী

মাইকৈদগী তিৰাশিংনা লৈখিদ্রবা মপা মপুবু নিংজমবা জড়বান্দীনি। প্রকৃতি গী পোৎশক কয়াবুসু ইরাৎ থৌনিজৈ। লৈখিদ্রবা মপা মপুবু লাইনি খুন্দনা ইরাৎনৈ। হিন্দুগী লাইনিং চৎপদগী শাক্তবাদ, বৈষ্ণববাদ শৈৰ বাদ অমদি নৱ বৈষ্ণৱ বাদগী থাজবা মতুংইন্না ইরাৎনা। চীংদা তাখিবা তিৰাশিংনা খৃষ্টলাইনিং লৌখি ২০ শুবা চহীচাদগী।

নাৎ অমসুং চৎনবীগী লমদা তারি শাগৈসি থোইনা হেন্না ইনাকখুল্লি। নুংশি চান্ন-চিন্নবগী ফজবা খুদমদি “জোনবিল” কুম্মৈনি। জোনবিল কুম্মৈ অসিমক থায়না শেমিৎলোনগী অহিংবা (দলিল) শক্তকচনি। চীংদা পাংথোকপা হরাও কুম্মৈ অমদি ইরাৎ থৌনিবগী মনুংদা ৰানছুৰা, ছগ্রা, য়াংলী, খুইনারী কাণ্ঠি লাংখন, মাই পথালা, মাই রাৰা, খাপলাং রাৰানে কুজা, পান্থাই চৎৰা পন্বা য়াই। তম্পাক্তা পাংথোকপা হরাও কুম্মৈদি জোনবিল মেলা, বরত, গোঁহাই ওলিওৰা মেলা, বহাগ বিহু, মাঘ বিহু, কাতি বিহু অতৈ অতৈ। তিৰাগী কর্ম অমসুং হরাও কুম্মৈগী থৌরমদা জগোয়-ঈশৈ, য়ৈননবা খ্রাম (ঢোল) বার, খ্রাম খুজুরা, খ্রাম পান্থাই, দুমদিং, দগর, পাতি ঢোলনা চিংবা শউনগী যন্□, ৰানা শাবা ৰাফং খ্রাম, থকথরক চীননা কামলগা খুৎশানা খোংবা পাংশী (বাশি) থোরাং, ইরোয় মচীনা শেন্বা পেপাঁ, মুহুরি অমসুং খায়াং (তাল) মরাং কায়না শিজিন্নৈ।

মশাগী ওইবা মচাক কয়ানা শেমজা শাজবা লৈ থোকপা ফিরোল সিজিন্নৈ। নুপানা থানা, তাগলা, থেনাচ, ফালি, ফাগানা চিংবা অদুগা নুপীনা কাজ্যং, কাছকাই, নারানা চিংবা ফিজোল শেৎলি। অসিগীসু মথক্তা মখল কয়াগী চাপল, চিংলিল, কল পন্থা নুঙ (মনি) শিন্নৈ। খাইদং, চন্যানে, খাইদং অমসুং রূপানে খাইদং কৌবা পোৎ মনাদা শিন্নৈ। টু মেছাম (য়েনশা) অমদি ৰামেছাম (ওকশা) মখোয়গী পামজবা চিঞ্জাকনি। য়েলহৌঙৈদগী মওংতানা শুংলগা থকপা ঈসিং অঙাওবদু জ্যু কৌই।

ইন্দ্রসিং দেউরী

তিৰা শাগৈগী চাওখৎ থৌরম কয়াদা মপুন্সি চুপ্পা লান্থোংদুনা লাকখিবশিংগী মনুংদা ইন্দ্রচিং দেউরীসু অমনি। ১৯৩২ দা নোংচুপ কার্বী আংলংগী রংখৈপার খুঙ্গংদা পোকখি। মালচিং পোমা অমসুং মমা অমচিগী অহুমশুবা মপারিনী। ১৯৩৯ দা জিলাসিগী বাউলগোগ এল. পি. স্□ুল মহৈ তম্বা হৌখি। মথংদা নগাওঁ জিলাগী ডিমৌ হাইস্□ুলদা নিপাল শুবা থাক ফাওবা তমলম্মী। শেলথুমগী খুদোং চাদবনা মহৈ তম্বা লোইশিনখি। ১৯৪৯ দা ভারতীয় কমিউনিষ্ট পার্টিদা য়াওদুনা একতিভ মেম্বর ওইদুনা থৌরম কয়া মায়পুননা পুখি। পার্টি অসিদা লৈরিঙৈ তিৰাগী খুনারোল, লৈঙাকলোন, শেমিৎলোন অমদি মহৈ মশিংগী লমদা শোখদুনা লৈরিবসে মহাক□ী

থম্মোয়দা মমি তারম্মী। যুমগী ফিভম চাদবনা ১৯৫১ দা এনিমেল হাসবেন্দরী দিপার্টমেণ্টতা থবক তৌখি। অদুবু মশাগৈগী থৌদাংনা হেনদুনা ১৯৫৩ দা গারোপাহার জিলাগী তুরাদগী থবক থাদোক্তুনা হল্লকখি। তিৰাশিংবু তুমলমবদগী হৌদোক নবা থৌরম কয়াদা পুক্নিং চংখি।

কার্বি আংলংগী অমম্বা থাজবা কার্বিশিংবু লাইরিক লাইশুগী মঙাল পীদুনা মতমগী চুনবা অনৌবা তিৰা খুনায় অমা শেম্নবা ইন্দ্রচিং দেউরীনা বিন মাছলাই, রবটচিং আমচি অমদি পদ্মকান্ত কাকতিনা চিংবা লৌশিং চাওরবা মীওইশিংগী মতেংনা ১৯৬০দা থারাখুঞ্জী কৌবা খুঙ্গংদা তিৰাচা মিচন কৌবা খুনায় লুপ অমা শেমখি। লুপ অসিনা খুঙ্গংশিংদা প্রাইমারী স্□ুলগা লোয়ননা এদাল□ স্□ুল হাংদুনা মহৈ তমবগী অনৌবা খোংজং অমা হৌখি। ফি-শা লোনশা অমদি খুৎশাগী শিনফমসু মাংজিনথানা পুখ্যনবা মিচন অসিনা থৌদাং য়াখি। ইন্দ্রচিং দেউরীনা মশানা ইবা মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখিবা অ-তিৰা অ-তিৰা ছেৰান, অ-তিৰা ছেৰান, চাৰা হায়বা শৈ দু মতমদুদা শকখি।

তিৰাচা নিচনগী থবক থৌরম তৌরিঙৈ ওল পার্টি হিলচ লিদার কনফারেন্স না তিৰা তাবা মফম কোল্লগা মেঘালয় রাজ্য শেম্নক দাবী তৌরকপদা ইন্দ্রচিং দেউরীনা য়ানিংদনা প্রচেষ্ট তৌরম্মী। অপূম্বা মিকির পাহার অমসুং উত্তর কাসার পাহার জিলা শেম্বা মতমদসু তিৰাগী লম কযা খায়দোকখি। জাতীসিগী চাওখৎ থৌরম কয়াবু মাংজিন থানা পূখ্যনবা ১৯৬৭ গী জুলাইদা লালুং, দরবার, কৌবা শিংথানিঙাই ওইবা পূল অমা শেমকি।

ইন্দ্রসিং অহান্বা কার্বী আংলং ওটোনোমাস কোনশিলগী মীহুৎ ওইনা ১৯৭৬ দা খনখি। ১৯৮১ দা ওইকিবা মীখলদা আমরি কেন্দ্রদগী লালুং দরবার মীহুৎ ওইনা কাখি। কোনশিল অসিগী চেয়ারমেনগী ফম পূরম্মী।

তিৰা সাহিত্য অমদি নাৎকী লমদা ইন্দ্রচিংনা অঙম্বা খুদোল তৌরম্মী। শৈরেং কযা, ঈশৈ কয়া ইদুনা মেগাজিন কয়াদা-ফোংলম্মী। ঈশৈ কয়াদুগী  মনুংদা তিৰা তিচিমা ঈশৈসি শাগৈগী ঈসৈনি হায়না লৌশিনখি। ঈশৈগী স্বুরসু মসামক্লা পানখি।

শুপচিল্লবদা খুনায়বু শেম্বিবা, তুম্বাহৌদোকবীপা, খুনয় সেংদোকচবা, অইবা, শৈরাংবা, স্বুরপানবা অমদি হৈশিংবা লৈঙাকলোয় অমনি। মরম অদুনা চীংগীতিৰাশিংনা ফাপরৈ শাগৈগী পম্থৌ হায়না কৌনরম্মী। শাগৈ অসিনা লৈরিঙৈ মহাক হিংদুনা লৈরগনি। ১৯৯৪ গী আগষ্ট ২০দা তাইবং থাদোকখি।

বলাইরাম সেনাপতি ঃ

অসমগী সাহিত্য অমদি নাৎকী লমদা শিংথানরবা অইবা, নাৎয়োকখৎ বীপা লময়ানবদি বলাইরাম সেনাপতিনি। ১৯৩১ গী মার্চ ৩দা নগাওজিলাগী বারপূজীয়া খুঙ্গংদা পোকই। বগারাম সেনাপতি অমসুং পদ্মেশ্বরী বরদলৈগী মপারী বলাইরাম বারপুজীয়া এল. পি. অমসুং এম.ভিদা মহৈ তম্বা হৌখি। মথংদা নগাওঁ গোভর্ণমেণ্ট হাইস্□ুলদা তমখি য়ুমগী শেলথুমগী ফীভম ফোবনা মখা তমথবা ঙমখিদে। ১৯৫৩ দগী ১৯৬৩ ফাওবা উত্তর কাছার আরু মিকির পাহার জিলাগী বরথল এম. ই. স্□ুলদা ওঝা ওইরম্মী। মহাক্না ইখিবা “মিকির পাহারত কি ঘটিছে” ৰারেং অমা রামধেনু চেফোংদা ফোংলকপদগী মতমদুগী লৈঙাৰ□ী পেন্দবা মীৎয়েং তারকপদগী চহী তরা হেদমাষ্টর ওইনা থৌ পূরম্বদু থাদোকলম লমলগা ময়ুমদা হলকখি। লৌঙবগী শিনদা কুনথখি। ছাত্র ওইরিঙৈ সাহিত্য অমসুং নাৎকীলমদা থৰায় য়াওরকখিবা মীশক্নি। তিৰাগী জগোয় ঈসৈ অমদি য়ৈবা-খোংবা (বাদ্যযন্□) দা মওংতানা মরমচানা তম্বা ফরগী পরিং অমা পুখৎলম্মী। মহাক্না হাপখিবা তিৰা খুনুং ঈশৈগী স্থুরনা খুদমনি। মশাগী ওইকবা নাৎ-চৎন্নবীবু অমদি লোনবু ঙাক শেনদুনা চাওখৎনবা হোৎন্নরম্মী। অসমীয়া লোনদা ইবা মখল কয়াগী খুৎই কয়া রামধেনু মেগাজিনদা ফোংখি। মীয়াম্না মশক খংলকখি। শৈরাংবা, শৈশকপা, স্থুর পানবা সেনাপতিনা ১৯৫৪ দা ঈশৈগী লাইরিক “মুকুল” পুথোকখি। রামধেনুদা ফোংখিবা মাগী বাতি সেৰা ৰারেংনা অসমগী ফাওরবা অইবশিংগী মীৎয়েং চিংশিনখি। অসম সাহিত্য সভাগী থৌবুবা খুৎকী মীহুৎ ওইরম্মী অসম সাহিত্যসবা নগাওঁ জিলাগী প্রেসিডেণ্ট ওইরম্মী। তিৰা সাহিত্য সভা তিৰা মাথনলাই তখ্রা গী ২০০০ দা প্রেসিডেণ্ট ওরিম্মী। মহাক্না ইরম্বা অতীতর সন্ধ্যানত (১৯৯৭), পাঁচোরজীয়া অঞ্চলর লালুঙৰ লোকগীতর ওপরত সামান্য আলোকপাত (১৯৯৭) তিৰা জনগোষ্ঠীয় সংস্□ৃতির তিৰা সমাজ আরু বৈষ্ণৱ সমাজ কৌবা অপিকপা মওংদা লাইরিক অমা পুথোকখি। অনন্তদেৱ নীংশিং ৰাফোং (বক্তৃতা) দা মহাৰ□ী নুংঙনজিনবা ৰাখলোন অমসুং খুনায়গী মরমদা নৈন্ ৰাখলোন ফজনা ফোংদোরকখি। মহাক লৈখিদ্রবগী তুংদা বলাইরাম সেনাপতিগী অইপূম্বা ৰারেং ২০১৭ দা মখল কয়াগী পাউচে, মেগাজিন, নীংশিংলাতম, ৰাহৌদোক কয়াদা ফোংলকখিবশিংগী মনুংদা রামধেনু আমার প্রতিনিধি, সাদিনীয়া অসমীয়া, নৱযুগ, রিংছাং, আজির অসম, গরীয়সী পন্থা ফাই।

সাহিত্যদা খুদোল তম্বীরম্বগীদমক অসম লৈহাক্না ১৯৯১ দা সাকিত্যক পেঞ্চন পীখি। নগাঁও জিলা সাহিত্য সভানা ২০১১ দা তিলক চন্দ্র দেৱ শর্মা নীংশিংমনা ড. সূর্য্যকুমার ভূঁঞা পীদুনা ইকায়খুম্নখি। ২০১১ দা বকুলবন ন্যাসনা লোক সংস্□ৃতি সাধকনি হায়দুনা বকুল বন সনা লাম্থোকখি।

বলাইরামনা ইরন্থা ঈশৈময়েক মশিংলৈতনা নগাঁও, গুৱাহাটী রেডিও কেন্দ্রদগী শন্দোকখি। মহাক□ী ঈশৈ খরদি মকাদা পীজরি। নগার নরোত্তম গোঁসাই শ্রীরাম, ফুলগুরির ধেৱা, তিৱা সমাজ সংস্□ৃতি, হেরুৱা দিনৰ সুর অমসুং নিংতম লালহৌগী ঈশৈ। মগুন কয়ান লৈত্রেংলবা অচম্বা পুন্সি মহিং লেনখিবা, ৱা ঙাংগনদবা লুচিংবসে ২০১৪ গী মে ১১ দানোঙ্গামি।

**ৱাহং ঃ**

১। লোনগী মাইকৈদগী য়েংলগা তিৱা করম্বা কাংলুপকী মীনো ?

২। হরাঁও কুম্মৈদা তিৱানা শিজিন্নবা বাদ্য যন্□শিংদো করি করিনো ?

৩। তিৱা খুনায়দা জেলা হায়না কনাবু হায়বগে ?

৪। তিৱানা পাংথোকপা হরাও কুম্মৈ খরগী মমিং ইয়ু।

৫। ফুলগুরীগী ধেৱা হায়রিবসে করিনো ?

**শন্না ইয়ু ঃ**

ক) ইন্দ্রদিৎ দেউরী খ) বলাইরাম সেনাপতি।

*************

# দেউরী

আসাম অমসুং অৰাংনোংপক লমদমগী মঙ্গোলয়ড মীওইশিংগী মনুংদা দেউরীশিংসু তোঙানবা মীওই কাঙলূপ অমনি। মঙ্গোলয়ড মীওই কাঙলূপকী মনুংচন্না লৈবা দেউরীশিং অসি অৰাং-নোংপোকমদগী আসামদা লাকপা হৌখি অমসুং ব্রহ্মপুত্রগী থকথোংবা শরুক্তা হৌজিক্□ী অরুনাচল প্রদেশকী লোহিত জিলাগী মনুংচন্না জৈদাম চীংগী মনাক মনাক্ত য়ুমলিংখি।

খুন্নায়-চৎনরোল তুংইন্না দেউরীশিং শাগৈ কাঙলূপ মখল মরিথোক্ল খাইদোকই — ডিবঙীয়া, টেঙাপনীয়া, বরগঞা অমসুং পাটর গঞানি। ডিবং তুরেলগী ৰাংমদা খুন্দবশিং ডিবঙীয়া টেঙাপানী তুরেলগী ৰাংমদা খুন্দবশিং টেঙাপনীয়া, বরনদী তুরেলগী বাংমদা তাবশিং বরগঞা অমসুং পাত শদীয়াদা লৈবাশিংবুনা পাতরগঞানি হায়না খঙনৈ।

শদিয়াগী মফমদতা দেউরীশিং অসি চহি মতম শাংনা খন্দারন্মী অমসুং মফম অসিদা মখোয়গী চাউখৎলোনসু শেন্থা হৌখি। মতম খংলৈ মতুংইন্না মহৌশাগী ওইবা খুদোংথিবা, কাঙলূপ মনুংগী লানহৌ লান্থেং নত্রগা লৈহাও চেন্না মফম থিবদা মফম অসি লুইত তুরেলগী মখারোমদা লাক্তুনা মতম অদুগী পুল্লম্বা শিৰসাগর জিলাগী মাজুলী অমসুং লক্ষীমপুর জিলাগী ডিব্রুং তুরেলগী ৰাংমদা ইহান হান্ন খুন্দাখি অমসুং মতুংদা মফম মফমদা শন্দোকখি। হৌজিক হৌজিক মথক মায়গৈ আসামগী জিলা ৮ — তিনচুকীয়া, ডিব্রুগড়, শিৰসাগর, য়োরহাট, মাজুলী, ধেমাজী, লক্ষীমপুর অমসুং বিস্বনাথ জিলাদা খুন্দারি। দেউরীশিংনা মশাবু "জিমচনায়া" হায়না শক্তাকচটৈ। দেউরীশিং মশাগী ওইবা শক্তম-শক্তাক চংখোল্ল লৈবা য়েলহৌ মীওই কাঙলূপনি। ভারত সংবিধান মখোয়বু সিদ্যুল কাষ্টনি হায়না শক্তাক্লি।

**লোন** ঃ মরূ ওইনা দেউরী লোন অসি চীন-তিবর্বত লোনকাঙলূপকী বর্মী লোন শাগৈগী বড়ো মশাগী মনুংচল্লি। লোন অসিগী মশাক্তগী ওইবা শক্তম খর লৈজে। ইংকুমজা ২০০৫ কী জানুৱারী নোংশিং ২৮ দা আসাম সরকারনা দেউরী লোনবু সরকারগী ওইনা শক্তাক পীখি অমসুং বড়ো লোনবু প্রাইমেরী থাক্তা মমালোন ওইনা হীরম অমা তম্নবা চৎহনবগী ৰারেপ লৌখি।

## লাইনিং ঃ

দেউরিশিং ধর্মবু য়াম্ন থাজবা মীওইনি। মখোয় "কুন্দি" লাইনিংবু থাজে। "কুন্দিমামা" হায়বসি মখোয়না থাজনা খুরম্নবা লাইনি। "কুন্দি হায়বসি পুন্নমক্তগী অথোইবা তাইবং মপুনি অমসুং "মামা" হায়রগা মহৌশাবু খঙনৈ। কুন্দিমামা অসিনা তাইবং পানবু শেম্বিবনি অমসুং ঙাকশোন্বীরিবনি হায়বসি মখোয়না থাজে।

দেউরিশিং অসি মহৌশানা লৌমীনি। মখোয়গী পুন্সি অমসুং পুন্সি খুহিং অয়াম্বদা লৌউ-শিংউগী মথক্তা তাংই। ফৌ, হৱাই হংগাম, লিমোন অমসুং তোঙান তোঙান্ব মখলগী হিঞ্জাক-নাপিনা মখোয়গী মরূ ওইবা লৌউ শিংউনি। মহৌশানা খুন্দা-লৈতনবগীদমক দেউরীশিংনা মমাঙঙৈদগী উ-ৰা, লী, অমসুং ইনা শগাইগী য়ুম শাদুনা খুন্দা লৈতদুনা লাকই।

## থৌনি-থৌরম ঃ (উৎসৱ)

আসামগী মরূ ওইবা জাতিগী থৌনি-থৌরম (উৎসৱ) ওইনা লৈরিবা রঙালী বিহু, মাঘ বিহু অমসুং কাতি বিহু অহুমক অসি দেউরীশিংসু ঙাক্ল চৎলি। মসিগী মথক্তসু মশাগী ওইবা জাতিগী ওইবা থৌনি থৌরম খুদম ওইনা লৌমীশিংগী ওইবা থৌনি থৌরম-বিবা বচু গি□বা মেচ্চু (বসন্তবু ওকপা থৌরম) বিহুগী ওইবা থৌনি থৌরম - চিগাদাগারেবা বিচু, বিচু দাবেবা মেচ্চু, মিদি দেরুবা মেচ্চু (রাজ কেবাং) লাইনিংগা মরী লৈনৈ অমসুং শাওনীয়া (ইঙৈনগী) পূজা-নচিংবনি। দেউরীশিংগী শক্লায়বা মীওই খরগী মিং শম্লপ্না পঞ্জরি।

## মীয়ামগী লুচিংবা ভীমবৰ দেউরী ঃ–

পাক চাউরবা আসামগী পীক্লবা চাগৈনুংদা হোৎনা কনবা অমগী মনুংদা পাকশল্লবা আসামগী ফংফম থোকপা তানবগী লাম্হেংনবদা পুন্সি কৎথোকপা, তাংলবা মতীক চেল্লবা ফিদমনঙাই ওইরবা লুচিংবা ভীমবর দেউরীনি, মথক থোংবা আসামগী কাচিন অমদা পোক্তুনা খাইদোকত্রিবা আসামগী মফম পুন্নমৰ□ী মীওই কাঙলূপ ফুরূপকী মরক্তা তিন্দুনা আসামগী জাতিগী শক্তাক তাক্লবগীদমক ভীমবর দেউরীনা অকন্বা খোঙজং চংশিনখি। মীওই কাঙলূপকী মীওই অমা ওইনা মীওই কাঙলূপ ফুরূপ খুদিংমৰ□ী লৈঙাৰ□ী ওইবা অমসুং খুন্নাইগী ওইবা থবক-থৌরম অরেপ্পা লৈতনা পাংথোক্তুনা ভীমবর দেউরীবু মহাৰ□ী লুচিংব আসামগী ইহান-হানবা প্রধান মন□ী গোপীনাথ বরদলৈনা "মীয়ামগী লুচিংবা" (জননেতা) হায়দুনা মীংথোনখি।

ইংকুমজা ১৯০৩ গী মে গী নোংশিং ১৬ তা আসামীয়াগী জেঠ (কালেন) থাগী চৈচৎ ৩ দা ভীমবর পোকখি। মপাবুংগী মমিংনা গদরাম (গদরা) দেইরীনি। মমাগী মমিংনা বাজতী (বাজং) দেউরীনি।

শিৰসাগর জিলাগী পানিদিহিংগী বরগঞা দৈউরী খুঙ্গংদনি। (ঙাসিদি খুন অসি ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী মথাদনি) মতুংদা বাস রাজহারী খুঙ্গংদা হোংবা লৈতনা খুন্দাখি। মপাবুংগী মমাঙগী খুনদি শদিয়াদা লৈরম্মী হায়না তানৈ।

ইংকুমজা ১৯০৮ কী নং ৫৭ বরগাওঁ এল. পি. স্□ুলদা মহৈ তম্বগী পুন্সি হৌখি। ইংকুমজা ১৯১৩ দা এল, পি, স্□ুলগী অবোইবা চাংয়েংদা শিৰসাগর মহকুমাগী মনুংদা অহেনবা ওইদুনা অহানবা থাক্ত মায় পাকখি। ইংকুমজা ১৯১৮ দা শিৰসাগর সরকারী এম. ভি. স্□ুলদগী এম. ভি পাশ তৌদুনা থাদা লুপা মরি বৃত্তি ফংখি।

ইংশোক ১৯২৫ দা শিৰসাগর সরকারী হাইস্□ুলদগী এণ্টেন্স পরীক্ষাদা হারম মঙাদা লেটার লৌদুনা মায়পাকখি। ইংশোক ১৯২৫ গী জুলাইগী চৈচৎ ১৪ দা কটন কোলেজদা মমিং চনখি। কটন কোলেজদগী ইংকুমজা ১৯২৭ দা অহান্ন থাক্ত আই. এ. পাশ তৌই। ইংকুমজা ১৯২৯ কোলেজ অমত্তদগী অর্থনীতিদা মেজর লৌদুনা অনিশুবা ক্লাসতা ইকায়খুন্নবগা লোইননা বি. এ. পাশ তৌই। ইংকুমজা ১৯৩১ দা কলিকতাদগী আইন পরীক্ষাদা মায়পাক্তুনা বি. এল. ওইখি। মতম অমত্তদা প্রেসিডেন্সি কোলেজতা এম. এ. তমথকি। অদুবু শেনগী খুদোংচাদবনা পরীক্ষা থাদনা থবক তৌনিংদুনা আসাম হল্লকখি। ইংকুমজা ১৯৩২ দা আসাম সিভিল সার্ভিস পরীক্ষাদা মায়পাক্লবসু মনীংতম্না উকিলগী থবক তৌখি। উকিলগী থবক অসিনা ভীমবর মীয়ামগী থবক তৌবগী মনীংতম্বা পুন্সি অদু ফংজখি।

ইংকুমজা ১৯৩২ দা ডিব্রুগড় কোর্টতা উকিলগী থবক তৌবা হৌখি। ইংকুমজা ১৯৩৩ দা ভীমবর দেউরীনা লুচিংদুনা দেউরী, সুনুৱাল কাছারী, মটক, মিচিং, বড়ো, তিৱা, রাভানচিংবা শোৎথরিবা মীওই কাঙলূপ পুন্নমক অমত্তা ওইহননিংবগী পান্দমদা নোংশিং ১৭-০৪-১৯৩৩ দা নগাঁওগী রহাদা তমগী শোৎথরিবা মীওই কাঙলূপশিংগী ইহান হানবা মীফমলেন পাংথোক্তুনা Assam Backward Plains Tribel League শন্না ট্রাইবেল লীগ পোকহনখি। মীফম অসিদা ভীমবর দেউরীনা পুল্লিং শুমহৎনঙাই ওইরবা ৱাফোং অমা

পীখি। ভীমবর দেউরীগী মরম চানা পীবা ৰাংফোং অসিগী মরম খংলদুনা আসামগী মীওই কাঙলূপ খুদিংমক□ী ওইনা থৌ পাংথোকপগী থৌদাং পুৰা ঙমগনি হায়বসি মীওই কাঙলূপ খুন্নাইনা থাজখি। মসিগী মহয় ওইনা ভীমবর দেউরীবু ময়ামগী অয়াবা মতুংইন্না জেনেরেল সেক্রেটারী ওইনা খনখি। ফম অসিদা মথং-মনাও চহি তরাহমদৈ চহিচা ১৯৪৬ ফাওবা লৈরম্মী। ইংকুমজা ১৯৩৫ দা ভীমবর দেউরীগী লুচিংমখাদা ট্রাইবেল লীগকী দাবীগী মথক্তা য়ুম্ফম ওইদুনা আসাম বিধান সভাগী শুপ্নগী ১০৮ খক ফমগী মরক্তা তমগী শোৎথরবা মীওই কাঙলূপকী ফম ৪ খক রির্জাভ থমখি। ইংকুমজা ১৯৩৮ দা ভীমবর দেউরীবু ডিব্রুগড়মণ্ডলগী নোমিনি অমা ওইনা রাজ্যপালনা সদস্য হাপখি। ইংকুমজা ১৯৩৯ দা আসামগী রাজ্যপালনা ভীমবর দেউরীবু অৰাংবা পরিষদ হায়বদি আসাম বিধান পরিষদকী মীহুৎকী ফমদা নোমিনি মেম্বর ওইনা মেম্বর ওইহনখি।

**ভীমবর দেউরীগী লুহোংবা ঃ** ইংকুমজা ১৯৪০ গী ১৮ ফেব্রুৰারীদা মন□ী রূপনাথ ব্রহ্মগী মচানুপী কমলাৰতী ব্রহ্মাগা ব্রহ্ম লাইনিং পথাপ মতুংইনা ভীমবর দেউরীনা কোকরাঝাৰ বাঁশবারী খুঙ্গাংদা লুহোংখি। ইংকুমজা ১৯৪৫ দা নভেম্বর থাদা শ্বিলংদা মীওই কাঙলূপশিং অসিগী মীহুৎকী ফম্বা মীফমলেন্দা আসাম ট্রাইবস এণ্ড রেসেস্ ফেডারেশ্বন পোকখি। মসিগী লুচিংবদী ভীমবর দেউরীনি। ইংকুমজা ১৯৪৬ দা উচ্চ পরিষদকী মীহুৎশিংগী থৌপুবগী মতম লোইরকপনা রাজ্য পালনা অমুক হন্না মহাকপু মীহুৎ (M.L.A.) অমা ওইনা অনীরক শুনা য়ান্ন মীরেপ ওইনা খনখি। ইংকুমজা ১৯৪৬ দা সর্দার পেটেলগী পাউতাক মতুংইন্না ভীমবর দেউরীবু উমং অমসুং থৌমী (Labour) থাকখলগী (Department) মন□ী অমা ওইনা গোপীনাথ বরদলৈগী কোংগ্রেস মন□ী সভাগী মীহুৎ ওইহনখি। ইংকুমজা ১৯৪৭ দা ভীমবর দেউরীনা ভাইসরয় লর্ড ওৱাডেলগা উন্নদুনা কন্সটিটুৱেন্সি শেম্বা, আসামবু পাকিস্তানগা পুনশিন্বা, তোপ-তোপ্না অপুন্বা মীখল-নচিংবা হীরমদা ট্রাইবেল লীগকী অশেংবা ৰাখলোন খঙহনখি অমসুং কৈদৌনুংদা আসামবু পাকিস্থানদা পুনশিন্না য়ারোই হায়বসি তশেংনা শেংদোকখি।

ইং ১৯৩৩ দগী ১৯৪৬ ফাওবা ভীমবর দেউরীনা শোৎখা মীওই ফুরূপ খক্তগী নত্তনা আসাম অমসুং আসামগী মীওই খুদিংমক□ী স্বার্থ চাউখৎ থৌরাংদা থৱায় লূপচখি।

লৈপাক অসিদা পান মীওই চঙকপা থিংবা, মহৌশাগী লন-ঙাকশেন্বা, শোৎথদুনা লৈরিবা শাগৈ মীওই

কাঙলূপশিংগীদমক ঙাকলৌ (Reserve) কেন্দ্রদগী রাজ্যশিংদা হেন্ন মঙম পীবা, মফম-মফমগী ওইবা লৈঙাক, বিধান পরিষদ শেন্বা, মীওই কাঙলূপশিংগী মরক্তা শেনমিৎলোন চাংমান্নহন্বনচিংবা পথাপ শীজিন্নদুনা মশাগী হৈশিংবা উৎতুনা লৈঙাকলোন অমসুং খুন্নাইরোনগী ওইবা পুন্সি শিল্লাংখি।

ইংকুমজা ১৯৪৭ গী নভেম্বরগী তাং ৩০ দা মশাগী চহী ৪৪ দা অরোইবা য়াদিপ তানখি। শিরমদাইগী মতমদা পুন্সি লোয়নবী কমলাৰতী মচানুপা মথং-মনাও নাইনা পৃথ্বীবর দেউরী, ইন্দিবর দেউরী অমসুং মচানুপী ভারতী দেউরীবু থাদোক্লমখি।

## রাধাকান্ত দেউরী ঃ

নোংগাখ্রবা রাধাকান্ত দেউরী ইংকুমজা ১৯৩১ গী জুনগী তাং ১ দা লক্ষীমপুর জিলাগী বাঁহগড়া দেউরী খুন্দা পোকখি। মহাক□ী মপাবুংগী মমিংনা আদিসন দেউরী অমসুং অপোকপীগী মিংনা তাইবা দেউরীনি। পলেম-পন্থৌগী অমত্তা মঙরাইবা রাধাকান্ত দেউরীগী মচিন মৌপবা অহুমনি। মরূ ওইনা খুঙ্গংগী শভমদা চাউজ-শাংজরক্লবা দেউরীগী য়ুমগী ফীভম থোইকোক্ল ফৎচজদরগসু মহাক লাইরিক লাইশু তম্বদা য়ান্ন থৰায় য়াওরম্মী। মপাবুংগী ফীভম খঙজা উজদুনা মীংচন্দনা অতোপ্পদগী লাইরিক অমসুং কোর্বাক্লচিংবা খোমজ-নিজদুনা খুঙ্গংগী ১১ শুবা মরনৈ এল. পি. স্□ুলদা ইংকুমজা ১৯৪২ দা মহৈ তম্বগী পুন্সি হৌখি।

অৰাবা কয়াগী মারক্তা পাবদা মপুক্লিং চংবনা মীংচৎ লৈনা মেট্রিক পাশ, যোরহাটকী জে. বি. কোলেজদা মিং চন্দুনা কোলেজগী পুন্সি হৌজখি অমসুং ইংকুমজা ১৯৫৮ দা বি. এ. পাশ তৌখি। ইংকুমজা ১৯৫৯ দা শিৰসাগর সরকারী হায়ার সেকেণ্ডারিদা ওঝাগী থবক চৎখি। য়োরহাটতা লাক্কুনা বি টি পাশ তৌখি। ইংকুমজা ১৯৮৬ দা ফম অমত্তদা লক্ষীমপুর সরকারী হায়ার সেকেণ্ডারী স্□ুলদা হোংদুনা তংদু-লৈতনা ওঝাগী পুন্সি হৌখি।

অইবা অমা ওইনা দেউরী শোৎথা মীওই কাঙলূপ লোয়ননা আসামীয়া লোন-লোয়নশিল্লোন্দা দেউরীগী খুদোল ঙমখৈ লৈতে। মহাক ৰা ঙাংঙন্দে লোয়ননা দেউরী লোন-নাৎকী হৈ-শিংবা নৈনরোয়নি। তোঙান-তোঙান্ন হীরমগী চে-চাং অমসুং মেগজিননশিংবদা মহাক□ী লৈচন শন্দোক্ল লৈরি। দেউরী লোনগী মতেংনা আসামীয়া লোন লোয়নশিল্লোন্দা অয়াম্ব খুদোল তল্লল্লবা ইকায় খুন্নরবা দেউরীগী তাংলবা লাইরিকশিংদি "দেউরী চ্ছুবিঁব" (দেউরী ডিক্স্যনারী" চ্ছিঁবা জিমচাঁয়া চ্ছুবিব (মতমগী দেউরী ডিক্স্যনারী) অনিসি মরূনি।

মসিগী মনুংদা অনিশুবা লাইরিকসি লোন অহুমগী (দেউরী, আসামীয়া, ইংরাজি) ওইবনি। মসি দেউরী লোনগী মপুংফাবা ডিক্সশ্যনারীনি। "দেউরী শব্দ সম্ভার" মহাক্□ী খোমজিন্বা লাইরিক অমনি।

**সমাজ সেৱক অমসুং লৈঙাকলোনদা বর্গরাম দেউরী ঃ—**

লক্ষীমপুর জিলাগী বিহপুরীয়া মৌজাগী শোৎথরবা বাঁহগড়া দেউরী খুঙ্গংদা খুন্দাবা বর্গরাম দেউরী ইংকুমজা ১৯৩৮ গী আগষ্টকী তাং ১ দা তাইবং ফাওরকখি। ইং কুমজা ১৯৪৪ দা বাঁহগড়া দেউরী এল. পি. স্□ুলদা মিং চন্দুনা ইং কুমজা ১৯৪৯ দা খ'রা এম. ই. স্□ুলদা মহৈ তমদুনা ইং কুমমা ১৯৫৯ দা লক্ষীমপুর হাইস্□ুলদগী মেট্রিকতা অহান্ব থাক্তা পাশ তৌই। মেট্রিক পাশ তৌদুনা বর্গরাম দেউরীনা যোরহাট জগন্নাথ বরুৱা কোলেজদগী বি. এস. সি. পাশ তৌদুনা গুৱাহাটী ইউনিভারচিটিদা বুটানীদা মিং চল্লি অমসুং মতম অমত্তা গুৱাহাটী ইউনিভারচিটিগী লো'কোলেজদাসু আইন তমখি। মহাক্ন এম. এস. সি. অমসুং এল. এল. বি. মতম অমত্তদা মিংচৎ লৈনা পাশ তৌরবা মতুংদা পঞ্জাৱ ইউনিভারচিটিদা হোমিওপেথিক্□ী মহৈ তম্বা চৎলি অমসুং মদুসু মহাক্ন মিংচৎ লৈনা পাশ তৌদুনা সনাগী তক্□মান লৌদুনা ডিগ্রী লৌখি ।

বর্গরাম দেউরীনা গুৱাহাটী ইউনিভারচিটিদা তমলিঙৈগী মতমদা কামরূপ একাডেমী স্□ুলদা ওঝাগী থবক তৌখি। ইং কুমজা ১৯৭১ দা লক্ষীমপুর বারদা শরুক য়াদুনা উকিলগী পুন্সি হৌখি। মতম অদুদা মহাক্ন মনিপুর কোলেজদা প্রোফেসার ওইনা থবক তৌরুরগসু মদুদা খোয়দ দবনা মরম ওইদুনা হল্লক্কুনা অমুক হন্ন লক্ষীমপুরদা উকিলগী থবক তৌবা হৌই। খাইদোকত্রিবা লক্ষীমপুর জিলাগী ধেমাজী চিরিপানী দেউরী খুন্দা ইং কুমজা ১৯৭১ দা পাংথোকখিবা দেউরী মীফমলেন্দা মহাকপু মথংগী সভাপতি ওইনা খনখি।

ইংকুমজা ১৯৭৮ দা বঙ্গালমরা গাও পঞ্চায়তগী কাউন্সিলার অমা ওইনা খনখি। ইংকুমজা ১৯৮৩ দা বিহপুরীয়া বিধান সভা সমষ্টিদগী আসাম বিধান সভাদা অহানবা ওইনা খন্দুনা এম. এল. এ. ওইখি। ইংকুমজা ১৯৯১ দা অমুক হন্না মহাক্ন বিহপুরীয়া সমষ্টিদগী আসাম বিধান সভাদা খন্দুনা আসাম সরকারগী তমগী মীওই কাঙলূপ অমসুং তোঙান-তোঙান্না শোৎথবা থাক্□ী য়াইফা থৌরম থাকখলগী মথক্তসু রেশোম অমসুং হেণ্ডলুম টেক্সটাইল ডিপার্টমেণ্টগী মিনিষ্টার ওইনা থৌ পুখি।

বর্গরাম দেউরীনা মন্□ী ওইনা  লৈরিঙৈ মতমদা আসামগী মীওই কাঙলুপশিংগী পোত্থফম অমসুং আকাশী হোষ্টেল নাচিংবা শাবগী মথক্তসু বাঁহগড়া দেউৰী খুঙ্গংগী মিনি হস্পিটাল অমসুং ভেটেনরী হস্পিটাল অনিখক শাখি। দেউরী লোনগী ওইনা শক্তাক পীবা অমসুং দেউরী মীওই কাঙলুপশিংগী লৈঙাকলোন অমসুং খুনায়-শেনমিৎলোন চাউখৎপগীদমক দেউর স্বায়ত্ব শাসিত পরিষদ পীহনবদা বর্গরাম দেউরীগী  থৌদাং মরূওইনা লৌবায়াই। মহাক ইংকুমদা ২০০৪ দা হার্টগী অনাবদা গুৱাহাটীদা শিবা তাখি । ভীমবর দেউরীগী মতুংদা বর্গরাম দেউরী অসি মীওই কাঙলুপশিংগী অনিশুবা লৈঙাকলোন অমদি আসাম সরকারগী মন্□ীনি।

## সমাজ সেৱক শ্রীচন্দ্রসিং দেউরী ঃ–

সমাজ সেৱক শ্রী চন্দ্রসিং দেউরী  শান্ন-খোৎনবা, লোক শিল্পী অমসুং অইবা অমা ওইনা দেউরী মীওই কাঙলূপকী মরক্তা হিংলি। দেউরী মীওই কাংলুপশিংগী মরক্তা মহাক্□ী তোপ-তোপ্প শক্তাক অমা লৈজৈ। ইংকুমজা ১৯২৭ কী এপ্রিলগী তাং ২৮ দা  নোংগাখ্রবা মপাবুং গোপাল দেউরী অমসুং আতবা দেউরীগী পীবুকনুংদগী যোরহাটকী থক দেউরী খুন্দা পোকখি। অঙাং ওইরিঙৈদা থক দেউরী এল. পি. স্□ুলদা এল. পি. স্□ুলগী মহৈ তম্পা লোইদুনা যোরহাট গোৱরমেণ্ট হাইস্□ুলদা মহৈ তম্বা হৌরবসু যোর পোলিটেকনিক স্□ুলদগী ইং কুমা ১৯৪৯ দা হাইস্□ুলগী আরোইবা পরীক্ষাদা মিংচৎ লৈনা পাশ তৌখি। মতুংদা ইংকুমজা ১৯৬২ দা আর্টসদা মিং চন্দুনা শিলং কোলেজদগী থবক তৌন-তৌনা আই. এ. পরীক্ষাদা মায়পাকখি।

ইংকুমজা ১৯৫৫গী অক্টোবর তাং ১ দা ভারত সরকার মখাগী সিড্যুল ট্রাইব অমসুং সিড্যুল কাষ্ঠ ডিপার্টমেণ্টগী অহুমশুবা থাক্□ী কর্মচারী অমা ওইনা থবক চংখি অমসুং ইংকুমজা ১৯৮৮ কী মার্চকী ৩১ দা সুপারিটেম্ডণ্টে ওইনা থবক্তগী পোৎথখি।

ইংকুমজা ১৯৫৯ গী দিল্লী রিপাব্লিক  দেদা মহাক্□ী লুচিংমখাদা দেউরী লোকগীত অমসুং লোক-নৃত্য উৎপগী মথক্তদসু ইংকুমজা ১৯৫৯ দগী ১৯৭৫ ফাওবা আকাশবাণী গুৱাহাটী কেন্দ্রগী লোকগীত শিল্লাংখি।

অইবা অমা ওইনা মহাক্ন ইং কুমজা ১৯০৩ দগী মথং-মনাও  আৱাও ইং কুমজা ১৯০৩ দা,  আর্চিয় ইবাঁ - ২০১৪, চহিচা, আমিরিয়া ইবাঁ – ২০১৩ চহিচা  বিচু - ২০১৫ চহিচা, হিচরি – চহিচা ২০১৬,  দেউরী জনজীৱন, মশানা হোৎনজদুনা ফোংদুন পুথোকখি।

**ৱাহৈ পরেং** ঃ—

১। দেউরীশিংগী অরিবা লৈফম কদাইদা লৈরম্মী ?

২। দেউরীশিংনা খুন্নাইগী ওইনা শাগে কাঙলূপ মখল কয়া থোক্লা খাইদোকই অমসুং করি করিনো পল্লু।

৩। শদিয়াদগী য়ুমহোং দুনা লাকপা দেউরীশিং অহানবদা আসামগী করম্বা জিলাদা খুন্দাবা হৌখি। হৌজিক্□ী আসামগী করম-করম্বা জিলাদা মখোয়শিং অসি খুন্দারি।

৪। দেউরীশিংনা মশাবু করন্না শক্তাকচবগে ?

৫। দেউরী লোন তি□র্বতবর্মী লোন কাঙলূপকী করম্বা লোন কাঙলূপকী মনুংচল্লি ? করম্বা চহিচাদা দেউরী লোনবু আসাম সরকারনা সরকারগী ওইনা অয়াবা শক্তাক পীখি।

৬। দেউরীশিংনা পালন তৌদুনা লাকপা মখোয়গী জাতিগী ওইবা উৎসৱ ৪খক পল্লু।

৭। দেউরীশিংনা করম্বা লাইনিংবু থাজনৈ ?

৮। শন্না ইয়ু ঃ—

ক) ভীমবর দেউরী খ) রাধাকান্ত দেউরী

গ) বর্গরাম দেউরী ঘ) শ্রীচন্দ্রসিং দেউরী।

*************

# নেপালী লোনঙাংবা গোর্খা

ৰাহৌদোক ঃ আর্য-মঙ্গোল-কিরাত অপুন্বা ফুরুপ্পু নেপালী হায়না খংনৈ ঙসিদি ভারতকী নেপালী লোন ঙাংবা কাংলুপপু গোর্খা হায়নসু খংনরক্লে। কনা কনাগুম্বা মাইচৌশিংগী ৰাখলোন মতুং ইন্না নেপালীশিং খচ দগী পোকলকপনি। খচ শাগৈগী মরমদা কলহনগী রাজতরংগিনী অমসুং জয় চন্দ্র বিদ্যালংকারগী "ভারতীয় ইতিহাস কী মিমাংশা" কৌবা লাইরিক্তগী খংবা ঙম্মী। মতম অমদা কাশ্মিরদগী নেপাল য়ৌনা হিমালয়গী লমদমসিদা খস শিং খুন্দারম্মী হায়না বিদ্যাল কারনা পলম্মী। ২০১১ গী মীকোকথিবা অসমগী নেপালী মশিং ৫,৯৬,২১০ নি। মশিং অসি তোঙান তোঙান্ন তাকপা তারবদি তমাং শাগৈগী ২০৬৩, লিম্বুগী ৭৮০ অমসুং ৰাইগী ১১১০ নি। শুপ্পা পুনশিল্লগা মীশিং ৬,০০,১৬৩ নি। পন্বা য়াই মদুদি মীকোক থিবগী মতমদা অসমীয়া লোনবু মমালোননি হায়না শকতাকখি।

**অসমদা খুন্দাখিবগী পূৰারী ঃ**

মমাংচত্তগী গোর্খা শাগৈসি অসমদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরকই হায়বসে অরিবা লাইরিক, পূৰারী অমদি মখোয়গী ঈরাৎ থৌনিবা নাৎ চৎন্নবী কয়াদগী খংবা ঙম্মী।

চাওরাক্লা চহী লিশিং মঙাগী মমাংদা (খৃঃ পূঃ ৩১৩৯) হায়বদি মহাভারতকী মতমদগী অসম অমসুং নেপালগী মরক্তা নকশিন্নবা মরি অমদি চথোক চশিন তৌনরম্মী। মতম অদুদা লমদমসি পূন্না জম্বু দ্বীপ নত্রগা আর্যবর্ত হায়না খংনরম্মী। লৈখিদ্রবা মপা মপুগী মফমদা পিন্থু কৎলকপা মতমদা জম্বু দ্বীপে আর্যবর্তে, ভারতবর্ষে, অসম প্রান্তে হায়না মন্□ শোল্লগা কৎলম্মী।

অরিবা ধর্মগী লাইরিক মতুংইন্না কামাখ্যা মন্দিরবু শারন্বা প্রাগজ্যোতিষকী নিংথৌ নরক সে নেপালগী চুণচুরী জিলাগী বরাহ কৌবা মফমদা পোকখি। কামাখ্যা ঈরাৎ থৌনিবগীদমক নেপালদগী ঈরাৎথৌনিমী পূরকলম্মী। মখোয়শিংবু লালমোহরীয়া পাণ্ডা হায়না খংনরকখি।

অসম সাহিত্য সভাগী পোখারবা সবাপতি তার্থনাথ শর্মাগী মত তমুং ইন্না খৃঃ চহীচা তরামঙাদা শ্রীমন্ত শংকরদেবগী (শিষ্য) খোংলোয়চা রতি কান্ত উপাধ্যায়না হৌজিক□ী টিয়ক অমসুং নগাওঁদা নেপালীসত্র লিঙম্মী। উপাধ্যায়সিগী মচা মশুশিং অসমীয়াগী খুন্নায়দা তিনখিদুনা মহৌশাগী শক্তাক মাংখিদুনা খংবা ঙমদ্রে।

মতমদুগী বৃটিস অমসুং নেপালগী মরক্তা ১৮১৫-১৬ সুগৌলী য়ান্ন চেরোল মতুং ইন্না নেপালগী প্রজা লোয়ননা পাক চাওরবা নেপালগী লম ভারত্তা তিনখি। য়ান্ন চেরোলগী মতুংদা বৃটিসনা গোর্খা রেজিমেণ্ট

লিংখৎখি। অসমদগী কবো লান্মী তাম্থোকনবা রেজিমেন্ট খরা পূরকলম্মী। ১৮২৬কী ইয়াণ্ডাবু য়ান্ন চেরোলগী মতুং ইন্না কাবোনা থাদোকলগা হনখি।

**অসমগী খুনায় পুন্সিদা গোর্খাশিং ঃ**

গোর্খা লান্মীশিংনা থবকতগী পোত্থারবা মতুংদা অসমদা অদুমকখুন্দা লৈতানা লৈখি। শোংলবা ঙমংগী লমদমসিদা থাউ, কয়লা পুথোকনবা, রেল লম্বী শেম্নবা বৃটিসনা অৱাং ভারত অমসুং নেপালগা য়ান্নচে তৌরগা গিরমিট শিংনা নেপালীবু অসমদা পুরকখি। অমুক হনখিবা লৈতনা অসমদা লৈদুনা নিংতন লানদা শরুক য়াখি। সবিলাল উপাধ্যায়, দলবীর সিং লোহার, বিষ্ণুলাল উপাধ্যায়, ভক্ত বাহাদুর, প্রধান, প্রসাদ সিং চু□বানা চিংবা মখোয়গী লুচিং মখাদা নিংতম লানদা য়াওখি। ফাচৌক তাখি। কুনশুবা চহীচাগী নিফু ফাওবা নেপালিশিং মশাগৈগী ওইবা লুপ অমা অসমদা শেমখিদে। লৈরু লৈরুবা মফমদুগী খুনায় অমসুং লৈঙাক□া খুৎশম্লনা লৈরকখি। নিংতমলবগী মতুং মীকোক থিবদা অসমীয়া লোনবু মমালোননি হায়না শক তাকখিবগী ৱাফম অম্বিকাগিরী রায়চৌধুরিনা ফোংখি।

গোপীনাথ বরদলৈনা মূখ্যমন্□ী ওইরিঙৈ ১৯৪৭ দা শেমখিবা ট্রাইবেল বেল□ অমদি ব্লোকতা নেপালী শাগৈসু রিজার্ভ থাক্তা থম্মীখি।

অসমীয়া লোনগী ঈহৌ, তম্ন লোনগী ঈহৌ অমসুং অসমগী মীতোপ তাম্থোকপগী ঈহৌদা নেপালী মীওই তরুক্কা লৈশি (শ্বহিদ) ওইকি।

মহে তম্বগী লোনগী মতাংদা শাগৈসিগী তৌবিমল শিংথানিঙাইনি। মমালোন থাদোকলগা অসমীয়া লোনবু মমালোন ওইনা তম্লগা নেপালীলোনবু হিরম অমা ওইনা তম্নরম্মী। অসমীয়া লোনদা মহে তম্নবা এল. পি. থাক্তগী বিশ্ববিদ্যালয় থাক ফাওবা মহে শঙ লিংখৎনবা গোর্খাশিংনা শরুক য়ারকই।

অসমগী সাহিত্য, নাৎ, চৎন্নবী অমদি শান্নখোৎনবগী লমদা শাগৈসিগী অচৌবা মফম অমা কল্লি। লৈঙাকলোন অমদি লৈঙাক□ী লমদসু চাওনা মফম কল্লকই। শাগৈসিগী মীওই কয়া সংসদকী মীহুৎ, বিধান সভাগী মীহুৎ, অসমগী মন্□ী অমদি বিধান সবাগী স্পিকারগী ফম লৈত্রেংখিবা য়াওখ্রে। লৈঙাক□ী দিপার্টমেণ্ট খুদিংদা শাগৈসিগী মীওই কয়া থবক। তৌদুনা লৈরি।

হরাও কুম্মৈ ঃ শাগৈসিনা চহীচুপ্না হরাও কুম্মৈ পাংথোকই। নুপী শিংনা পাংতোকপা তীজ থৌরমসিদা ঈমরী নুংশিনবগী, বড়াদশৈ অমসুং তিহার না মনুং-মৌপবা, মচে-মচল নুংশিন্নবগী পাংথোকই। চেলরুটি অমদি পকু শাথোংবা হরাওঁনা পামনৈ।

## অসমগী মীথোই মীহেন ওইখিবা গোর্খাসিং ঃ

### সবিলাল উপাধ্যায় ঃ

বিশ্বনাথ জিলাগী বুঢ়িগাঙ কৌবা খুঙ্গংদা কাশিনাথ উপাধ্যায়গী মচা ওইনা ১৮৮২গী মে ১২ দা পোকখি। হাইস্ □ুলগী থাক ফাওবতা মহে তমহৌবা সবিলালনা মাগী হোৎন্নমমদগী অমদি চন্দ্রনাথ শর্মা, ঘনশ্যাম বরুৱা, লোক নায়ক অমিয় কুমারদাসনা চিংবা মীওইশিংগী খৌজালদগী ভারত নিংতম লানদা শরুক য়াবা ফংখি। বৃটিস লৈঙাকনা কাজিরঙাগী মপানদা তারিবা গোর্খা অমদি মিচিং শাগৈগী যণ ইরোয়গী (খুটি) পূন্না থম্বা মফমশিং থমদনবা থৌরাং পায়খৎলকই। সবিলালনা ১৯১৯ দা তেজপুরদা পাংতোকখিব "অসম এসোসিয়েসনগী" মীফমদা ৱাফমদু থাংগৎখি। মীফমনা লৈঙাক্কা লৌরিবা ফিরেপ দু হন্দোক্লক হায়জা ৱারেপ লৌখি। অসম এসোসিয়েশোনগী লুপতা নকশিননা লাকপা সবিলালনা মীফম মপু ওইরগা ১৯২১গী এপ্রিল ১৮ দা পাংথোক খিবা যোরহাটকী মীফমদা অসম এসোসিয়েশোনসি অসম প্রসেশ কংগ্রেস কমিটি হায়না ওন্থোকখি। হায়রিবা কমিটিসিগী অহান্বা য়াইতোংবগী (প্রেসিডেণ্ট) ফম পুখি। কংগ্রেসতা য়াওরি হায়বগী মরালদা সবিলাল বাবুবু বৃটিসনা ফাজিনখি। মরম অসিনা ১৯২১ গী বোম্বেদা ফমখিবা কংগ্রেসকী মীফমলেনদা শরুক য়াবা ঙমখিদে। ১৯২১ দা মহাত্মা গান্ধী অসমদা লাকলম্মী। গান্দীনা থুংলদ্রিঙৈ মমাংদা অসম কংগ্রেসকী মীহুৎশিংবু নিংতমলান ঈহৌদা য়াওদনবা লৈঙাক্কা মোয়থেম কয়া তৌরম্মী। মৌজাদার, কাউন্সিলর, বরলাটনা চিংবা অৱাংবা ফম কয়া পীগে হায়না সবিলালদা তাকলম্মী। পূন্নমক থাদোকলগা গান্ধীগী লুচিং মখাদা চথরিবা মতেং পাংনদবা (অসহযোগ) ঈহৌদা শারুক ফারুবগী সবিলাল থা তরুক কাটোক তাখি। ফাটোকতগী থোরকলগা মীরমগী পোৎ শিজিন্নদবা ঈহৌদা অমুক শরুক য়াদুনা মশাগী য়ুমদা লৈবা মীরমগী পোৎখিবিক মশানা মৈ থাদোকখি। ইয়মদম ইহৈশঙ (স্বদেশী বিদ্যালয়) লিংখৎপদা অচৌম থৌদাং লৌরম্মী। ১৯৪২ দা গান্ধীগী লুচিং মখাদা বৃটিস ভারত থাদোকউ ঈহৌদা সবিলালবু য়াওদনবা লৈঙাক্কা মীহৌলাং থাকলম্মী। মীহৌলাংদা লুপ্পা তৌদনা অসমবু সি গ্রুপতা চনশিনবগী মায়োক্তা লেপতুনা মাগী লুচিং মখাদা অখিল ভারতীয় গোর্খা লিগকী খোলাওদা মীওই লিশিং কুন্থা তেজপুরদা তিনদুনা জিন্নাগী ৱারেপদু য়ানিংদবা উৎখি। উৎখি। অসম সরকারনা নিংতমলান্নী সবিলাল, দলবীর সিং লোহার অমদি ভক্ত বহাদুর প্রধান মখোয় অহুমগী মীতম গুৱাহাটীদা খিনবগী থৌরাং পায়খৎলি।

### দলবীর সিংহ লোহার ঃ

দলবীর সিংহ লোহার ১৯১৫ গী জানুৱারী ২৬ দা ডিব্রুগড়গী খলিয়া মারীদা পোকই। অপোকপা অনতরাম লোহারনি। মসাগী চহী ১৫ শুরকপদা দলবীরনা নিংতম লানগী ভোলোণ্টিয়ার ওইনা শরুক য়ারম্মী। ১৯৩০গী

করাসিদা ফমখিবা অখিল ভারতীয় কংগ্রেস কমিটিগী মীফমদা  অসমগী মীহুৎ ওইনা শরুক য়াখি। কানিংহামগী ফত্রবা মার্কুলারবু য়ানিংদনা লেপলুবগী ১৯৩০ দা ফাদুনা থা অহুম জেলদা থমখি। মথৌনা লৈবা নিংতমনিংবা লোহারনা বৃটিসকী চৎন্ন পথাপ কয়া মায়োক্তা লেপলুবগী ১৯৩১-৩২ দা থা তরুক হন্না জেল তাখি। শোক্ল পাননবা য়াদবা (অস্থশ্যতা) চৎনবী মুথৎনবা কন্না হোৎনরম্মী। সেবাদল শেমদুনা অনীশুবা লাক্তাওদা ভারতপু শরুক য়াদুনবগী য়ানিংদবা উৎপগী ময়ুমদালৈবা য়াদনবা লৈঙাক্লা শিনখি। শুপ্নগী গোৱালপারা জিলাদগী হেন্দোক্লা চৎখিজনবা য়াথং তাখি। নোংমদি দলবীরনা লকুগী বুঙ্গা হোল্লগা ব্রহ্মপুত্র মরিল লাক্তুনা মায়ুমদা থুংলখি। ময়ুমদা থুংলবগা নিংতম লানদা শরুক য়াই হায়দুনা লৈঙাক্লা ফারগা জেলদা থমখি। ১৯৮২গী মীয়াম ঈহৌদা থাকথেংননা  মহৈরোয়শিংবু শরুক য়াহল্লি হায়না মরালশিদুনা ফাজিন্দুনা থমখি। শোখরবা শিন্মীশিংগী মীহুৎ ওইনা ১৯৪৬ দা তিনিচুকীয়াদগী বিধান সভাদা খলকখি। মহাক অসমগী অহান্বা বিধান সভাগী মীহুৎনি। ১৯৫৩-৫৫ ফাওবা শদিয়া কংগ্রেস কমিটিগী সভাপতি ওইরম্মী। ১৯৬৯ গী জুলাই ২৯ দা মহাক নোঙ্গাখি।

**হরি প্রসাদ গোর্খা রাই ঃ**

১৯১৫ গী মার্চ ১৫ দা নাগালেণ্ডগী কোনুং কোহিমাদা ধনরাজরাই অমসুং যশোদা রাইগী মচা ওইনা হরি প্রসাদ গোর্খা রাইবু ফংজখি। মশানা মশাবু হরিপ্রসাদ গোর্খা রাই হায়না শক তাকখি। আৱাহন যুগকী অইবা অমা ওইনা ধন বাহাদুর সোনা অমসুং গোবিন্দ চন্দ্র পৈরাগা লোয়নদুনা সাহিত্য নৈনবদা মপুক্লিং চংখি। মখোয় অহুথক অসমীয়া লোনদা মহৈ তল্লকপন অসমীয়া লোনগী সাহিত্যদা হেন্না  থৱায় চংলম্মী। অসম সাহিত্য সবাগী অহান্বা সভাপতি পদ্মনাথ গোহাঁঞী বরুৱাগী মীৎয়েংখদা সাহিত্যগী লমদা খোংদাবা হৌরকখিবা গোর্খা রাইনা ধন বাহাদুর সোনা অমসুং গোবিন্দ চন্দ্র পৈরাগী মতেং লৌরগা অসম সাহিত্য সভাগী কোহিমা মসা শেমখি। মীথা পোল্লবা ভারত মচাশিংদা জাতী নুংশিবগী ঈহৌ পূরক্লবা সাহিত্যগী মতেং  লৌরগা চখৎলকখি। নৈন্নরোয় গোবিন্দ প্রসাদ অধিকারীগী মত মতুং ইন্না ১৯৩৫ দা অসমীয়া লোনদা লৈঙাকলোনগী ৱারেং ইখি। লৈঙাক□ী  ফত্তা মীৎয়েং তারক□নি খন্দুনা ৱারেংদু মশানা .....  নি হায়না পলম্মী। অসমীয়া অমসুং নেপালী লোন অনীদা সাহিত্যগী  সো তৌরম্বা রাই তশেংনা অপূন্বা পাম্বা, চান্নচিননা লৈমিন্নবগী মীওই ওইরম্মী। হরি প্রসাদ রাইগী ৱারী লাইরিকতা চীংগী চীংমী তমগী চীংমী নুংশিননা লৈবগী  মমি তাই। মহাক□ী মমিং রাইগী মতুংদা গোর্খা ৱাহৈ তপশিনবিখিবা  মীওই অদুদি সাহিত্যিক মিত্রদেৱ মহন্তনি। ওঝাগী শিনফমদা হৌরকখিবা রাই তুংগী পুন্সিদা অসমীয়া অমসুং নেপালী লোন ীদা সাহিত্য সেবা তৌদুনা লেনখি। রাইনা লোনগৈগী (অভিধান) লাইরিক কয়া উরম্মী।

খুদম ওইনা –

ক) "মিকির শব্দ কোষ" (১৯৭৪-৭৬)

খ) "পুমেই তাংখুল শব্দ কোষ" (১৯৭৪-৭৬)

গ) "মারাম শব্দ কোষ" (১৯৭৪-৭৬)

ঘ) "মেইরিঙ শব্দ কোষ" (১৯৭৪-৭৬)

ঙ) "নেপালী শব্দ কোষ" (১৯৭৪-৭৬)

নেপালী লোনদা ইঁখিবা লাইরিক

১। বাবরী (খোমজিন্বা শৈরেং) ১৯৭৪)

২। মনচরিকো বোলী (খোমজিন্বা শৈরেং ১৯৭৭)

৩। য়হা বদনাম হুঞ্চ (খোমজিন্বা ৰারীমচা ১৯৭৪)

**ৱাহং পরেং ঃ**

১। নেপালী নত্রগা গোর্খা শাগৈসি করি করি শাগৈ পূল্লগা ওইরিবনো ?

২। "লাল মোহরীয়া পাণ্ডা" হায়রগা করি খংবগে ?

৩। অসম প্রদেশ কংগ্রেস কমিটিগী অহান্বা প্রেসিডেন্ট কনানো ?

৪। করম্বা মতমদগী নেপালীশিংবু ট্রাইবেল বেল□ গী ব্লোকতা রিজার্ভ ক্লাস ওইনা লৌখিবগে ?

৫। রতি কান্ত উপাধ্যায় কনানো ? মহাক্লা কদায় কদায়দা (সত্র) লিংখৎলম্মী ?

৬। গোর্খাশিংগী মরু ওইবা হরাও, কুম্মৈ করিনৌ ?

৭। "জম্বু দ্বীপ, আর্যবর্ত, ভারতবর্ষে, অসম প্রান্তে, " ৱাহৈ পরেংসিগী ৱাহন্থোকপীয়ু।

৮। সুগৌলী য়ান্ন চেরোল (সন্ধি) করম্বা মতমদা ওইখি ? য়ান্ন চেরোলগী মতুং ইন্না করম্বা লৈবাক□ী লম অমদি প্রজা মীয়াম ভারতকী মনুং চনখিবগে ?

৯। ভারত নিংতম লানদা সবিলাল উপধ্যায়গী খুদোলদু শন্দোক্লা তাকউ।

১০। সাহিত্যগী লমদা হরি প্রসাদ রাইগী খুদোল তাকউ।

১১। দলবীর সিং লোহার কনানো ? ভারত নিংতম লানদা মহাক্লা করন্না শরুক য়াখিবগে শন্দোক্লা তাকউ।

*************

# বড়ো

বড়োশিং অসি মশাগী খুন্নাই থৌরাং, ভাষা-সাহিত্য ধর্ম অমসুং চাউখৎপা সংস্□ৃতি নিংথিনা লৈজবা জাতিনি। বড়োশিং অৰাং-নোংপোক ভারতকী অরিবা মীওই কাঙলূপনি। সার এডর্বাড গেইটকী মতুংইন্না আসাম অমদি অৰাং-নোংচুপ বঙ্গদা বড়োশিংগী পাকচাউবা লৈপাক লৈরম্মী।

হায়রগদি বড়ো (বড়ো) ৱাহৈ অসি পাক চাউবা ৱাহন্দোক্ত কাঙলূপ অমত্তগী ওইবা তোঙান-তোঙান মীওইশিংগী অপুন্বনি। মখোয়শিং অসি অৰাং-নোংপোক বঙ্গ, গোৱালপারা জিলাদা মেচ অমসুং নেপালদা মেচে হায়না কঙনৈ। বড়োশিংবু আসামগী তোঙান-তোঙান্ব মফমদা চাইদুনা লৈবা থেংনৈ। অসুন্না বড়ো কাঙলূপকী ওইবা সোণোৱাল কছারী, ঠেংঙাল কছারী, চুতীয়া, দেউরী, লালুং, রাভা, গার, হাজং অমসুং ত্রিপুরীগী মীওইশিং লক্ষীমপুর, তিনিচুকীয়া, ডিব্রুগড়, শিৱসাগর-নচিংবা তোঙান-তোঙানবা মফমদা খুন্দাবা থেংনৈ। কার্বি আংলং অমসুং ডিমা হাচাও জিলাদা লৈবা ডিমাছা কছারীশিংসু বড়ো কাঙলূপকী মশা অমনি।

বড়োশিংগী লোন অমসুং সাহিত্য।

বড়োশিংগী মশাগী চাউখৎপা লোন লৈজে। মসি বড়োশিংগী মমালোননি। বড়োশিংগী অৰাংবা থাব□ী অমসুং পোমিৎলোন চেনবা ৱাহৈগী কৈ লৈজে। বড়ো লোন শদিয়াদগী নোংপোক বঙ্গ ফাওবা অমসুং অৰাংলোমদা নেপালদগীনা বাংলাদেশ ফাওবা শন্দোকই অমসুং পাকশন্না চৎনবা লোন অমনি। লোনবু খঙবা প্রমোদ চন্দ্র ভট্টাচার্য্যগী মতুংইন্না কিরাটনা লৈঙাকলিঙৈগী মতমদা বড়োলোননা সরকারী লোন অমসুং ৱায়েলশঙগী লোন অমা ওইনা চৎনখি।

বড়োলোন অসি চীন তিব্বত বর্মীগী ওইবা মশাগী লোননি। অখঙ-অহৈশিংগী মতুংইন্না তিব্বতকী ওইবা লোনগী মরূ ওইবা লোন মশা অনিদুদি —

১। তিব্বতবর্মীগী ওইবা অমসুং

২। টাই-চীনা লোন নি।

তিব্বত বর্মীর্গী ওইবা পাকশন্বা লোন অসি হায়রগদি বড়ো-নাগা লোননি। অহান্বা মতাংদা বড়ো-নাগা অসি ইমুংমনুং অমত্তগী ওইরম্মী। মতুংদা নাগাশিং অসি তোঙানখি। বড়ো কাঙলূপবগী থোকখিবা লোনশিংদি ডিমাছা, গারো, রাভা, চুটিয়া, লালং হাজং অমসুং তিৱানি।

ইংকুমজা ১৯৬৩ দা বড়োলোন্না প্রাইমেরী থাক্তা মেডিয়াম ওইনা শক্তাক ফংখি অমসুং ইং কুমজা ১৯৬৮ দা হায়রে সেকেণ্ডারী স্□ুলদা চৎন্নহনখি। অসিগীসু মথক্তা গুৱাহাটীগী বিশ্ববিদ্যালয়না ইংকুমজা ১৯৭৭

দা ভারতকী মতমগী লোন-ওইনা শক্তাক পীখি। ইংকুমজা ১৯৮৪ দগী বড়ো লোন্ন আসামগী রাজ্যগী ওইবা লোন ওইনা গেজেট কী মতেংনা শক্তাক ফংবা ঙমই। ইংকুমজা ২০০৫ গী অক্টোবরগী চৈচৎ ১৭তা বড়োলোন্না ভারতকী পুন্নমক্তগী অৰাংবা নীংতম্ব সাহিত্য প্রতিষ্ঠান ওইরিবা সাহিত্য একাডেমীদগী শক্তাক ফংখি। অমসুং ইংকুমজা ২০০৫ গী ডিসেম্বরগী চৈচৎ ৩ দা ইউ, পি. এস, সি, না বড়োলোনবু হীরম অমগী লোন ওইনা  মনুংচনখি। ইংকুমজা ২০০৩ দা ভারত সরকার আসাম সরকার অমসুং বড়ো লিবারেশ্বন টাইগার গা পাংথোকখিবা বি.টি.চি (বড়োলেণ্ড টেরিটোরিয়েল কাউন্সিল)গী চুক্তি মতুংইন্না বড়ো লোনবু সংবিধানগী নিপান শুবা সিজ্যুলদা চানবা তাখি। সংবিধানগী নিপানশুবা সিড্যুলদা মনুংচল্লবগী মতুংদা বড়ো লোন চাউখৎপদা খুদোং চাখি।

ঙসিদী বড়ো লোন্না গুৱাহাটী, বড়োলেণ্ড, ডিব্রুগড় অমসুং  কটন বিশ্ববিদ্যালয়গী মপুং ফাবা বিভাগ অমা ওইনা  ফম ফংবা ঙম্মে। বড়ো সাহিত্য সভানা চৎখিবা ইংকুমজা  ১৯৫২গী নবেম্বরগী চৈচৎ ১৬ তা লিংখিবা নুমিৎ অদুদগী বড়োলোন, সাহিত্য অমসুং সংস্□ৃতিগী মায়কৈদা শন্দোকপা  অমসুং চাউখৎনবগীদমক মাংজিন থানা শৱক য়াদুনা লাকই। বড়োলোনগী অহান্ব লাইরিকটি গংগাচরণ কছারীগী বড়ো ফিচা ও আইন (১৯১৫) নি। চিত্তরঞ্জন মুসাহারীগী ফৈমাল মিজিংক (১৯৭০) বড়ো সাহিত্যগী অহান্বা ৱারী মচানি অমসুং জুজাই অর (১৯৭২) অহান্ব উপন্যাস নিয়। বড়ো লোন্দা বডোছা বডোলেণ্ড ইংখং, বড়োলেণ্ড চানস্রি অমসুং হায়েননি রাদাব-নচিংবা পাওজেল চে ফোংদুনা লাকই।

**বড়োশিংগী লাইনিং (ধর্ম) ঃ**

বড়োশিংগী অরিবা ধর্মদি বাথৌ ধর্মনি। বাথৌ বীরাই  বড়োশিংগী অথোইবা লাইনি। বড়োশিংনা লৈপাক (হা) নুংশিং (বার) ঈশিং (দৈ) অতিয়া (অখ্রাং) অমসুং নুমিৎ (সান) হায়রিবা  তত্ত্ব মঙা অসিগী শেম্বী শাবিবা মপুবু লাইনি হায়না থাজে। মসিবু বাথৌনি হায়না হায়নৈ। খেৱাই বড়োশিংগী ধর্ম্মগী ওইবা উৎসৱনি। খুন্নাইগী খুদিংমক্লা য়াইফনবগীদমক দৌদিনি অমসুং দৌরিগী মতেংনা খেরাই উৎশৱ অসি পাংথোক্লে। বড়োশিংগী ধর্মগী মথক্তসুং অতোপ-অতোপ্প ধর্ম খুদম ওইনা - খৃষ্টিয়ান ধর্ম, অনুকুল ধর্ম, বৈষ্ণৱ ধর্ম লৌক থেংনৈ। অসিগীসু মথক্তা  ব্রহ্ম ধর্ম্মসু বড়োশিংগী মীওই খরনা মশাগী ধর্মনি হায়না লৌজে।

বড়োশিংগী সংস্□ৃতি ঃ

বড়ো নুপী নত্রগা মচানুপীশিং ফিরোল শাবদা য়াম্না হৈশিংই হায়না খঙনৈ। বড়োশিংগী খুন্নাইদা য়ুম খুদিংগী লীক্লবদা ইয়োং অনি  অনি লৈবা থেংনৈ। বড়ো নুপীশিংনা নূপীগী খ্বাংয়েৎ ফি (দখনা) আরনাই কোকখুম ফী (ফালি) চাদ্রি নচিংবা শাই। বড়ো নূপীশিংনা ফিদা লোনবা লৈদি - দাওথু অগান, ফারেও

মেগন, মুফুর আপা, দাওরাই মৌখ্রেব, থাইগির বিবার হাজৌ আগর নচিংবনি। আরনাইখন বড়োশিংনা শ্রদ্ধা অমসুং ইকায় খুম্নবগী খুদম ওইনা শীজিন্নে।

**ঈশৈ-নোংমাই অমসুং য়ৈনবা যন্□ ঃ**

বড়োশিংনা মশাগী ওইজবা জগোই, ঈশৈ-নোংমাই অমসুং য়ৈনবা যন্□ লৈজে। বড়োশিংগী মরূ ওইবা ঈশৈ শিং মখাদা পল্লিবা মওংদা মখল অহুম থোক্না খাইদোকপা য়াই। (১) লাইশোন ঈশৈ (আরজ মেথায়) (২) খুনুং-ঈশৈ (খুগা মেথায়) অমসুং (৩) মতমগী ঈসৈ (গৌদান মেথায়)নি। লাইশোন ঈশৈশিংদি – খেরাই প্রাথনা, মন্□ ঈশৈ অমসুং অশিবগী ঈশৈ অচিনচিংবনি। মতমগী ঈশৈদি হুজিক□ী মতমদা শক্নরিবা ঈশৈনি। বড়োনী জগোই মখল অনিনি (১) অরিবা বড়ো জগোই অমসুং (২) মতমগী বড়ো জগোইনি। বাগরুম্বা অমসুং বারদৈছিখলা জগোই ভারতবর্ষদা নত্তনা এচিয়া পুম্বগী মনুংদা ফাওরিবনি, বড়োশিংগী মরূ ওইনা য়ৈনবা যন্□দি – খাম (ঢোল)

চিফুং (বাশী) জথা (করতাল) চেরজা অমসুং গংগননি।

**বড়ো চুক্তি ঃ**

প্রধান মন্□ী পি. ভি. নরসিংহ রাওগী লুচিংদা ভারত সরকার, কেন্দ্রগী ডিফেন্স প্রতিরক্ষা মন্□ী শারদ পাৱারগী মতেংদা কয়ামরোম খন্ন নৈমরিবগী মতংদা নিখিল বড়ো ছাত্র সন্থা (এবসু) বড়ো গন সংগ্রাম সমিতি (বি.পি.এ.চি) অমসুং আসামগী মূখ্য মন্□ী হিতেশ্বর শইকীয়াগী মরক্তা খন্ন-নৈনবা মতুংইন্না ইংশোক ১৯৯৩ গী ফেব্রুৱারীগী চৈচৎ ২০ দা বড়োলেণ্ড অটোনমাস কাউন্সিল শেমখি।

মসিগী মতুংদা বড়োশিংগী সংস্□ৃতি লোন, শিক্ষা অমসুং শেনমিৎলোনগী মায়কৈ চাউখৎনবগীদমক ভারত সরকার, আসাম সরকার অমসুং বড়ো লিবারেশ্বন টাইগারগী মরক্তা ইং কুমজা ২০০৩গী ফেব্রুৱারীগী চৈচৎ ১০ দা বড়োলেণ্ড টেরিটোরিয়েল এরিয়াস ডিষ্টিক্ট মিংথোন্দুনা অনৌবা চুক্তি অমা পাংথোক্লে। চুক্তি অসিগী মতুংইন্না বি. টি. সি. (বড়োলেণ্ড) এলেকা অসিদা শুপ্নগী অশুপ্পা খুন ৩০৭৬ খকতং কোন্দুনা কোকরাঝার, চিরাং, বাসকা অমসুং ওদালগুরি হায়রিবা জিলাশিং অসি শেমই।

**রাষ্ট্রগী মানা ফংলবা কামিনি কুমার নার্জারী ঃ**

নৃত্যশিল্পী ওস্তাদ কামিনি কুমার নার্জারীগী স্বার্থচেনদবা অমসুং কন্ন হোৎনজমনদা বড়ো জগোইনা রাজ্যগী ওইবা থাক্তগী রাষ্ট্রগী থাক ফাওবা চাউখৎহনখি। মহাক ইং কুমজা ১৯২৬ দা ঙসিগী গোসাই গাওঁ মহকুমাগী মনুংচন্না বিন্যাখাটা মফমগী বামুনকুরা খুহ্‌গাংদা পোকখি। মহাক□ী মপাবুংগী মমিংনা বজারাম নার্জারী

অমসুং মমাগী মমিংনা থাংগালী নার্জারীনি।

ইংকুমজা ১৯৫৫ দা দিল্লীদা পাংথোকখিবা অল ইণ্ডিয়া রেডিঅগী অফোংবা এক্সবিশ্বদা মহাক শরূক য়াদুনা লুহোং ঈশৈ শকখি। থৌরম অসিদগী হল্লকপগা ওস্তাদ কামিনিনা বড়ো সংস্□ৃতি চাউখৎনবা তোঙান-তোঙান্ব মায়কৈদা থবক তৌবা হৌখি।

ইংকুমজা ১৯৫৭ গী ২৬ জানুৱারীদা দিল্লীদা পাংথোকখিবা গণতন্□ দিৱসতা ওস্তাদ কামিনি কুমার নার্জারীনা সংস্□ৃতিগী ওইবা কাংলূপ অমা পুদুনা শরূক য়াখি। ২৭ জানুৱারীদা পাংথোকপা বড়ো নাৎকী কাঙলূপনা বাগরুমবা জগোই উৎতুনা বারতকী নুংদা অহানবা ফম ফংখি।

ইং কুমজা ১৯৯২ দা ১৩ শুবা এসিয়া মেলাদা শরূক য়াদুনা বড়োগী নাসিনা জগোই উৎতুনা অয়েংবা দর্শকতগী য়াম্ন থাগৎপীরকপা ফংবা ঙমজখি। ইং কুমজা ১৯৭৬ দা গুৱাহাটীদা পাংথোকখিবা ভারত সোভিয়েট মন্□ী সম্মিলনদা বড়োগী নাৎ উৎখি। অসিগীসু মথক্তা নার্জারীগী কাঙলূপ অসিনা ইংকুমজা ১৯৮২গী ২৯ জুলাইদা গুৱাহাটীগী রবিন্দ্র ভৱনদা পাংথোকখিবা “জনজাতিগী লোক-নৃত্য প্রদর্শনী” থৌরমদা মহাক্□ী কাঙলূপ অসিনা শরূক য়াখি। ওস্তাদ কামিনি কুমার নার্জারীনা ংকুমজা ১৯৮২ দা সংগীত নাটক একাডেমী ফংখি।

মহাক্□ী হোৎনা মখাদা বড়ো সংসকৃতিনা রাষ্ট্রগী ওইবা থাক্□ী সন্মান ফংজবা ঙমখি। অস,গিন্থা শকখঙ্নরবা কালাকার অসি ইং কুমজা ১৯৯৮ গী মেগী চৈচৎ ১৬ তা তাইবং থাদোকখি।

**শ্বহীদ বিনেশ্বর ব্রহ্ম ঃ**

শ্বহীদ বিনেশ্বর ব্রহ্ম ইং কুমজা ১৯৪৯গী ফেব্রুৱারীগী চৈচৎ ২৮ দা ঙসিগী কোকরাঝার জিলাগী ভাতরমারী খুনদা পোকখি। মহাক্□ী পলেম পম্বৌগী মমিংদি থারামনি ব্রহ্ম অমসুং সোনটি ব্রহ্মানি।

ব্রহ্মগী অহৌবা মহৈদি মশাগী খুঙ্গংগী নম্বার ৩৬৫ প্রাইমারীগী মহৈ লৌইশিন্দুনা কোকরাঝাৰ বহুমুখী হাইস্□ুলদা ইংকুমজা ১৯৬০ দা মমিং চনখি। মহৈশঙ অসিদগী এম. ই. থাক্□ী বৃত্তি লৌদুনা ইংকুমজা ১৯৬৭ দা পি. ইউ. এচসি. পরীক্ষাদা অংকদা লেটার লৌদুনা অহান্ব থাক্ত পাশ তৌখি। চহি অমতদা যোরহাট আসাম কৃষি কোলেজদা বি. এ. থাক্ত মিং চন্দুনা ইংকুমজা ১৯৭২ দা কোলেজ অসিদগী এগ্রীগী ডিগ্রী লৌখি। মহাক্না ইং কুমজা ১৯৭৩ গী ফেব্রুৱারী থাদা অহানবা ওইনা হিন্দুস্তান সার নিগমগী সার সম্প্রসারন অমসুং কৃষি গবেষমা বিভাগতা থবক্□ী পুন্সি হৌখি। বিভাগ অসিদা মহাক্ তোঙান-তোঙান্ব ফম পুদুনা ধুবুরী, কোকরাঝার অমসুং মঙ্গলদৈনচিংবা মফমদা লৈদুনা মায়পাক্লবা থবক্□ী পুন্সিগী খুদম উৎখি। মহাক্ ইংকুমজা

১৯৮০গী আগষ্ট থা ফাওবা বিভাগ অসিদা লৈরবগী তুংদা খাদ্য নিগম (FCI) বিভাগতা Quality Control গী Deputy Manager ওইনা গুৱাহাটীদা থবক তৌই। ইংকুমজা ১৯৮১ দগী ১৯৮৩ ফাওবা থবক□া মরী থমদুনা বিহারগী রাজধানী পাটনাদা থবক তৌদুনা লৈবা তাখি। অমুক হন্ন ইং কুমজা ১৯৮৩দা গুৱাহাটীদা Regional Officer ওইনা ফম কাদুনা হল্লকখি। তুংদা ইং কুমজা ১৯৯৮ দা Jonal Office বিভাগ অসিগী Manager (Movement) ওইনা ফম কাখি।

শ্বহীদ বিনেশ্বর ব্রহ্ম কোক য়াম্ন নৈবা, লৌশিং ফবা, অফবা খনবা সমাজ সেৱক সাহিত্যিক অমদি অফবা শেমগৎ-শৌগৎহৈবা মীওইনি।

মহাক্ল শুপ্পগী লোন ৮ খোইদন ঙাঙবা ঙমই। মদুশিংদি বড়ো, নেপালী বেঙ্গুলী, হিন্দী নেপালী, ভোজপুরী অমসুং রাজবংশীনি।

বিনেশ্বর ব্রহ্ম ইং কুমজা ১৯৯০দগী ইংকুমজা ১৯৯৩ ফাওবা বড়ো সাহিত্য সভাগী জেনেরেল সেক্রেটারী ফম পুখি। বড়ো সাহিত্য সভাগী টার্ম অনি সবাপতিগী ফমদা লৈতেংদুনা থৌ পুখি। ইংকুমজা ২০০০গী আগষ্টকী চৈচৎ ১৯ দা গুৱাহাটীগী ডেটাপারাদা লৈবা মশাগী শঙগাইদা শকখঙদবা তমথিবা অমগী মখুৎতা গুলি পান্দুনা মতম চাদন থৱাই থাকি।

**কলা জগৎকী শিল্পী শোভা ব্রহ্ম ঃ**

ড০ শোভা ব্রহ্ম ভারতকী মিৎচৎলবা ভাস্□র্য্যবিধ অমসুং আসামগী কলা জগৎকী লময়ানবনি। মহাক□ী পোৎথোকতনা বড়ো অমসুং অসমীয়া খুন্নাইগী অশংবা শক্তমদু উৎলি। হায়রিবা মিংচৎ লৈরক ফাওরবা শিল্পী অসি ইং কুমজা ১৯২৯গী অক্টোবরগী চৈচৎ ঙসিগী কোকরাঝারগী গোসাঁইগাৰগী ভুমকা কৌবা য়াম্ন শোৎথবা খুন্দা পোকখি। মহাক□ী মপাবুংগী মিং হরিচরন ব্রহ্ম অমসুং অপোকপীগী মিংনা দেৱশ্রী ব্রহ্মানি।
ড০ ব্রহ্মনা মশাগী খুহ্গাংগী এ. পি. লাইরিক তম্বা হৌখি। মসিগী মতুংদা ধুবুরীগী সাপটগ্রাম হাইস্□ুলদগী ইংকুমজা ১৯৫০ দা বুরঞ্জীদা লেটারগা লোয়ননা অহান্বা থাক্ত মায়পাক্তুনা গুৱাহাটী কলেজদা মিং চনখি।
ড০ ব্রহ্ম পীক্লিঙৈদগী লাইয়েকপা অমসুং বাস্□র্য্য শিল্পী অমা ওইনিংবগী মংলান মঙখি।

ললিত কলারত্ন ড০ শোভা ব্রহ্মনা ইং কুমজা ১৯৫০ দা কবিগুরু রবিন্দ্রনাথ ঠাকুরনা লিংবা কলিকতাদা লৈবা শান্তি নিকেতনদা মিং চল্লি অমসুং ইং কুমজা ১৯৫৭ দা মিংচৎ লৈনা শিল্পগী সাৱজেক্টতা বেচলার ডিগ্রী লৌদুনা আসামদা লাকখি।

তারিনী চরণ হাইস্□ুলদা ওঝাগী থবক তৌবা হৌখি। মহাক□ী শেমগৎ সাগৎনিংবা পুন্সিগী পান্দম অনিখক লৈখি। অহানবদা আসামদা সুকুমার কল কলেজ লিংখৎপা অনিশুবনা অৱাং-নোংপোক□ী তোঙান-

তোঙান জাতি মীওই কাঙলূপকী কলা-কৃষ্টি মীওই পুন্সি নৈনদুনা তোপ তোপ্পা শিল্পগী পরিং শেমগৎপনি। মহাক হাইস্□ুলদা থবক তৌরবসু শিল্প কলাবু নিংথিনা শেমগৎ-শাগৎনিংবগী ৱাখল অমা মাপুক্লিংদা লোৎনা থমখি। লাইরজবা অমসুং শেনথুম য়াম্ন ৱাজরবসু মহাক্ন শিল্পগী পরিং অমা মতম খুদিংদা হোৎনজরবদুদি কৈদৌনুংদা লেপ্পা নাইখিদে। ংিকুমজা ১৯৬৪ গী জানুৱারীগী তাং ৩১ দা উসিগী চারু কারু আর্ট কলেজদা প্রিন্সিপাল ওইনা থবক চংখি। কলেজ অসি অসি সরকারগী ওইহনবদগী হৌনা কলেজকী থাক ফাওবা পুখৎনবগীদমক মপান লৈতিনা হোৎনখি। অমদি মদুগীদমক মশাগী পুন্সিদা টেথেংনা থল্লবা মতম অমা লেনবা তাখি। মরক-মরক্তা অয়াম্ব মন্□্রীগী মনাক্ত চৎপা অঙন্বা কর্মচারীগী মনাক্ত চৎতুনা মায়থীবা কয়া ফংদুনা থম্মোয় নুঙাইতনা ময়ুম হল্লকপা তাখি। অদুবু মনিংহনবদি লৈখিদে। নুঙাইতবসু লৈখিদে। ড০ শোভানা মতম খুদিংমক্তা করিগুম্বা অমনত্রগা অমা তৌজরগতা নুঙাইখি। মহাক্ন মশাগী ময়ুমদা হরাও-নুঙায় খুদিংমক কৎথোক্তুনা অনৌবা মীরোলগীদমক চোকথবা লৈতনা থৌ পাংথোকখি। মশাগী লাইয়েক ভাস্□র্যগী মতেংনা শাগৈ-লোন কুচু খেন্নবা লৈতনা ময়ামগা তিন্নদুনা লৈপাক অমদি মমালৈপাক মরমদমবু কনজনবা হৌৎনজখি। মহাক্□ী লাইয়েক খুদিংমক লাইরিক অমমগুম্ননি। ইংকুমজা ১৯৬৫ দা মহাক্□ী লাইয়েক অমসুং ভাস্□র্যশিং অহান্বগী ওইনা গুৱাহাটী ডিষ্ট্রিক্ট লাইব্রেরিদা উৎখি। মদুগী মতুংদা মহাক্□ী পোৎথোক শ্বিলং দিল্লী কলকাতা মুম্বাইদগী বুলগেরিযা চেকোশ্লভাকিয়ানচিংবা দেশ-বিদেশকী তোঙান-তোঙান্ব মফমদা উৎখি। মহাক্□ী পোৎথোকশিংনা ইরেপাক্□ লোয়ননা মীরৈবাক্□ী তোঙান তোঙান্ব মফমদা শিল্পবু নুংশিজবা মীওইশিংগী থম্মোয় হুবা ঙমকি। লৈপাক অসিগী তৌঙান-তোঙান্ব মিজিয়ামদা মহাক্□ী লাইয়েক্ন ফম কনজবা ঙমখি।

চিত্র-ভাস্□র্যগী মথক্তসু সাহিত্যগী পোৎথোকতসু মহাক খুৎ লৈখি। ং কুমজা ১৯৮৯ দা সুকুমার কলা অমসুং আর্ট কলেজগী অধ্যক্ষগী ফমদগী পোৎথরবগী তুংদা সাহিত্য ইবদা পুক্লিং চংদুনা মতম লেনখি। মহাক্□ী ফোংলবা লাইরিকশিংদি শিল্পকলাগী নব-প্রজন্ম ভারতীয় চিত্র কলা (অনৃষাদ) গৌদান উজি (বড়ো) লিউ-নার্ডো-দ্যা ভিন্সি, রোজেস রেজ এণ্ড গোল্ড (ইংরাজী) অমসুং খন্থায়াঞ্জলী (বড়ো লোন্দা অনুবাদ)

ড০ শোভা ব্রহ্মনা মশাগী মথৌদাংগীদমক রাজ্যগী ওইবা থাক্তগী রাষ্ট্রগী ওইবা থাক ফাওবা মখল-মথেলগী মনা ফংবা ঙমজখি। মহাক্ন ফংখিবা মানাশিং অদুদি আসাম শিল্পী মানা (১৯৭৭) আসাম সরকারগী সাংস্□ৃতিক পেন্সন (১৯৯০) কমলকুমারী বরুৱা ফাউণ্ডদেশ্বন মানা (১৯৯১) আসাম রাজ্যিক বিষ্ণুরাভা মানা (১৯৯৬) প্রনৱ বরুৱা শিল্পী মানা (১৯৯৬) সৎভাৱনা মানা (২০০২) ইংখা ট্রাষ্ট কমিটি মানা (২০০৬) বড়োলেণ্ড টেরিটোরিয়েল এৱার্ড ফৰ আর্ট এণ্ড কালচার (২০০৬) ললিত কলা রত্ন এৱার্ড (২০০৭) অসিগীসু মথক্তা ডিব্রুগড় বিশ্ববিধ্যালয় অমসুং কলিকতাগী রবীন্দ্র বারতী বিশ্ববিদ্যালয়দগী বন্মদেৱনা দি-লিট মিংথোন ফংখি।

ড০ শোবা ব্রহ্মদেৱনা নুপী মথক্তা পাংথোকপা উৎনৈবা অমসুং মীওইশিংনা মশাগী অপন্বা ফংনবগীদমক মহৌশাগী মথক্তা মঙতাকহনবা থৌদোক খঙবা ঙমখিদে। মমা ওইবীগী শাগৈগী অৱাবা লায়য়েক□ী মতেংতনা কোকহন্নবা ৱাখল খঞ্জখি। ভুমকাদা নুপীগী মথক্তা পাংথোকখিবা শাওইবগী থৌদোক মহাক□ী লায়য়েকতা ফোংঙদোকখি। আসামগী মহৌশাগী ফজবা তুংখোং নূঙ অমসুং চীংগী নিংথিজরবা শক্তন্ন মহাক□ী থন্মোয় ঈথক-ঈপোম হৌহনখি অমসুং মসিনা শিল্প অমসুং ডাকস্বগী জগৎতা পুখিরন্মী।

লায়য়েক অমসুং ভাস্□র্যগা লোয়ননা সাহিত্যদা নৈনবদা থৱায় হকচাং চংখিবনা মিংচৎ লৈরবা ফাওরবা, শিল্পী অসিনা ইং কুমজা ২০১২ গী মার্চকী তাং ৫ দা অরোইবা য়াহিপ তানখি।

**ৱারোই** ঃ উপেন্দ্র নাথ ব্রহ্ম সাহিত্যিক সমাজ সেৱক অমসুং লুচিংবা ওইরন্মী। বড়ো খুন্নাইদা মহাক্না মাঙ অমসুং তুংদা থোকখিদ্রিবা থৌদোক কয়াগী খুদোল তমলস্বগী দমক মহাকপু বড়োফা (বড়োশিংগী অপোকপা) হায়না মিংথোনখি। ইংকুমজা ১৯৯০গী মেগী নোংশিং ১ দা মতম চাদনা তাইবং থাখি। মহাক□ী তেল্লবা পুন্সি খোংচৎ অসিদা পীরিল্লিবা খুদোলশিং অসিনা মহাক□ী মমিং কাওদনা অদুমক লৈহৌরগনি।

**ৱাহং পরেং ঃ**

১। বড়োলোন ঙাঙবশিং করম্বা লোনকাঙলূপকী মনুং চল্লি।

২। বড়োলোন করম্বা মতমদা প্রাইমেরী থাক□ী মেডিয়াম ওইনা শক্তাক ফংজখি।

৩। বড়োশিংগী মরমদা লাইরিক অনিগী মিং ইয়ু।

৪। বড়োলোনগী অহান্ব লাইরিক অদু করিনো ?

৫। বড়োশিংগী চৎনবী ফিজোলদা শীজিন্নবা খুদম খরগী মমিং পল্লু।

৬। শন্ন ইয়ু ঃ

ক) ওস্তাদ কামিনি কুমার নার্জারী খ) শোভা ব্রহ্ম গ) বিনেশ্বর ব্রহ্ম

ঘ) বিনোদ ব্রহ্ম

*************

# মটক শাগৈ

শক্তাক ঃ মটক শাগৈসি অসমগী য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা টাই মংগোলীয় ফুরূপনি। মটক ৱাহৈসি টাইগী ৱাহৈনি। ম হায়বদি খুকন পাঙ্গনবা, মরৌশিং-লৈবা নত্রগা হে শিংবা অদুগা টক ৱাহন্থোক্লা মতিক চাবা, খল ওনবা হৈবা হায়বনি। শন্না হায়বদা হৈশিংনা খুকন পাঙ্গনবা মাইচৌ হায়বনি। ১২২৮ দা চুকাফানা চীংলম্বীদা লানশিলক্তুনা অমসদা থুংলবা মতমদা অসমগী সৌমারপীঠতা অপিক অপিকপা লৈবাক লিংলগা অঙন্বা কনাগুম্বা অমগী মখাদা পালম্মী। লৌউবনা হিংনবগী মরূওইবা শিনফম ওইরম্মী। চাওলুং চুকাফানা সনাগুন্না পোথোকলিবা লৈবাক অসমদা খোংদারকপগা টিপাম চীওগী লোইজী লোইয়াদা অহান্বা ওইনা মটক শাগৈ উন্নখি।টিপামদা উন্নরকখিবা মটককী লুচিং পুরেনগী মতেং লৌবগা চুকাফানা নাগাশিংবু মায়থিবা পীখি। লুচিং পুরেন অসিনা মশানা  শুদবা খামেন ময়াম অমা য়েলম্মী। খামেন য়েন্থোকপা ঙম্মী হায়রবগী নিংথৌ (স্বর্গদেউ) গা লোয়ননা লাকপা কাঙ্গন (...) বরগোহাই না মটককী অঙন্বাবু লানমাখ্রূ, মীংথোলম্মী। টাইগী লোনদা লান হায়বদি মশু অদুগা মাখ্রনা খামেন হায়বনি। মটককী অঙন্ববু খামেনগী মও হায়রম্মী।

**মটককী হৌরকৱারী ঃ** মটক ৱাহৈসিগী হৌরকফম থিরুরবদি "ফুখাও" ৱাহৈগী পুৱারী য়েংবা তাবনি। "ফুখাও" টাইগী মরূ ওইবা মশা অমনি। মশাসি টাই মংগোলয়গী ফুথাই শালাইগী মনুং চল্লি। টাইলোনদা ফু হায়বদি মপু নত্রগা ইকায়খুন্নবা মীশক অদুগা খাওগী ৱাহন্থোক্লা অঙোবা হায়বনি। টাইগী অচৌবা শলাইসে ফুথাইনি। মখোয়সে চীনগী লাও লৈবাক্তা লৈবনা লাও হায়নসু খংনৈ। ফুথাইনিংবু অহমথোক্লা খায়দোকই (ক) ফুখাও (অঙৌবা মচুশেৎপা টাই) (খ) কুডাম/টাইডাম (অমুক শেৎপা টাই) (গ) টাই ডেং (অঙাংবা শেৎপা টাই) । খা-চীন, থাইলেণ্ড অমদি  ভিয়েটনামদগী অসম য়ৌনা শন্দোরকখি। আহোমগী পূৱারী মতুং ইন্না ফুখাওশিং মরূ মরাং থানবা নত্রগা হুন্নবা লিদুনা  থম্বা মরূদগী হৌরকপনি। অতোপা থাজবা লিখুন অমদগী খংবাঙম্মী অদুদি স্বর্গগী নিংথৌ ইন্দ্রনা খুনলং খুনলাইকপু লৈবাক অমা শেন্ননবগী থাখিবা মতমদা লৌউবগী পম্থৌ স্যাওফুরা আলঙ থোরকখি। স্যাওফুরা আলঙবু খেনখাম লাংকুরি লোয়ননা লৌউবগী পম্থৌনি হায়না কেখাও চাওথাংলুম হায়না খংনরম্মী। হায়না য়ুনান অমদি হুনান সভ্যতাগী মতমদগী খেনখাম সাগৈগী চৎন্নবী হৌরকখি। সভ্যতাসি খৃঃ মমাং চহী লিশিং মরীদগীনা লিশিং অপুম ফাওবা ঙল্লিঙৈ মতমগীনি। লৌউবগী মপা মপু ওইরিবা সৎত্তফুরা আলঙগী তরেৎশুবা শুরেকদা মটক শাগৈ হৌরকপনি। টাই সাগৈসে অহান্বদা চীনগী মুৎঙকী হৌজিক্লা য়ুনান প্রদেশতা খুন্দারম্মী। মতমগী মতুংইন্না মটকশিংগী মীশিং হেনগৎলকপনা নত্রগা অতৈ অতোপ্পা মরমদগী লৌউবা য়াবা মফম থিদুনা অসমদা লাকখিবনি। চীনগী য়ুনানদ, থাইলেণ্ড, ম্যানমার ফাওরগা অসমদা চংলকলগা তিপাম চীংগী লৌইজীং লোই-য়াদা মশাগী নাৎ-চৎন্নবী, লাইনিং লিচৎ

ঙাক্লা লৌউ-শিংউদুনা হিংবা খুন্নায় অমা শাগত্তুনা চহীচা তরাহুমদোই ফাওবা লৈরম্মীষ চুকাফানা টিপামদা উন্নদুনা মখোয়সে "ফুখাও" শাগৈগী চাদা-নৌদানি হায়না খংনখি।

**লাইনিং লিচৎ ঃ-**

টাই মংগোলীয়গীফুরূপ অমা ওইনা মখোয়গী অরিবা লাইনিংদি তাও কৌই। থৱায় পান্বশিংগী মপুং, ইপা ইপু পোকপগী লাই ওইরিবা মিতুক, লাইরেম্বী মশক ওইরিবা মালেম লৈমা, ইমা লম্মীনা চিংবা লাইবু থাজনা নিংজরকই। চহীচা তয়াতরেৎতা কাল সংহতি পুথোকলম্বা গোপাল দেৱগী খোংলোইচা অনিরুদ্ধ দেবনা শন্দোকলম্বা মায়ামরা বৈষ্ণব লাইনিং লৌরম্মী। ধর্ম লাইনিংসি লৌজরবসু মখোয়গী মহৌশা চৎলকপা লিচৎত্তি থাজনা চৎলি।

মটক নিংথৌ সর্বানন্দ সিংহ ঃ

সর্বানন্দ সিংহগী অপোকপগী মীংনা মরুৎনন্দন অদুগা অপোকপীগীনা পাতয় কৌই। মপাগী অমত্তা ঙাইরবা সর্বানন্দ অঙাং ওইরিঙৈ মমা কায়নখি। শু-নোমদুনা হিংলিবা মরুৎনন্দন বুরুক চুতীয়া শিংলুপ (খেল) কী মীওইনি। মমা কায়নরবা মচাবু চেকশিন্না চাউননবা য়োকলম্মী। নোংমা মচাবু মনমদা পোদুনা পুখ্রী তৌরিঙৈ নিংথৌনা থেংনারুদুনা থবক্তগী পোথাহনখি। অসুন্না মপাগী মীৎয়েংখাদং নোংমা নোংমগী চাওরকতুনা পাম্থং ফারকখি। মপানা মচাবু মেজেরা হায়না মীঙৈখি।

অচুম্বা চৎপা পাম্বা মেজেরানি। মহাক্লা ময়ামরাগী লাইনীং লম্বী তাকপী-তিকপীরিবা অষ্টভূজ গোহাঁইগী মফমদা লাইমীং লৌখি। লাইমীং লৌরক মীওইশিংবু অনৌবা মমীং অমা-থোন্না চৎন্নরম্মী। অদুনা অষ্টভুজ গোহাঁইনা মেজেরাবু সর্বানন্দ মীংথোল পীখি। মোৱামরীয়া লালহৌগী লুচিংবনা মটকশিংগী মথক্তা ওৎ-নৈখি। লালহৌবশিং ফাবা ঙমদ্রগা চমজম প্রজাশিংবুফাদুনা কৈশুম শঙদা থমখি। মতম অদুদা মোৱামরীয়া লালহৌসি সর্বানন্দনা লুচিংলম্মী। মীয়াম পুনশিনবা ঙম্বাসে সর্বানন্দগী অচৌবা মগুননি। কৈশুম মঙদা লৈরিবা অমদি মপানদা লৈরিবা মটক শিংবু থৌনা হাপতুনা পুনশিনখি। মাগী লুচিং মখাদা লালহৌব শিংনা অহোমগী কৌনুং । অহোম লৈবাক্তা মোৱামরীয়া লুচিংবাশিংনা লৈবাক মচা মচা শেমদুনা মনিং মখা তম্বা নিংথৌনি হায়না লাওথোকখি। সর্বানন্দসু বেংমরাদা লৈবাক অমা শেমলগা লৈবাক নিংথৌনি হায়না লাওথোকখি। হৌজিক্ □ী তিনিচুকীয়াদগী চাওরাক্লা কিলোমিটার ১০ থাপ্পা লৈবা রঙাগড়াদা ১৭৮৮ দা কোনুং শেমখি। ১৭৯১ দা তিনিচুকীয়াদা কোনুং হোংলকখি। টাইগী চৎন্নবী মতুং ইন্না নিংথৌ ওইবগা স্বর্গদেউ মীংথোল লৌখি। মশাগী মমিংদা লুপা অমসুং সনাদা শেল ময়েক পুথোকখি। লুপা অমগী, মখয় চৎপী, লুপা অমগী নিপাল থোক্লা খায়দোকলগা শরুক অমগী শেল পুথোকখি।

মটক লৈবাক চাওৰৎনবা সর্বানন্দনা থৌরম কয়া পায়খৎলম্মী। লম্বী থোংদা হেন্না মীৎয়েং থমদুনা ৰঙাগড়া আলী, গৌধা আলী, রাজগড় আলী, হাতী আলী না চিংবা লম্বী কয়া শেমলম্মী। মীয়ামগী খন্দুনা কোনুংগী মনুং মপানদা পুখ্রী কপ্পুনমরী তৌরম্মী। বেংমরা পুখ্রী, তিনি কোণীয়া পুখ্রী, দেবী পুখ্রী, শেলুকীয়া পুখ্রী, বরপুখ্রী, চাউলধোৱা গোধা পন্মা য়াই। মহাক্না তৌখিবা তিনিচুকীয়া পুখ্রীগী মমিং থৌদুনা বেংমরা নগরসে তিনিচুকীয়া ওইখি।

নিংথৌ অসিগী সনাহাক্তকুা প্রজা মীয়াম তংদু লৈতানা লৈরম্মী। চান্ন থক্নবা চিঞ্জাক মরাং কায়না ফংলম্মী। মথৌতাবা খুৎশু-খুৎলাই মশাগী লৈবাক্তা শারম্মী। মাংলমচৎ খংবা য়ান্না হৈ-শিংবা নিংথৌ ওইরম্মী। লৈবাক□ী মাইকৈমরী ঙমখৈবু খংননবা নুংগী য়ুম্বী য়ুংলম্মী। মাগী মথক্তা লান্দারকখিবা পূম্না হৈ শিংনা ঙাকথোকখি। মথৌ তারকপদা খুন পাঙ্গনবা নিংথৌগা লৌশিংনা অফবা অছেৎপা মরী শাগৎখি। প্রজাগী ৱেইনা সর্বানন্দ পুন্নমক্তগী অফবা নিংথৌ ওইরম্মী। প্রজাবু নুংশিজবা নিংথৌসে চহী খরা হকচাং ঙমদনা লৈরবগী তুং ১৮০৫ দা তাইবং থদোকখি। নিংথৌনা লৈখিদ্রবগী তুংদা মাগী মচা অহল মতিবরনা নিংথৌ ওঁখি।

**মহৈ পুরেন পৰন নেওগ ঃ**

তিনিচুকীয়াগী বরগুরিদা ১৯৩৩গী ওক্টোবর ১৮ দা পৰন নেওগ পোকখি। অপোকপা আসাম্বর নেওগ অমসুং অপোকনন গোলাপী নেওগনি। অপোকপী মমা লৈখিদ্রবদা মমাতোন মুহীলা নেওগনা নাওকোনবিদুনা চহী মঙা ফরকপদা তিনিচুকীয়া আদর্শ বিদ্যালয়দা মহৈ তম্না হৌখি। মথংদা চেনাইরাম হায়ার সেকেণ্ডরীদা তমথদুনা ১৯৫৩ দা মেট্রিক পাস তৌখি। শান্ন খোৎনবগী লমদা ফুটবল, ভলিবলদা মথৱায় তারকপনা হেন্না মমিং ফাওখি। ঈশৈ কনাসু পামজরুবনা অঙম্ব থাক্তা ঈশৈ তমজরম্মী। হিরম খুদিংদা মসাগী মগুন লৈবনা স্□ুলগী ওজাশিংনা লুনা-চাননা তৌরম্মী।

মেট্রিক পাস তৌরবগী মতুং যোরহাট জে.বি. কলেজতা আর্টস ষ্ট্রিমদা মমিং চলম্মী। লাইরিক লাইশুগা কোননা হকচাং শাজেন হেদান্নবদসু মায় পাকখি। Muscle Control Department দা থোয়দোক হেন্দোক্না মায়পাক্না উৎখিবগী ১৯৫৫ দা J.B. (উপাধি) মীংথোল পীখি। N.C.C. দা মশাগী হৈ-শিংবা উৎপগীদমক লুচিংবা ওইখি।

মথংদা কউনা কলেজতা বি.এ. তমখি। Inter College Competition দা Phisical Exercise কী লমদা Physique ওইনা খন্দুনা Mr. Cottonian মীংথোল পীখি। চহী অদুমক্তদা (১৯৫৭) Gymnasian হেন্দানবদা Mr. Gauhati University মীংথোল পীদুনা মনা লাম্থোকখি।

১৯৫৮ দা অপোকপা মপানা হকচাং কন্না ঙল্লকতবনা বি.এ. লোয়শিনবা ঙমখিদে। ১৯৫৯ দা চেনাইরাম

হায়ারসেকেণ্ডরিদা কেজুৱেল ওঝা ওইখি। ১৯৬০ দা হন্না পরীক্ষা ফমদুনা বি. এ. পাস তৌখি । শেলয়ুমগী খন্দুনা D.S.P. গী থবক ফংখি অদুবু য়ুমদগী লাপ্না লৈদুনা সরকারগী থবকতৌবগী ৰাখল থাদোকখি।

নেওগকী ৰাখলোন অমসুং মথৌনা শিংথানিঙাইনি। অঙাংবু লুনা তৌরম্মী। অৱা অনা তারবা লৈকায়গী মীওই কনাবু অফবা পাউতাক পীদুনা মতেং পাংনিংবগী মীনুংশি উৎলম্মী।

১৯৯২ গী সেপ্তেম্বর ৩০ দা থবক্তগী পোথাখি। হকচাংনা শোন্দুরকপনা অকন্বা থবক পায়বা ঙমদ্রবসু অঙন্বা খরদি তৌরম্মী। চহিদা ২০০১ দা বরগুরিদ লিংখিবা আর্ট স্□ুলদা মাঙজিন থানা শরূক য়াখি। মণ্টেশোরী স্□ুল হাংননবা অফং অহে কয়াগা খন্ন নৈন্নরম্মী। অদুবু নিংবা থুওদনা ২০০২ গী আগষ্ট ১১ দা তাইবং থাদোকখি।

**রাজকুমার লংকেশ্বর গোহাঁই ঃ**

১৭৮৮ দা বেংমরা লৈবাক শেমলন্বা স্বৰ্গদেউ সর্বানন্দ সিংহগী মশু শুরোননি রাজকুমার লংকেশ্বর গোহাঁই। সর্বানন্দ সিংহগী মাটিবর, কলিবর অমসুং কমলেশ্বর কৌবা মচা অহুম লৈরম্মী। মাটিবরগী ভোগবর, ভগীরথ, দুখীরথ অমদি সুকনা চিংবা মচা তরা লৈরম্মী। ভগীরথকী অহুমশুবা মচা বিশবরগী মচা তরুক শুবা মচা অতোম্বাসিনি রাজ কুমার লংকেশ্বর গোহাই। বেংমরা লৈবাপপু অমুক হনজিন্নবগী লংকেশ্বরনা ০১০৫/১৯৫৮ দা লখিমপুর জিলাগী দিসিদা অচুম্বা ৰায়েলবিচার তৌবিয়ু হায়না লানখৎখিবা মাগী সাক্ষিগী চেৰোলদা লংকেশ্বর ১৮৮৭ দা তিনিচুকীয়াদা পোকই হায়না থারম্মী। নিংথৌ সর্বানন্দনা লৈখিদ্রবগী তুংদা নিংথৌগী মচা-মশুশিং বেংমারাগী মনুংচন্বা মফম কয়াদা শন্দোক্লা খুন্দা লৈতাদুনা লৈখি। রাজকুমার লংকেশ্বরসু চাবুৱাদা য়ুমহোংখি। নিংথৌমচানা লৈরম্মী হায়বগী মফমদু রাজবারী কৌখি। লৌঙবনা মরু ওইবা হিংনবগী শিনফম ওইবনা লৌশুবা য়াবা মফম থিদুনা নিংথৌ গী মচা মশুশিং, য়ুমহোংখি। হায়রিবা চাবুৱাদা তংতানা লৈবা হৌখি।

মশামক লাইরিক তমহৌদ্রবসু মথৌনা লৈবা, লৌশিং চাওবা অমদি ৰাখল খনবা ঙন্বা মীওইনি। খুনায়বু লুচিংদুনা পূব ঙমবগী মগুন চেলম্মী। নিংথৌগী মতিকচাবা মীহুৎ অমা ওইনা ইরৈবাকনা নিংতমদ্রিঙৈ মাগী বেংমরা লৈবাকসে তোপ্না শাকখংবিনবা বৃটিস লৈহাক্তা ৰাচৎখি। য়েলহৌমীগী লমগী হক, লনথুমগী হক, রাজনীতিগী হক কারদনা থম্বীনবা নদুনা বেংমরা লৈবাকপু তোপতোপ্না শকখংবিনবা হায়জরম্মী। মহাক্না অরুণাচল প্রদেশকী মহাদেৱপুরদা উখায়বগী মিললিংদুনা উপাক মপানদা থাদোকলম্মী। অসিগীসু মথক্তা সনা অমদি শামু ললোনবদসু মমিং চৎলম্মী। নিংথৌগী মীহুৎ অমা ওইনা বৃটিস অঙম অথৌশিংগা নুংশিনবা মরী শাগৎলম্মী। লাইরিক হৈবা, থৌচিন্বা অমদি লৌশিং হৈবা বৃটিসশিংবু থৱায় তানা খঞ্জরম্মী। শামুফাবা অমদি

শামুবু তাকপী তিকপীবদা য়ান্না হে শিংলম্মী লংকেশ্বর। ব্রহ্মদেশকী নিংথৌগা মরূপ মপাং ওইমিন্নরগা শামু ফারম্মী। অমুকতা শামু য়াখৈ ফারকপগী খুদমনা মাগী মথৌনা মরিংজেল অমদি মরৌশিং মালেমদা তাংনা থোকই। মনিপুর নিংথৌদা মরূপ মপাংগী নুংশি খুদোল ওইনা শামু আনী পীখি। সিকিম লৈবাক্□সু অফবা মরী লৈরম্মী। রাজকুমারনা বর্মিজ, মনিপুরী, চিংথৌ, আমতি, মিচিং, দেউরী, নোক্টেনা চিংবা লোন কয়া খংলম্মী। ললোন ইতিক্□ী য়েইনা লৈবাক দয়া কোয়না চৎলুরবসু মশাগী ওইবা পান্দমদগী নাস্তোকখিদে। লমদমসিদা লৈরিবা শাগৈ, ফুরূপচা কয়াগা নিংথৌগা নুংশিমরি, থমুনবা হোৎন্নরম্মী। মরম অদুনা রাজকুমারগী ঈহৌদা মীয়ান্না শৌগৎলম্মী। মহাকপু শৌগৎলম্মশিংগী মনুংদা অরুণাচলগী টংকেশ্বর দেউরী, খামতি রাজকুমার চৌখামুন গোহাঁই, বিচা-লৈবাক্□ী চিংকৌ রাজকুমার জখং অমসুং খুলাকপা লংলং দেবনা চিংবা অতৈ অতৈসুনি। মরৈবাক্□ী ৱাংমদা অরুণাচল, মনিপুর, সিকিম, নাগালেণ্ড, মেঘালয়না চিংবা লৈবাক্□ী খুন্নায় শেমগৎপশিংগা পূল্লগা মীওইবগী য়াইফনবা থরম থৌদাদা শরুক য়ামিন্নখি। অরোইবদা রাজকুমার লংকেশ্বর গোহাঁই ফমদা অদুনা ইং ১৯৭৩ গী মেগী তাং ৭ তা সরু ডিরাক মশাগী শঙ্গাইদা তাইবং থাখি। নুমিৎ অদু মরী লেনবা জিলা লোয়শঙগী ঙম্বনা বন্ধ লাউথোকখি।

**ৱাহং ঃ**

১। মটক ৱাহৈগী ৱাহস্তোক করিনো ?

২। মটক ৱাহৈসিগী হৌরকফম ৱারী ইয়ু।

৩। মটক করম্বা লাইনিং লম্বী চৎপা ফুরূপনো ?

৪। মটক লৈবাক চাওখৎনবা সর্বানন্দনা পায়খৎলম্বা থবকশিং শন্দোক্লা ইয়ু।

৫। শমলপ্লা ইয়ু ঃ—

   ক) মহৈ পুরেন পৱন নেওগ।

   খ) রাজ কুমার লংকেশ্বর গোহাঁই।

   গ) সর্বানন্দ সিংহ।

৬। মটক্□া খোৱামরীয়াগগী ইহৌগী মরমদা ইয়ু।

*************

# মরাণ শাগৈ

কিরাত মঙ্গোলীয় ফুরূপকী শাগৈনি মরাণ। অসম অমদি অৰাং নোংপোক্তা খুন্দা লৈতদুনা লৈরিবশিংগী মনুংদা মখোয়সু অমনি। হিমালয় চীংশাংগী খা-থংবা লমদম অসম অমসুং অৰাং নোংপোক্কী নিংথিজরবা লৈবাকসিদা মথায় থায়না মমাংদগী মরাণশিংনা য়ুমলিংদুনা লাকই। য়েলহৌঙেদগী লমদমসিদা লৈরকপনা মখোয়বু লমদমসিগী Pre-history মতমগী মীওই ফুরূপ অমনি হায়না লৌনৈ। অসমগী মীথোইবা বিষ্ণু রাভানা 'অসমীয়া কৃষ্টি' কৌবা মাগী লাইরিক্তা অসুন্না ইরম্মী 'এওঁলোকর দিনতে অসমত দ্রুতভাৱে তাম্র যুগ' ব্রোঞ্জ যুগ আরু লোহ যুগ আরম্ভ হৈছিল।' পুৱারী মাইচৌ সুনীতি কুমার চেটার্জীনা অসুন্না হায়রম্মী - 'We may assume that they might have immigrated to this region at least before the first millenium BC.' ড° স্বর্ণলতাগী বরুৱাগী মততা 'খৃষ্টনা পোকত্রিঙৈ চহীচা কয়া মমাংদগী ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্তা মরাণ শাগৈ খুন্দা লৈতাদুনা লৈরম্মী। মখোয়সে অসমগী লৈহৌচা শাগৈনি হায়বসে হায়বসে অখং অহৈশিংগী য়ান্নরবা মতনি। ব্রহ্মপুত্র তম্পাক অমদি হিমালয়গী চীংয়া তময়াদা লৈরম্মী হায়বগী খুদম ফংঙি। মতমগী য়াওলদা অতোপ্পা ফুরূপচাগুম্না মরাণসু য়ুম্ফম হোংবগী তঙাইফদবা ওইদুনা তিনিচুকীয়া, ডিব্রুগড়, শিৱসাগর, চরাইদেউ, যোরহাট, ধেমাজীনা চিংবা জিলা কয়াদা মশিংয়াম্না য়ুমলিংদুনা লৈখি। অয়াম্বনা অশোংবা উমং মনাক নক্লা খুন্দাখি। মশিং লিকপা য়ুম খরা অপিকপা শিনফম শুদুনা খজিক চাওখৎপা লমদা লৈবসু য়াওই। টাউন নত্রগা সহরদা য়ুমলিংদুনা লৈবা মশিংদি য়াম্না ৰাৎলি। ঙসিগী চাওখৎলবা খুনায়দা অসুন্না থায়নগী থাক্তা খুন্দাদুনা লৈবা ফুরুপ মচা মশিং তাঙই।

**হৌরক শক্তাক**

কিরাত মঙ্গোলীয় কাংলুপী মনুংদা মরাণ শাগৈসু অমনি। সূর্য্য কুমার ভূঁএগ্রাগী 'কমারী বুরঞ্জীদা কমারী শাগৈচা ১২লৈ হায়না পল্লম্মী। রজনীকান্ত হাজরীকাগী 'মঙ্গোল কসারীর তপ্ত ইতিহাস' লাইরিক্তা মথক্তা পনখিবা মখল ১২গী ৰাফম পলম্মী। থায়নদগী হায়নরকপদা কমারীগী শাগৈচা ১২লৈবগী ৰাফম য়াওরি। শাগৈচা শিংদুদি - দমচয় (ডিমাচা). ইনটুহজয় (হোজাই), বিহদয় (বড়ো), জুহল-লুইৰা (লালুং-তিৱা), বাদু সোনলয় (সোনোৱাল) ইনটু মিনখঁয় (মরাণ), দিউনয় (দেউরী), ইনটু-মেচয় (মেছ), কুচুবয় (কোচ), ইনটু-গারোয় (গারো), রাভা কিরাটয় (রাভা) বাদু হজয় (হাজং) পন্বা য়াই। মতুং তারকপদা শাগৈচাশিংসে পূন্না

'বড' নত্রগা 'বড়ো' ফুরুপ হায়না খংনরকখি। অসগীসু মথক্তা বড়ো ফুরূপচা কয়ামসু লৈরি। খুদম ওইনা ত্রিপুরা, নেপালগী মেছে অতৈ অতৈ।

মমাঙৈদা মরাণশিংগী মরক্তা 'বড়োরূসী' হায়বা বড়ো কাংলুপকী ওইনা ঙাংনবা লোন অমা লৈরম্মী। লোন'দু চহীচা তরানিপালগী অরোয়বদা ঙাংনরম্মী হায়না এডৱার্ট গেইট সাহোবনা পলম্মী; অরিবা লোনগী ৱাহৈ খরা - দি (ঈশিং), সিম (থুম), মাই (ফেট), মাইরুম (চেং), মিয়াম (চাক), মহন (মাংস/শা), চান (নুমিৎ), দান (থা), হাটারাই (থৱানমিচাক), মকুহাং (নোং), চেনফং (উ), হিংবগ (ফিরোল), খেরো (কোক), হান (চাহ), হাটাই (য়া), হাপাতোলা (খোং), হিৱা (নুপা), হিচি (নুপী)ষ মাদাই (ইকায়খুম্নবা মী), তাদাই (পাখং), চেখলা (নিঙোল)। মখোয়গী অরিবা লোনসে অয়াম্বা মাংশিলক্লে অদুবু মনুং হুঞ্জিননা তাবা খুঙ্গংশিংদা ঙসিসু খরমখৈদি ঙাংনরি। বড়ো, ডিমাসা, দেউরী লোন অহুমসে অয়াম্বদা মান্নে। নক্লনা হিংমিন্নরিবা ঙসিগী চাউখৎলোনগী খোংচত্তা অপিক-অপিকপা কাংলুপকী লোন কয়া মাংখিবগুম মরাণলোনসু মংথরক্লি।

চাউলুং চুকাফানা লাকপা মতমদা মনিং মখা তমজবা মরানগী লৈঙাক লৈজরম্মী। অৱাংদনা বুঢ়িদিহিং, খাদনা দিসাং, নোংপোকতনা চফ্রাই অদুগা নোংচুপতনা ব্রহ্মপুত্রনা ঙমখৈ ওইরম্মী। মতমদুনা মরাণশিংনা নিংথৌবু বভোস নত্রগা বদৌসা কৌরম্মী। বদৌসাগী ৱাহন্থোক্তি বড়োগী মচা হায়বনি। বদৌসা অসিনি মখোয়গী অরোয়বা নিংথৌ ওইরম্মী। মাগী মমাংদা নিংথৌ নিপালনা মফম কয়াদা মতম মতমগী ওইনা পালম্বগী ৱারী ফংঙি।

নাৎ অমসুং চৎনবীদা য়াম্ন ইনাকখুন্না চাওখৎপা মরাণ শাগৈনি। বিহুনা মরু ওইবা হরাও কুম্মৈনি। মমাংচত্তগী মরাণশিংনা কেচাইখাতী থান (লাইফম) গা মাকুমগ যজ্ঞোখোৱা, দেওশাল, চরাইদেউনা চিংবা মফমদা লাইশং শেমদুনা ইপুধৌ-ইবেনধৌ (দেব-দেবী) ইরাৎ থৌনিদুনা বিহু কৌথরক্লম্মী। শজিবুগী অহান্বা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা থৌরমসি পাংতোকই। নুমিৎ অদু উরুকা (বিহুগী নোংমা মমাং), য়ুমশা কৈশা নুমিৎনা গরু বিহু শগোলশেল নুমিৎতা মানুহ বিহু হায়দুনা মথংশিৎনা নুমিৎ তরেৎনি পাংথোকই। অতোপ্পা অসমীয়া ফুরূপ্না পাংথোকপা বিহুগী মতমগা খেননা পাংথোকই। দেউরী বিহুগুম্না মরাণশিংগীসু মরাণ বিহু হায়না খংনরক্লে। মখোয়গী ঢোলগী মওং, য়ৈবগী খোঞ্জেল, তাল, লয়স জগোয়গী খুথেক, ঈশৈগী সুর, তাল, তোপ-তোপ্পা মশাগীনি। মরাণগী হরাঁও কুম্মে মনুংদা কুলাবুঢ়ী নৃত্য, যঁজা নৃত্য, রণুৱা নৃত্য-গীত, ধ্রুতং, গরখীয় গীত, ঝুম তলীর গীত, হাতী শিকোৱা গীত, অতৈ অতৈ।

মরাণগী শিংলুপচা কয়াসু লৈ। মশাগী শিনফম, মফম, মগুণ, মতুং ইন্না শাগৈ খায়দোকলম্মী। তেলপরা

তেলেপীয়া, থাউশুংববু তেলেপীয়া, হি শাবাশিংবু (নাওশলীয়া) হি শাবা অসুম্না চকরি গলতা, কাড়ী গঞা, দঙ্গীয়া, ডিমৌগুরীয়া, দাউচলীয়া, পেটু ধুৱা, হাতীমূরীয়া, রংযোগনীয়, ৰূপাই, গনতা, মাজুলী গঞা, হালধিবরীয়া, সৌকা ধরা, খাটোৱাল অতে অতে।

**মরাণ খুনায়বু লমজীংবিরম্বশিংনা শেমলম্বা থৌওং ঃ**

খুঙ্গং খুদিংদা মীয়াম্না খনবা খুল্লাকপদা (গাওঁবুঢ়া) অমা থম্মী। মাথৌ তারকপদা অনী নত্রগা অনীদগী হেন্না (বরবুঢ়া) অহল মচিন চৎপসু থম্মী। মখোয়গী মখাদা লাইগী থৌরম, নাৎকী থৌরম অমদি চৈরাপ (বিচার) কী থৌদাং পূরম্মী। নহারোলগী লূচিংবা অমসুং মথং লূচিংবা থম্মী। মখোয়না খুনায়গী থবক থৌরম খুদিংদা মতেং পাংদুনা শরুক য়াই।

কমলা থাবনা মরাণগী মরু ওইনা হিংনবা শিন্থানি। অসুম্না শাগৈ অসিগী শাদি শামুনি অদুগা উপালনা হোলুংনি।

**অপুন্বগী আপকেপা কিরাট মৌয্য বচৌচা ঃ**

বদৌচা আসামগী অরবা য়লেহৌ খুন্দারোয় কিরাত -- মঙ্গোলীও কাঙলুপকী মনুংচন্বা মরানশিং অসি পুৱারী চক্কি অরোইবা নিংথৌনি। খৃঃ ১২২৮ দা চাউল্যুঙ চুকাপানা আসাম চংঙকপগী মতাংদা বদৌচাগী মখাদা অৰাংদা বুঢ়ীদিহিং, খাদা দিচাং, অৰাংদা চফ্রাই অমসুং নোংচুপ্তা ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী মরক্কী মফম অসি ইনাককৈরাক খুল্লম্বা মরানগী লপৌক ওইরম্মী। ঙসিগী শিবসাগর জিলা অমসুং ডিব্রুগড় জিলাগী অয়াম্ব শরূক কল্লেদুনা মরান লৈপাক্কী লৈফম ওইরম্মী। মরান লৈপাক্কী মনাক্ত বরাহী লৈপাক অমসুং তোঙান-তোঙাম্ব মফমদনা চুতীয়া, কসারী, ভূঞা লৈপাক্কী মথক্তা চীং তম মফম পুন্নমক্তা অরিবা ফূৰূপশিংগী মশা মশাগী লৈপাক লৈজ রম্মী। অরিবা লৈপাকশিং অদুগী মরক্তা শাগৈ মীওই ফৰূপশিংগী মরক্তা করিগুম্বা নুঙাইনদবা পুকখা লিংখা, খৎন-চৈনবা লাননচিংবাখুৎথোক্ল রম্বগী ৰাফম অমা ফাওবদা পুৱারীদা ফংদে। অদুনা মফম খুদিংমক্তা চহি কয়ামমাঙদগী ইংতপ্না অমসুং নুংশি চান্নবগী শভম অমা লৈরম্মী হায়বসি লায়না লাকশিন্বা ঙম্মী।

কলাগুরু বিষ্ণু প্রসাদ রাভানা মহাক্কী "অসমীয়া কৃষ্টি" কৌবা লাইরিক্তা মতম অদুগী মরাণশিং য়াম্ন কন-থৌই হায়না হায়রম্মী। শক্লাইরবা নৈনরোয় অসিগী ৰাফম্না বদৌচাগী মতীক মথৌনগী মরমসু ফোংদোকই। থৌদাংতনা ওইখিবনি হায়বসি তাক্লিবনি।

চাউল্যুঙ চুকাফানা মরম অদুনা লৈপাক শন্দোকপগী থৌরাংবু অশেংবা শক্তম পীনবগী ৰাখলদা মফম অসিগী মরানশিংবু ইহানহান্ন উনখি। হেন্দোক থোইদোক্ল মীথুংলেনবু নুংশি চানবা বদৌচানা চ্যুকাফাগা লোইনদুনা লাকখিবা টাইশিংবু তরাম-তরাম ওকখি। ইনিংথৌ বদৌচাগী অয়াবা অমসুং মীথুংলেন থৌগন্দা চ্যুকাফা্মসুং লাকমিন্নবা মফমদুগী ওইবা মরান, বরাহী, চুতীয়া, কছারী খুন্নায়গা মতম শাংনা তিন্ননা খুন্দামিন্নদুনা পুন্নামক নুংশিবীবা অমসুং মফম অদুগী খন্নায়গী থাদোক য়াদবা শরূক অমা ওইখি। নুপী লোয়নদানা লাকখিদবা টাইশিংনা মফম অদুগী লৈশাশিংগা লুহোংবিদুনা ঙাই ওইমিন্নখি।

মচা য়াওজদবা বদৌচানা মতীক চেনবা শকচু চংখোম্বা চ্যুকাফাদা মশাগী মচানুপী লুহোংদুনা পীদুনা মকু-ময়াগী নুংশিং মরিনা কিজবা ঙমজখি। মরম অদুনা বদৌচানা অহল ওইরক্লবা মতমদা ময়ানুপা চ্যুকাফাগী মখুৎতা মরান লৈপাক্কী লৈঙাক শিন্নখি অমসুং হেন্ন খঙমিন্নবগী মতুং ইন্না বরাহী লৈপাকসু কোনশিনখি। বদৌচা অমসুং বরাহী নিংথৌ থাকুমথাগী মতীক মথৌননা চ্যুকাফানা মরান-বরাহীগী শেংলবা লাইবুং চরাইদেউদা নিংথৌ কোনুং শেমদুনা মরাণ লৈপাকপু আহোম লৈপাক মিংথোন্দুনা অনৌবা অপুন্বা লৈপাক অমা হৌদোকখি। অসুন্না চ্যুকাফানা অচৌবা আসাম অমসুং পাকশন্বা অসমীয়া শাগৈ শক্তাক্কী মরূ হুনখি। তৌইগুম্বদি চ্যুকাফাগী অসিগুল্লবা অৰাংবা থাক্কী থৌরম অসিগী মরুমদা লৈরিবা বদৌচাগী চাউরবা খুদোল অদুদি মতম অমা ফাওবদা শিংথানবিখিদে। অদুনা চাউল্যুঙ চুকাফাবু আসামীয়া শাগৈগী অপোকপনী হায়বগী ইকায়খুম্নবা পীবগুম চপ-মান্ননা বদৌচাসু অসমীয়া শাগৈগী "মপুধৌ" মিংথোন্ন মিংথোলবা ঙল্লবতদা মহাক্না লিংলম্বা মতমবু খুদুম চন্বা উৎখিবা পান্দমগী মরীদুনা আসাম অমসুং অৰাং নোংপোক লমদমগী য়েলহৌ মীওইশিংগী অপুন্বা পুরকপদা নিংশিংনঙাই ওইনা লৈহৌবগী লম্বেলদু হাংগদৌরিবনি।

**লিংজেন চাউবী রাধা রূকুমী ঃ**

মালেমগী পুৰারীদা হৌখিবা মীওই ইহৌগী মনুংদা ময়ায় ওইবা চক্কী আসাম লৈপাক্তা ওইখিবা মোৰামরীয়া ইহৌসু অমনি। চাউরবা ইহৌ অসিদা নুপীনা উৎখিবা কল্লবা থৌনা অঙকপা তাংকক অমা ওইদুনা লৈরগনি। চহি চাতরূক লৈঙাক্কী অরোইবরোমদা মনিংমখা তম্বা নিংথৌ লৈঙাক্কী ওৎ-নৈবা ৰায়েল লৈঙাক কাইবনচিংবগী মায়োক্তা শাগৈ ফুরূপ মীচম প্রজা অমসু লৌমীশিংনা পাকচাউনা শরুক য়াখিবা ইহৌ অসি মরানশিংনা লুচিংখি। কনথৌবা রাঘৰ মরান অমসুং নাহরখোৰা মরানগী (শইকীয়া) মাঙজিন থাবা থৌদাংগা মান্ননা প্রজাশিংবু অপুন্ব অমা পুরক্কুনা শরূক য়াহনবদা নাহরগী তালোই অনি ভাতুকী, ভাবুলী হায়বদি রাধা-রূকুনীনি। মোৰামরীয়া ইহৌগী পান শাফোংলকপসু মখোয় অনি অসি লৈরিঙৈগী মতমদনি। ইনিংথৌ লক্ষীসিংহনা

বরধার শেম্নবগি উ কক্লবা উমংদা মী থাখি।

রাধা রুকুনীনা খুঙ্গংগী মীওই পুলহন্দুনা "খুঙ্গং অসিগী মমাঙঙৈদগী লৈরক্লবা উমং অসি, শিংয়ানঙাই ওইরবা মহৌশাগী লন অসিদা নিংথৌগী মঙম লৈতে।" হায়দুনা নিংথৌগী মীওইশিং হুনহলখি।

মরূ ওইনা পনবায়াবদি লিংজেল ফবী অনি অসিনা মতম অদুগী মালেমদা থোকত্রিবা অকন্বা নুপীগী লাম্থেং লূপ শেমখি। অহান্ব ওইনা লালহৌ লূপ অমসুং নিংথৌগী লান্মীশিংগা লান্‌ফমদা মায়োক্লবা মতমদা রাধা অমসুং রুকুনীগী অকন্বা থৌনাগী মাঙদা খাং বা ঙমদদুনা নিংথৌগী লান্মী থিনা মায়থিখি। রাধা রুকুনীগী থৌনাগী মতাংদা পদ্মনাথ গোহাঞিবরুৱানা মহাক্কী "অসম বুরঞ্জীদা অসুন্না পল্লি ---" লান অদুদা রাধা অমসুং রুকুনীনা নুপাগী ফিজেৎ শেত্তুনা তেন শায়রোং শিজিন্নদুনা লাম্থেংনখি। নুপী অনি অসি য়াম্ন হৈ-শিংলম্মী অমসুং অরোৎ লাল্লোং খঙবগীদমক মখোয়গী হকচাংদা তেন নত্রগা নোংমৈগী মরু পালহন্বা ঙমখিদে। অদুতসু নত্তনা লুচিংবী অনিসিগী মপা লৈত্রবা থৌনাগী অশেংবা ৰারী পুৰারীগী লমায়দা য়াওদুনা লৈরি। পনবায়াবদি, গোহাঞি বরুৱানা মখোয় অনিগী নিংশিংনঙাই ওইদুনা লৈগদৌরিবা হৈশিংলবা লাল্লোংতবু ফোংদোক্লি। লালহৌ লূপনা রংপুর খুদুম চন্দুনা রমাকান্তবু নিংথৌ হাপ্পকী মতমদসু নুপীচা অনিসিনা পাওতাকলোয় ওইনা শরূক য়াখি।

মতুংগী মতমদা নিংথৌ লৈঙাক্কী শরৌদা নুপীচা অনিমক থৱায় থাখ্রবসু মায়গৈ অমত্তগী ওইবা নিংথৌগী মীওৎ-মীনৈ নাইবা থৌরাংনসু মখোয় অনিগী থিংঙমদ্রবা মীংচৎ লোৎতুনা থম্ব ঙমখিদে। অদুনা থৌশাবিদ্রবা মীওইবু লানবিবা পাম্ব নুপীচা অনি অসি পুৰারীগী থৌদোক পরিংদা চক-চকতা শিবা নাইদনা লৈরগনি অমসুং ঙসিগী নুপীগী খুন্নায়দা থৌনা অমসুং থৌগৎ শৌগৎপগী মমল য়াম্লবা হৌফম হায়বদো ওইদুনা লৈ হৌরগনি।

**বীর সেনাপতি ঋপরা জগধা ঃ**

তরাশুবা চহীচাগী ওইনা মরাণগী থৌনা ফবা মরিংজেল লৈবা মীইদি ঋপরা জগঘানি। মপাগী মমীং দারবি কৌই। তরাহুমদোইসুবা চহীচাদা চাওলুং চুকাফানা অসমদা লাক্লগা মরাণ, বরাহী, কমারীনা চিংবা ফুরূপ কয়াসে পুনশিনলগা পাক চাওবা অসম শেমখিবনি। চহীচা য়াংখৈগী মতুংদসু মরাণগুম্না শোংলবা উমংদা পুন্সি লেনদুনা অতোপ্পা লৈহৌচাশিং লৈরম্মী। লৈরমলিবা কাংলূপ মচাশিংসু খুল্লাকপা অমগী লূচিং মখাদা লৈরম্মী। পন্বা য়াই মদুদি আহোম লৈবাক অমদি অসমীয়া হায়বা শাগৈসি পুনশিনলকপদা মরাণগী

অচৌবা মফম অমা লৈরকই। মরম অদুনা আহোম নিংথৌদা কাঙ্গৎনা চিংবা পীবগী মথৌ তারমদে। খাওখাইগী মচানুপা তরুক লৈরম্মী। মখোয়শিং অদুদি খাদুন, কিচিম, কেফেলা, হুইলাও, জগধা, অমসুং চিকচৌ। জগধা মঙাশুবা মচানি। মানা পূন্নমক্তগী মরিংজেল মথৌনা অমসুং মপাঙ্গল কনবা ওইরম্মী। অঙাং ওইরিঙৈ নোংজুথাদা ডিব্রু তুরেল ইরোইনা লাল্লগা উমংদা থাদোকপা শামু ফারগা ময়ুমদা পূরকলম্মী। অতৈ অতোপ্পা মচাসিংদগী হেন্বা তোপ-তোপ্পা মগুণ লৈরম্মী। শান্নবা, উচেক ফাবা, শাদানবা, চাকচানিবগী লমদা মমানবশিংদগী হেলম্মী। মরম অদুনা মহাকপু মফম অমা পীদুনা থমলম্মী। বিহু লাকপদা মাগী-মাগী কাংলূপ শেন্নরকপদা পাখং-লৈশাগী লূচিংবা ওইরম্মী। শদিয়াদগী কেচাইখাতী লাইশংদগী য়ুমশাকৈশা নুমিৎতা গরু বিহু পাংথোকলগা মখা তারকপা বিহু পাংথোক্লবা চৎনবী মতুং ইন্না পুথরকই।

মতম অদু কাংলূপ মশেন লান্দানরম্মী। জগধাগী ওইরিবা হকচাংগী শওং য়াম্না চেনশিনবা শওং শাদানি। মহাক্কী লুচিং মখাদা অচৌবা লান্মী তেঙ্গোল অমা শেমলম্মী। অসুক্কী মতিক কল্লি মদুদি মাগী থাংকক অমদা চোৱা গছ (উপাল অমা) উপাল অমা ককথৎতুনা থাদরম্মী। ময়াম্না মহাকপু সেনাপতি ফম পাপখি। অখং অহৈদগী লানগী পোরম তমলগা জগধানা লান্মীশিংবু তাকপী-তিকপীরম্মী। মরম অদুনা লানফম খুদিং মায়পাকলম্মী। চীংবুরোয়গী শাগৈ কাংলূপ কয়া চীংদগী কুমথরকলগা তমদা লৈবা মরাণ শিংবু ওৎ-নৈবগী পাউ তাবগা জগদানা মাগী লান্মী থাদুনা ঙাকলম্মী। মকোক চাওবা মশম ফাবনা মাবু ঝপরা হায়না কৌরম্মী। মমৈথংদা মাবু ঝপরা জগধা হায়না খংনখি।

নোংমা খামতি ফুরূপচানা মরাণগী খুঙ্গং অমা মাইকৈ অমদগী লান্দারকলম্মী। সেনাপতি জগধানা নুমিৎ তরেৎনি দেউচাংদা য়েক্লবা ঙাক্লবগী কেচাইখাতিগী মফমদা ঈরাৎ থৌনিখি। লানফমদা থাংশাং জগোয় শারগা চৎলম্মী। লানফমদা জগধানা য়েক্লবা কয়াগী থৱায় লৌরগা চীংদা তানখৎখী। অসুন্না লানফম কয়া মশাগৈবু কনদুনা থৌনা ফবা মীশক ওইখ। ঙসিসু মরাণ শাগৈনা মগী মমিং পন্দুনা চাওথোকচৈ।

**মোহন শইকীয়া ঃ**

অসমগী য়েলহৌমী ওইরিবা কিরাট-কসারী কাংলূপকী মরু ওইবা মরাণ শাগৈগী মীথোই মনুংদা মোহন শইকীয়াসু অমনি। মতমগী ঈরোলনুংদা তাখিদুনা মাইকৈ খুদিং খুদোং চাদনা শোত্থনা লৈহৌরবা খুনায়সিগী অনৌবা মীরোল ওইনা লাইরিক লাইশুগী মঙাল ফংবা অহান্বা তোমথিন ঙানবা মীশক্কী শইকীয়া।

তিনিচুকীয়া জিলাগী মনুং হঞ্জিননা লৈবা ২২ নং তামুলী খুঙ্গংদা ইং ১৯৩০ গী নোবেম্বর ২২ দা

পোকই। অপোকপগী মীং জ্ঞানেন্দ্র শইকীয়া অদুগা অপোকপীগীনা শুকানী শইকীয়া। খুঙ্গংগী স্কুলদগী মহৈ তম্বা হৌখি। ইং ১৯৫০ দা ডাঙরী হায়ার সেকেণ্ডরী স্কুলদগী পাম তৌরগা ইং ১৯৫৫ দা ডিব্রুগড় কানৈ কলেজতগী বি.কম. পাস তৌখি। ডিব্রুগড় জিলাগী রিভিনিউ দিপার্টমেন্টদা থাক তৌবা হৌখি। মহাক্কী মরৌশিং অমদি হৈশিংনা থৌগাই পাংথোকপা ঙম্বগী মহয় ওইনা মহাকালী চা-বাগানদা মেনেজারগী ফম পীখি। মতুংদা ও.এন.জি.সিদা শিনফম হোংখি। শোথরবা খুনাইসিদা লাইরিক্কী মঙাল ফাওহলনিংবগী ৱাখলদা মশাগী য়েংদনা কাক পথার হাইশ্কুলদা ওঝা ওইনা লাকখি. মতুংদা টাউন হাইস্কুলগী ওঝা মকোক ওইনা থবক্তগী পোথাখি।

খুনায়গী পুন্সিৱোলদা মরাণগীদমক অঙম্বা থৌদাং য়ারকখি। লাইরিক হৈবা মখোয় পুনশিন্নরগা ইং ১৯৬৫ দা 'অসম মরাণ সভা' লিংখি। লূপ অসিনা মরাণ খুনায়বু মরু ফংনা মাংহলক্লীবা কাণি চাবা অমসুং থকপা হৈনবিসে মুথৎনবা অকন্বা খোংজং চংলম্মী। ৱাখল লৈতবা কাংবুগী য়ানিংদবা খোল্লাও, করেন্নরকপা কয়ানা মাবু ফত্তনা শন্দোরকখি। মহাক্কী মতেংদগী মরাণ শাগৈসে শোথরবা কাংলূপকী মনুং চনখিবনি। প্রিমিয়াম পীদনা লমগী পট্টা পীবা, মরাণ বেল্ট এণ্ড ব্লোক শেম্বনা চিংবা দাহী কয়া সরকারগী মফমদা ৱাকৎ থাঙ্গৎখি। 'Moran Development plant' হায়না থৌরাং থৌশিন লূপ অমা মহাক্না শেমলমবদু ঙসিগী মীরোলনা শিংথানরি। মরাণ শাগৈগী পূৱারী, নাৎ অমদি চৎনবীগী মথক্তা লাইরিক কয়া ইদুনা থমলম্মী। ঈশিং ঈচাওদা নংলবা য়ুম কয়া 'তামুলী বনগাওঁ' হয়বা খুঙ্গং অমা লিংদুনা থমলম্মী।

তোপ-তোপনা মশাগী ওইনা লৈজরিবা 'মরাণ বিহু'বু য়াম্না পিকখ্রবা খুনায়দগী পাক চাওবা লবুক্তা লমথাহনখি। মহাক্না অহান্বা ওইনা ইং ১৯৯৫ দা কাক পথারদগী বিহু জগোয় শাবা টিম অমা পুথোরক্তুনা অসমগী মফম কয়াদা মরাণ বিহুবু মশক তাকখি। মরম অসিমক্না মহাকপু মীওই খরগী লৈনফম ওইখি। মহাক্না পুথোকলম্বা মরাণ বিহুগী ঈশৈ কেসেট 'হোতৌ-পাতৌ' নাৎপু পামজরম্বগী ফজবা খুদমনি।

অসমদগী মীতোপ তানবগী ঈহৌদসু মহাক মরু ওইবা থৌদাং য়াখি। মদুগী দমক অৱাবা কয়া মায়োকনখি। অসম গণ পরিষদকী শক্নাইরবা মীশক অমা ওইরম্মী। লেপ্পা লৈতনা মশাগৈগী লাম্থোংদুনতা লাক্লবা মহাক্কী পুন্সিদা অৱাবা কয়া মায়োকনরকখিবগী মহয় ওইনা মতম পূন্নমক্তা শাগৈসিনা নীংশিংদুনা লৈরি।

**রাঘব মরাণ ঃ**

অৱা অনা তারবা, খুদোংথিরবশিংগী মরূপ (বিপ্লবী) য়াওল ঈহৌ লূচিংবা অঙম্বা রাঘব মরাণ অসমদা থোকখিবা অহান্বা মালেমগী ‘মোৱামরীয়া’ গণ বিপ্লবকী মরু ওইবা লূচিংবদি রাঘব মরাণনি।

আহোম লৈঙাক্কী চহী চাতরুক লোয়শিনলকপগী শরুক্তা নিংথৌগী মনিং তন্না মীওৎ মীনৈগী চংয়ৌরবা ফিভম, অচুম অরাল য়েংদনা (প্রজা) মীয়ামবু নমথাদুনা থমলিবা লৈঙাক্কী মায়োক্তা লমদমসিদা লৈরিবা ফুরূপ কয়াবু কন্নবগীদমক হৈ-শিংলবা মহাক্কী লূচিং মখাদা মালেমগী অহান্বা লালহৌসি হৌখি।

নিংথৌবু শৌগৎলগা ইরম্বা পুৱারীদদি ইহৌসু রাঘব মরাণগী মীনুংশি য়াওদবা, ওৎ-নৈবা, নুপীবু ঙম্মী মচা ফাবাগী মায়োক্তা ইরম্মী। অদুবু ড° আমলেন্দু গুহ, ড° হীরেণ গোহাঁই, ড° স্বর্ণলতা বরুৱা, ড° ধ্রুবজ্যোতি বরা অনীগ মরক্তা ওইবা য়ুমলান (গৃহ যুদ্ধ)নি। পন্বা য়াই মদুদি পূৱারীদা মমিং চৎলবা ফরাসী বিপ্লবকী চহী কুন মমাংদা হৌখিবা ইহৌনি।

ৱাফম অসিমদি তরু-তরুনা খংবা ঙম্মী মদুদি লৌউবগী মচা রাঘব মরাননা চৈ হায়বা, তা চোংবা, তেনকাপ্পনা চিংবা শিন কয়া হৈজদবা মীয়ামবু তাকপী তিকপীনা নিংথৌগী মতিকচাবা খুৎলাইগা কোন্নরবা খুকন পাঙ্গনবা লান্মীবু মায়থিবা পীদুনা নিংথৌ লৈঙাক মুনখিসে মালেমগী পূৱারীদা অঙকপা থৌদোক অমা ওইখি। থোকখিবা ইহৌসিগী মরন নৈন্নরুরাগা রাঘব মরাণগী অশেংবা লমচৎ’দু খংবা ঙম্মী। কনাবুসু হৌরুবা অমদি হায়রুবা লৈতা মীয়াম্না ইহৌসি শৌগৎখিবসে মহাকপু লূচিংবনি হায়বা তাকই। লৈবাক নিংথৌগী মায়োক্তা মাইকৈ মরীদগী তোঙান-তোঙাম্বা মওংদা শাগৎলকখিবা হুরান লান (গেরিলা) তৌদুনা রাঘব মরালনা মাগী হৈশিংবা চেকশিনজব’দু উৎখি। নিংথৌ লক্ষী সিংহবু ফারগা নিংথৌ গুন্না ইকায়খুন্নবিখিবা, অশেংবা য়েক্লবশিংবু অরোয়বা চৈরাক পীবা অদুগা মরাল ৱাৎনা লৈবাবুনা অয়াংবা চৈরাক পীরগা থাদোকখি। মীচেন ওইরবা নিংথৌগী লান্মীশিংবু থাদোকপীখিবা, মরাল লৈরবশিংবু মীয়াম মাংদা ৱায়েল (বিচার) চথবা, মীয়ামগী পাওতাকপু মকোকথোংনা লৌজবা, মীওইবগী মমল খংবা, থম্মোয় চাওবা, মীবু কোনশিনবিবা ঙম্বা ৱাখল্লোন অদু মহাক্কী লমচৎতা উবা ফংঙি। মীয়ামগী অপূম্বা খুনায় অমাবু চাওখৎ লম্বী তাকপীরম্বা মহাকপু কুমওল খুদিং নীংশিংদুনা লৈহৌগনি। অসুন্না অসমগী খুনায় পুন্সিদা লেপ্তুনা চেস্থরক্লিবা ঈচৈলদা অরূপ্পা মচু শংদুনা অমত্তা ওইবগী, লংজা অমনা নুংশিনা পুন্দুনা থমলমবগী মাগী তমজনিঙাই লমচৎ অদু ঙসিগী খুনায়চাশিংনা লৌশিনবসি চাওনা কান্নবা ওইগনি।

**ৱাহং ঃ**

১। মরাণগী হৌরক ৱারী ৱাহৈ পরেং অহুমদা ইয়ু।

২। অসম অমসুং অরুণাচলগী করম্বা মফমদা মশিং য়াম্না মরাণ শাগৈ লৈবগে?

৩। পূৱারীদা পল্লিবা 'বারঘর কসারীগী' মমিং ইয়ু।

৪। মরাণগী ৱাহৈ তরাখক ইয়ু।

৫। মরাণ লৈবাক্কী মাইকৈ মরীগী মমিং তাকউ।

৬। অরোয়বা মরাণ নিংথৌগী মমিং ইয়ু।

৭। মরাণ শাগৈনা বহাগ বিহু করম্না পাংথোকই ইয়ু।

৮। শাগৈ অসিগী মরু ওইবা শিন অনী, মগুণ অনী, মফমদা কোন্নবা শান্নবা মখল অমগী মমীং ইয়ু।

৯। মরানগী ওইবা লৌউ-শিংউগী মরমদা ইয়ু।

১০। মরাণ পাখং লূচিংবগী থৌদাং করিনো?

১১। মফম কদায় কদায়দা মরাণ শাগৈগী ঈরাৎ থৌনিফম মফম লৈবগে?

১২। শমলপ্পা ইয়ু ঃ-

ক) অপুন্বগী আপাকপা কিরাট সৌয্য বদৌচা। খ) লিংজনে চাউবী রাধা-রুকুণী।

গ) বীর সেনাপতি ঝপরা জগধা।  ঘ) মোহন শইকীয়া ঙ) রাঘব মরাণ।

*************

# মিচিং

অসমগী শোথরবা চীংবুরোয়শিংগী মনুংদা মীশিং য়াম্বা অনীশুবা কাংলুপতি মিচিংনি। মখোয়বু মিরি হায়নসু শকখংই। ভারত সংবিধানদা মিচিং শাগৈসে অসমগী শোথরবা কাংলুপকী মনুং চল্লি। মিরি ৰাহৈসে মখোয় মশামক্লা শিজিন্নদে। 'মিরি' ৰাহৈসি মখোয় খুন্নায়গী মনুং চম্বা সিবু নত্রগা ইরাৎ থৌনিবা কাংলুপপু খংনৈ। মাইকৈ অমদনা মিরি ৰাহৈসে বৈষ্ণৱ ধর্ম শন্দোকলম্বা শ্রীমন্ত শংকরদেবনা পুথোকলম্মী হায়না কনা কনানা মত পী। অদুবু শংকরদেব মমাংদগী ৰাহৈসি শিজিন্নরকই। মতুং তারকপদা ইংরাজনা শিজিন্নরকই। পাকশনবা মীৎয়েংদা  মশা মশানা 'তানি' হায়না শক্তাকই । তানি'গী ৰাহম্থোক্তি মীওইবা হায়বনি।

অসমগী অৰাং থংবদা লৈরিবা চীংশাং পরেং'সিমক মিচিংগী হৌরকফম মফমনি হায়না লৌনৈ। অরুণাচলগী অৰাংবা চীং 'আবর পাহার'দগী খরা মওং তানা হিংবা ঙন্নবা হায়দুনা অসমগী মখা থংবা তম্পাক লমদমদা কুমলকখি। মখোয়না কুমথরকখিবা মতমবু অখং অহৈশিংনা মত অনীথোক্লা পীরম্মী। পুৰারীশুবা কনাগুম্বগী মত মতুং ইন্না ১২ শুবা চহীচাদা আহোমনা অসমদা লৈঙাকলকপগী মমাংদা চাউখৎপগী মমী তাবা শাগৈ অমা ওইনা অমমগী তম্পাক লমদমদা খুন্দা লৈতানা লৈরম্মী।

মিচিং শাগৈগী মরক্তা মখল কয়া থোক্লা লূহোংবা পাংথোকই। শাগ-গোত্র নুপা মাইকৈদা তিল্লী। মশানা পামজবা পুন্সি লোয়নবী থিবদা পাখং লৈশাগী নিংতম্বা হক লৈ। শাগৈ গোত্র মান্নরবদি য়ানদে। অনেম অৰাংগী ৰাফম শাগৈ-গোত্রদা লৈতে। ঙাই-শেন ওইবগী নুংশি মরীতনি লৈরিবা।

লৌউ শিংউনা মরু ওইবা হিংনবা শিনফমনি। মরম অদুনা লৌ উবনা শাগৈসিগী মরু ওইবা মচাকনি। চহীদা অনীরক লৌ-লাকই। অসিগীসু মথক্তা থৰায়, থোইদিং, আলু, পান, শিং, মোরোকনা চিংবা কয়াসু উই। যণ অমসুং ইরোয়না যম্পোৎ খোই। খুঙ্গংশিংদা তংদু লৈতানা নুঙাই য়াইফনা লৈননবা খুল্লাকপা অমমম থম্মী। কনাগুম্বনা মরাল লংজরুরবদি খুল্লাকপগী মখাদা 'কৌবাং' হায়বদি ৰায়েল মীফম ফমলগা ঙাকপীফম লৈতনা লাল্লবদি খুঙ্গদগী নত্রগা খুন্নায়দগী ইন্থোকই। মীফম ফম্বা মফম অদু 'মুরং ঘর' কৌই।

ফিজোলনা শাগৈসিগী নাৎকী মশক তাকই। নুপাগী চৎন্নরকপা মতুং ইন্না 'মিবু গালুগ, গনর উগন টঙালী দুমৌর শিজিন্নৈ। নুপীগীনা শাগৈগী ওইনা রিহা-মেখেলা, রিবি-গাচেংগী মথক্তা শিননবা লিক-কোন শিজিন্নৈ। মিচিং নুপীনা ফিশাননবা রোংখোম নত্রগা তাঁতকী মতেং লৌদুনা ফজা ফজবা মঙলান ফাওভা মঙফাওহনবা ঙম্মী হায়। লমগী উচেক, শজি, ঙানা চিংবা মমি কয়া হৈ শিংবা মখুৎনা ফীদা তাহনবা ঙম্মী।

ইয়োংগী মথক্তসু মিংচৎ লৈরবা গাদু নত্রগা কিরিজিন মিতিংশিংগী শাগৈগী মচাকনি।

মিছিং শাগৈসি শংকরদেবগী বৈষ্ণব ধর্ম, শৈব, শাক্ত, তান্ত্রিক, কেৰলীয়া হায়বদি নুমিদাংদা ইরাৎ থৌনিবা লাইনিং চৎপা লৈ। মখোয়গী অশেংবা লাইনিং লম্বীদি 'দঞি-পল' নি। থাজ-নিংজবদা শাগৈসি শিংথানরিবনি। অৰা-অনা কোকনবা থাজবগী পাম্বৈনা য়েন-য়েন্থ্রা য়ুমদা লোয়। য়েনবু অৰা-অনংদগী কোক্লবা পাম্বৈনি হায়না থাজনৈ। 'দবুর' ইরাৎ মখল অমা থৌনি। লাইয়াম পূন্নমকপু পেন্নবা পুক্লিং চংনা থৌনিজৈ। য়ুমগী অশেং-অমাং, চাওখৎ লমদাংদা লাইগী থৌজাল মীৎয়েং লৈ হায়বসে থাজনৈ। পোকপদগী শিব পাওবা 'দঞি-পল' হায়বদি নুমিৎ-থানা পুরিবনি হায়না থাজজৈ।

হরাও কুম্মৈ পামজবা শাগৈনি। মখোয়গী হরাও কুমৈদি-আলি-আয়ে লিগাংগী মথক্তসু মাঘ বিহু, বহাগ বিহু, অমসুং কাতি বিহু পাং থোকই। থায়নঙৈদগী আলি আইয়ে অমসুং লৃগাং পাংথোকতুনা লাকই। লৌউ-শিংউগী মথক্তা পাংথোকপা কুম্মৈসিগা লোয়ননা তানি বঙহর চলং, মপিন উৎসবকা মান্নৈ। মখোয়গী শাগৈগী হরাও কুম্মৈ আলি-আঃয়ে লৃগাং ৰাহৈ শক্তম অহুমনা পুনবনি। 'আলি' হায়বদি লৈবাক্তা হৌবা মরু, 'আঃয়ে' হায়বদি উপালমা পানবা হৈ নত্রগা মরু অমদি লৃগাং হায়বদি থাবা নত্রগা হুনবগী থৌরম হৌবনি। মরম অদুনা কুম্মৈ অসি লৌউ-শিংউবগা মরি লৈনবা কুম্মৈনি। লৌউবগী ওইনা কুম্মৈনি মপুং ওইজরবসু, জগোয় অমদি ঈশৈদা শাগৈসিগী আলিয়াই লৃগাং, আলিঃ লৃগাং অমসুং লৃগাং হায়নসু খংনৈ। লমদা থাগী অহান্বা য়ুমশাকৈশা নুমিৎতা কুম্মৈমি হৌই। নুমিৎসি লক্ষ্মিগী য়াইফবা নুমিৎনি খনদুনা মরু মরাং থাবগী থবক পাংথোকই। পুরাং আপিন নত্রগা অমসুং আপঙ হায়বদি য়ুনা মরু ওইবা চিঞ্জাকনি। আপং থাদোকপা য়াদ্রবা শাগৈসিগী ঈশিং অঙাওবা মখল অমনি। নুমিৎ অসিদা আপং অমসু অতৈ পোৎলমশিং অহান্বা লাইদা থাদোকই। মথংদা অহল লমনদা য়ুম্থুনা লাম্থোকই. লায়রা-ইনাকখুনবা, অৰাং-অনেম, অৰা-নুঙাই খায়দোকপা লৈতনা লৃগাং কুম্মৈদা শরুক য়াই। গুনরাগ জগোয় অমসুং ঈশৈনা শাগৈসিগী মহৌশা ইংন তপ্পা লৈবা পামজবগী চৎন্নবীদো ফোংদোকই। বিহু মখল অদুমসু শাগৈসিনা চৎনবী মতুং ইন্না হরাওনা পাংথোকই।

চীনবুং সাহিত্যদা ইনাকখুনবা শাগৈনি। চহীকয়া কয়া পথাং পুথাং ওইনা চীন অমদগী চীন অমদা, নাকোং অমদগী নাকোং অমদগী নাকোং অমদা চেন্থরক্লিবা ঈশৈ কয়া খুৎই ওইনা পুথোকনবা হোৎনরি। তিব্বত বর্মী কাংলূপকী লোননি মিচিং লোনসি। প্রোঃ নাহেন্দ্র পাদুননা লোনসিগী ওইরকলিবা ঈচেলসি অহুম থোক্লা খায়দোকলগা নৈন্নরকই। ঈচেল অহুম অদুদি অরিবা, ময়াই অমদি হৌজিক্কী হায়না থন্মী। অরিবা মতমদা মির নত্রগা আঃবাঙগী খুরুজনা শকচা শোনজবা ঈশৈ অমসুং চীনবুং সাহিত্যবু চল্লি। মতমসি থায়নগী

ইং ১৮৮৬ কী মনুংনি হায়না পল্লি। খুৎই ওইনা লৈরমদবা মতমনি। ইরাৎ থৌনি পাংথোকপদা পুরিৎ নত্রগা মিবু শিংনা শক-শোলিবা অদু খংনৈ। ইং ১৯৬৪ দা সুরেন দলেনা 'লেকে নিঃতম' হায়বা লাইরিক অমদা অরিবা ঈশৈ কয়া খোমজিনদুনা পুথোকলম্মী।

ময়াইচম্বা মতমসে ইং ১৮৮৬ দগী ১৯৮৬ হায়না লৌনৈ। মতমসে মিসনেরি মতম অমসুং মিচিং লোনগী লংদাইফমগী মতমনি হায়না লৌনৈ। হৌজিক হৌজিক মিচিং লোনদা শৈরেং, ৱারেং, দ্রামা, উপন্যাস, ৱাপুরোন, লোনগী লোনগৈনা চিংবা অইবা অইবীশিংনা খুদোল তমদুনা মশাগী মমা মরোল চাওখৎনবা হোৎনরি।

য়াম্না থকশি খাশি নাইবা খুনাইনি। খেন্নবা থমদবনা খুদমনি। নুপাগুম্না নুপীসু থোংমাননা লৌশুবা, য়ুমগী থবক শুবা অতৈ অতৈ শিনদসু মাননা শরুক য়াই। মীয়ামগী ওইবা থৌরমদসু নুপীনা পুন্না শরুক য়াই। তৌবগিদি অওনবা য়াওলগী নুংশিৎ মখোয়গী খুনায়দসু মহৌশাগুম লাকই। ভৃগুমুণি কাগয়ুং।

ভৃগুমুণি কাগয়ুংগী মপা মপুগী মীংদি কার্তং কৌরম্মী। কার্তংগী পীবা অহুম লৈরম্মী তামন, খহুৱা অমসুং কুশরাম হায়না। খহুৱা অমদি মাগী নুপী য়াবরীগী মচানি ভৃগুমণি কাগয়ুং। ইং ১৯৩২ গী অক্টোবর থাগী য়াইফবা থা অমদা আলিমুর খুঙ্গংদা পোকখি। ভৃগুমণি কাগ্যুঙ অঙাং ওইরিঙৈদা আলিমুর খুঙ্গংদা লেনখি। ভৃগুমুণি হেনথোইবা ওইরম্মী।

খুঙ্গংদুগী ৫৮ নং আলিমূর প্রাথমিক বিদ্যালয়দগী মহৈ তম্বা হৌখি। মথংদা যোরহাটকী Govt. Multipurpose Boys Higher Secondary দগী প্রাইভেট ওইনা মেট্রিক পাস তৌখি। পিক্লিঙৈদগী মশাগী মখোংদা মশানা লেপচবা পাম্বা ভৃগুমুণিনা মপাবুং লৈখিদ্রববগী মতুংদা মশাগী মহৈ তমনবা শেনফম মসানা তানজখি। অদুনা মরম ওইদুনা যোরহাট জে.বি কলেজদগী আই. এ. অদুগা বি. বরুৱা কলেজ গুৱাহাটীদগী ইং ১৯৮৭ দা বি.এ. পাস তৌখি। ইং ১৯৯২ দা মহীশুরদগী Institute of Indian Language তা মিচিং Adult Education দগী তম্না লাইরিক্কী অৱাৎপা পুথোকপগী training লৌখি। হিরমসিদা লোনগী Training ফংখি।

হাইস্কুলদা তম্লিঙৈ অসমগী অহান্বা (ছহিদ) লৈশিবা কমলা শইকীয়াগা লোয়ননা ইং ১৯৫২ দা দিখৌমুখ এম. ই. লিংখি। খুৎশুমন লৌদনা ওঝা ওইরম্মী। ইং ১৯৫৮ দা Vocational Collegiate Industrial Institute তা ওঝা ওইনা থবক্তা চংখি। মতম অমত্তদা Jorhat Industrial Institute কীসু Instructor ওইখি। ভৃগুমনি কাঙয়ুঙনা যোরহাটকী Govt. Multipurpose Boys Higher Secondary স্কুলদা ইং ১৯৬৪ দগী ১৯৬৬ ফাওবা চহি অহুম ওঝাগী থবক তৌখি। ইং ১৯৯০ দা থবক্তগী পোথাখি।

অসমীয়াগী শৈরেং জগত্তা ভৃগুমুণি কাগয়ুঙগী খুদোল শিংথানিঙাইনি। মহাক্কী ফোংখ্রবা শৈরেং লাইরিকশিং কবিতা কলি, আনাহুত, মন বননির জুই, কবিতা কুসুম অতৈ অতৈ। কবিতা কলি শৈরেং লাইরিকসি মহাক্না তরেৎশুবা থাক্তা মহৈ তল্লিঙৈ ইখবিন। মহাক্কী মীয়াম্না পামজখিবা শৈরেং লাইরিকতি 'আনাহুত'নি। লাইরিক অসিদা ইং ১৯৭১ দা রাষ্ট্রপতিনা মনা পীদুনা ইকায়খুম্নখি। মহাক মিচিং শাগৈসিগী অহান্বা National Literary Award নি। 'মন বননির জুই' শৈরেং লাইরিকসিদসু ইং ১৯৯৪ দা অমুকহন্না রাষ্ট্রপতি মনান ইকায় খুম্নখি। ভৃগুমনি কাঙয়ুঙ মিচিং মীওই কাঙলুপকী অহান্ব রাষ্ট্রগী মানা ফংবা সাহিত্যিকনি।

মহাক্কী শৈরেং মপুং ওইনা রোমান্টিক অমসুং মতমগী ওইবা ইচুগী অপূন্বনি। রোমান্টিক ৰাখল অমসুং কল্পনাবু পামজবা, মাইকৈ তমদনা হোজিক্কী ওইরিবা পুন্সিগী শক্তম অমসুং মশাগীতা য়েংবা ৰাখলোন ফোংদোকপনা মাগী শৈরেংগী মফোংদোকনি। মরৈবাক নিংবা মহৌশাবু শৈথাজবা মাগী শৈরেংগী শক্লোননি।

অসমীয়াগা তুননা মিচিং লোনদসু শৈরেং ইরম্মী। মিচিং লোন্দা খোমজিনবা লাইরিক্তি 'কঃকাং নৌতম দঃঞিং'নি। মহাক্না ইরম্বা অমদি খোমজিনদুনা পুথোকলম্বা লাইরিক মশিং ২৭ নি। মহাক্না পুথোকখিবা শৈরেং লাইরিক্কী মনুংদা 'কবিতা কলি, আনাহুত, মন বননির জুই অমদি কবিতা কুসুম' শিংথানিঙাইনি। ৰারেংগী মনুংদা 'আৰেগিক ঐক্য সাধনত শ্রীমন্ত শংকরদেব, আঞ্চলিক ভাষা বনাম ত্রি-ভাষা, মিচিং শব্দ কোষ, মিচিং লোজন, ভৃগুমুণি কাগয়ুঙর মিচিং জন জীৱন ঃ চিন্তা বিচিত্রা' অতৈ অতৈ।

ভৃগুমুণি কাগয়ুঙ চীনবুং সাহিত্যগী নৈন্নরোয়নি। অসমীয়া অমসুং মিচিং লোনবু ফজনা খংনবা হোৎনরম্বা মীওইনি। মহাক্কী খন্ননিঙাই ওইবা ৰারে, ৫০০ গী মথক্তা অতৈ অতোপ্পা মেগাজিন কয়াদা ফোংখি। মহাত্মা গান্ধীগী লুচিং মখাদা ভারত নিংতম ইহৌনা মফম খুদিং মরৈবাক নিংবগী ঈথক্লা ঈৰায়রকপা মতমনি। অসমগী গোলাঘাটসু কমলামিরি অমসুং মহাক্কী লোয়নবা মিচিং নহারোল কয়াগী থম্মোয়সু মমালৈবাক নুংশিবগী ৰাখলোননা পুনখি। ৰাখল্লোন অসিগী মখাদা নহারোল লিশিং লিশিং শরুক য়ারম্মী।

মহাক্কী লুচিং মখাদা মাহুরা মৌজাগী বাংকুৱাল কৌবা মফমদা বিকারাম মিরি, বেজিয়া লুই, ভুটাই লুইং, ধাতুরাম পেগু, বোন্দা লইং শম্ভুরাম মিরিনাচিংবা মীওই কয়া নিংতম লান্দা শরুক য়াখি। মতমদু লম্বী থোং লৈতবা রেল বস উবদা মতমনি। গোলাঘাটগী 'ওপর টেমেরা' য়ৌনা চৎপদা মাইল কুন ওইরম্মী। মীতাম্বা উমংনা থল্লবা মফমদুদগী থোরক্নুনা সেন্ট্রেল কমিটিগী মীহুৎ শিৎ উন্নবা হায়বসে অরায়বা থবক ওইরমদ। অদুবু নিংতমনিংবগী ইহৌনা অৰাবা খংখিদবা মতমনি। মহাক্না কংগ্রেসতা মী মশিং চনশিনবা অমদি ঈশিং ঈচাও, লৌউ শিংউগী মরমদা মীফম কয়া ফমদুনা খন্ন নৈন্নখিবগী খুদম ফংই। মতমদুদা মাগী খুঙ্গংদগী

হৌরগা গেলাবিলগী অৱাং থংবা মফম য়ৌনা কানি অমদি গাঞ্জাগী নিশাদা লাইচুরবশিংবু কন্নবা অচৌবা চাংয়েং অমা তৌরম্মী। করম্না কানি গাঞ্জানা চিংবা নিশাগী চিঞ্জাকসে করম্না থাদোকহনগী হায়বসে মাগী অচৌবা শিংবনি। ঙসিদি মায়পাকখিবগী ৱারী মীপুমনা শোন্নরি।

ইং ১৯৪২ দা মহাত্মা গান্ধীগী লুচিংদা মোম্বাইদা ফমখিবা কংগ্রেসকী কর কমিটিগী ৱারেপ মতুং ইন্না 'বৃটিস ভারত থাদোকউ' ইহৌসে লাওথোকখি। আগষ্টকী ৯ দা মহাত্মা গান্ধী, জৱহরলাল নেহেরুনা চিংবা লুচিংবা কয়া ইংরাজ লৈঙাক্না ফজিনখি। কমলা মিরিগী মীফম মপুগী মখাদা ইং ১৮/০৮/১৯৪২ দা ফমখিবা মীফমদা মীওউ ১৮ না শাবা 'শান্তি সেনার দন' শেন্দুনা গোলাঘাটতা পিকেটিং তৌনবা লেপখি। মহাক্কী লুচিং মখাদা সোনধন পেগু, মলিধর পেগু, বলরাই লইং (সেক্রেটরী), বেপুং, পাটরী (নায়ক), জারমন মরাং, কর্দ্দিক মরাং, বোম্বা বরি, ফেদলা লইং, ঠগি বগি, বেলেম লইং, মেকনা লইং, মতুং বরিনা চিংবা ময়াম শান্তি সেনাগী থবক্তা থৱায় হকচাং য়াওগনি হায়না ৱারেপনখি।

লূচিংবগী মগুণ চেনবনা কমলা মিরি রঙামাটি মৌজাগী কংগ্রেস কমিটিগী সভাপতি ওইরম্মী। ইং ১৯৪২ গী সেপ্তেম্বরগী অরোয়বদা লৈবাক্কী ঈ-পাউ লৌবা গোলাঘাট কংগ্রেসকী লোয়শঙদা চৎলুবদা বৃটিস সিফাইনা মাগী খোংলোয়চা কয়াগা কাজিনদুনা জেলদা থমখি। চহী অদুগী অক্টোবর থাদ গোলাঘাটকী ৱায়েল মপু (দণ্ডাধীশ) আশু দত্তনা ৱায়েল ৱায়েল বিচার চত্থরগা মখোয় খুদিংমক থা নিপাল যোরহাটকী জেলদা থমখি। জেলদা লৈরিঙৈ গোপীনাথ বরদলৈ, ফকরুদ্দিন আলি আহমেদ, মহম্মদ তৈয়বুল্লা, অমির কুমার দাস, হেমবরুৱা না চিংবা লুচিংবা কয়াগা উন্নবগী খুদোংচাবা ফংখি। জেলদা লৈরিঙৈ গোপীনাথ বরদলৈগী মফমদা হিন্দী তমখি লোয়ননা তরেংদা লংলাইরেম্মী। জেলদা লৈরিঙৈ মশা ঙমলকতবনা জেলগী হোস্পিতালদা লায়েংখি। হেন্না শোকচিলকপনা জেলদগী থাদোকনবা খন্নরকখি। অদুবু মমা লৈবাকনিংবা মচা অমা ওইনা জেলদা লৈ-লৈনা ইং ১৯৪৩ গী এপ্রিলগী ২২ দা নুমিদাং পুং ১২-৩০ তাবদা তাইবং থাদোকখি।

ঐরাম রবিঃ মিচিংগী নাৎ অমসু চৎনবীগী পষ্টৌনি হায়রিবা ঐরাম রবি বৃটিস লৈঙাক্কী NEFA গী মনুং চম্বা অয়ান খুঙ্গংদা (অরুণাচলগী) পোকই। পোকপগী তংদাংবা নুমিৎ লেপ্পা ঙমহৌদবনা মখোয়গী অহল লমননা ইং ১৮৭৭ দা (চাওরাকপা) পোকই হায়না হায়রম্মী। অপোকপগী মীং তাকির রবি অদুগা অপোকপীগীনা মঙালী বরি কৌই।

মনাক নকপা খুঙ্গংদগী মহৈ মশিং তম্নবা লৈরমদবনা কিংমি ৩০-৩৫ লাপ্ন লৈবা মকুংঢেলেক্কী মেটাকী এল.পি. স্কুলদা থাক মরি ফাওবা তমলম্মী। মী অমা ওইননবা শোংলবা উমং অমদি তুরেল লাম্থাকলগা মহৈ

তম্বা চৎলম্মী।

মতমগী খয়াত্তা মাংখিগদৌরিবা মিচিংগী নাৎ অমসুং চৎনবী কয়া লিদুনা থল্লবা ইং ১৯৫০ গী মমাংদগী থৌদাং পায়খৎলম্মী নাৎ য়োকখৎপা পাম্বা নহাখরগা পুল্লগা ইং ১৯৫২ দগী ঐঃনিতম, চৌল্লয়া, লৌরৌলি, লঃলে, কাবান, তৌবঃ তৌকাং, বৃনি, মিবু আঃবাঃনা চিংবা কয়াবু পরিং নাইনা মথং মথং নৈনবা, লিদুনা থমনবা অমদি ফজনা থন্নবা হোৎন্নরম্মী। মতম অদুদা ইনাৎ ঙাকপা লূপশিংগী পাখং লৈশাশিংবু থক থোংবা অহল, মমা-মপা ওইবশিংনা ফত্তবা মীৎয়েংনা য়েংবগা লোয়ননা লৈবাকমচা তাদবা ৰাহৈনা ঙাং চৈরম্মী। মতমদুদা হনু-হনুবীতনা নাৎকী জগোয় ঈশৈদা শরুক য়ারম্মী। মাং লমচৎ মীশক অমা ওইনা মিচিংগী ইনাৎপু চাওখৎনবা অমদি মপুং ফানা পূখৎপা কুরূপচাশিংনা মিচিংগী নাৎপু হেন্না হেন্না পান্নরকখি। মহাক্না লোয়ননা লৈশা পাখং তরামঙা য়াওরম্মী। হায়রিবা কাংলূপসিনা ইং ১৯৫৭ দা বাহির জনাইদা পাংথোকখিবা থৌরম 'জানাই মিচিং কৌবাঙ'গী মীফমদা ইনাৎকী থৌরম উৎপা হৌখি। মহাক্কী ইনাৎ কাংলূপনা জনাই, পাচিঘাট, গুৱাহাটী, যোরহাট, ডিব্রুগড়, মাজুলিনা চিংবা মফম কয়াদা শাগৈগী লৈজবা ইনাৎপু মীয়ামদা শন্দোকখি। অসুন্না গুৱাহাটী বিহু সন্মিলন, সংগীত নাটক একাডেমী, যোরহাট, তিতবারনা চিংবা মফম কয়াদা মিচিং বাঃনৌ-কৌবাঙগী মীফমলেন্দা মহাক্কী কাংলূপনা নাৎকী থৌরম পাংথোকখি। মহাক্না নিঙোন মচা-মঙাগী মতেংনা পরিং নাইনা লৃগাং-লঃলে, গুমরাগ জগোয়বু অনৌবা মওংদা হৌদোক্তুনা ইনোৎ অমা হাপখি। ইং ১৯৭১ দা পাসিঘাট কলেজকী মহৈরোয়শিংনা পাসিঘাট সহরদা গুমরাগ জগোয় উৎখি। ইং ১৯৫৪ দা ঐরাম বরিগী পাউতাক মতুং ইন্না ড° লয়রাম পেগুবু সভাপতি ওইনা মুর্কংচেলেক মিচিং কৃষ্টি কৌবাং লুপসি শেমখি।

থমনিংবা হৈনিংবা ঐরাম বরিনা মুর্কংচেলেকতা লৈবা বৃসিকী অসম শ্বোমিল পুরিবা বৃটিস মচাশিংদগী অনৌবা চাওখৎলোনগী লৌশিং কয়া তমখি। শাগৈসিবু মাং থানা পূখৎনবা মুর্কংচেলেক্কী অকোয়বদা তারিবা খুঙ্গং কয়া চৎত্তুনা মহৈ মশিং তম্নবা, লু-নাননা থৈনবা, চান-চিননা থৌরম পাংথোকমিনবা, ফত্তবা চৎনলোন, অৰাং অনেম খায়দনা মপাঙ্গল কনবা খুনায় অমা শেমগৎনবা হোৎনরম্মী। খৎন্ন-চৈনবা তৌদনা শাগৈসিগী অপূন্বা থৌগাই য়ামিন্নদুনা মীয়ামদা উথোকপসিনি মহাক্না পামজরম্বা। মহাক্না 'অয়াল অঞ্চল সংস্কার আৰু উন্নয়ন সভা'দগী হৌরগা নিংতম লানগী ইহৌফাওভগী মনুংদা মমল নাইদ্রবা থৌরম কয়া পাংথোকলম্মী। লৈবাক্না নিংতম্বা ফংলবগী তুংদা ইং ১৯৫০ দা ভারতকী রাজ্য শিংবু নৌনা শেমদোরকপগী মতাংদা শদিয়াদা ফমখিবা মীফমদা গোপীনাথ বরদলৈ সাব কমিটিদা শরুক য়াখি। মিকয়িং পাৰ, তানুরাম পাইত, ঐ, আরম

করিগুম্বা মীওইশিং মর্কংচেলেক অমদি শাগৈসিগীদমক লূচিংদুনা খন্না নৈনখি মতম কুইনা নেফা লৈঙাক্কী মখাদা শোত্থদুনা লৈরম্বা দু অতোপ্পা লমদমগা মাননা চেনখৎপা ঙম্নবা লম্বী-থোং, মহৈ তম্ফম অমদি থক্লবা ইশিংগী খুদোংচাবা ফংদ্রিফাওবা অসমদা পুন্দবা হায়না ৰাফম থমখি। গোপীনাথ বরদলৈনা মখোয়গী ৰাফম'দু থাঙ্গৎলিবা ৰাফম ময়াসে কোকহলদুনা অমদি জোনাই অসমগা পুনখি।

মতমদুগী নেফা লৈঙাক্কী লৈঙাক মপু আর্নল্ড সহাব অমসুং মাথুর সাহাবকী থৌরাং মতুং ইন্না ঐরাম করিগী লুচিংনাদা অয়ান লমথোং মরি ফাংবাদগী চিয়াং ব্রহ্মপুত্র য়ৌনা মীয়াম পূল্লগা লম্বী অমা থোনখি। ইং ১৯৫৮ দা নেফা লৈঙাক্লা 'ঐ রাম ঘাট' হায়না মীংথোলদুনা তৌবিমল খংবা উৎখি। ঙসিসু খুদোল অদুবু নীংশিংদুনা থমলি ঐরাম ঘাট।

মিচিং সাগৈগী মীথোই মীহেন ওইনা মপোক তালম্বা ঐরাম বরি ইং ১৯৬৪ গী মার্চকী ২৫ দা তাইবং থাদোকখি। মহৈ মপুং ফানা তম্বা ফংহৌদ্রবা ঐরামনা খুদোং চাদবা অৰাবা কয়া মায়োক্লরবসু শোথরবা মিচিং শাগৈবু পরিং নাইনা মপুং ফানা শেমগৎ শাগৎপীদুনা পুখৎপীরম্বা মহাক্কী থম্মোয় অমদি থৌদাং কয়াবু মতিক থোক্লা মমলগী চাংলেপ লেপিবদি মতমদা শোয়দনা পূরক্কনি।

## বাহং পরেং ঃ

১। মিচিং মীওই ফুরূপকী মরমদা শন্না ইয়ু।

২। মিচিংগী ফিজোল অহুম খক্কী মমিং ইয়ু।

৩। মিচিংগী লাইনিং লাইশোনগী মরমদা শন্না ইয়ু।

৪। আলি আয়ে লৃগাং করিগী অমসুং করম্বা মতমদা পাংথোকই?

৫। আলি আয়ে লৃগাং ৰাহৈগী হৌরকফম ইয়ু।

৬। শন্না ইয়ু।

ক) ভৃগুমনি কাগয়ুং খ) লৈশি কমলা মিরি

গ) ঐরাম বরি ঘ) যাদব পায়েং।

*********

# মণিপুরী

আসাম হায়বসি তোঙান-তোঙান্বা মীওই কাঙলুপশিংগী লৈফমনি। পুৱারীনা নীংশিংবা থোকত্ররবা মতমদগী তোঙান-তোঙান্বা মতমদা পুক্লিং হুনঙাই লৈপাক অসিদা তোঙান-তোঙান্ব মীওই কাঙলূপশিং লাকখিরন্মী। হায়রিবা মীওই কাঙলূপশিং অসিগী মনুংদা মনিপুরীশিংসু অমনি।

আসামদা মরূ ওইনা বরাক অমসুং ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্তা মণিপুরীশিং অসি খুন্দারি। বরাক তম্পাক্□ী কাছাড়, হাইলাকান্দি, অমসুং করিগঞ্জ জিলাদা মণিপুরীশিং খুন্দা-লৈতাই। ইংকুমজা ১৮১৯ দা অৱা লান্মীনা মণিপুর দা লান্দাখি। মণিপুরী প্রজাগী মথক্তা অৱা লান্মীনা শা-যনগুম ওৎনৈখি মদুদা খাংবা ঙমদদুনা মখোয়শিং অসি কাছাড় শিলেট (হৌজিক্তি বাংলাদেশকী মনুংনি) নচিংবা অসিদা লাকখি হায়না হায়নৈ। মতুংদা মীওইশিং অসি মশাগী মরমদমদা হন্দদুনা কাছাড় (হৌজিক্□ী কাছার, হাইলাকান্দি অমসুং করিমগঞ্জ জিলা) জিলা অসিদা লেংদনা লৈতবা হৌখি। হৌজিক্□ী হোজাই জিলা কামরূপ সিটিগী গুৱাহাটী, দরংজিলাগী ওদালগুরি, কার্বি আংলং, ডিমা-হাচাও, থক আসামগী শিৱসাগর, ডিব্রুগড়, গোলাঘাট লক্ষিমপুর নচিংবা মফমদা অরিকঅহেনগী চাংদা মনিপুরী লোন ঙাংবা মীওইশিং তংদু লৈতনা খুন্দাদুনা লৈরকই।

মণিপুরী নত্রগা মৈতৈ হায়রিবা ৱাহৈসিনা লোন অমসুং শাগৈ অনিমক খঙহল্লি। মৈতৈরোন নত্রগা মীতৈলোন অনিমকসু মীতৈলোননি। হায়রিবা মীওই কাঙলূপশিং অসি তিবর্বত-বার্মা ঙাংনলোনগী মনুংচল্লি। মীতৈ ময়েক মনিপুরীশিংগী মশাগী ওইজবা ময়েকনি। ইংকুমজা ১৯৯২ দা মণিপুরী লোন অসি ভারত সংবিদানগী নিপান শুবা সিড্যুলদা চনখি। মণিপুর, আসাম ত্রিপুরা, মিজোরাম, মেঘালয়, নাগালেণ্ডগী মথক্তসু খা-নোংপোক এশিয়াগী ম্যানমার অমসুং বাংলাদেশতা লোন অসি চৎনৈ।

আসাম সরকারনা ইং কুমজা ১৯৫৬ দগী মণিপুরীশিংনা মরু ওইন খুন্দাবা মফমদা লৱার প্রাইমেরীগী মহৈশঙশিংদা অমসুং ইং কুমজা ১৯৮৪ দা হাইস্□ুলগী থাক্ত মনিপুরী লোনবু মেডিয়াম ওইনা চৎনহনিখ।

অমরোমদনা ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্ত খুন্দারিবা মণিপুরীশিংগী স্□ুল কোলেজনচিংবদা আসামীয়া লোনবু মহৈ তম্বগী মেডিয়াম ওইনা লৌদুনা লাকই।

মণিপুরী নত্রগা মৈতৈ/মীতৈ খুন্নাই অসি য়েক-শলাই তরেৎতা হায়বদি ফুরূপতা খাইদোকই। মদুশিং অদুদি মঙাং (নিংথৌজা) লুৱাং, খুমন, মোইরাং খাবা-ঙানবা অমসুং চেংলৈনি। হায়রিবা য়েক-শলাই খুদিংমক অসি ফুরূপ মচা-মচা খরথোক্লমুক খাইদোকই। খাইদোকলিবশিং অসিবু "য়ুন্নাক নত্রগা শাগৈ" হায়না খঙনৈ। মণিপুরী খুন্নাইগী য়েক-শলাইগী থৌরাং অসিনা খুদিংমক অমত্তা ওইনা পুন্ন-থম্বনি।

মনিপুরী খুন্নাইদা শাগৈ নত্রগা য়ুন্নাক অমমমগী "পীবা" অমমম লৈনৈ। শাগৈ অমগী পথাং-পুথাং নাইনা লাক্লবা খ্বাইদগী মচানুপা অহল অদুনা পীবাগী ফম অদু ফংই। য়ুমলাই নত্রগা শাগৈগী লাইইরাৎথৌরম পাংথোকপা মতাংদা পীবাগী থৌদাং য়ান্ন চাত্তই।

মনিপুরী শিংনা লৌউ -শিংউ নুঙাইনবগীদমক মরূ ওইনা ঈশিং মরাংকাইনা ফংমা তুরেল মপানগুম্বদা খুন্দা লৈতাগল্লি। য়ুম ইংখোলগী মায়কৈ মরী লৈপন তাখৎপা হায়বসি মীতৈ খুন্নায়গী মরূ ওইবা শক্তমনি। মসিবু লৈপন তাখৎপা কৌই। খুঙ্গং ঙাকশেন্বগীদমক খুন অহনগী থৌরাং থম্মৈ। হৌজিক□ী মতমদদি খুন অহনগী মথৌদাং হন্থরক্লে। খুন্নাইগী ওইবা পুন্সিদা ইংতপ্পা মচিন-মনাওগী ওইবা লীচিং অমদা হিংমিন্নবগীদমক খুন খুদিংমক্তা খুন্নাইগী ওইবা লূপ অমমম লৈরম্মী। মসিবু শিঙলূপ কৌই। শিঙলূপ শিনলাংনবা "গোপাল হনজবা" অমসুং "গোপালহিদং" মিংথোন্ন মীওই অনি খুনগী অহল ওইরবশিংদগী খল্লি।

মনিপুরী সংস্□ৃতিদা নুপীগী থৌদাং মরূ ওই। লৌউ-শিংউদা য়ুম্ফম ওইরবসু চৎনবীগা মরী লৈনৈ। লাইনিং-লাইশোলগী ওইবা থৌরম নত্রগা খুন্নাইগী থৌরম থৌদাদা নুপী য়াওদনা অফবা থৌরম হৌনদে। মতাং অসিদা নুপীগী ফম নুপাগা চপ মানৈ। মীতৈ নুপীশিংনা শাগৈগী ওইবা ফিজোল রেন্বা জাতিগী শক্তাক ঙাক্লি। মখোয়বু জাতিগী নাৎ ঙাকলোয়নি হায়বা য়াই।

মনিপুরীশিংগী মরূ ওইবা অচাপোত চাকনি এঞ্জাংদি ঙানি। খুন্নাইগী ওইনা শা-চাবা অথিংবা লৈ। মনিপুরীশিং অসি বৈষ্ণৱ লাইনিং-লাইশোন লৌজরগসু মখোয়গী য়ুমলাইদি "লাইনিংথৌ সনামহী, ইমা লৈমরেন শিদবী নচিংবা লাই-লাইরেন্না-লাইরেন্বীবু খুরমনৈ।"

মনিপুরীশিং অসি মরূ ওইনা লৌমীনি। মখোয়গী খুন্নাই অমসুং নাৎশু লৌউ-শিংউগী মথক্তা তাংই। মনিপুরীশিংগী খুনুংগী ওইবা নাৎ "লাইহরাওবা" লৌউ-শিংঙউগী চৎনবীগা মরী লৈনৈ। লাই-হরাওবা গী ৱাহন্থোকতি শকউদ্রবা মহাকপু পেলহনবনি। লাইহরাওবা হায়বসি মনিপুরী সংস্□ৃতিগী মিংশেলনি। মনিপুরীশিংনা উমংলাইগী লাইবুংদা চহী খুদিংগী হরাওই। লাইহরাওবগী মরু ওইবা থৌরমদি মাইবা অমসুং মাইবীনা পাংথোকই। লাইহরাওবা জগোইদা পেনা শীজিন্নৈ। পেনা হায়বসি বীনা গুম্বা যন্□ অমনি। থাবল চোংবী, মাইবী জগোই (লাইহরাও জগোই) মনিপুরী লোক সংস্□ৃতিগী মমল য়াল্লবা লননি। জগোই অসিনা মনিপুরী জাতিগী শক্তাক অমসুং জাতি অসিগী পোংথকচনঙাইগী খুদম অদু পুদুনা লাকই। লাইহরাও থৌরম অসিগী মথক্তসু শজিবু চৈরাওবা থৌরম অসি শজিবু থাদা নুমিৎ মঙানিচূপ্না অনৌবা কুমবু হরাও নুঙাইনা ওকচবা ওইনা পাংথোকই।

শাগৈ-নাতৈ, লহোংখোংদোংবগী মরীদা য়েক নত্রগা শলাইগী থৌরাংনা মনিপুরীশিংনা ধর্মগী ওইবা চৎনা পথাপ অমসুং চৎলোনশিংনা মশাগী ওইবা খুন্নাইগী থৌরাংদা মশাগী ওইবা শক্তম ঙাকচবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙান্ন মীওই কাঙলূপশিংগা পুন্ন হিংমন্নরি।

মনিপুরীশিংগী অয়াম্ব মীওইনা আসাম শাগৈগী পুন্সি খুহিংগী অয়াম্ব তাংকক্তা পীখিবা খুদোল নিংশিং নিঙাইনি। মখাদা মীওইশিং অদুগী মরমদা তেন্তক্না পীজরি।

## নাওরিয়া ফুলো ঃ

অনৌবা মীতৈ লোয়নশিল্লোনগী লময়ান্বশিংগী মনুংদা নাওরিয়া ফুলো অমনি। ইংকুমজা ১৮৮৮গী

আগষ্টকী চৈচৎ ২৮ দা আসামগী হাইলাকান্দি জিলাগী রাজেশ্বরপুর মৌজাগী "লাইশ্রম খুন" কৌবা খুঙ্গংদা নাওরিয়া ফুলো পোকখি। নাওারম  চাওবা অমসুং থম্বৌ দেৱীগী ৫ শুবা মচানুপানি। পোকলাকপদা ফুন্দ্রে খেৎপগুম শকচু চংখোম্ব অঙাং অসি মপুবোক্ক ফুন্দ্রে হায়না মীংথোনখি। মহৈশঙগী ওঝানা থোৎনৌরবা লৈ অমগুম ফজৈ হায়দুনা অঙাং অসিগী মমিং "ফুলো" কৌই।

মখোয়গী অহল-অমনশিং নিংথৌ পাল্লিঙৈ মনিপুরগী প্রজানি। মখোয়গী কনাগুম্ব মপুধৌ অমা নিংথেধৌগী অঙম্বা ওইরম্মী। মতুংদা অৱা-লান-গায়বদা মপুধৌ হেরান্দ মশাগী লৈপাক থাদোক্কুনা লাঞ্জেনশিংগা লাক্কুনা মফম অসিদা তংতনা লৈবা হৌখি।

কুনশুবা চহি চাগী তরাগী হীং অহুম অসি (১৯২০-৩০) মনিপুরীগী অনৌবা লোয়ন-শিল্লোনগী নুমিৎথোরকপা মতমনি। হীং অসিদা নোংচুপকী মহৈনা হৈশিংলবা মমালোনবু নুংশিজবা খরনা সাহিত্যগী মায়কৈদা পুক্লিং চংখি। নাওরিয়া ফুলোনা ওঝা ওইদুনা লৈরিঙৈদগী অনুবাদ তৌদুনা সাহিত্য সেৱা তৌবা হৌখি। ইংকুমজা ১৯১৮ দগী ১৯১৯ ফাওবা হিন্দু উপন্যাসকী  উপাখ্যানগী ৱারী য়ুম্ফম ওইবা শুপ্নগী নাটক ৫খক ইখি। মদুশিংদি (১) ইনিংথৌ হরিচন্দ্র (২) সীতা বনবাস (৩) রামনা বনবাসতগী হল্লকপদা (৪) দুখন্ত শকুন্তলা (৫) শ্রৱন কুমারনি। মতুংদা — (১৯৩০ দগী ১৯৪০) চহী  ১১ গী মনুংদা শৈরেং অমসুং ৱারেং ১৯খক ইখি।

মহাক□ী ৱারেংশিংগী মৰূ ওইবা লাইরিকশিংদি — (১) মীতৈ হৌভম ৱারী (২) গৌড় ধর্ম্ম চঙকপা মতাং (৩) মীতৈ য়েলহৌ ময়েক (৪) অহন য়াথং (৫) হৌরকপা অমসুং হৌভম (৬) বামোনগী মতিক (৭) ঐগী ৱারেং নিচংবনি।

(১) য়ুমলাইরোন — ১৯৩০ (২) শিংথা চৈথারোন — ১৯৩০ (৩) সকোক থীরেন — ১৯৩১ (৪) চীংনু লাইরোন (৫)  তেংবানবা অমসুং লাইনিং লাইপাও — ১৯৩৩ অমসুং লাইনিংথৌ (৬) থাইন-নোংইন — ১৯৩৬ (৭) পামহৈবা — ১৯৪৭ (৮) অথোইবা শৈরেংনচিংবনি।

ইংকুমজা ১৯৩০ গী এপ্রিলগী চৈচৎ ১৩ দা নাওরিয়া ফুলোনা মহাক□ী ৱাঙুলোন য়াবা তুংইনলোয় ১২ খক্তনা "অপোকপা মরূপ" লিংখি। হায়রিবা মরূপ আসিগী  মতেংতনা মহাক□ী ৱাখল্লোন পাকশন্না শন্দোকপদা হেন্না খুমাংচাওখৎখি।  মতুংগী মতমদা মনিপুরদা অপোকপা মরূপ লিংখি। মীয়ামগী মীৎয়েংদা মহাকপু য়েনিংহুনঙম্বা মীশক হায়বদু ওইখি।

মহাক□ী শৈরেং লাইরিকশিং আধ্যাত্মিক□ী ওইবা  ৱাখল্লোন অমসুং অরিবা শক্তমগী শৈশক-শৈথা মীতৈ-লাইরেম্বা-লাইরেম্বী লাইনিং-লাইশোন মন□ ঈশৈনচিংবনা মপুং ওই হায়রিবশিং অসি সাহিত্যগী  মমল য়াল্লবা লননি।

মতীক ময়াইনা থল্লবা মীশক অসি মশাগী চহীনা ৪৩ খক্তা শুবদা ইংকুমজা ১৯৪১ গী জুনগী চৈচৎ ৩০ দা অরোইবা য়াহিপ তানখি।

**নৃত্য কে. যতীন্দ্র সিংহ ঃ-**

বিশ্ব ভারতী সান্তিনিকেতন সংগীত ভৱনগী প্রিন্সিপাল ফমদগী পোৎথরবা থোইদোক হেন্দোক্লবা নৃত্য

শিল্পী প্রোফেসর কে. যতীন্দ্র সিংহ ইং কুমজা ১৯৪৩গী এপ্রিলগী চৈচৎ ২২ দা আসামগী কাছাড় জিলা লক্ষীপুরদা পোকখি। গুরু কে. যতীন্দ্র সিংহ নট সংকীর্ত্তন গুরু কে. কামিনি সিংহ অমসুং শ্রীমতী পশোৎলৈমা দেৱীগী মতীক চাবা মচানুপানি। অঙাং ওইরিঙৈদগী মহাক য়াম্না ইংজ-তপচবা, হায়ন-তান্ন ইনবা লোয়ননা জগোইবু নুংশিজবা মীশকনি। শাগৈগী শক্তম পরিং কায়দনা ঙাকচদুনা অঙাং ওইরিঙৈদগী মপাবুং কামিনি সিংহদগী নট্ সংকীর্ত্তন অমসুং নৃত্য হায়বদি জগোই নচিংবা তমশিনখি। মতুংদা মনিপুর লৈপাক্□ী ফাওরবা নৃত্যগুরু লোকেশ্বর, গুরু অমুবী অমসুং গুরু অতোম্বদগী জগোইগী নৃত্যগী ট্রেইনিং লৌখি।

ইংকুমজা ১৯৬৫ দা স্কোলারশ্বিপ পংদুনা বিশ্ব ভারতী শান্তি নিকেতনদা নৃত্য তম্নবগীদমক লাকখি। মদুগী মতুংদা নৃত্যগী মহৈ তম্বা লোইশিন্দুনা মফম অদুদা নৃত্য অমসুং সংগীতকী প্রোফেসরগী ফমদা থবক ফংদুনা শান্তি নিকেতনদা লেংদনা লৈবা হৌখি। ওঝা ওইবগা লোয়ননা মহাক নৃত্যগী মায়কৈদসু নৃত্যগী সাধনা দা মপুক্লিং চংখি। মখল মখলগী নৃত্যবু তিনশিন পুনশিন্দুনা মহাক্ন য়াম্ন ফজবা মওংগী নৃত্য পুথোক্তুনা মহৈরোয় শিংদা তাকপীখি। রাষ্ট্র অমসুং আন্তরাষ্ট্রগী থাক্তা শিল্লাংখিবা জগোইগী বোর্কশ্বোপ কয়া, নৈন-হীরম অমসুং সন্মিলোনদা জগোইগী ডেমোনট্রেশ্বন অমসুং ৱাফোংদুনা অয়েংবশিংগী থম্মোয় হুবা ঙমখি। মহাক্□ী হোৎন মখাদা শান্তিনিকেতনগী অসিগুম্বা ৱোর্কশ্বোপ কয়া অমসুং নৈনা মীফম শিল্লাংদুনা মনিপুরী অমসুং রবীন্দ্র নৃত্যগী মশক ফজহনবা অরেপ্পা লৈতনা হোৎনখি। মহাক্□ী ঙাকশেন অমসুং পাওতাক মতুং ইন্না মহাক্□ী ছাত্র-ছাত্রী অমসুং বিশ্বভারতীগী সংগীত বিভাগকী শিল্পীগী লোয়ননা, খা আমেরিকা, চীন, জাপান মালয়সিয়া, শিংগাপুর, ফ্রান্স, রাশিয়া, ম্যানমার অমসুং বাংলাদেশ নচিংবা মালেমগী মফম-মফমদা মনিপুরী অমসুং রবীন্দ্র নৃত্য উৎতুনা দর্শক্□ী মায়কৈদগী য়াম্ন থৌগৎপা শৌগৎপগী প্রশংসা ফংখি। মহাক্□ী মখোংদা যাদু য়াওবগুম তৌখি। মহাক্না জগোই শাবা হৌবদা দর্শকশিংনা অহাংবা মফমদা নুশিৎকী ঈপোন খোংলৈ তুংইন্ন জগোই শাগুম মখোয়গী থম্মোয়দা ফাওখি। মহাক্না জগোই শারিঙৈ।মতমসি মকনাইচবা থৱায় পান্ব শিল্পী অমনি।

শিংথনঙাই ওইরবা শিল্পকার আসি মরেৱাক অমসুং মীরৈবাক্তগী ফংলকপা সন্মান অমসুং মায়পাক দগীসু মহাক্□ী মশীং থিঙমদ্রবা মহৈরোয় অমসুং মতীক ময়াই লৈরবা মীওইশিংগী মক্তরবা শ্রদ্ধা অমসুং নুংশি-চানববু মহাক্□ী শাংলবা ওঝা ওইবগী মায় পাকচপদুনি হায়না খনজৈ।

বিশ্ব ভারতী শান্তি নিকেতনদা ইহান-হান্ন ওঝা ওইরগা অমসুং খরনিগী মতুংদা প্রিন্সিপাল গুম্বা ফমদা অরূবা থৌদাং-লৌদুনা থবক পুরগা ইংকুমজা ২০১০ দা থবক্তগী পোৎথাখি। থবক্তগী পোৎথারবগী মতুংদসু সংগীত অমসুং নৃত্য-নাটক-নচিংবদা পুন্সিগী অরোইবা পুংজা ফাওবা থৌ পাংথোকখি। মহাক্□ী "ত্রিধার" অমসুং মীরজিঙ্গানসা কৌবা টৈলিফিল্মদসু মহাক শক্তম লাংখি। গুরু কে. যতীন্দ্র সিংহবু ইংকুমজা ২০০৬ মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ, আসামনা "নৃত্যগুরু" ইংকুমজা ২০১০ দা রাজকুমার বুদ্ধিমন্ত মেমোরিয়েল ডান্স একাডেমী ত্রিপুরানা রাজকুমার মেমোরিয়েল এৱার্ড, অমসুং ইংকুমজা ২০১২ দা মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফলনা "নৃত্যরত্ন" মীংথোন্ন ইকায় খুন্নখি।

মনিপুরী মীওই কাঙলুপকী মায়কৈদা মতীক ময়াই তাংনা লৈরবা থোইদোক হেন্দোক্ন ইকায়খুন্নরবা

নৃত্যগুরু যতীন্দ্র সিংহ চৎখিবা ইংকুমজা ২০১৮ গী এপ্রিলগী চৈচৎ ২দা নিংথোকাবা নুমিৎকী নুমিদাং শান্তি নিকেতনগী অবল পল্লীগী মশাগী শঙ্গাইদা থৰায় থাকি।

**সমাজসেৰীকা সরস্বতী সিংহ ঃ—**

আসাম আন্দোলনগী লুচিংবী, সমাজ সেৰিকা, স্বরস্বতী সিংহা ইং কুমজা ১৯৫৮গী সেপ্তেম্বরগী চৈচৎ ৮ দা হোজাই জিলাগী লংকাগী মনুংচন্না লৈবা আমপুখুরী খুনগী লৌমী অমগী ইমুংদা পোকখি। মপাবুংগী মিং ৰাহেংবম জয় চন্দ্র সিংহ অমসুং পলেম মমাগী মিংনা ৰাহেংবম ফজবী দেবীনি।

আমপুখুরী লৰার প্রাইমেরী স্□ুলদগী মহৈ তম্বগী পুন্সি হৌখি। কাশীপুর এম. ভি.স্□ুলদগী বৃত্তি ফংদুনা মায়পাক্লগা লংকা রাষ্ট্রভাষা হাইস্□ুলদগী ইংকুমজা ১৯৭৬ দা হাইস্□ুলগী অরোইবা চাংয়েংদা মায়পাকখি। নগাওঁ গার্লচ কোলেজদগী ইংকুমজা ১৯৮১ দা বি. এ. পাশ তৌই। চহী খরনিগী মতুংদা ইংকুমজা ১৯৯৩ দা নগাওঁ ল-কোলেজদগী আইনগী স্নাতক ডিগ্রী ফংখি।

ইংকুমজা ১৯৮২ দা আসাম সরকারগী সমাজ কল্যান বিভাগতা অঙ্গৰাডীগী কর্মী অমা ওইনা থবক□ী পুন্সি হৌখি। মদুগী খরনি মতুংদা আমপুখুরী এল. পি. স্□ুলদা ওঝা ওইনা চংখি। ইংকুমজা ১৮৮৫ গী সেপ্তেম্বরগী চৈচৎ ১৪ দা ওঝাগী থবক্তগীসু তোকখি।

ইংকুমজা ২০০৫ দা স্বরস্বতী সিংহগী হোৎনা মখাদা মনিপুরী লোন লোয়নশিল্লোন চাউখৎনবগীদমক হোজাইদা পান মনিপুরী লিটারেরী ফরাম (নিখিল মনিপুরী সাহিত্য মঞ্চ) লিংখি। ফরাম অসিগী মমিংদা মহাক্ল মশাগী শেন কাইথোক্তুনা মফম অদুগী শানৌ রাজকুমার কৌবা কবি অমগী নোংপোক থোঙ হাঙলে, হায়বা কবিতা লাইরিক অমা খোমজিন্দুনা স্বরস্বতী প্রকাশনগী মখাদা ফোংখি। মনিপুরী লোন-লোয়ন-শিল্লোন চাওখৎনবগীদমক পুন্সি চুপ্পা মহাক্লা মশাগী অপান্বা থিদনা থৌগল তৌখি।

আইনগী স্নাতক স্বরস্বতী সিংহানা ইংকুমজা ১৯৯৬ দা হোজাই শঙ্করদেৰ নগরগী কৌর্টতা নুপী এডভোকেট অমা ওইনা থবক তৌবা হৌখি। মহাক□ী ৰঙাং হৈবা, পাইরকলৌশিং অমসুং হোৎনা কন্বগী মতীক তনা অরিকপা মতমগী মনুংদা আইনগী থবক তৌবী পুন্সি খুহিং অমা ওইনা মশাবু লোনচবা ঙমজখি। পনবায়াবদী মহাক অসি ব্রহ্মপুত্র তম্পাক□ী মনিপুরীগী অহান্বা নুপী এডভোকেটনি।

মহাক্ল থম্মোয় নুংদগী ফাওজখি মদুদি — নুপী খুন্নাইগী ৰাখল য়েনিংহ হনবা য়ান্না মথৌনি। মরম অদুনা হোজাই, লংকা, নগাওঁগী মনুংচন্বা নুপীশিংগী চাওখৎনবগীদমক নুপীগী লূপ লিংখৎতুনা মহাক মশানা মদু লুচিংবীখি। মদুগী মনুংদা পুন্নমক্তগী হেন্না মরূ ওইনা পনবা য়াবা লুপতি মৈরা পাইবী লূপনি। ইংকুমজা ১৯৭০ অদুৰাইদা থংননা লৈবা মনিপুরদা অল মনিপুর উইমেন সোসিয়েল রিফোরমেসন এণ্ড ডেভেলোপমেণ্ট সমাজ কৌবা নুপী লূপ অমা শেমখি। খুন্নাইগী অমম্বগী পাংকক ওইরবা অমোৎপবু অহোংবা পুরক্লগা অইংবগী মৈরাতনা খুন্নায়র ঙালহনসি হায়না খনজখি। হায়রিবা নুপী লূপ অসিনা খুন্নাই লৈরিবা অমোৎপগী মায়োক্তা লেপখি। অহান্বদা খুন্নাইদা ময়াই কাবা শীজিন্নবা অমসুং জুৰাবু মরূ ফুকনা মাংহনবগী মায়োক্তা অকন্বা থৌদাং পায়খৎখি। মহাক্ল হোজাই-লংকাগী নুপী খুন্নাইদা অনৌবা ৰাখল্লোনতনা মীকপ থোকহন্দুনা ইহৌ অমা

পুরকপা ঙমজখি। মহাক্□ী পুন্সি চুপ্না কৎথোক্লবা সমাজ সেৱাগী খুদোল ওইনা মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ আসামনা ইং কুমজা ২০১২ দা "সমাজসেৱিকা" মিংথোন পীদুনা অমসুং য়নানা মাননা, ইকায় খুম্নখি।

ইংকুমজা ২০১২গী ডিসেম্বরগী চৈচৎ ৫ দা তাইবং থাদোকখি।

## নোংথোম্বম বিদ্যাপতি সিংহ ঃ

মনিপুরগী পানদা লৈবা মনিপুরীশিংগী অহান্বা এম. এল. এ. বিদ্যাপতি সিংহ অয়াম্ব হীরমদা মতীক মগুন লৈবা মীওই অমনি। মহাক ইংকুমজা ১৯১২ গী নবেম্বরগী চৈচৎ ২৪ দা হৌজিক্□ী হাইলাকান্দি জিলাগী লালা শহরদা পোকখি। মহাক্□ীমপাবুং নোংগাখ্রবা ললিত সিংহ মাইবা অমসুং জ্যোতিষী অমা ওইরম্মী। লৈখিদ্রবা মমা মাইচোন দেৱী আসামদা লৈবা মনিপুরীশিংগী অহান্ব ডিপুটি ইন্সপেক্টর হিজম রমন সিংহগী মচেনি। মহাক্ন ইংকুমজা ১৯৩১ দা কলিকতা ইউনিভারসিটিগী মখাদা অহানব থাক্ত মেট্রিক পাশ তৌদুনা মতুংদা শিলেট মুরারীচান্দ কোলেজদগী ইণ্টামিডিয়েট পাশ তৌখি। পল্লিবা কোলেজ অসিদগী ইংকুমজা ১৯৩৫ দা ঢাকা ইউনিভার সিটিগী মখাদা পুৱারীদা অনার্স লৌদুনা বি. এ. পাশ তৌখি।

নোংথোম্বম বিদ্যাপতি সিংহ ইং কুমজা ১৯৩৬ দা কাছাড় জিলাগী সোনাই এম. ই. স্□ুলদা ইংরাজীগী ওজা ওইনা থবক তৌবা হৌখি। মতম অদুদা সোনাইগী লমদমদা এম. ই. পাশ তৌরবা মতুংদা হাইস্□ুল তম্ফগী খুদোং চাবা লৈরমদে। মরম অদুনা মহাক্□ী হোৎনমন ওইনা এম, জি স্□ুলদা হাইস্□ুল লিংখৎতুনা হাইস্□ুল তম্ফগী অৱাৎপা অদু কোকহনখি।

নোংথোম্বম বিদ্যাপতি সিংহ য়াম্না চন্না পুন্সি হিংজখি। নুমিৎ খুদিংগী ফৈজোম পুময়াৎ শেৎতুনা মহাক ফিদম্নঙাই ওইরবা মীওইনি। লাইরিক্□ী মায়কৈদা নত্তনা নাটক্নচিংবা সংস্□ৃতিগী মায়কৈদসু মাংজিনথারম্মী।

মহাক্□ী মীফম মপুগী মখাদা ১৯৩৯ দা কাছাড় মনিপুরী যুব সংঘ কৌবা লূপ অমা লিংখৎখি। লূপ অসিগী মতেংনা জাতিগী নহারোলশিংবু মীকপ থোকহনখি।

ইংকুমজা ১৯৩৫গী ভারত লৈঙাক আইনগী মখাদা ইংকুমজা ১৯৪৬ দা পাংথোকখিবা আসাম বিধান সভাগী ইলেকশোন্দা মহাক্ন সাউথ হাইলকান্দিদগী মীখল খনখি। মহাক ইং কুমজা ১৯৫১ ফাওবা এম. এল. এ. ওইরম্মী। এম. এল. এ. ওইদুনা লৈরিঙৈদা মমালোন মনিপুরীলোনগী পাম্বৈনা মহৈ মসিন তম্বগী খুদোং চাবা ফংননবা ৱাফৎ কয়ামরোম থাংগৎখি। মদুগী মহৈ ওইনা মতুংদা আসাম সরকারনা মনিপুর লোনবু মহৈ তম্বগী পাম্বৈ ওইনা শক্তাকখি।

ভারত নীংতম্নবগী মতুংদা ইং কুমজা ১৯৮৪ দা নোংপোক পাকিস্তানদা খুন্দারিবা মনিপুরীশিংবু ওৎ-নৈবগী পাও তাদুনা মহাক্ন কাছাড়গী মনিপুরী লুচিংবা অহুম অমসুং ছাত্র-ছাত্রী চাম্ম থাদুনা মতম অদুদা মফমদুদা লৈরিবা মনিপুরী মীচমশিংবু তংমসুং তঙননা লৈমিনরিবা প্রজাশিংগী মরক্তা নুংশি চাননা লৈমিন্নবা অফবা পাওতাক কয়া পীখি।

মশাগী জাতি অমসুং মীয়ামগীদমক মশাগী কাননবা লৈতনা থৌ পাংথোক্কুনা য়াম্ন নহা ওইনা চহী ৪২ তা

শুবদা ইংকমুজা ১৯৫৪ গী সেপ্তেম্বরগী চৈচৎ ১৪দা সোনাই শহরদা নোংথোম্বম বিদ্যাপতি নোংগাখি।

**বাহং পরেং ঃ**

১। করম্বা মতমদগী মনিপুরীশিংনা আসামদা লেংদনা খুন্দাবা লাকখি।

২। ভারত সংবিধানগী নিপানশুবা সিড্যুলদা মনিপুরী লোন করম্বা চহাচাদা চনশিনখি।

৩। মনিপুরী মৈতৈ/মৈতৈশিংগী খুন্নাইদা লৈবায়েক শলায় তরেৎকী মমিংদা করি করিনো।

৪। মনিপুরী মীতৈ/মৈতৈশিংনা মশাগী ময়ুমদা নিংজবা লাইরেম্বা লাইরেম্বী মমিং করি করিনো।

৫। লাই হরাওবা করিনো ? লাই হরাওবা কুম্মৈ দা শিজন্নবা যন্□দুগী মমিং ইয়ু।

৬। মনিপুরী মীতৈ/মৈতৈশিংগী জগোই খরগী মমিং য়ু।

৭। শন্না ইয়ু।

ক) নাওরিয়া ফুলো (খ) নৃত্য গুরু কে. যতীন্দ্র সিংহ

গ) সমাজ সেবিকা সরস্বতী সিংহ ঘ) নোংথোম্বম বিদ্যাপতি সিংহ।

*********

# রাভা শাগৈ

অসমগী য়েলহৌমী ফুরূপকী মনুংদা রাভা শাগৈসু অমনি। অসম, মেঘালয় অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী মফম কয়াদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈ। হায়নবা লৈ মদুদি রাভা শাগৈসে রাসিয়াগী সাইবেরিয়াসে মখোয়গী হৌরকফমনি। অদুবু পণ্ডিতশিংগী মরক্তা মত খেন্নবনা চপচাবা য়ুম্ফম অমদা লেপ্পা ঙমদে। অসিমদি শেংলে মদুদি ঙসিগী মতমদা মখোয়গী লৈফম, মীশিং, শক্তাক নোংমা নোংমগী মকা লামলক্লি। Languagetics Survey of India না ইং, ১৯৩০ দা ফোঙখিবা (মেপ) লাইয়েকতা হাপলকপা মতুং ইন্না গারো পাহার জিলাগী ‘ফুলবারীদগী খা-কামপুরূপকী রাণা ফাওবা, গারো পাহার অমদি খাচিয়া পাহার জিলা অনীসিগী অৰাং ঙমখৈগী মফম খরা কোল্লগা রাভা শাগৈনা খুন্দান্দুনা লৈরি হায়বসে তাকই। অসিগীসু মথক্তা নেপাল, ভুটান, বাংলাদেশ অমসুং মেঘালয় চিংবা ভারতকী অতৈ অতোপ্পা রাজ্যশিং লোয়ননা কোকরাঝার, বঙাইগাওঁ, চিরাং, বাকসা,  ওদালগুরি, কামরূপ, শোণিতপুর, গোলাঘাট, নগাওঁ, ধেমাজী, ডিব্রুগড়, শিৱসাগরনা চিংবা জিলা কয়াদা য়ুমলিংদুনা লৈরি।

শক্তাক ঃ- মশাগী ওইবা পোৎশক, মওং অমদি ৱারী শিংবুন, লাইগী ৱারী, থাজ-নিংজবা মচাক কয়ানা মপুং ফানা লৈজবা তোপ-তোপ্পা হিংজবা শোখ শাগৈনি। ভারতকী সংবিধানদা রাভাসে শোখরবা চীংবুরোয় কাংলুপকী মনুংদা চনখি। মঙ্গোলীয় কাংলুপকী মনুং চন্বা রাভা শাগৈসে কাংলুপ মচা মচা কয়া থোক্লা খায়দোকই। মখোয় অদুদি রংদানী, পাতী, দাহরী, মায়তরী, কোচ, বিতলিয়া, হানা, মদাহী, অসিনচিংবা। খায়দোকলগা মীংথোল থোনখিবগী ৱারী ৱাখোং লৈ।

লোন ঃ- রাভাগী মশাগী ওইবা লোন লৈজে। অংকগী নিউমিরেল মশিং লৈজে। ৱাপুরোনগী চৎন্নবী ঙাক্লা ৱাহৈ শক্তম, শব্দরূপ, ধাতুরূপ ঙাক্ল চৎলি। অসিগীসু মথক্তা ৱাহৈ কয়া পুনশিনলগা শিজিন্নবা ৱাহৈ, প্রমাণ-পন্থৈ কয়ানা ৱাখলগী ইহুল ফোংদোকই। য়েংশিনবিবা অমদি নৈন্নবিদবনা চপ চানা লৈজরম্বা লোনসি মূৎকে তৌরুবনি অদুবু হৌজিক হিংগনবগী খোংজং কন্না চংশিলদুনা হিংগৎলকপগী মমি অমদি উরে। খুদম ওইনা রাভা লোনগী লোনগৈ অনীশুবা পুথোরক্লে। নিখিল রাভা সাহিত্য সভাগীসু লোনসিগী লোনগৈ লাইরিক অমা পুথোক্লবা হোৎন্নরি। রাভা, ইংরাজী অমসুং অসমীয়া লোনদা ‘ছামলাফছিনি রাওছামি’ কৌবা মপুং লৈঙাককী ওইনা শিজিন্নবা ৱাহৈ লাইরিক ফোংখ্রে। নিখিল রাভা সাহিত্য সভাগী মখাদা ‘ফামানছিনি’ অহান্বা থাকতগী পৌরমৌতকা পছিনি’ বি.এ. ফাওবগী অমদি রাভা ডিপ্লমা কোর্সকী চাংয়েং থাননবা মশাগী ওইবা তম্ন লাইরিক পুথোকতুনা পরীক্ষা পাংথোকলে।

<u>রাভালোন চাওখৎলকপগী অহান্বা মতম ঃ</u>

লোন অসিনা মপুং ফানা চাওখৎলম্বা মতম'দু 'চাম্পায় অমসুং চাম্পয়গী মমাং মতমবু হায়গনি। 'চাম্পায়' মেগাজিনসিগী মতেংনা রাভালোন হিংগৎখিবনি। মসিগী চহী কয়া তুংদা ইং ২০০৫ দা রাভা লোনদা ফোংবা চয়োলগী ওইবা পাউচে 'চিঙি খুরাঙ' ফোংলকখি অদুবু মতম শাংনা হিংবা ঙমখিদে।

খুনায় ঃ- অহান্বদা রাভা খুনায়সে নুপীনা লিংবা (মেট্রিলিনিয়েল) মপুং ওইবা খুনায় ওইরম্মী। তপ্না তপ্না নুপানা নিংবা খুনায়দা ওন্থোরকখি। অধুবু 'নোকধাংকায়' হায়বদি য়াওং ইন্দুনা লৈবা লুহোং পথাপসি নুপীনা লিংবা খুনায়নি হায়না লৌবা য়াই। মচাশিং মমাগী (গোত্রদা) য়েকতা তিল্লী। মপাগী য়েক 'পাম' ওইরগা মমাগীনা 'রংখ' ওইরবদি মমা মাইকৈগী য়েক লৌদুনা মচা'দু রংখ ওইগনি। মমাগী মাইকৈদগী লাকপা মচাশিংগী য়েক অদু 'মাহারী' হায়না খংনৈ। মাহারীগী মতুং ইন্না লন থুমগী হক চপচানা ফংগনি। অদুবু য়েক অদুগী মনুংদা চাওরকপা মচা নুপাশিংদি লনথুমগী দাবী লৈতে। মাইকৈ অসোমদগী য়েংলুরগদি রাভা শাগৈসে নুপীনা পান্বা খুনায়নি। খুনায়দা নুপীগী থাক ৰাংনা লৈত্রগসু নুপীবুদি য়াম্না ইকায়খুম্নে।

নাৎ অমসুং চৎনবী ঃ- শাগৈসি মশাগী ওইবা চীনবুং ঈশৈ (লোকগীত) দা ইনাকখুল্লি। চীনবুং ৰারী, থাজ-নিংজবা অমদি নাৎ-চৎনবী কয়ামসু লৈজে। য়েলহৌঙদগী চৎলকপা রাভাগী মখল মখাগী মনাত্তা মতমগী ওইবা মচু তাদনা তোক্তে। খুনায়দা চৎলিবা ইরাৎ থৌনি থৌরম, হরাও কুমৈদা শকপা ঈশৈ কয়াগী সুর, তাল, লয় অমদি শিজিন্নরিবা (বাদ্য যন্ত্র) খুৎলাই অমদি ফিজেৎ লৈত্রেং মওং তানা চৎন্নরকই। হরাও নুঙাইগী জগোয় খুথেকতগী হৌরগা ইঙ্খোল শেংবা, লৌউবা, লুহোংবা অমদি (শ্রাদ্ধ) উত্রং হোংবগী থৌরমদা ঈশৈ-জগোয় কোননা লাকই। হায়রিবা জগোয় ঈশৈদা অৰাবা, হরাওবা, নুংশিবা কায়নবা মখল কয়া য়াওরি।

মমাংচৎত্তগী চৎন্নরকপা শাগৈসিগী নাৎকী ওইবা খুদমদি 'মানচালেংকা' হায়বদি ঙারাকপী উচেক হায়বনি। ঙারাকপীগী মওংদা 'করুৰা' অমদি 'বাতিকটিকা' কৌবা উচেক অনী পূন্না উপাক্লা শারগা খিনফম অমদা খিল্লি। জগোয়গী তাল মতুং ইন্না নুপানা জগোয় শাই লোয়ননা রাভা শাগৈগী হৌখ্রবা অকন অথৌশিংগী থাং, চুঙ্গৈাই পায়দুনা জগোয় শাদুনা চৎলি।

অরিবা ৰারী অমসুং থাজনবা মতুং ইন্না শাগৈসিগী লোকনাৎ, চৎনবী, অচা অথক্কী পোৎলম পূম্বা তাইবংবু শেম্বীরিবা 'রিসি' দগী ফংজবনি হায়না লৌই।

অকন অথৌশিং ঃ 'বাহারী-স্তান-ই-ঘায়েরী' পূৰারী মতুং ইন্না চহীচা তরা তরেৎকী কুনশুবদা 'সান্তোর' লৈবাক্কী নিংথৌ রাজাবীর পরশুরাম রাভা ওইরম্মী। পানখিবা নিংথৌশিংগী মনুংদা খুমন পাঙ্গনবা দাদান অমদি মারুক্ষেত্রীগী মমিং ফংই। মখোয়গী মশিং থিঙমদনা ৰারী লৈরিবনি। মাফরী চীং, রংজুলি, কল্যাণপুরদা ঙসিসু

মতমদুগী নীংশিং খুমদ লৈরি।

হরাও কুমৈ অমসুং ইরাৎ থৌরম ঃ- পুৰারীগী মতুং ইন্না রাজাবীর দাদাননা 'বায়খো' ইরাৎপা হৌখি। মতুংদা তপ্না তপ্না শন্দোকখি। শাগৈসিগী মরু ওইনা নীংজরিবা 'রিসি' হায়বদি মহাদেববুনি। অরিবা ৰারীগী মতুং ইন্না বায়-খোকচি কৌবা মচিন-মনাও অনীদগী বায়খো দেবী অমদি খোকছি দেবী শায়োনখি। মখোয়বু থায়নদগী ইরাৎ থৌনিরকই। অসিগীসু মথক্তা 'লাঙা' নচিংবা লাই কয়াসু ইরাৎনরকই। জড় উপাসক শাগৈনিনা নুং, উপাল, ৰাপল ইরাৎপদা ওক, য়েন অমদি খুনু লাইদা কৎলি।

চৎন্নবী ঃ য়েলহৌঙদগী খুনায়সে অপূন্বা লংবা অমনা পুন্দুনা লাকই। শান্দাম্বা, ঙা ফাবা, থৌরমদা নুপা নুপী পুন্না শরুক য়ামিন্নরকই। লুহোংবা, উক্রোং হোংবা (শ্রাদ্ধকর্ম) গী ইরাৎ থৌরম কয়া পূন্না শরুক য়ামিন্নরমই। লানফম কয়াদসু নুপা নুপী পুন্না শরুক য়ামিন্নরকই। লৌউবগী লমদসু পুন্না শরুক য়ারকই। লান পামজবা শাগৈ ওইবনা মখোয়বু ক্ষত্রিয় হায়নসু কৌনৈ।

ৰারোয়শিন ঃ রাভাগী লৈরিবা শাগৈ কয়াগী মনুংদা রংদানী, মায়তরী, অমসুং কোচ হায়রিবা শাগৈ কাংলূপ অসি নত্তনা অতৈদি রাভালোন খংদ্রে। মখোয়শিং অদুদি পাতি, দাহরী, বিটলীয়া হানানি। হৌজিক্তি মখোয়সু মমারোল রাভাসে ঙাংবা ঙমলকলে। লোন, ফিজেৎ-চাকচা চৎনবী পূন্নমক অমত্তা ওইরক্লে।

কলাগুরু বিষ্ণুপ্রসাদ রাভা ঃ

বিশ্বরে ছন্দে ছন্দে
মহানন্দে
আনন্দে
নাচা
নাচা তমোহর দেউ
নাচা ............

কবি, সাহিত্যিক, নাট্যকার, মংগীতগু, নৃত্যবিদ, অভিনেতা বিষ্ণু প্রসাদ রাভা ইং ১৯০৯ গী জানুৱারী ৩১ দা ঢাকা সহরগী লাম্মী কেম্পতা পোকই। সর্দার বাহাদুর গোপাল চন্দ্র রাভা অমসুং গেথিবালা রাভাগী মচানুপা বিষ্ণু প্রসাদপু 'কলাগুরু' হায়না খংনখি। ঢাকাগী ইংরাজী স্কুলদা মহৈ তম্বা হৌখি। মথংদা বাংলা স্কুলদা মমীং চন্দুনা মহৈ তম্বা হৌরমলগা তেজপুরদা লাকখিবদগী অসমীয়া স্কুলদা মখা তমথখি।

ইং ১৯২৬ দা তেজপুর হাইস্কুলদগী জিলাসিগী মনুংদা মকোক ওইনা মেট্রিক পাস তৌখি। 'কুইন এমপ্রেস' মনা ফংখি। হাইস্কুল তমলিঙৈদগী অফবা শান্নরোয় অমা ওইরকখি। ফুটবল, ক্রিকেট, হকীনা চিংবা

মশানাসিগীসু মথক্তা ঈশৈ শকই, জগোয় শাই, লীলা য়াওই অমসুং লাই য়েকপসু হে। মহাপুরুষ শংকরদেবগী মফমদসু ঙাওজরম্মী।

ইং ১৯২৬ দা কলকতাগী সেন্টপল কলেজতা সাইন্স ষ্ট্রিমদা মীং চনখি। চহী অদুদা কলেজ অদুগী ক্রিকেটকী কেপ্টেইন ওইনা খনখি। সেন্টপল কলেজদগী আই.এস.সিদা অহান্বা ডিভিজনদা পাস তৌখি। ইং ১৯৩০ দা বি. এস.সি. এন্ট্রেন্সতা কলেজ অদুগী মনুংদা মকোক ওইদুনা রিপন কলেজতা ফিজিকসতা ওনার্স লৌদুনা তমখি। ভারত নিংতম ঈহৌনা মতম'দু কলকতা তংদু লৈতাদনা কুম নোমলম্মী। মরৈবাক নুংশিজবা বিষ্ণু রাভাসু ইহৌদা য়াওরি হায়না মাগী মথক্তা লৈঙাক্কী ফত্তবা মীৎয়েং তাখি।

হে শিংবা রাভানা রিপন কলেজ থাদোকলগা কোচ বিহারগী ভিক্টোরিয়া কলেজতা মমিং চনখি। চহী ২১ দা শুরিবা বিষ্ণু প্রসাদনা নিংতম লানদা য়াওদুনা বৃটিস লৈঙাক্কী মায়োক্তা শৈরেং অমা ইদুনা মফম মফমদা থেৎলম্মী - 'রাজ্যে আছে দুইটি পাঠা

একটি কালো একটি সাদা

রাজ্যের যদি মঙ্গল চাওঁ

দুইটি পাঠাই বলি দাওঁ।

অসুন্না নিংতম লান ইহৌদা পুন্সিগী অহান্বা ওইনা শরুক য়াখি। বৃটিস লৈঙাক্কী ফত্তবা মীৎয়েং তাখিবনা ভিক্তোরিয়া কলেজতা মখা তমথবা য়াদনা তোকখি। হন্না মাইকেল কলেজতা তন্নবা চাংয়েং (এনট্রান্স) লৌবদা খ্বাইদগী হেন্ন নম্বর ৰাংনা ফংনবসু পুন্সিগী ওৎ নৈবনা মহে তম্বা তোকপা তাখি। ইং ১৯৩১ দা ছাত্রগী পুন্সি লোয়শিনখি।

কলকাতাদ লৈরিঙৈ আৰাহন, বাঁহী মেগাজিনদা ইবা হৌরকপনা সাহিত্যবু পামজবশিংনা নৌনা শকখং মায়খংনরকখি। ঈশৈবু পামজবনা রাশিয়াগী দ্রামা কুম্বী আনা পাভলভারগী জগোয় উরম্মী অমসুং মহাক্কা খংনখি। মহাক্কী মফমদগী শিল্পী অমা ওইনা ফংবান থোকপা হৈনিংবগী ঈথিল ফংহৌই। অসমগী ইনাৎকী তাইবংদা শক্লাইরবা কলাকার জ্যোতি প্রসাদ আগরৰালানা থেংনরুবদগী হেন্না থৰায় য়াওখি। অৰা অনংকী কয়াগী মরক্তা বিষ্ণু রাভানা কীর্ত্তন, নামঘরগী মরমদা জ্ঞান ফংখি। অসুন্না জগোয় ঈশৈ অমদি ইনাৎকী থৌরমদা লুপতুনা লৈরিঙৈ ইং ১৯৩৭ দা শৈশকপী প্রীয়সতা দত্তগা লুহোংখি। লাইবকথিবদি শুপ্লতগী নুমিৎ কুনমরী লৈমিনরমলগা মাগী নুপী তাইবং থাদোকখি। নুপী লৈখিদবগী মৈচাক্লা বিষ্ণু রাভানা ঈশৈসি ইখি -

‘পরজনমর শুভ লগনত
যদিহে আমার হয় দেখা
পুরাবনে প্রিয়ে এই জনমত
মোর হিয়ার অপূর্ণে আশা

কাশী হিন্দু বিশ্ববিদ্যালয়গী আমন্ত্রণ মতুং ইন্না ইং ১৯৩৯ দা বিষ্ণু রাভানা জগোয় ঈশৈ উৎখি। মহাদেৱগী তাণ্ডৱ জগোয়দা পেন্দুনা ড° সর্ব্বপল্লী রাধাকৃষ্ণণনা হন্না হন্না থাগৎলকখি। বিষ্ণুৰাভাবু লৈবাক্কী মায়োক্তা লেপ্পা লৈঙাকপু য়াদবনি হয়াদুনা ইং ১৯৬২ দা ফারগা জেলদা থমখি। মতম অদুদা মাগী অনীশুবী তালোয় কনকলতা মেধিনা মুনমুন (পৃথ্বিরাজ) অমদি থুন থুন (হেমরাজ) কৌবা মপারী অনী হুন্দোকলমলগা তাইবং, থাদোকখি। ময়ুম লৈজদবা বিষ্ণু প্রসাদনা ‘সোনপাহী’, ‘মিচিং কর্ণেং’, ‘অসমীয়া কৃষ্টির চমু আভাষ’ অমসুং ‘অতিত অসম’ তনা চিংবা মমল তারবা লাইরিক কয়া ইদুনা থম্বীরম্মী।

রাজনীতিগী লমদা বিষ্ণু দেৱনা ইং ১৯৬৭ দা তেজপুর কেন্দ্রদগী বিধান সভাগী মীহুৎ ওইনা কাখি। পুন্সিগী লেমহৌরিবা মতমসে লেনমিননবা মোহীনি রাভাগা অমুক য়ুম্বানখি। লায়রা অনং, থৌশাবিদ্রবা মীয়ামগীদমক লান্থেংনদুনা লাকখিবা কবি, শিল্পী, অবিা, গীতিকার, সুরকার, চিত্রকার বিষ্ণু প্রসাদকী অৱা-অমংনা তকখায়বিরবা পুন্সি রক্তা মশিং থিঙমদনা ঈশৈ অমদি জগোয়গা লোয়ননা ইহৌপীবা ঙম্বা খুৎইনা মতম পূম্বদা হিংদুনা লৈহৌরগনি। ইং ১৯৬৯ গী জুনগী ২০ দা বিষ্ণুৰাভা তাইবং থাদোকখি।

ৰাজেন রাভা ঃ-

শক্লাইরবা ওঝা, সাহিত্যিক অমসুং পুন্সি চুপ্পা থিজিন হুমজিনবদা মপুন্সি কথোকলবা রাজেন রাভানি। ‘লোনগৈনা ঐগী গুরুনি’ হায়জবা রাজেন রাভানা ‘রাভাগী ৰারী’, শোথরবা রাভা শাগৈ’ নচিংবা লাইরিক মশিং নিফুদগী তাদনা অসমীয়া লোন্দা ইদু থম্বীরম্মী। ইং ১৯২০ গী সেপ্তেম্বর ১৮ দা দুধনৈদা পোকখি। এম. ই স্কুল তমলিঙৈদগী থাদা লুপা ৫ তৌনা মারোৱারী দুকান অমদা থবক তৌরম্মী। মশাগী হোৎন্নজনননা ইং ১৯৫৫ দা মেট্রিক অমদি আই. এ মতুংদা ইং ১৯৭১ দা অসমীয়াদা এম. এ. পাস তৌরগা ‘সমাজ সংস্কৃতি’গী হিরমদা তমথরম্মী। খুনায়গী মীওইববু নুংশিজরম্বা রাজেনগী পুন্সিনা অসিগুম্বা পুন্সি থাউমৈ অমা চুখৎলম্মী মদু মশাগী হোৎনজমনগী মহয়নি। ইং ১৯৪৯ দা যোরহাট নর্মাল স্কুলদা থাদা লুপা কুন বৃত্তি ফংদুনা মহৈ তম্বগী খুদোংচাবা ফংখি। গোৱালপারা স্কুল বোর্দনা জয়রাম কুছি তম্বগী খুদোংচাবা ফংখি। গোৱালপার স্কুল অদুদা লৈরিঙৈ থা ৩/৩ গী চেফোং ‘উদয়ন’ ফোংখি। ‘করিম কিম্বা মরিম’ হায়বা নিংতম ইহৌগী লূপ অমদা মীং চনখি। অসম রাইফলসদা থবক চংননবসু হোৎনরম্মী। ইং ১৯৩৮ দা যোরহাট কোকিল মুখতা থৈবা

'অসম বঙ্গীয় সারস্বত আশ্রম'গী ঋষি বিদ্যালয়গী ওঝা অমগী মখাদা সংস্কৃত অমসুং বাংলালোন তমখি। ইং ১৯৪৮ দা কোকরাঝার গুরু ট্রেইনিং কেন্দ্রদগী ডিষ্টিংসন লৌদুনা পাস তৌখি। ইং ১৯৫২ দা যোরহাট নর্মাল স্কুলদগী চহী অহুমগী পরীক্ষাদা হিরম মঙাদা লেটর লৌদুনা অনীশুবা ওইনা পাস তৌখি। তিতাবর বেসিক ট্রেইনিং কলেজদগী ট্রেইনিং হৌখি, ইং ১৯৫৭ দা ৱার্ধা রাষ্ট্রভাষা প্রচার সমিতিদগী হিন্দ বিশারদ লোয়ননা প্রোভিজনেল পি. এইচ ডি. লৌখি। ইং ১৯৭২ দা ড° মহেশ্বর নেওগকী মখাদা - The Rabhas : Their Language and Culture হেসিসতা পি. এইচ. ডি (ফাইনেল) ইং ১৯৭৭ দা অমুক শেমদোকলগা The Rabhas : Their Socity and culture with special reference to non sanskritized groups হায়বা থেসিস লাইরিকসে মরম কয়াদগী য়ুনিভারসিটিদা পীশিনবা ঙমহৌদ্রবসু রাভা শাগৈগী মথক্তা ইবা অইবসে মমল নাইদ্রবা লাইরিক অমা ওইদুনা লৈরে। মহাক আসাম সাহিত্য সভাগী বঙাইগাওঁ মীফলেনগী ভি.পি. অমসুং দুধনৈ মীফমলেনগী সভাপতিবু ওইরি। মঙোন্দা অসম সরকারনা সাহিত্যিক পেন্সন পীবগা লোয়ননা ইং ১৯৪৬ দা রাষ্টীগী ওইবা ওঝাগী মনা পীখি।

**প্রসন্ন পাম ঃ-** রাভা শাগৈগী নাৎকী শক্তাকপা প্রসন্ন পাম। ইং ১৯৩২ দা গোৱালপারাগী বালিজান চকগী লাতাপারা খুঙ্গংদা পোকই। কমল কুমার অমসুং দাখেল বালা রাভা অপোকপা অপোকপীনি। পূব গারো পাহারগী মাণিগঞ্জ এল.পি. স্কুলদগী মহৈ তম্বা হৌখি। মথংদা আগিয়া এম. ভি স্কুলদগী এম.ভি পাস তৌখি।

অঙাং ওইরিঙৈদগী শাগৈগী নাৎ চৎনবীবু য়োকখৎনবা হোৎনরকখি। রেডিওগী আর্টিষ্ট অমা ওইনা ঈশৈ কয়া লেংদুনা সুর পানখি। মহাক্কী ঈশৈ ঙসিসু পাম্লনা তানরি। 'দদানবীর, লিলাগী মতেংনা ময়াম্না পাম্নবা প্রসন্ন পামগী মারু ক্ষেত্রী, নোটভ্য। সৃষ্টি বিধান, ময়রা শক্তি, লাঙা-মুক্তি, কামগিরী শক্তি, পির্দান সংসার, মায়াহাসং লেখা তেৱা জম তংসনচিংবনি ফোংহৌদবা লাইরিক কয়া থমলম্মী।

**ড° বীরু বালা রাভা ঃ**

ডাইনী হায়বদি হিংচাবী চংবা নত্রগা লাই ফাওবা তোংবা হায়না অমম্বা থাজবগী লাংদা তাদুনা খুনায় অমবু মীহাৎ মীপুন থোকহলদুনা চরাংনরবা ফিভমদগী কন্নবা হোৎনখিবী লুচিংবী ড° বীরুবালা রাভানি। মশাগী অৱাবা কয়া মায়োক্নরগা মীগী অৱাবদা মশাগীনি খন্না চৎচবা বীরুবালা ঙসিগী চাওখৎলবা খুনায়দা হিংচাবী চংবনি হায়দুনা মীহাৎ মীপুন কৌদুনা মীওইবগী মীনুংশি খোংগাওনরিবা অমদি ৱাখল নৈতবা থৌওংশিংগী মায়োক্তা চোংথোরক্তুনা অমম্বা থাজববু মাংহলনবা হোৎন্নবিখিবী লুচিংবিনী।

গোৱালপারা জিলাগী ঠাকুরবিলা কৌবা খুঙ্গং অমদা কালিয়ারাম রাভা অমসুং সাগর বালা রাভাগী মচানিঙোল ওইনা ইং ১৯৪৯ দা তাইবং ফাওখি। অহুমশুবা থাক ফাওবতা মহৈ তমহৌরিবী বীরুবালা মশাগী

চহী ১৫ দা য়ুম পানখি। হিংননবগী ফিশা লোনশাগী শিনদা খোংদারম্মী। লোয়না খুনায়দা চৎলিবা ফৎত্রবা হিংচাবী চংবগী (ডাইনী) মীহাৎ মীপুনগী মায়োক্তা চোকথবা লৈতনা থিংননবা থৌদাং য়াখি। মহাক্কী তৌবিমলগী দমক মখাগী মনা অমদি শকখংবিদুনা ইকায়খুন্নবদু মখাদা পঞ্জরি -

ইং ২০০৫ ঃ নোবেল পিস প্রাইজকী দমক মীং থাংগৎলকপা

ইং ২০০৫ ঃ Real Hero হায়না IBN 18 Network and Reliance Group না শকখংবিখি।

ইং ২০১১ ঃ সমাজপ্রাণ সর্বেশ্বর দত্ত মেমোরিয়েল মনা 'সমাজপ্রাণ'

ইং ২০১১ ঃ উর্মিলা দাস মেমোরিয়েল মনা।

ইং ২০১২ ঃ ডিব্রুগড় মহিলা ক্লাবকী 'জয়মতী বটাঁ'।

ইং ২০১৩ ঃ ইংখং ৱেলফেয়ার সোসাইতি কোকরাঝার জিলানা পীবা 'মেন অৱ দি ইয়ার' বটা

ইং ২০১৪ ঃ শিৱসাগর সোনারী টাই আহোম যুব পরিষদনা 'বীরাংগনা মূলা গাভরু' বটা।

ইং ২০১৫ ঃ গুৱাহাটী বিশ্ববিদ্যালয়না ডক্ট রেট ডিগ্রী পীবীদুনা ইকায়খুন্নখি।

হৌজিকসু 'Mission Birubala' মীংথোলদা হীংচাবীনি হায়না হাৎপগী অমম্বা থাজবগী মায়োক্তা লেপ্প লৈতনা থবক চৎখরি।

ৱাহং ঃ

১/ রাভাগী হৌরকফম মফম কদায়দনো?

২/ খুনায়রোলগী মীয়েংদা রাভা করম্বা কাংলূপতগী খায়দোরকপনো?

৩/ রাভাগী নাৎ অমদি চৎনবীগী খুদম করিনো?

৪/ রাভা শাগৈনা মরু ওইনা নিংজরিবা অমদি ইরাৎচরিবা মপু অদু কনানো?

৫/ শাগৈ অসিগী মরু ওইবা ইরাৎ থৌনিবগী থৌরম'দু করিনো?

৬/ শমলপ্পা ইয়ু -

(ক) বিষ্ণু প্রসাদ রাভা (খ) রাজেন রাভা

(গ) প্রসন্ন পাম (ঘ) বীরু বালা রাভা

*************

# সোনোৱাল কছারী

মথায় থায়নদা সোনোৱাল কসারী কাংলূপসি মংগোলীয় ওইনা অসমদা লাকখিবনি। অহান্বদা থৰায় পান্দবশিং (জড়ো) পাশক) নিংবা ওইরম্বদগী কিরাত লাইনীং লিচৎ লৌদুনা লৌউবা য়াবা মফম অমদি চথোক চশিন খুদোংচাবা য়েংদুনা তুরেল মপান নত্রগা চীংয়া তময়া য়েংদুনা খুন্দারম্মী। তুরেল মপান্দা খুন্দাই হায়বদি কক্ষ্যাতে - কচ্ছাত - কচ্ছর ৰাহৈদা অরি তপ্পগা UA অরি কসারী নত্রগা কমারী মীংথোল ওইখি হায়না অখং-অহৈশিংনা মত পী। ড° সুনীতি কুমার চ্যাটার্জীগী মত মতুং ইন্না কসারীনা অহান্বদা 'কুশি' তুরেলগী মপানদা খুন্দারম্মী হায়দুনা 'কুশীমারা' অদুগা লমদম অদুবুনা 'কুশারীয়া'দগী কুশীয়ার - কুশার-কসার - কসারী হায়না ওনখি। হায়রিবা ফুরূপশিনা তুরেল মপান্দা খুন্দাদুনা লৈরুবনা তুরেলগী মমিং মমাংদা দি নত্রগা টি ৰাহৈ নপ্পুনা মমিং থোলম্মী। খুদম ওইনা দিহিং, দিচাং, চিখৌ, দৈয়াং, ডিব্রু, দিগারু, দিসৈ, ডাঙরী, দিরাক, দিক্রং, দিখায়ী, দিখৌ, দিল্লীহর পন্বা য়াই।

**সোনোৱাল ঃ**

ডিমাচা লোনদা সোনোৱাল ৰাহৈগী ৰাহন্থোক্তি অরংবা অমসুং ৰাত্তা পাদবা হায়বনি। নেপালগী নোংপোক্তা কিরাত হায়না শক্তাক্লা লৈরিবা 'সুনুৱার' কাংলূপকী মীওই মরক্তা সুনুৱার ৰাহৈসি ফংঙি। সোনোৱাল ৰাহৈসি সুনুৱার ৰাহৈদগী লাকপনি। আদিম ফানা ইরম্বা 'মহান জাতির ইতিহাস'তা চুকাফানা সৌমার লৈবাক্তা লাক্লিঁঙৈ চহী-চা কয়া মমাংদগী সোনোৱাল শাগৈনা সনা পুথোকপগী থবক তৌরম্মী। মতম অদুদা সোনোৱাল ৰাহৈগী মহুত্তা সুনুৱাল হায়রম্মী। উপেন্দ্র চন্দ্র গুহদেবগী 'কাসারের ইতিবৃত্ত'দা সুনাচিরি হৌজিক্লা সোৱনশিরি তুরেল মপান্দা খুন্দাবা মীওই কাংলূপ অদু সুনুৱালনি হায়রম্মী। মহাক্লা মসিমসু পলম্মী মদুদি ব্রহ্মপুত্রগী অৱাং থংবা মাইকৈগী লমদমবু হাবুং কৌরম্মী। কমারী কৌখি। মতুং তারকপদা সুনুৱালদগী সোনোৱাল কসারী

হায়না খংনরকখি। হৌজিক্কী খুনায়দা লৈঙাক্কী মওং ঃ শ্রীমন্ত শংকরদেবগী শিংথাদুনা লোইরারোয়দবা খুদোলদি মচোয় তারবা খুঙ্গ কয়াবু অপূন্বা যুম্ফম অমদা শাগৎলকখিবা 'নামঘর'নি। খুঙ্গং অমবু মওং তান্ন শেমগৎনবগী 'বারীক, পাঠেক, আর্শীবদীয়া, গীতঘাই, মেধি, তামুলী, রান্ধনি (চকবোংবা)না চিংবা ফম কয়া শেমলম্মী। খুঙ্গংগী হরাও কুম্মৈ, থৌরম-থৌদা, পোকপা-শিবনা চিংবা পাংথোকপা মথক্তা পনখ্রিবা ফন্নাইবশিংনা মশাগী থৌগাই ফজনা পাংথোকই। নামঘরদা মীয়ামগী ওইবা থৌরম অমসুং মকল কয়াগী চৈরাপ কমলম্মী। মরাল লৈরবদি ময়ামগী ওইবা শেনদুদা ৱাকোং শেল লৌরগা শেলুংবনা থম্মী।

**লাইনিং ঃ**

খৃঃ ৮৩০দগী শাক্ত লাইনিং চৎলকই। অদুবু আহোম নিংথৌ গদাপানীগী মফমদা লংজরুবনা ১৬৮১দা শ্রী শ্রী কেশৱ দেৱ গোস্বামী দেৱনা শদিয়াগী সোনোৱালশিংবু কুংনা তারিবা লমদম অদুদা 'আঠু কড়া চাপরি' হৌজিক্না কুণ্ডিল অমসুং ব্রহ্মপুত্র হৌরক মফম কয়াদা লোৎনা লৈরিঙৈ আহোম নিংথৌনা য়াম্না শিংনা সোনোৱাল কসারী কাংলূপ্পু লাইমিং পীদুনা লাইনিং লিচৎ অনীথোক্না খায়দোকখি। 'সত্র' পুরিবা অঙম্বগী মফমদা লাইমিং লৌবশিংবু হিন্দুরীরা অদুগা লৌদবাশিংবুনা বেহারী হায়না খংনখি। মতম অদুদগী সোনোৱালগী মরক্তা 'গোসাঁই নাম' হায়বদি গোসাই মীংলেন ঈশৈ চৎন্নবা হৌখি। সত্রা ধিকারনা লাইমিং লৌরিবসু মখোয় লাইনিং অনীথোক্না অদুম চৎলি। লাইমিং লৌরগা তুংদা নামঘর'গী চৎন্নবী হৌখি।

**খুনায়গী মওং ঃ**

অহান্বা শক্তাকতি 'সচঁ' হায়বদি ইমুং মনুংগী ওইবা, শাগৈগী ওইবা অমসুং শিংলূপকী ওইবা শলাইদো তাকই। মখোয়গী মরক্তা সচঁ হায়বদি শলাই ১৩৫লৈ। শলাই মরী নত্রগা মরীদগী হেল্লবদি শাগৈ অমা ওই। সোনোৱাল কসারীগী শাগৈ ২৫লৈ। শাগৈ তরামরি খল্লগা নিংথৌ মানিকনা হালালী লৈবাক পালম্মী। লূহোংবদা শাগৈ শলাই য়েংনরম্মী। শাগৈ শলাই মান্নবশিংবু মচিন মনাওনি লৌনৈ।

**য়ুমশারোল ঃ**

'হায়দাং' ঈশৈগী মতুং ইন্না নোংপোক্তা কৈ (ফৌথন্নবা) নোংচুপতা ওককোন, অৱাংদা চাখুম নোংচুপতা শঙ্গেন।' য়ুমজাওদি নোংপাক ওল্লি' মীথুং শঙনা অৱাং-খা শান্নে। অৱাং শরুক্তা চাকশং থম্নে।

**চীনবুং সাহিত্য ঃ**

মীওইবনা শেম্বা সাহিত্যবু চীনবুং সাহিত্যনি। চীন অমদগী চীন অমদা নাকোং অমদি নাকোং অমদা পথাং পুথাং নাইনা চথরক্লিবা ফুঙ্গা-ৱারী, পাউরৌ পাউখোং-নাউশুম ঈশৈনা চিংবা অতে অতৈবু লোকসাহিত কৌই। সোনোৱাল কসারীগী লোকসাহিত্যগী মনুংদা অরিবা লাইশোন ঈশৈ, পদ, মালিতা, ৱারী, পাউরৌ পাউতাক্লচিংবসে (চহা সাহিত্য) ইদবা সাহিত্যনি। হায়দাং, গীত, হুঁচরি গীত, বহুৱা জগোয় ঈশৈ, আই নাম, ধআইনাম, লখিমী নাম, অপেশ্বরী নাম, গোঁসাই নাম, ফুল-কোৱঁর-মণিকোৱরগী ঈশৈ, জনা গাভরুরগীগীত ঈশৈ, ফৌ মরা মরা থাবা/ফৌ লোকপগী ঈশৈ, বিহু ঈশৈ, তরাচীয়া ঈশৈনা মপুংনি। চীনদগী মথং মথং চীন অমদা লাকখিবা সাহিত্য মচাকশিংসি হৌজিক্তি অইবা ওইনা ফোংদোকলে।

**লাইনিং লিচৎকী ওইবা ঈরাৎ থৌরম ঃ**

সোনোৱাল কসারীদা অনী থোক্লা লাইনিং লম্বী চৎলি। শাক্ত লাইনিং অমসুং বৈষ্ণৱ লাইনিং। রামায়ণ মহাভারতকী মতমদগী 'কিরাত' নত্রগা 'পুরাতন' লাইনিং লৌরকই। ১৬৮১ দগী বৈষ্ণৱ লাইনিং চৎলবসু লাইগী ঈরাৎ থৌরমদদি মহৌশাগী চৎন্নবীদো থাদোকপা ঙমদে। মহৌশা চৎন্নবীগা মরি লৈবা ঈরাৎ থৌরমগী মনুংদা 'বাইথ' পূজা, গজাই পূজা, গাতিগিরি পূজা, সরগদেউ পূজা, জলমাই পূজা, ক্ষত্রীয় শালর পূজা, বুঢ়া-বুঢ়ী শাল পূজা, বলিয়া বাবা পূজা, কেচাঁই খাতী পূজা, কলি আই সবাহ, বাট-ভেটা সবাহ, খিন জঙা পূজা, গো-কালিকা পূজা, কুলাচামন পূজা, বরচামন পূজা, লখিমী তোলা সবাহ, ভুর উটুওৱা সবাহ, বালি সবাহ, চেঙেলী মাছর সবাহ, নরা-ছিগা ভোজ, গরখীয়া সবাহ, বারী চুক সকাল অতৈ অতৈ। অসিগীসু মথক্তা লখিমী সবাহ, আই সকাম, ৱারী চকুর সকাম, ন-পরুষীয়া সকাম, চাউখ খুওৱা সকাম, লৈথিদ্রবশিদা পিশুপিবা, আয়ুস তোলা, আই সবাহ, অপেশ্বরী সবাহ পম্বা য়াই। জগোয়দা বহুৱা নৃত্য, হগ্রা নৃত্য, লেছেরী, কুলা বুঢ়ী নাচ-হায়দাং নৃত্য সোনোৱালশিংগী য়াম্না মরী লৈনবা জগোয় মখলনি।

**সোনোৱাললনা হৌজিক খুন্দারিবা মফমশিং ঃ**

মহৌশাগী ফিভম অমদি কাংলূপ কয়াগা লাম্থোংনবদগী সোনোৱাল কসারীগী শরুক খরা শদীয়াদগী হৌরগা লখিমপুর, ধেমাজী, তিনিচুকীয়া, ডিব্রুগড়, শিৱসাগর, যোরহাট, গোলাঘাটনা চিংবা জিলা কয়াদা শন্দোক্লা খুন্দাদুনা লৈরি।

**শ্রী প্রমোদ সোনোৱালগী পুন্সি ৱারী ঃ**

অফবা মীৎয়েং অমদি শেমগৎ-শাগৎনিংবগী ৱাখলোনবু মাংদা থমলগা শাগৈসিবু লমজিংবিরম্বা অইবা, অচংবা থৌমী অমদি মগুণ কয়ানা লৈত্রেংলবা মীথোই মীহেন ওইরম্বা স্রী প্রমোদ সোনোৱালনি। অপোকপগী মীং নিত্যানন্দ সোনোৱাল অমসুং অপোকপীগী মীংনা রানেশ্বরী সোনোৱাল কৌই। মচা য়াইমা ওইরিবা প্রমোদ ১৯৩৬ দা ডাঙরীগী বরপথার খুঙ্গংদা পোকই। ১৯৪৪দা বরপথার এল.পি.স্কুলদা মহৈ তম্বা হৌখি। ১৯৫৯ ফাওবা ডাঙরী হাইস্কুলদা তমথখি। ডিব্রুগড়গী পোষ্ট-ওফিসতা থবক তৌবা হৌখি। খুদোং চাদবদগী থবক থাদোকলগা য়ুমদা হল্লকখি। ১৯৫৯ দা মশাগী খুঙ্গংদুদগী বুধেশ্বরী সোনোৱালগা য়ুম্বান লম্বীদা কুমখি। ১৯৬১দা বরালি এল.পি. স্কুলগী ওঝা ওইখি। ১৯৮৬দা মাগী লোয়নবী কায়নখি। ১৯৯৯দা ওঝা মকোক ওইনা থবক্তগী পোথাখি।

থবক তৌরিঙৈ খুনায়গী লূপ কয়াগা শন্নদুনা পুন্না থৌদাং য়ারকখি।

শিংথানিঙাইগী থবক-থৌরম খরা ঃ

১। মাংখ্রবা সোনোৱাল কসারীগী ৱারী শিংবুন থিদুনা শন্দোক্লবগী শেমখিবা লূপ অদুগী মরু ওইবা পাউজেলোয়নি (মূখ্য অহ্বায়ক)।

২। ১৯৬১ দা ‘ভুঁৱলী শাল’ লূপ অদুগী অচেংবা থৌমী ওইরম্মী।

৩। ১৯৭৮ দগী ২০১৬ ফাওবা ‘খ্রীংখ্রীং বাইথ’ লাইশঙগী মজিন্দারগী ফম পূরম্মী।

৪। ইং ২০০১ দা ডিব্রুগড়দা পাংথোকখিবা ৬৬ শুবা অসম সাহিত্য সভাগী মীওই ৬৪ না ফিরাল চিংখৎপদা য়াওখি।

৫। ‘অসম জাতীয় মহাসংঘ, ট্রাইবেল সংঘ, গণ সংগ্রাম পরিষদ, যুবক সংঘনা চিংবা লূপ কয়াগা মরী লৈনরম্মী।

৬। মনাৎকী ওইবা, পূৱারীগী ওইবা লাইরিক কয়াগা লোয়ননা নৈন্নরোলগী ৱারেং ইরম্মী।

৭। শ্রী প্রমোদ ‘বাইথ’ নাৎকী শন্দোক্লবা মাইচৌনি। সোনোৱালশিংগী ‘বাইথ’ ইরাৎ থৌনিবা অমসুং মসিগী চৎন্নবীসে শন্দোকলমদ্রবদি মতমগী ঈরোলনুংদা মাংলমগদবনি।

৮। সোনোৱাল কসারীগী পুন্সি অমসুং নাৎকী মরমদা মমী কুম্মৈগী ৱারী ইরম্মী।

৯। সোনোৱাল কসারীগী এটোনোমাল দেভেলোপমেন্ট কাউন্সিলনা পুথোকপা হায়দাং দে সিদিদা হায়দাং ঈশৈ মশানা শকখি।

১০। ইং ১৯৭৮ দা প্রদানমন্ত্রী মোরারজী দেশাইগী মমাংদা ঈশৈ শকখি।

১১। ইং ১৯৯০ দা গুৱাহাটীগী রবীন্দ্র ভৱনদা হায়দাং ঈশৈ শকখি।

১২। ডিব্রুগড় রিডিও দা হায়দাং ঈশৈ হাপখি।

১৩। কাক পথার ইডুকেশন ব্লোককী মখাদা একাডেমী গ্রুপকী থৌদাং লৌরম্মী।

১৪। মেগেলা হাইস্কুলগী মনেজিং কমিটিগী প্রেসিডেন্ট ওইরম্মী।

১৫। মেগেলা জাতীয় বিদ্যালয়গী সভাপতি ফম পূরম্মী।

১৬। 'মেগেলা আঞ্চলিক গাওঁ সমিতিগী সম্পাদক ওইরম্মী।

১৭। ইং ২০০১ দা বড়ো অমসুং চাওতাল ফুরূপকী মরক্তা থোকখিবা ফুরূপ হাৎন শিন্নবা থৌদোক অদু নেমথবুনা তংদু লৈতানবা তিনিচুকীয়া জিলাদগী চৎখিবা 'গুদ উইল মিচম'গী মীহুৎ ওইখি।

১৮। ইং ২০১১-১২ গী অহান্বা 'গগন সোনোৱাল মনা' লুপা লাখ অনীগা লোয়ননা সাইটেসন, চেলেং ফিদুপনা ইকায় খুম্নখি।

**মহাক্কী ফোংখিবা লাইরিকশিং ঃ**

১। ইং ২০১০ গী মার্চ ১৯ দা 'গুটি দিয়েক চিন্তার টৌ ফোংখি।

২। ইং ২০১১ গী মার্চ ১৮ দা 'বাইথ' সংস্কৃতির হায়দাং দে আরু হুঁচরি গীত।

৩। ইং ২০১৫ গী মার্চ ৩ দা 'খ্রীং খ্রীং বাইথ' (ইরাৎ থৌনিগী) পূজার ইতিহাস রেঙনী' ফোংখি।

৪। ইং ২০১৭ গী মার্চ ৬ দা 'খ্রীং খ্রীং বাইথ' সংস্কৃতির পুরাতনীয় তথ্য সম্ভার' ফোংখি।

৫। ইং ২০১৭ গী মার্চ ২০ দা 'স্বরগদেউ পূজা' ফোংখি।

**গগণ চন্দ্র সোনোৱাল ঃ**

সাহিত্য সংস্কৃতিগী লমদা খংনিং তমনিংদুনা লাকখিবা গগণ চন্দ্র সোনোৱাল চিনিচুকীয়া জিলাগী বরহাপজান মনাক্কী শুকানগুরি চাহ বাগানদা ইং ১৯২৬ কী ডিসেম্বর ২৪ দা পোকই। পম্বৌগী মীংনা তিলক সোনোৱাল অমসুং পলেমগী মীংনা অদিতি সোনোৱাল কৌই।

মাকুম এল.পি. স্কুলদগী মহৈ তম্বা হৌখি। ডাঙরী এম. ই. স্কুল অমসুং ডাঙরী হাইস্কুলদগী মেট্রিক

পাস তৌখি। ডিব্রুগড় হনুমান বকস কানৈ কলেজদগী প্রী দিগ্রী (আর্টস) পাস তৌখি। মখা তমথবা ঙমখিদে।

তিনিচুকীয়াগী কাক পথারদা ইং ১৯৪৭ দা লিংখৎখিবা এম.ই. স্কুলদা ওঝা ওইনা থবক হৌখি। ইং ১৯৮৮ দা স্কুল অদুগী থবক পোথাখি।

মশাগী মখোংদা লেপচরগা হিংবা ঙম্নবা লৌউ-শিংউগী লমদসু পুক্নিং চংলম্মী। ডাঙরী এম.ই. স্কুলদা তমলিঙৈ সাহিত্যগী লমদা খোংদাবা হৌখি। স্কুলগী মেগাজিনদা খুৎই ওইনা ইং ১৯৪২ দা 'মানৱ সভ্যতা আরু ক্রম বিকাশ' ৱারেং অমা মশাগী চহী ১১ দা ইদুনা ফোংখি। গুৱাহাটীদগী ফোংবা 'অরুণ লেখক সংঘ'গী অহান্বা চেফোং 'তরুণ জাগরণ'গী সোনোৱাল কসারীগী 'হায়দাং গীত' ফোংখি। ইং ১৯৭৮ দা অসম সাহিত্য সভানা মহাক্না ইবা ৱারী কুন মাথোই য়াওবা 'সোনোৱালর সাধু' ফেআংখি। মহাক্না সাহিত্যগী পূকৈদা খুদোল তমখিবা লাইরিকশিং -

১। 'সোনোৱাল কসারী সকলর ঐতিহ্য ২। "অসমর সংস্কৃতিত সোনোৱাল সকলর অবদান' মরু ওইবা ৱারেং কুনমরী ৩। "লোক সাহিত্য সংগ্রহ যেনে-গীত-মাত, হায়দাং, হুঁচরি, আইনাম, অপেশ্বরা নাম, লখিমী নাম" অতৈ অতৈ। ৪। অতোপ্পা খুৎইদা মমল নাইরবা ৱারেং তরাহুমদোই ৫। ৱাফোং (ভাষণ) দা অপূন্বা ৱাফোং তরামাপন ৬। মখল মথেল শৈরেং তরুক। খুদোলশিংসিনা মহাক্কী শিংথানিঙাই ওইদুনা লৈরি। সংস্কৃতিগী লমদা মাগী গুরু বিষ্ণু প্রসাদ রাভাগা লোয়নরগা সোনোৱাল কাসারীগী থাদোকপা য়াদ্রবা পুৱারী গুন্বা 'হুঁচরি গীতপু ছৈখোৱাগী বিছনি খুঙঅগংদগী ইং ১৯৪২ দা খোমজিনদুনা পুরকখি।

মহাক্না কাক পথার সাহিত্য সভাগী লিংখৎখি। ডিব্রুগড় জিলাগী সভাপতি অমসুং তিনিচুকীয়া জিলাগী অহান্বা সাহিত্য স্ভাগী সভাপতি ওইখি। সভাগী মীফমলেন কয়াদা শরুক য়াদুনা অসমীয়া লোনগী সাহিত্যবু নিংজবা অমা ওইবনা অসম লৈঙাক্না সাহিত্যিক পেঞ্চন পীখি। গগণ চন্দ্র সদৌ অসম জন সংস্কৃতি পরিষদকী অহান্বা ৱার্কীং প্রেসিদেন্ট মথংদা প্রেসিডেন্ট ওইখি। মশাগী হোৎন্নজমন, থাগৎলগা চাউজদবা, ইং তপচবা, মশাগী থৌগাই লেপতনা পাংথোকপা গগণ সোনোৱাল লৈখোমদা শাৎপা থম্বালগী পাংখক্লি। ইং ২০০৯ গী ওক্টোবর ২৭ দা কখোক হৈবা সোনোৱাল তাইবং থাদোকখি। মহাক্কী খুদোল কয়ানা মতম পূম্বদা নীংশিংনরগনি।

**পরশুৰাম সোনোৱাল ঃ**

ইং ১৯০৪ গী মে ২৫ দা নগাঘুলি চাহ বাগানদা পরশুরাম সোনোৱাল পোকখি। অপোকপগী মীং পঞ্চানন সোনোৱাল অমসুং অপোকপীগীনা গুটিমালা সোনোৱাল কৌই। গ্রেহেম বজার এল.পি. স্কুলদগী

মহে তম্বা হৌখি। মথংদা তমখি। স্কুলসিদগী ইং ১৯২৪ দা মেট্রিকতা অহান্বা ডিভিজনদা পাস তৌখি। কটন কলেজদগী অহান্বা ডিভিজনদা আই.এ. পাস তৌরগা তুংদা কলকতাগী প্রেসিডেন্সি কলেজদগী ইং ১৯২৮ দা ই পূৰারী (History ) দা ওনার্সকা লোয়ননা ফার্ষ্টক্লাস ফংদুনা মায় পাকখি। য়ুনিভারসিটিসিদা ইং ১৯৩০ দা পূন্না এম. এ. অমসুং এল.বি. (এল. এল.বি) দা মীং চনখি। ইং ১৯৩২ দা পুৰারী (History) দা ফার্ষ্ট ক্লাস সেকণ্ড অমসুং এল.বি.দা য়ুনিভারসিটী গী মনুংদা অনীশুবা ওইনা মায় পাকখি।

পরশুরাম সোনোৱাল লাইরিক লাইশুদতাস নত্তনা শান্ন-খোৎনবা ঈশৈ শকপা, অইবা অমদি খুৎকী শিনসু হৈরন্মী। মাগী খুৎই মতমতদুগী Inustrated weekly of India দা ফোংখি। লাইগী স্কেচ মশানা য়েকই। অসমদা হকী, ফুটবল, টেনিস মীয়াম্না শকখংদ্রিঙৈ-প্রেসিডেন্সি কলেজকী ফুটবল, হকী, টেনিস শান্নবদা মফম অমা কনখি। মদুগী মহয় ওইনা য়ুনিভারসিটি ওফ কলকতাগী হকী তিমগী কেপটেইন ওইদুনা টুর্নামেন্ট কয়াদা মশাগী হৈশিংবা উৎখি। হায়রিবা শান্নবা মখল কয়াসে মহাক্না অসামদা হৌদোকখি। ইং ১৯৩৪ গী এপ্রিলগী ১৪ দা মশাগী শিনফম পায়খি। থাচৎ অসিমক্তদা ‘ডিব্রুগড় উকীল সন্থা’গী ৩৫ শুবা মীশক অমা ওইনা মমিং চনখি। মহাক অহান্বা অসমীয়াগী এম.এ.এল. বি.নি। অদুগা অসম বঙালী শাগৈগী ওইনা হরিশচন্দ্র বাগসীনি।

থবক তৌনা তৌনা সমাজকী থবক থৌরম কয়াদা শরুক য়ারকখি। ইংরাজনা অসমদা পাল্লিঙৈ, হিংবগী মোর্দান মওংদু মহাক্না শৌগৎলন্মী। মীয়াম্না ডিব্রুগড়দা কলেজ অমা লিংনবা হোৎন্নরকখিবা খোংজং অদুদা মহাক্না শৌগৎতুনা চহী অমা শেনফম অমত্তা লৌদুনা ‘হিষ্টরি দিপার্টমেন্ট পূরন্মী।

খুনায়গী পুন্সিগা নকশিননবা লাকলবা পরশুরাম সোনোৱালনা ডিব্রুগড় লোকেল বোর্ডকী একতিব মেম্বর, অসম মেডিকেল স্কুল বোর্দকী মীহুৎ, জিলা টাইবেল লীগকী প্রেসিডেন্ট অমসুং উকীল সন্থা’গী সম্পাদক অনীরক ওইনা থবক পুদুনা মীয়ামগী মীৎয়েং চিংশিনবা ঙমখি। নিংতম্বা ফংলবগী মতুং, শোথ্থরবা শাগৈচা কয়াগী খুনায়বু “মহে তমহলনবা, শেন্মিৎলোন ফগৎনবা অমদি নাৎ চৎনবী ঙাকতুনা চখৎপা ঙম্মনবা ‘সদৌ অসম ট্রাইবেল লীগ’ লিংখৎতুনা লুপসিগীদমক অঙম্বা শিন্থা পাংথোকলন্মী। ইং ১৯৬০ গী ওক্টোবর ১ দা মচানুপা অহুম নিঙোল মঙা অমদি মাগী লোয়নবীবু থাদোকলমলগা তাইবং থাদোকখি।

**যোগেশ দাস ঃ**

মীয়াম্না শকখংলবা সাহিত্যিক, যোগেশ দাস ইং ১৯২৭ দা ডুমডুমাগী হাঁহচরাদা তাইবং ফাওখি।

অপোকপগী মীং সূর্যকান্ত অমসুং অপোকপীগীনা চিন্তামণি দাস কৌই। চাহ বাগানগী পুক্লিং হুরবা মহৌশা ফজবা শক্তমরক্তা চাওরকখিবা যোগেশ দাস বাগানগী এল.পি. স্কুলদগী মহৈ তম্বা হৌখি। ডুমডুমা এম.ভি. স্কুলদগী ফজনা পাস তৌরকলগা ডিব্রুগড় জর্জ-ইনষ্টিটিউশ্বন হৌজিক্লা বাগ্মীবর নীলমণি ফুকন হায়র সেকণ্ডরীদা মশা তমথখি। ইং ১৯৪৫ দা মেট্রিক পাস তৌরগা ইং ১৯৪৯ দা কটন কলেজদগী বি.এ. পাস তৌখি। ইং ১৯৫৩ দা গুৱাহাটী বিশ্ববিদ্যালয়দগী এম. এ. লোয়শিনখি। ছাত্র ওইরিঙৈদগী ৰারী মচা কয়া ইদুনা লাকখি। তুংগী পুন্সিদা শরুাইরবা ৰারী মচা ইবা অইবা অমনি হায়না শিংথানরকখি। ইং ১৯৫৩ দা মহাক্কী উপন্যাস 'সহাঁরি পাই' ফোংখি।

**শিনফম ঃ**

ডুমডুমা হাইস্কুলদা ওঝাগী শিনফমদা চংখি। ইং ১৯৫৩ দগী ১৯৮৮ ফাওবা গুৱাহাটী বি. বরুৱা কলেজতা ওঝা ওইরম্মী। অসমীয়াগী ওঝা মকোক ওইনা কলেজ অসিদগী থবক পোথাখি। লৌশিং মৈরা থিজবনা মহাক্কী পুন্সিগী মরু ওইবা পান্দম ওইখি।

ওঝাগী শিনফমসে থম্মোয়না পামজবা অশেংবা শিনফমনি হায়না লৌজে অদুম ওইনমক মমালোন অসমীয়া সাহিত্যবু মালেমগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনজবনা মাগী তৌজমলগী অশেংবা খুদোলনি। লৌশিং তামশিনজবা, ওঝা ওইবা, সাহিত্য সেবানা চিংবা হিরম কয়াসিদা অকন্বা থৌদাং য়ারম্মী। মশাগী থৌগাই মশকখংনা চৎতুনা সংবাদিককী লমদা থম্মোয়শেংনা লৈবাক্কী, খুনায়গী, মীয়ামগী সেবাদা কখোকলম্মী। নতুন অসমীয়া পাউচেগী উপ সম্পাদক, 'দৈনিক অসম'গী মথং সম্পাদক, 'প্রহরি' অমসুং 'অধিনায়ক'কী সম্পাদনাগী থবক্তা শরুক য়ারমখি। অসম সাহিত্য সভাগী 'সভা-পত্রিকা'গী সম্পাদক ওইরম্মী।

**সাহিত্যদা খুদোল ঃ**

ইকা.খুম্নরবা, মীনুংশিগী মমল লেপ্পা ঙমলিবা মায়পাকলবা সাহিত্যিকনি। থম্মোয় চমজবা, শেংজবা, মীনুংশি চেনবা মাগী ৰারী, উপন্যাস অমদি ৰারেংদা মমি তাই। মহাক্লা ফোংখিবা ৰারী মচাশিং - পপীয়া তরা (১৯৫৬), ডাৱরর আঁরে আরেঁ (১৯৫৮), ত্রিবেণী (১৯৬১), মদারর বেদনা (১৯৬৩), হাজার লোকর ভীর (১৯৬৫) নি। উপন্যাসতা সঁহারি পাই (১৯৫৩) ডাৱর আরুনাই (১৯৫৫) জোনাকীর জুই (১৯৫৬) উৎকন্ঠ উৎকণ্ঠ (১৯৬০) ছাঁ জুই খেদি (১৯৬১) নিরুপায় (১৯৬৩), এমুঠি ধুলি (১৯৬৫), হেজার ফুল (১৯৬৭),

অবৈধ (১৯৫২) জুইর ধোঁৱা (১৯৭২), নরেশ, মালতি অমসুং (১৯৭৭), রজনী বিদুর (১৯৮১) ফোংখি। মহাক্না ‘Folk Lore of Assam’ ইংরাজীদা ইবা লাইরিক অমগা হন্দোকপদা ‘বনে বনে’ অমদি পুন্সি ৱারীদা ‘হেম বরুৱা’ ফোংখি।

**ফংখিবা মনা অমসুং ইকায় খুম্নবিবা ঃ**

ইং ১৯৮৫ গী ফেব্রুৱারী চৈচৎ ৮,৯ অমসুং ১০ দা বিহপুরীয়াগী শ্রী শ্রী মাধবদেৱ ক্ষেত্রদা পাংথোকখিবা অসম সাহিত্য সভাগী কুমওল ৫০ গী মীফমলেনদা সভাপতি ওইখি। সভাপতিগী ৱারোলদা য়াম্না মমল লৈবা ৱাফোং পোংবিদুনা মীথোই মীহেন অমনি হায়না শক্তাকখি। ৱাফোং অদুমক ৱাখল খনবা ঙম্বা মীওইনি হায়না নীংশিনরি।

শরুাইরবা ৱারীমচা অইবা অমা ওইনা মনা কয়া ফংখি। ইং ১৯৮০ দা ‘পৃথিবীর অসুখ’ ৱারীমচাগী লাইরিক্তা সাহিত্য অকাডেমী মনা ফংখি। ইং ১৯৮৬ দা ‘আকৌ বনে বনে’ লাইরিক্কীদমক ‘মোক্ষদানন্দ পাঠক শিশু সাহিত্য মনা ফংখি। ইং ১৯৮৯ দা ‘সীতানাথ ব্রহ্মচৌধুরী’ মনা’ ‘এনাজরি’ হায়বা লাইরিক অদুগীদমক। ইং ১৯৯৪ দা ‘অসম উপত্যকা’ মনা লাম্থোকখি।

অসিগুম্লবা জ্ঞানগী মপু ওইরবা মীথোই মীহেনসে ইং ১৯৯৯ গী সেপ্তেম্বর ৯ দা তাইবং থআদোকখি।

**যোগেন্দ্র হাজরিকা ঃ**

অসমগী মূখ্যমন্ত্রী ওইরম্বা যোগেন্দ্র নাথ হাজরিকাবু মীয়াম্না যোগেন হাজরিকা হায়না খংনৈ। শওং শাদা ফজবদা অঙৌবা মচুগী খদ্দর ফি থোনবা, ইং-তপচবা, মশা নাঞ্জবা, ৱাহৈ-ৱাতা ফজবা, থকশি-খাশি ঙাকচবা, শাজৎ-লিচৎ ফজবা, মরৌশিং লৈজবা, ৱাং চাওভা, কুচু ঙৌবা, মীয়ামবু শুমহৎপা ৱাফোংপীবা ঙম্বা মগুণ কয়ানা লৈত্রেংবা মীওইনি।

শুপচিল্লবদা যোগেন্দ্র নাথ হাজরিকা অফবা ছাত্র, খুনায়বু খঞ্জবা সমাজবাদী মীয়ামবু পুনশিনবা ঙম্বা, অইবা, ৱাখল লৌশিং চেন্বা, আইন খংবা, হৈশিংবা সংস দ, ভারতকী অহান্বা বহিঃ পরিক্রমা বিভাগকী ‘সংসদীয়া সচিব’, অফবা লৈঙাকলোয়, এম.এল.এ. বিধান সভাগী স্পীকার অমদি অসমগী মূখ্যমন্ত্রীনি। ইং ১৯২৪ গী ফেব্রুৱারী ২৪ দা ডিব্রুগড় জিলাগী টেঙাখাটকী ‘পুরণিখঙীয়া খুঙ্গংগী লাইরবা ইমুং অমদা পোকখি। গোলাপচন্দ্র হাজরিকানা পম্থৌনি অদুগা রত্না হাজরিকানা পলেমনি। বীনা হাজরিকানা মাগী তালোয়নি। মনজীৎ হাজরিকা

মাগী মচানুপানি।

লায়রবনা মরম ওইদুনা টেঙাখাতকী হাতী বন্ধা' কৌবা বুড়িদিহিঙ তুরেল মপান্দা লৈবা খুঙ্গংদা হোংলকখি। হাতী বন্ধা খুঙ্গংদা মহৈ তম্নবা স্কুল লৈতবনা টেঙাখাতকী ঘাহী খুঙ্গংদা লৈবা মখোয়গী ঈমরী থোকপা য়ুম অমদা লৈদুনা ভেকোৰাজান এল.পি. স্কুলদা মহৈ তম্বা হৌখি। অৰাবনা মরম ওইদুনা চানা-বদাম য়োন্দুনা মহৈ-মশিং তম্বগী শেনফম পুতোকলম্মী। মতমদুগী ডিব্রুগড় লোকেল বোর্দকী চেয়ারমেন ডম্বরুধর শইকীয়া অমসুং উকীল, ইদুকেসোনিষ্ঠ অমদি খুনায় থৌমী পরশুরাম সোনোৰালনা চিংবা থম্মোয় চাওবা মীওই অনীগী লমজাং পাউতাক অমদি শেলথুমগী মতেংনা ইং ১৯৪১ দা ডিব্রুগড় গভট বয়জ হাইস্কুলদগী মেট্রিক পাস তৌখি। ইং ১৯৪৬ দা কটন কলেজদগী বি.এ. অমসুং ইং ১৯৪৯ দা কলকতা য়ুনিভারসিটিদগী ইকোনোমিকসতা এম.এ. অমসুং ইং ১৯৫২ দা আইনগী ডিগ্রী লৌখি। নীংশিংবা য়াই মদুদি মহাক সোনোৰাল শাগৈগী অনীশুবা এম.এ. অমসুং অহুমশুবা বি.এল.নি।

নীংতম্বা ভারতকী অহান্বা মীখল ইং ১৯৫২ পাংথোকখি। ডিব্রুগড় লোকসভা কেন্দ্রদগী ভারতকী জাতীয় কংগ্রেস মীরেপ ওইনা লেপ্তুনা অহান্বা সংসদ ওইনা খনখি। মীখল পাংথোকত্রিঙৈ ইং ১৯৫১ দা সদৌ অসম ত্রাইবেল লীগকী মকোক য়াইতোংবা সংসদকী মীহুৎ ওইরম্মী। ইং ১৯৫২ দগী ১৯৬৭ ফাওবা বহিঃ পৰিক্রমা বিভাগকী সংসদীয় সচিব হাপ্লম্মী। মহাক্কী থৌরম থৌদাদা পেনদুনা মতমদুগী প্রধানমন্ত্রী নেহেরুনা ইণ্ডোনেসিয়াগী ৰাষ্ট্রদূত ওইনবা হায়রম্মী। অদুবু অচৌবা ফম ফামজদবা মানা প্রদানমন্ত্রীগী নাক্তা লৈদুনা লৈবাক্কী সেৱা তৌগে হায়না পাউখুমলম্মী।

ইং ১৯৮০ দা ভারতকী রাজনীতিদা অওলবা অমা লাক্লম্মী। তংতাদবা ফিভমদা লৈরম্মী। অওনবগী ইহৌদা মোরায়জী দেশাইগী লুচিং মখাদা জনতা দলনা দিল্লীদা সরকার শেমখি। ইং ১৯৭৮ দা গোলাপ বরবরুৱাগা লুচিং মখাদা অসমদসু জনতাদলগী সরকার শেম্মী। যোগেন হাজরিকাসু কংগ্রেস থাদোকলগা জনতা দলগী মীরেপ ওইনা দুলিয়াজান কেন্দ্রদগী মায়পাকতুনা বিধান সভাগী ওইনা কারকখি। অসম বিধান সভাগী স্পীকারগী ফম লায়খি। ইং ১৯৭৯ দা জনতা দল থাদোকলগা অসম জনতাদল শেমদুনা নুমিৎ ৯১ নি অসমগী মূখ্যমন্ত্রী ওইরম্মী।

যোগেন হাজরিকা কলিকতা বিশ্ববিদ্যালয়দগী ইং ১৯৫২ দা আইনগী ডিগ্রী লৌরগা কলিকতা হাইকোর্টতা ওকালতি তৌবা হৌরম্মী চহী অমগী মতুংদা ডিব্রুগড়দা লাক্লগা বার লাইব্রেরীদা মমীংচনখি। গুৱাহাটী হাইকোর্টতসু ওকালতি তৌরম্মী। মহাক সোনোৰাল কসারীগী অহান্বা চুপ্রিম কোর্টতা ওকালতি

তৌখিবা মীশক্লি।

হাজরিকা শোথরবা চীংবুরোই কাংলুপকী লূচিংবা অমা ওইনা কাংলুপসিগী চাওখৎ লমদাংদা অঙাম্বা মতেং পাংদুনা লাক্লম্মী। শোই কাংলুপকী লূপ কয়াগসু মরী থন্নরম্মী। মদুগী খুদম মখাদা পীজরি ঃ- (ক) শোথরবা চীংবুরোই (জনজাতী) কাংলূপপকী য়াইফনবা খন্দুনা নিংথিবা ট্রাইবেল লীগকী পান্দমদা সম্পাদক ভীমবর দেউরী অমসুং পরশুরাম মেদনা সোনোৱালগী মখাদা থবক পূন্না তৌমিন্নবগী খুদোংচাবা ফংখি। (খ) অসমগী মফম কয়াদগী গুৱাহাটীদা মহৈ তম্বা লাকপা বড়ো, ডিমাসা, মেচ, সোনোৱাল কসারী মহৈরোয়শিংনা ফুরূপচাশিং চাওখৎনবা পান্দমদা ইং ১৯৪০ দা 'সদৌ অসম প্রগতিশীল কসারী সন্মিলন' কৌবা লূপ অমা শেমখি। যোগেনসু লূপ অদুদা য়াওদুনা মতুং তারকপদা সম্পাদক্কী ফম পায়খি। (গ) গুৱাহাটীদা লাইরিক তমদুনা লৈরিঙৈ অসমগী চীং অমদি তচমদগী লাকলিবা শোহুরবা ফুরূপচা মহৈরোয়শিংগী ফংফম থোকপা হক, মহৈ পুন্না ফেআংদোকচবগী খুদোংচাবা লৌননবা All Assam plains and Hills tribe Students Association কৌবা লূপ অসিগী প্রেসিডেন্ট ওইদুনা লূপ অসি চাওখৎনবা কন্না হোৎন্নরম্মী।

যোগেন হাজরিকা সাহিত্যগী লমদসু হোৎনবা কনবা মীওইনি। 'নায়ক' কৌবা মেগাজিন অমগী সম্পাদনা ওইরম্বতা নত্তনা অসমীয়া অমসুং ইংরাজীদা ৱারেং কয়া ইরম্মী। 'ভারতর স্বাধীনতা চমু বুরঞ্জী আরু গণ পরিষদ' অমসুং 'Consideration on twenty five million soul of trial Indio' মমিং চৎপা লাইরিক্কী।

সংসদ ওইনা লৈরিঙৈ রাসিয়া, আমেরিকা, ইংলেণ্ড, ডামাইকা অমদি ইউরূপকী লৈবাক কয়াদা সরকারগী থবক থৌরম কয়া পুদুনা চৎলম্মী। শাংলবা মাগী পুন্সি খোংচৎসিদা জ্ঞান লৌবা ঙন্ননবা মমল তারবা লাইরিক কয়া লৈদুনা নৈনরগা মশাগী লৌশিং পূকৈ চোলহললম্মী। মহাক্না খোমজিনলম্বা লাইরিক লিশিং অনীগী ডিব্রুগড় বিশ্ববিদ্যালয়গী রাজনীতি বিভাগ অমসুং টেঙাখাত কলেজকী লাইব্রেরিদা খুদোল তৌরম্মী।

চীং তম অনীবু পুনশিবিরম্বা, মশাগী লম মচেৎ অমা লৈজদবা, মরৈবাক নিংজবা, মশাগী খঞ্জদ্রবা মীনুংশিচেন্বা মহাক'দু গুৱাহাটীদা ভাড়া য়ুমদা লৈদুনা হৌখিবা ইং ১৯৯৭ গী সেপ্তেম্বর ৩০দা তাইবং থাদোকখি।

**ৱাহং ঃ**

১। ডিমাচা ৱাহৈগী ৱাহন্থোক করিনো?

২। সোনোৱাল কসারী করম্বা লাইনিং লিচৎ চৎপগে?

৩। সোনোৱাল কসারীগী লোক-সাহিত্যগী মওংদু ইয়ু।

৪। সোনোৱাল শিংগী খুনায় শেমগৎপগী মওংদু ইয়ু।

৫। সোনোৱাল কসারীশিংবু করি মরমগী লাইনিং লিচৎ অনী তোকইবনো? শমলপ্না ইয়ু ঃ

৬। শন্নপ্না ইয়ু ঃ

(ক) প্রমোদ সোনোৱাল (খ) গগণ চন্দ্র সোনোৱাল

(গ) পরশুরাম সোনোৱাল (ঘ) যোগেশ দাস

(ঙ) যোগেন্দ্র নাথ হাজরিকা

*************

# হাজং

হাজংশিং আসামগী তমগী চীংমী কাংলূপ অমনি। মখোইসে মরু ওইনা গোৱালপারা, ধুবুরী জিলাগী খা-থংবা শালমারা মানকাচার মহকুমাদা খুন্দাদুনা লৈ। অতৈ ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্কী জিলা কয়াগী মফম কয়াদসু মখোয় খুন্দা লৈতাদুনা লৈ। মেঘালয়গী নোংচুপ অমসুং খাগাপাহার জিলা অমসুং খাছীয়া পাহারজীলাগী চীংগী লৈতেম মান্নবা লমখরদা মশীং য়ামজদবা হাজং মীওই শিংখরা খুন্দাদুনা লৈরি। ভারত সংবিধানগী ১৯৫০ ইং চহীগী আইন মতুং ইন্না হাজং শিং খাইদোকতবা আসামগী চীংগী মশাগী লৈঙাক লৈজবা জিলাশিংদতা চীংমী হায়না শকখংনখি। মতুংদা ভারত সংবিধানগী শেমদোকপা “অনুসূচিত জাতি অমসুং অনুসূচিত জনজাতি পাওথাং (শেমদোকপা) আইন ২০০২” মতুং ইন্না আসামগী তমগী জিলাশিংদা লৈবা হাজংশিংসি তমগী চীংমী (ভৈয়াম অনুসূচিত জনজাতি) হায়না শকখংনখরে।

নৃতাত্বিকশিংগী মতুং ইন্না হাজংশিংসি ইণ্ডো মঙ্গলীয় কাংলূপকী মীওইশিংনি। হায়নবা লৈ মদুদি হাজংশিংসি তির্ব্বততগী লাকলগা কোচঁবিহারগী অৱাং ভুটান ঙমখৈগী হাজং কৌবা মফম অমদা চহীচা কয়া খুন্দাদুনা লৈরম্মী। কনা কনাগুম্বনা হাজংশিংসি তির্ব্বততগী অহান্বদা কামরূপ জিলাগী হাজো কৌবা মফমদা তংতানা লৈখি হায়না খংনৈ। মীং অনি অসিদগী মখোয়শিংসি হাজং হায়না কৌখিবনি হায়নরি। মতুংদা মখোইশিংসে তপ্পা তপ্পা গোৱাল জিলাগী ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্তা চৎখিদুনা খা তোর্ব্বানদা লাকখি অমসুং বাংলাদেশকী মৈমনসিং জিলাগী অৱাংদা নুংগী লমদম কয়াদা পাক শন্না তাখি। অমরোমদনা নোংপোক্তা নোংচুপ খাছীয়া চীংগী চীংকোংদাগী শ্রীহট্ট জিলা ফাওবা পাকশন্না তাখি। অরিবা আসামগী অখন্নবা মফম খরদা হাজংশিংসি চহীচা কয়া খুন্দা লৈতাদুনা লৈখি হায়বগী খুদম পান্দম ফংঙি। মফমশিংদুগী মাইকৈ মরিগী খুদম অৱাংদা গোৱালপারা জিলাগী লক্ষীপুর মনাক (১) শুৱারকোনা, নোংপোকতা শ্রীহট্ট নত্রগা চিলেট (২) জামকোনা, খাদা মৈমন শিং জিলা, (৩) জংকোনা অমসুং নোংচুপ্তা মানকাচারগী মনাক (৪) মরকোনাগী হাজংখুন মরি। তরামাপলশুবা চহীচাগী অরোইবা শরুক ফাওবা মফম অসিদা তংতানা লৈরম্মী। মথং তারকপা মতমদা রাজনৈতিক, অর্থনৈতিকনচিংবা মরম কয়াদগী হায়রিবা মীওই হাজংশিংসি হায়রিবা লমদগী মফম কয়াদা শন্দোকনা লৈখি।

অমরোমদনা নিংতম্নবগী মতুংদা নোংপোক পাকিস্তানদগী (হৌজিক্কী বাংলা দেশ) ১৯৬৪ ইং চহীদা বেঙ্গুলী হিন্দু, গারো, কোঁচ, ডালু, বানাইনা চিংবা শিংগা লোইননা গারোপাহার ঙমখৈ মনাক্কী মৈমনসিং জিলাগী

অৰাংদা লৈবা হাজংশিংসি মীচেন ওইনা আসামদা চংজবশিং ওইনা লাকখি। চংজরকপশিংসি আসামগী মফম কয়াদা চরকারনা হন্না খুন্দাহনদুনা লৈখিবনি। হাজংশিংসি হৌজিক আসামগী গোৱালপারা, ধুবুরী, কামরূপ, বাকছা, ওদালগুরি চিরাং দরং লক্ষীমপুর ধেমাজী, নগাওঁনাচিংবা জিলাশিংগী মফম-মফমদা য়াম্না লিক্লা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরি।

মীংথোন ঃ- হাজং মীং অনিগী মরিমখোং মরমদা মীওই কয়াগী তোঙান-তোঙানবা মত ফোংদোকই। হায়নবা মতুং ইন্না হাজংশিং অসি মতম অমদা হাজং হায়বা মফম অমদগী লাকখিবা মরমনা মীওই কাংলূপ অসিগী মীং হাজং ওইখিবনি। অনিশুবদা মখোয়গী অহানবা মীওই অদুগী মীং হাজো কৌরম্মী। হাজো অসিগী শাগৈগী মীওইশিং অসিবু হাজং ওইখিবনি হায়না ফোংদোক্লরি। অহুমশুবা মতমতুং ইন্না হাজং হায়বা লূপসিগী পুন্সি মহিং মরু ওইনা লৌউবনি। হাজংশিংসিনা লৈতেম মান্নবা লম্পাক কয়াদা লৈখোম লৈনাং তৈদুনা য়াম্না ৰানা শু-নোমদুনা শম্পোৎ থোইদুনা লৌউশিংউ তৌদুনা লাকই। লৈতেম মান্নবা লমদমগী অকুৎপা মফমগী লৈখোম লৈনাং তৈদুনা লৈবা উবদা গারোশিংনা মীওই লূপ অসিবু হাজং হায়না মীং থোনখি। গারো লোনদা হায়বদি লৈবাক অমসুং জং হায়বদি তিন হায়বনি। অদুনা হা + জং হায়বা ৱাহৈ অনিনা শাবা ৱাহৈনি। হায়বদি লৈবাক্কী তিন হায়বনি।

খুনাইগী মখল -- হাজং শিংসে অহানবদা খুনাইদা তরুক থোক্লা খাইদোকই। খুমদ ওইনা (১) হারাং পারীয়া (২) ভজালুপাহারীয়া (৩) মানিক পাহারীয়া (৪) টেপর পাহারীয়া (৫) সাতদল পাহারীয়া (৬) মাঞ্জি পারীয়া। অদুবু অরোইবা হৌজিকতা মীওই লূপসিগী মনুংদা অসিগী খাইদোকপসে লৈতরে। হাজংশিংদা অচৌবা মফমগী মতুং ইন্না মঙা থোকনা খাইদোকপা য়ায়। অদুদি মথংশিংনা (১) দশকাহানীয়া (২) ছুছুঙী (৩) মছ পাহারীয়া (৪) করাবারীয়া অমসুং (৫) বারহাজারী। হৌজিক মখল কয়াসি য়াম্না তোইনা তোংনা তিন্নবা মরম্না তোঙান তোঙানবা মখলগী খেননবা কয়াদো মাংখিদুনা অমত্তা ওইবগী মওংদা লাকলে।

খুনাই লীপুন ঃ- হাজং শিংনা মাংলমচৎকী মতুং ইন্না মখল অহুম খুনাই লীপুন লৈ। (১) খুনগী গিয়াতি (২) পাঁচ গিয়াতি (৩) জোৱার নত্রগা চাকলা খুন গীখৎনা চৈনবা কয়া অহানবদা গাওঁ গিয়াতিনা তাইশিন্নগনি। খুনগী মীওইশিংগী তাইশিন্নবা ঙমদ্রগা পাঁচ গিয়াতিগী মীকোকশিংদুনা মীতিন তৌরগা তাইশিন্নগনি। খুনাইগী ওইবা অরুবা ৱাথোক লাকলদি জোৱার, চাকলাগী মীকোকশিং অদুনা তাইশিনগনি।

য়ুমলৈ কৈলৈ = হাজংশিংগী য়ুমহীঙ্গোল লমহাংদা ওই। লৌউশিংউবা মফমদগী খরা লাপ্না লৈতেম মান্নবা

অৰাংবা মফমদা য়ুমকৈ শাই। ময়াইদা শুমাং অমা থমলগা মাইকৈ মরিদা য়ুম শাই। পান্দমনিঙাই ওইবা য়ুম্বুগী য়ুম অসুন্না শাই মাইজৈ (অচৌবা) য়ুম অমা চাংঘর (কৈ) অমা,আথলি ঘর (চাকথোং শং) অমা, গুলিঘর (শঙ্গোন) অমা অদুগা শুমাং মতোনদা কাছরি ঘর (শঙ্গোই) অমা। কাছরি ঘর অসি লমজংয়ুম হায়নৈ অধুবু হায়জংশিংগী পাথংয়ুমনি। মতম অমদা খুনগী মকোক নত্রগা পাঙ্গনবা মীগী য়ুম মমাং শঙ্গোইদা কাছরি ঘর লৈরম্মী। কাছরি য়ুমদা খুনগী লূহোংদ্রিবা পাখংশিংতনা নুমিদাং তুমনরম্মী। খুনদা নিপা কোইরকলবসু কাছরি ঘর অসিদা নুমিদাং লেকহনলি। য়ুম্বুগী শুমাংগী নোংপোক থংবদা য়ুমলাই বাইশ নত্রগা বাস্ত অমসুং কানীদেও (পদ্মাদেবী) গী লাইশং লৈ। বৈষ্ণৱ লাইনিংদা লৈবা হাজং য়ুম্বুগী শুমাংদা হরিঘর অমসুং তুলসীবোং লৈ।

হাজং নূপীশিং লৌখখাওবা লৌলিংবা ঙা-ফাবা য়ান্না হে অমসুং থবক য়াম্বা য়ুম্বুরেম্বী অমনি। মখোয়না শেৎপা মখল মচুগী ফীজোন অদুবু রাঙা পাটিন কৌই। মখোয়না মাংলম চৎতগী ফী শাবা মওং অমসুং ফীশা কোন অদুবু বানা কৌই। বানা হায়বসে মাংলমচৎতগী শিজিন্নরকলবা ৰাগী ফীশা কোননি। হাজং ফিশাবী অমনা মশাগী অঙাংবা অশংবা খামেন মচু গুলপীয়া অমুবা মচুশিংনা য়ান্নবা মচুগী ফজবা মওংদা রাঙা পাটিন শাবতা নত্তনা নিপানা শেৎনবা "ভেঝা কাপুর" (ফেজোম অতেম্বা) ফুলা আগরুণ, পাছরা ফুলা কানপেছ নচিংবা শাই. খুনাইগী হরাও কুমৈদা নিপাগা মান্ননা গাবুর (লৈশাবী) আইরক (ঈশৈশকপী) অমসুং চহী য়াম্বা হনুবী শিংগী থৌরম য়ান্না লৈ। মার'পূজা (মাৰৈ পূজা) উজনী নত্রগা বান উঠা (দেওধনী), কাতি পূজা গোপনী গোহেন নচিংবা জগোই ইশৈদা হাজং নুপী শিংগী থৌরম য়ান্না চাওনা লৈ। মখোইশিংগী মাংলমচৎতগী শিজিন্নরকপা লীককোন খর হায়বদি--পাম্বেমদা কাটাবাজু খোংদা বাক, গুঞ্জরী ঠেং পাতা, মনাদা করমফুল, নাতোনদা নলছ, নাকফুল ঙকশমদা চিকিছরা, হারামালা, হাছলী খুত্তা বয়লা শাঁকা (মইবুং) অদুগা খুৎমচাদা খুদোপনি।

হাজং নিপাশিংগী শেৎনা চানবা য়ান্না চম্মী। মখোয়না নাংমৈয়েপ্পা খুথৌনা শেৎপা ফি অদুগী মীং ভেঝা নিংটি। ফীমখল অসি অঙৌবা অশংবা অরাংবা মখল মচুগীনি। মখোয়না মশাদা বুকছলি (ফুরিৎ) অমসুং ইংবা মতমদা ঙকশমদা ফুলা কানপেছ (মাফলার) অমসুং আওলান (ঙবোং) ইনলি।

হাজংশিংনা পোকপা শিবা অমসুং লূহোংবগা মরী লৈনবা মখল মখলগী চৎনবী লোনচৎ হৌনবী কয়া চৎতুনা ঙাকতুনা লাকই। হাজংখুনাইদা লূহোংবা মখল মরি থোক্লা লৈ। মদুদি ১। মীয়াম মাংদা লূহোংবা (হায়না চৎনরগা হোংবা) ২। দায়পরা নত্রগা টেংপাংরানি (নমনা নুপীবু মৌ ওইনা লৌবা) ৩। মনামনি (মশামশা যানদুনা লূহোংবা) অমসুং ৪। হাঙা বা সাঙা (লুখ্রাবী লুখ্রাবী মরকতা হোংবা)।

হরাও কুমৈ ঃ হাজং শিং মি মরু ওইনা লৌউবা কাংলুপনি। লৌউবগা মরী লৈনবা মখল মখল চৎনবী কয়া মখোয়গী মনুংদা চৎনরি। খুদম ওইনা গুচিপুতা (লৌলিংবা হৌবা) আগআনা (লৌ খাওবা হৌবা) নয়া খোৱা (চানৌ চাবা) কাতি গাছা (ৰঙালী বিহুদা হৈগ্রীদা থাও হাপ্লগা মৈরা কৎপা) শইচ চপোৱা (লৌরোকপা) পুষনা (মাঘ বিহুদা) চেংপাক মূরী চাবা, সঙবানদা বিষুৱাদা (শজিবুদা) ষণ ইরুজবা লৌউবগী খুৎসু-খুলাই শেংদোক চামথোকতুনা পুন্না থমলগা মেত্রুক থাওমৈ থানদুনা খুরুমবনা চিংবা। অসিতা নত্তনা বহাগ থাদা বাইশ বা বাস্তু পূজা আহার থাদা সাতোৱার চুৱা (অম্বুবাচী) মানা, শাওন থাদা বরত (কানীদেও পূজা) শরততা যাত্রা পূজা, ভুঁই মাগা, চর মাগা (চর শান্নবা) হরাও কুমৈ কাতি থাগী অরোইবা নুমিৎতা কাতি পূজা, পুহ থাদা লৌ খাওনা লৈরিঙৈ লৌবুকতা ভালুক মাগা, লৌরোকপা লোইরগা থংবা মাগা পুষণা নচিংবা থৌরম কয়া পাংথোকই। শরতকী আরাইবা শরুক্তা দীপাবলী থাশি নুমিত্তগী চয়োল অমা চুপ্না হাজংশিংগী খুঙ্গং খুঙ্গংদা চরমাগা বা চর শানবগী জগোই ঈশৈগী থৌরম পাংথোকই। লৌউবা হাজং পাখংশিংগীতমক মতম অসে পোত্থাবনি। পাখং শিংনা ঢাকী (ঢোল) দোতরা, বাঁশী কাংশীনাচিংবা কয়ানা খোংদুনা পুন্না পুন্না য়ুমথোং খুদিংদা জগোই ঈশৈ শকতুনা নিদুনা চৎলি। অসিগুম্বা ঈশৈ জগোইগী হরাওকুমৈদা লেৱাটানা, জাখমারা ভাঙা নাওকা, দেবী যুদ্ধ নচিংবা জগোই-ঈশৈ মমাঙৈগীনি অমসুং মীয়াম্না পাম্নবনি। নোকনিংবা করেম্বা অমসুং শুনোম্বা কনবগী পুন্সিগী ঈশৈ ঙাকতনি। চরামাগা বা চর খেলা হরাও কুমৈদা জগোই ঈশৈগী কাংলুপশিংনা য়ুম্বুদগী তেংবাংনি।

লাইনিং ঃ- হাজংশিংসি হিন্দু লাইনিং চৎচরবসু মখোয়গী শাগোন্নরকপা লাইনিংগা তুননা চৎমিন্নরি। মহৌশাগী তমথিবা থৌদোক কয়া, খুদোংথিবা থৌদোক কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙন্নবা হাজংশিংনা য়ান্না থাজবা অমদি নোলুক্না মখল মখা লাই কয়াগী ঈরাৎ থৌরম কয়া তৌই। মখোয়না ইরাৎনরিবা লাইয়ামশিংগী মনুংদা বাইশ বা বস্তু দেউ মরু ওইবা লাইনি। খুঙ্গং খুদিংগী মীয়াম পুনলগা মখোয়না বাইশ বা ৱাস্তুদেউ ঈরাৎ তৌই। ঈরাৎ থৌরম অসি বহাগ থাদা তৌই। খুনগী অহাংবা নত্রগা খজিক্তং লাপ্পা লমলেম অহাংবা মফমদা বাইশ বা বাস্তুদেউগী খুভম শেমলগা লোইনবা লাইয়ামশিংগীসু খুভম শেমলগা পরেং নাইনা ঈরাৎ থৌরম পাংথোকই।

হাজংশিংগী লাইনিং লোনচৎ মতুং ইন্না অনিথোক্লা খাইদোকই। ১। হাজং শাক্ত ২। খাটল (বৈষ্ণব)। কাংলূপকী ওইবা শাগোন্নবা লাইনিং লীচৎ কয়া চৎলিবা শিংদুবু হাজং শাক্ত অমসুং হাজংশিংগী মনুংদা বৈষ্ণব

লাইনিং চৎচবা কাংলূপ অদুবু খাটল (বৈষ্ণব) মখলনি শাক্তশিংনা ঙাশা য়ুমদা শুংবা চিংবা থকপা চাবা তৌই। অদুগা খাটল শিংনা বৈষ্ণব লোচৎতা থাজনা চৎলি। বৈষ্ণৱ লাইনিং চৎপা শিংগী য়ুমদা শালগ্রাম শক্তম নচিংবা লৈ অমসুং শালগ্রাম শক্তম শিংসিবু বিষ্ণুনি হায়দুনা নুচিগী কায়দনা ঈরাৎ থৌরম তৌজে। মখোয়না জন্মাষ্টমী, রাধা অষ্টমী, রাসযাত্রা, দৌলযাত্রানচিংবা অথন্নবা তিথিদা ঈরাৎ থৌরম কয়া ঙাকনা চৎলি। ভাগৱত, রামায়ণ, মহাভারত, গীতা নচিংবা পাদুনা মীংখৈরোন কীর্ত্তন ঈশৈ শকই।

চাকচা চিঞ্জাক ঃ- হাজংশিং অসি চাবা থকপা য়াম্না পামজবা শাচাবা কাংলূপনি। ৱাশোই, পান, আলু, পাংঘোক, পানমনা উটঙাঙারী মনাশিংনাগী শিংজু, থেংগু ডুরা মাছাং (শা) লেবা শাক (চেংকুপ্পা খোংবা হিঞ্জাং) বিচি চাফ (মনিলদা থোংবা চাহৌ) বুকনি চাক, উত্তোং চাহৌচাক মখোয়গী য়াম্না পামজবা চিঞ্জাকনি।

হাজংলোন তিবত বার্মা লোন কাংলূপকী বরোলনগী পরেংদা লৈবা লোননি। হাজংশিংদা আর্য্য ইনাৎ থৌরমগী মমী তাবা মরমনা মখোয়গী মমাঙৈগী লোনশিং হৌজিক ওনথোরকলে। হাজং লোন মশাগী মওং কায়দা চপ চানা লৈজৈ, লোনগৈ, পান্দম পাঙ্থে পাউখোং পাউতাক পাউমেন ৱাহৈ কয়ানা মপুং ফানা লৈজবা লোননি। অদুবু হৌজিক্কী মতমসিদা হাজশিংগী লোনদা কামৰূপী অমসুং গোৱালপরীয়া লোনগী মমী য়াম্না তাকউরে।

**ৱাহং পরেং ঃ-**

১। হাজংশিং অসে করম্বা মখলগী কাংলূপ শিংদা চনবগে?

২। হাজংশিংদা চীংগী মশাগী লৈঙাক লৈজবা জিলা শিংদা করম্বা মতমদা চীংমী (অনুসূচীত জনজাতি) শিংদা চনবগে?

৩। হাজংশিং হৌজিক আসামগী করম করম্বা জিলা শিংদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবগে?

৪। হাজংশিংগী পুন্সি মহিং লম্বী করিনো?

৫। বাস্তুদেউ ঈরাৎ করম্বা মতমদা পাংথোকপগে?

৬। হাজং খুনাইধা কাছারি য়ুমগী মরীমখোং করিনো ইয়ু।

*************

# অসমীয়া নাথ যোগীশিং

হন্দোকপা লাইরেনলাকপম ঙৌবা

নাথ নত্রগা যোগী শাগৈসে আসাম অমদী ভারতকী য়াম্না অরিবা শাগৈনি। আর্য্য সভ্যতাগী আ মমাংদগী হায়রিবা শাগৈসিগী মীওইশিং ভারতবর্ষগী মখল মখলগী রাজ্যদা শন্দোক্তুনা য়ূমলিংদুনা লৈরি। নাথ নত্রগা যোগী শাগৈ অসি মৰু ওইনা শিৱ নীংবা শাগৈনি অমসুং মখোয়না চৎচবা ধর্মদি শৈৱ নত্রগা ব্রাতা ধর্মন শৈৱ ধর্মগী মরূ ওইবা ৰাংঙুলোনদি যোগসাধনগী মথক্তনি। যোগদগী যোগী ওইখিবনি। নাথকী চৎনবীগী মতুং ইন্না আদিনাথ হায়বদী ভগৱান, ইহান হানবা নাথনি। নাথকী মহাযোগী স্যস্যেন্দ্রনাথ অমসুং গুরু গোরক্ষনাথ, নাথশিংগী মরূ মকোক ওইবা গুরু অনীনি। নাথ যোগী শাগৈসি গুরু শিষ্য অনীগী চৎনবীদা য়াম্না থাজে। নাথ যোগীশিং মখল অনীথোক্লা খায়দোকই। অদুগী মনুংদা অমনা গৃহস্থ যোগী, অদুগা অমদুনা সন্ন্যাসী যোগীনি। সন্ন্যাসী যোগীশিংনা নাথ ধর্ম প্রচার তৌঈ। নাথশিংগী গুরু গোরক্ষনাথনা হঠযোগ সাধন পুথোকপনি। গুরু গোরক্ষনাথনা শন্দোকপা যোগসাধন মার্গকী মথক্তা লেংবা স্বামী স্বাত্মারাম যোগীগী "হঠযোগ প্রদীপীকা" মালেম থুংনা পাম্নরবা মমল লৈরবা লাইরিক্নি। নাথশিংগী অহানবা গুরু মহাযোগী স্যস্যেন্দ্রনাথ, কামরূপকী য়ূমলিংবা ওইরম্মী অমসুং মহাক কামাখ্যা মন্দিরদা তন্ত্র অমসুং যোগ সাধনাদা মপুক্লিং লুপলম্নি। মতম অদুদা কামাখ্যা মন্দির "কামাখ্যা পীঠ" হায়না মমিং চৎলম্মি। নেপালদা চৎনবী মীয়াম্না হায়নরকপগী ৰারী মতুং ইন্না নেপালগী নিংথৌ নরেন্দ্রদেৱকী মতমদা নেপালদা নোং চুদবগীদমক চাকতাংবদগী কন্নবা গোপালগী নিংথৌনা মহাযোগী সস্যেন্দ্রনাথপু নেপালদা কৌখিরম্মী। মতম অদুদা নেপাল অসি বৌদ্ধ ধর্ম্মগী খুত্তা লৈরম্মী। নেপালদা স্যস্যেন্দ্রনাথ হেক লাকপা মতুং মক্তাদা হিন্দু ধর্ম লীংখৎখিরম্মী। নাথ সন্ন্যাসী অমনা করিগুম্বা নোংগাখিবা তারবদী মহাক্কী হকচাং অদু মৈ থাবগী মহুত্তা মশাগী চৎনবীগী মতুং ইন্না পদ্মাসনদা ফমহল্লগা ফুম্বগী চৎনবী মমাং চত্তাগী ঙসিফাওবা চৎনরি।

নাথশিংগী য়াম্না অরিবা মশাগী ওইবা পুদিন লৈ। তন্ত্র-মন্ত্র, যোগ, আধ্যাত্মিক দর্শন, আয়ুর্বেদ, জ্যোতিষ, রসায়নবিদ্যানচিংবা মখল মথেলগী মাইকৈদা নাথ সিদ্ধপুরুষশিংনা মমল য়াম্লবা পুদিন ইরম্বদুনা ভারতকী সাহিত্যগী কৈ ইনাক খুলহল্লম্মী। মমাংঙৈদা, নাথ সিদ্ধার্থ শিংনা ইরম্বা চর্যাপদ নত্রগা চর্যাগীতশিংগী

অসমীয়া, বাংলা, অমসুং উরিষ্যালোন হৌবদা য়াম্না মতেং পীরম্মি হায়না পণ্ডিতশিংনা ফোংদোকই।

ঐখোয়গী আসামদসু নাথযোগীশিং অরিবা মতমদগী য়ূমলিংদুনা লাকই। মরূ ওইনা গোৱালপারা, বঙাইগাঁও, কোকরাঝার, দরং, নগাঁও, মরিগাঁও, হোজাই, শোণিতপুর, কাছারনাচিংবা জিলাশিংদা লাখ লাখ নাথযোগীশিংনা য়ূমলিংদুনা লৈরি। অসিগী মথক্তাসু জিলা অপুম্বদা হায়রিবা শাগৈসিগী মীওইনা মতম শাংনদগী য়ূমলিংদুনা লাকই। গুৱাহাটীগী আমবারীদা প্রত্নতাত্ত্বিককী লৈবাক তৌবদা ফংবা ময়েকশিংদা ঙসিগী গুৱাহাটীগী মমিং মতম অমদা "যোগীহাটী" হায়নসু খংনরম্মি। নাকল অমদা হায়রিবা অরিবা শাগৈ অসিগী মথক্তা থীজিনবা অমসুং মখল মথেলগী ঐতিহাসিক খরনা পন্বা ৰারীগী মতুং ইন্না মতম অমদা নগাঁওগী মনাক্তালৈবা কদলী কৌবা পিকখ্রবা রাজ্য অমা নাথ যোগী নুপীনা লৈঙাক পুরম্মি হায়না পনলম্মি। অসিগী মথক্তা ঙসিগী হোজাই জিলাগী যোগীজান, তেজপুরগী মনাক্কী সূর্যপাহারগী শিৱলিংগ, গোৱালপারা, যোগীঘোপাগী চীংগী শুরুংশিংদু, হানাগী কামরূপ প্রদেশদা নাথ সিদ্ধপুরুষশিংনা যোগ সাধনা তৌবগী মফম ওইরম্মী হায়না মখল মথেলগী লাইরিকশিংদা পনবা থেংনৈ। ঙসিগী আসামগী অয়াম্বা নাথ যোগীশিংনা মহাপুরুষ শ্রীমন্ত শংকরদেৱকী একশরণ নাম ধর্মদা লাইমিং লৌদুনা মহাপুৰুষীয়া ধর্ম্ম অমদী মনাৎ লৌশিনলে। ভারতকী নীংতম ঈহৌদসু আসামগী নাথযোগীগী মতেং য়াম্না লৈ। ইং ১৯৪২ কী বৃটিছকী মায়োক্তা অপুম্বা দেশ অসিদা ওইখিবা 'ভারত ত্যাগ' ঈহৌদা মহাত্মা গান্ধীগী "পাংথোক্কনি" নত্রগা "শিগনি" মন্ত্রদা ঙাওদুনা ঢেকিয়াজুলি থানাগী য়ূম য়াংলেনদা পাইরিবা বৃটিছকী ফিরাল ইউনিয়ন জেক লংথবা চৎপদা শাগৈ অসিগী মনবর নাথ, খহুলী দেৱী অমসুং কুমলী দেৱী কৌবী মীওই অহুম বৃটিছকী পুলিচকী গুলীদা ইখং খংহৌদনা শ্বহীদ ওইখি। অদুন্না বৃটিছ মতমদুদা ইং ১৮৯৪ সনদা অপুনবা দরং জিলাদা থোকখিবা পথরূঘাটকী লৌমীগী ঈহৌগী মতমদুদা ইং ১৮৯৪ সনগী জানুৱারী ২৮ গী নুমিত্তা বৃটিছকী তমথীরবা গুলীদা থৱায় কৎখিবা ১৪০ খক্কী শ্বহীদ লৌমীগী মনুংদা শাগৈসিগীতংনা শ্বহীদ ওইরম্মী মীওই ২৮ খক।

মথং মতমদা ইং খৃষ্টাব্দ ১৯৮০ গী "সদৌ অসম ছাত্র সন্থা"গী লুচিং মখাদা হৌরকপা মীতোপ তাম্থোকপগী ঈহৌগী মীওই ৮৫৫ খক থৱায় কৎখিবা শ্বহীদকী মনুংদা শাগৈসিগী শ্বহীদ ওইৰম্মী ১৪০ মুক। যোগী শাগৈগী মীওই শিংসে অইংবা পাম্বা অমসুং লৈবাক নীংবা মীওইশিংনি। শাগৈসিগী মতীকচারবা মচা সাহিত্যিক, প্রত্নতত্ত্ববিদ, পণ্ডিত, তত্বভূষণ লৈখিদ্রবা রাজমোহন নাথ অসমগী লোন, পুদিন, ইনাৎ লাকঙমদনা মতেং থমখিরম্মী। মমাঙৈগী আসামগী নাথনা যোগীসিং নুপা-নুপী অনীমক ফিশা লোনশাদা অমসুং কব্রাংগী থবক্তা য়াম্না হৈ শিংঙি। অদুনা নাথ যোগীশিং অয়াম্বা 'কাটনি' উপাধি হায়নসু খংনদুনা লাকই। শাগৈসিগী

মগুণ লৈরবা মীওই পরম ভক্ত বৈষ্ণৱ মথুরানাথ বুঢ়া আতা মহাপুরুষ শংকরদেৱকী নুংশিরবা শিষ্য অমনি অমসুং বৈষ্ণৱ ধর্ম্ম শন্দোকপা মীওই ওইরম্মী। গুরু অসিগী মমল নাইদ্রবা পুথোকখিবা 'বৃন্দাবনি বস্ত্র' অদুগী খুদুপ খরা শারবগী মতুংদা বৃন্দাবনি বস্ত্রদু শাবগীদমক মহাপুরুষ অদুনা মথুরা নাথ বুঢ়া আতাগী মথক্তা শিন্নরম্মী। আসামগী নাথ যোগীশিং অসমীয়া লোন, পুদিন, ইনাৎ খুৎপাই চেৎণা পাইবা অমসুং চেননা পুদুনা লাকপনি হায়না শিন্থানরি। দরং জিলাগী মমিং চৎলবা সুকনানি ওজাপালি, দেওধনী জগোয় অমসুং চিয়া ঈশৈশিং, শাগৈসিনা চহীচা কয়া পুদুনা লাকপা অসমগী চাওখৎলবা ইনাৎকী লন অমনি। মতমগী ঈচেলদা অসিগুম্বা অরিবা শাগৈসিনা মখল-মথেলগী ঈনাৎকী অনেম অৱাংগী মনুংদসু মশাবু শক তাক্তুনা লাকই। নাকল, অমদা শাগৈসিগী লাইরিক লাইশু, বুদ্ধি-লৌশিং, ইনাৎ অমসুং ধর্ম্মগী মায়কৈ পুন্নমক্তা মাং থাদুনা পুরকপগীদমক হলিরাম নাথ চহরীয়া অমসুং লম্বুধর বরাগা লোয়ননা মীওই খরগী থৌশিনদা ইং খৃষ্টাব্দ ১৯১৯ দা লিংখিবা "অসম প্রাদেশিক যোগী সন্মিলনগী" চহী চাম শুরবা আসামগী অরিবা শাগৈসিগী অনুষ্ঠান অমনি।

**ৱাহং ঃ-**

১। অসমগী নাথযোগীশিংগী হৌরকফমগী মতাংদা ইয়ু।

২। নাথযোগীশিংগী সাহিত্য অমদি ধর্মগী মতাংদা ইয়ু।

৩। নাথযোগীশিংগী মতাংদা শান্নপ্পা ইয়ু।

# আদিবাসী শাগৈ

হন্দোকপা লাইরেনলাকপম ঙৌবা

আসামগী চাওরাক্লা চা বাগান ৮৮৫ মুক অমসুং খুলদা য়ূম লিংদুনা লৈরিবা মীওই লাখ ৫৬ মুক আদিবাসীশিং অসমীয়া শাগৈসিগী তৎনবা য়াদ্রবা, হকচাংতা নত্তানা অসমীয়া মনাৎ অমসুং আসামগী আর্থ সামাজিক চাওখৎপগী পোৎশক অমনি। চা বাগান অমদি খুলদা য়ূমলিংদুনা লৈরিবা শাগৈশিংসিগী হানগী ইপা-ইপুশিংনি হায়না লৌনৈ। অদুমকপু খরনদি মশাবু আর্য হায়না ৰাকৎলি। ঐতিহাসিকশিংনসু মখোয়বু আদিবাসীনি হায়না শক তাকলে। অদুনা মখোয়বু  ঙসিসু আদিবাসী হায়না মিংগৌরি।

আদিবাসী ৰাহৈসিগী ৰাহন্থোক অসুন্না পীবা য়ায় - 'আদি' হায়বদি 'অহানবা' 'বাসী' হায়বদি "য়ূমলিংদুনা লৈবা," হায়বদি দেশকী অহানবা য়ূমলিংবশিংবু আদিবাসীনি হায়না কৌঈ। অসমীয়া অভিধান হেমকোষকী মতুং ইন্না আদিবাসী ৰাহৈসিগী ৰাহন্থোক "অহানবা য়ূমলিংবা," "কদায়দসু হানা লৈখিদবা" হায়না পীরি। ডিব্রুগড় জিলাগী বি, এ, গী সিলেবাস্ (Syllabus) "ভারত বুরঞ্জী"দা (লামায় ৩) প্রফুল্ল বরুৱানা  আদিবাসী শাগৈগী শকতাক অসুন্না পীরি, "শাগৈসিগী মীওইশিংসে য়াম্না ৰাংদে, নেম্মী, য়াম্না মশক মুই অমসুং মনাতোন পাকই। মখোয়শিংসে চীং অমসুং  জংগোলদা লৈবা পাম্বা মীওইশিংনি। মখোয়গী ময়েক লৈতে অমসুং লোন আর্য শাগৈগী লোনদগী তোপতোপ্পী। কুল, ভিল, মুণ্ডা শাগৈগী মীওইশিং হায়রিবা শাগৈ অসিগী মনুংদা চল্লম্মী।

অদুনা আদিবাসী হায়রগদি কাঁৰার, কল,  ভূমিজ, চৰর, চুরিয়া, পাহারীয়া, চাওঁতাল, ওরাং, মুণ্ডা, মাথ পাহারীয়া, মাহালি, লহরা, করবা, করা, কিচান, কন্ধ, খেরবার, খাড়িয়া, কুডমালি, হু, গরাইড,  গড়, চিক বাড়াইক, চের, বিরজিয় বিরহড়, বিনজিয়া, বেদিয়া, বাথুড়ি, বানজারা, বাইগা, আচুর, লধা, দামদারি, বন্দা, নাগাচিয়া, উড়িয়া, ভিল, পরজা, দানৰার, কয়ানা মরূ ওইবশিংবু তাকই। অসমগী লৈরক-খুঙ্গং অমসুং চাহ বাগানদা লৈরিবা শাগৈ অমনা মশাবু "আদিবাসীনি হায়না থাগৎচৈ । অদুবু ময়াম্না মখোয়বু চাগী থবক শুবা থৌমী, কুলি, চা জনজাতি, সেউজ অসমীয়া হায়বগুম্না মমিং থোন্দুনা লাকই।  খজিক রাৎপনা মখোয় মনুংগী খরনা হায়রিবা মীংথোনবাশিংসিবু মশানা থাজরবসু, অশেংবদদি মখোয়শিংসে আদিবাসীনি।

**আদিবাসীশিংগী মনাৎ ঃ**

অহানবদা আদিবাসীশিংসে মহৌশা লাইরেম্বীবু নুংশিবা অমসুং মহৌশা লাইরেম্বীগী মথক্তা ঙাদুনা উহৈ ৰাহৈ চাদুনা মপুন্সি লেনলম্মি। লোউশিংউবা হৌরকপগা লোইনা লোইননা মখোয়গী থবক চৎনবী পুন্নমক অসি লৌ-শিং উবগী মথক্তা ওইখিরম্মী অদুন্না মখোয়গী মরূ মকোক ওইরিবা থৌরম পুন্নমক মখাদা পীরিবাগুন্না তৌঈ --

**করম থৌরম ঃ**

লাংবন থাগী একাদশী নুমিত্তা হায়রিবা থৌরম অসি পাংথোকই। 'করম' মরূ ওইনা লৌউ শিংউগী থৌরম্নি। করম (Naulea Porvifola) উপাম্বী মখল অমনি। খুলগী নুপীশিংনা, মরূ ওইনা লৈশাবীশিংনা জংগোলদগী করম মশা ককলুদুনা মখুলগী আখরাগী শুমাংদা লিংঙী। খুলগী মীয়াম্না হরাও জগোয় শাদুনা করম লাইবু পূজা তৌঈ। আদিবাসীশিংগী 'পাহান' (পুরোহিত)গী পূজাগী মতুংদা করমগী ৰারী তাই, মদুদা আদিবাসীশিংগী চৎনবী ৰারী যাওই। করম থৌরমসি মরূপ মপিজা, নুংশিনবা অচান চানবা, অমত্তা ওইবা, চাথোক-ফৌথোক ফজবা অমসুং লুহোং খোংদোংগদবী লৈশাবীশিংগীদমক চারা চাহেনবগী মতম, মীয়াম্না লৌউ-শিংউবগী অফবগা লোয়ননা পোৎথোক-চাথোক য়াম্না থোকপগী হায়জদুনা করম লাইগী মনাক্তা খুরূমজৈ। অসিগী মথক্তাসু আদিবাসীশিংসিগী মনুংদা টুচু, বাহাপরব (চারহুল), চোহোরাই, মাগে, ফাগুৱানাচিংবা থৌরম পাংথোকই। করম ঝুমুর, ডোমকোচ, জাদুর, লাহচুৱানচিংবা ঈশৈ-জগোয়না আদিবাসীশিংনা থৌরম পাংথোকই।

**আদিবাসী লোন ঃ**

আদিবাসীশিং লোনশিংদা দ্রাবিড়, অমসুং অষ্ট্রিক কাংলুপকী লোননি। খুদম ওইনা উরাংশিংগী কুডষ লোনসি দ্রাবিড় কাংলুপকীনি। অদুম হায়না মুণ্ডা অমসুং চাওঁতালশিংগী লোন অষ্ট্রিক কাংলুপকী কোলারীয়ান লোননি। 'খাছি'শিংগী লোন অমসুং চৎনবী খরদা চপ্ মানবাসিনা তাকপদি মখোয়শিংসে মখোয়গী মনুংদা লোন অনীগী লোন আদিবাসীয়া (চাদর) লোনদা ৰারী শানৈ। আদিবাসী কুডুষ (ওরাং) মুণ্ডা, চাওঁতাল, চাওরা, কুড়মালী, খাড়িয়া অতৈ অতৈ শাগৈশিংসিগী মশা মশাগী ........। আদিবাসীশিংসিনা মশাগী লোনশিং চাওখৎনবগীদমক মখোয়গী মনুংদা, খুদম ওইনা কুডুষ সাহিত্য সভা, চাওঁতালী সাহিত্য সভা, মণ্ডারী সাহিত্য সভা, খারিয়া মহাসভা, কডমালী সাহিত্য সভানাচিংবা মাংজিন থানা থোরকই।

**আদিবাসী মনাৎকী অখন্নবা মীওইশিং ঃ**

খ্রীষ্টচন মুণ্ডা ঃ ভারত নীংতম ঈহৌদা, ইং ১৯১৬ খ্রীষ্টাব্দদা হায়রিবা শ্বহীদ অসিনা থৰায়না পোম্থা

পীখি। তেজপুর মনাক্কী ফুলবারী চাবাগানদা খ্রীষ্টচন মুণ্ডানা আসামগী লৌমী অমসুং থৌমীগী ঈহৌ ১৯১০-১৯১৬ খ্রীষ্টাব্দদা শৌখিরম্মী। (Tea Garden Labourers of North East Gudia. S. Karotem Prel B. Dutta Roy (P. - 166 - 167) । ব্রিটিছ সরকারনা খ্রীষ্টচন মুণ্ডাদা ফুলবারী চাহ-বাগানগী মীয়াম মমাংদ ফাঁসী তৌঈ, তুংদা অমুক হন্না কনাগুম্বা অমনা ব্রিটিছ সরকারগী ময়োক্তা লেপ্পগী থৌনা লৈতনবা। অদুবু থৌদোক অসিগী হেক মতুংদা চা বাগানগী মীওইশিংদা নীংতম্বগী ঈহৌ অমুক হেন্না শিন থুংখি। ..... চনাজুলি, কাছারী গাঁও চা বাগানশিংদা খুৎথোক্লবা ঈহৌ Planter Raj to Swaraj A. Guha) মালতী, ওরাং, (মাংগ্রী মেম), দয়াল, পাণিকা, বাকুঁড়ু চাওঁরা, অতৈ অতৈ ময়াম আদিবাসীনা নীংতম ঈহৌদা মথৰায় কৎখি।

**জাষ্টিন লাক্রা ঃ** "সদৌ আদিবাসী ছাত্র সন্থা"গী অপোকপনি হায়না খংনরবা জাষ্টিন লাক্রানা পোকখিরম্মী চরাই কিলগী কচু খুলদা, ২ অক্টোবরগী খৃষ্টাব্দ ১৯৭০ দা। ইং কুমজা ১৯৯৬ দা শিলং কলেজদা মহৈ তমদুনা লৈরিঙৈদা মখা আসামদা শাগৈ অনী খৎনখিরম্মী অমসুং চাওরাক্লা লাখ অনী মীওইনা সরকারগী তেংবাং শংদা লৈখিরম্মী। মহাক মহৈ তম্বা তোক্তুনা মীয়ামগী সেবাদা খোংদাখিরম্মী। জুলাই থাগী তাং ২ দা জাষ্টিন লাক্রানা মরূপ-মপিজা (যোচেফ মিঞ্জ, ষ্টিফান এক্কা, বস্ক, চেরমাকো, মারো ওরাং অমসুং উইপ্রেড টপ্প) অতৈ অতৈ মীওই খরগা লোয়ননা লক্ষিমপুরগী জুনুবস্তি আদিবাসী উচ্চ মাধ্যমিক বিদ্যালয়দা মীয়াম পুনখিরম্মী অমসুং খৃষ্টাব্দ ১৯৯৬ গী ২ জুলাইদা "সদৌ আদিবাসী ছাত্র সন্থা" শেমখির্‌মী। মীয়াম্বু লৈশাতানা লৈহনবা অমদী অইংবা অমা থম্বানা আদিবাসী ছাত্র সন্থাগী মরূ ওইবা পান্দম থমখিরম্মী। আদিবাসী ছাত্র সন্থানা মপোক অমা ওইনা থোরক্লবদা আদিবাসীশিংবু জনজাতি ওইহনবা অমসুং চা থৌমীশিংগী নোংমগী খুৎশুমন হেলহনবদুনা মরূ ওইবা ৰাকৎ লৌদুনা মতম শাংনা ঈহৌ পুরকখিরম্মী। হায়রিবা ঈহৌ অসিনা আদিবাসীশিংগী মনাত্তা য়াম্না মমি তারম্মী। ঈহৌসিদা আন্দোরিয়াচ মাণ্ডি, হেমলাল চনা, বস্ক চেরমাকো জিতেন তাঁতিয়া লোয়ননা অথৌবা আদিবাসী ১৮ গা মপুন্সি কৎখি। ইং কুমজা ২০১৫ গী ১৩ জুলাইদা খুৎকন পাঙ্গল্লবা আদিবাসী লুচিংবা জাষ্টিন লাক্রা পুন্সি কৎখি অমসুং মঙোন্দা তুংদা আদিবাসীশিংগী "জাতীয় পিতা" নি হায়না মীংথোনখি।

**আদিবাসী পরিষদ, অসম** (Adivasi Council of Assam) **ঃ** ইং কুমজা ১৮৫৫ দা মতম অদুগী অপুম্বা ভারতকী আদিবাসী লুচিংবা জয়পাল সিংহ মুণ্ডা আসামদা লাকখিরম্মী। ..... জয়পাল সিংহ মুণ্ডা ভারতকী সংবিধান শেম্বগী মীহুৎ অমা ওইরম্মি। মহাক্কী হোৎনখুত্তা সংবিধানদা জনজাতিশিং যোকপগী থৌশিল্লম্মী। অদুবু আসামগী আদিবাসীশিংদা হায়রিবা থৌশিন অসিদগী লাপথোক্লা থম্বীরম্মী। জয়পালসিংহ

মুণ্ডানা মসিগুম্বা থবক অসিগীদমক অকনবা ময়োক্কী খোল্লাও পীরম্মী। মহাক্না আসামগী আদিবাসী শিংদা পুনশিন্দুনা গণতান্ত্রিক মওংদা ....... সাংবিধানিক অধিকার ফংননবা হায়জরম্মি। ইং কুমজা ১৯৫৫ দা মহাক্না কৌজদুনা লৈখিদ্রবা ফ্রান্সিচ হাস, আব্রাহাম চাংগা, এচ, আই, এক্কা অমসুং চাইমনসিং সরেনগী লুচিং মখাদা আদিবাসী পরিষদ 'আসাম" শেমলম্মি। ((Tribal Movement of India Vol. 1 pg. 30) আদিবাসী পরিষদকী মরূ ওইবা পান্দমদি অসমদা আদিবাসীশিংবু জনজাতি ওইনা অয়াবা পীবগী থৌরাং লৌখৎপিবা অমসুং আদিবাসীশিংবু অমত্তা ওইনা পুরকপদা অয়াবা লৌখিরম্মী। ইং কুমজা ১৯৫৬ দগীনা ইং কুমজা ১৯৫৭ গী মনুংদা আদিবাসী পরিষদকী থৌবুরোয়শিংদুনা অপুম্বা আসামদা সংগঠন অদু শন্দোকই। শ্রীরামপুরদা মাথিয়াচ টুডু, ঢেকিয়াজুলিদা মাইকেল লুগুন, লক্ষিমপুরদা ফ্রান্সিস হান্স, ডিব্রুগড়দা চিরিল তপ্ন, এছ, আই, এক্কা, মখোয়গী লুচিং মখাদা পরিষদ অসি খুৎকন পাঙ্গলবা ওইখি। মখোয়না ইং কুমজা ১৯৫৮ সনগী মার্চ থাদা লৈখিদ্রবা জয়পালসিং মুণ্ডাবু আসামদা কৌখিরম্মী। তাং ১২ দগীনা তাং ১৪ ফাওবা জয়পালসিং মুণ্ডা অমসুং বিধায়ক সুশীল বাগনা আসামগী মফম মফমদা ৰাফোংলম্মী। (The Hindustan Standard) : 14 March, 1958

আদিবাসী পরিষদকী লুচিংমখাদা লিশিং লিশিং মীওইনা জয়পাল সিং মুণ্ডাগী মীফমদা শরূক য়াখিরম্মী। ..... আদিবাসী মীয়ামদা লৈঙাকলোনগী ঈহৌ পুরকখিৰম্মী। জয়পাল সিংহ মুণ্ডানা মতুংদা লৈঙাকলোনগী থবক্তা শরূক য়ারবদা আসামগী অয়াম্বা আদিবাসী লুচিংবা লৈঙাক লোনদা শরূক য়াখি। মখোয়শিংগী মনুংদা মাথিলাচ টড, দীপক মর্ম্ম, রামেশ্বর ধানোৱাৰনাচিংবা মীওইশিংগী মমিং পনবা য়ায়।

**ৱাহং ঃ-**

১। আদিবাসিশিংগী মতাংদা শন্নপ্না ইয়ু।

২। আদিবাসিশিংগী লোন অমদি উৎসবকী মতাংদা ইয়ু।

৩। শন্নপ্না ইয়ু ঃ

(ক) খ্রীস্টসন মুণ্ডা (খ) জাস্টিন লাক্রা